
ডিটেকটিভ





ਸ਼ੇਟੋਗਰਫਰ

কালোভ্রমর

(৪ শুবা শরুক)

অইবা :

ডাঃ নিহাররঞ্জন গুপ্ত

মণিপুরীদা হন্দোকপা :


রাজেন চোংথাম



KALOBHRAMAR.

a detective novel written by :
Dr. Niharranjan Gupta, transleted into
Manipuri by : Rajen Chongtham and
Published by : Sharat Khuman for
P. S Publications, Manipur.

Rs. 40/-



অহানবা থুংনম : এপ্রিল, ১৯৭৭

অনিশুবা থুংনম : ১৯৯৫

অইবা : ডাঃ নিহাররঞ্জন গুপ্ত

হন্দোকপা : রাজেন চোংথাম

অফোঙবা : সরত খুমন্না পি, এস, পব্লিকেসন্স, মণিপুরগীদমক ফোঙবা।

মমল : লুঃ ৪০/-

নক্ষম : পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরী সগোলবন্দ মোইরাং ময়ুম লৈরক, মচিন।

পব্লিকেসন্সদগী

পি. এস. পব্লিকেসন্স, মণিপুর পব্লিসর মরাঙ কায়না লৈত্রিবা ইরমদমসিগী অইবসিং মরুওইনা, ইরুরগা মসাগী খুৎই লাইরিক অহু ফোঙজবা ওমদবদগী নীওহন্নররুবা অইবা কয়াবু পুক্লিং খোৌগৎচবগা লোয়নবা অফবা লাইরিক কয়া পুথোকচন্নুা ম্রতুম্র মতমগী ওইনা মীয়ামদা সীন্নজবা অমদি মণিপুরী সাহিত্যগী অঙম্বা সেবা তৌজবনি। পান্দমসিগী মথাদা- সোক ১৯৮৬ তগী হৌনা লমসিদা খোঙ থাংজিল্লরকপনি।

পব্লিকেসন্সসিগী অতোপ্পা পান্দমসিংগী মুন্নুংদা অমনা চহী খুদিংগী ওইনা পব্লিকেসন্সসিনা লাইরিক কয়া লৈখিজ্রবা পুগ্রম্বম ৺জয়চন্দ্র সিংহগী মীংদা লন্নাই সংস্থান কয়াদা মমল লৌদনা খুদোল তমজবনি। পান্দমসিমসু সোক ১৯৮৮ দগী লেপ্তনা চখরক্লি।

হন্দক পুথোকচরিবা ডাঃ নিহররঞ্জন গুপ্তনা বেঙ্গলীদা ইবীরম্বদগী রাজেন চোংথামনা মণিপুরীদা হন্দোকপীরবা ডিটেকটিভ নোভেল "কালোভ্রমর" (৪শুবা শরুক) অনিশুবা খুৎনম, পব্লিকেসন্সসিগী ১৬ শুবা লাইরিকসিমসু লমদমসিগী অপাবশিংগী খুদোংচানবগীদমক পব্লিকেসন্স অসিনা খ্বাই পুন্নমক্কী মফমদা খুদোল তমজরি। লাইরিকসি ফোঙননবগীদমক অয়াবা পীবিরকখিবা শ্রীরাজেন চোংথামবুসু পব্লিকেসন্স'সিনা তৌবীমল থগবা উৎচবগা লোইননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লাইরিকসিবু মখয় চানা পুথোক্লবগীদমক, নম্নবগী থোদাং য়াবিখিবা পি, এস, প্রিন্টিং এণ্ড ষ্টেসনরীগী মেনেজর মাইবম মতৌলৈবী (দেবলা) চনু অমসুং সিম্মী খুদিংমকী মফমদসু পব্লিকেসন্সসিনা থাগৎপা ফোংদোকচরি।

"পব্লিকেসন্সসিগী কোওববা লাইরিকশিং অমসুং মরী লৈনবা হীরমসিংদা অখণ্ড অহেশিংনা তাকপীরকপা বাফম খুদিংমকপুসু হরাউ তরামা নৌজগনি।"

মরী লৈনবা পুন্নমকপু অমুকা হন্না থাগৎচরি।

পি, এস, পব্লিকেসন্স
মণিপুর

মরিগুবা শরুক্

॥ অমা ॥

দেং ... দেং ... দেং ! ....

পুংশীং তাকপগী অরোয়বা খোঙ্গেল অহুনা ময়াই চল্লকপা অহিংগী অচিকপগা অমস্তা ওইনা তিনখিবগা-লোয়না লোয়ননা খঙহৌদনা করিগুম্বা অমা থোকপ্রে, কা মনুংগী অমথক্তমক থাল্লিবা ইলেকত্রিক থাউমৈ অহু ফুং লাওনা মুংখিরমই অহুগা খুদক্তা য়ুমজাও অহু অহোবা লৈতনা মম্লবা অমম্বা মরক্তা ডাইহাক্তং তিনশিনখিরমই।

থোদোক অহুগী খুংলৈ থুবা অমদি থাজদবা মভোহুদা কা মনুংদা লৈরম্বা থম্বায় পাম্বা থর অহু ইলেকট্রিকনা চিংবগুম্লা পংথহুনা অমদি তৌফম খঙদনা লৈরমই।

সেকেণ্ড খরদি কনামক্তগী মচিন্দগী ম্না অমা ফাওবা থোক্লমদে ! খঙহৌদনা কিরিটি য়াম্না লাংতক্লরকই অহুগা খুদক্তদা মহাক্লা তৌগদবা মথৌ নিংশিংলক্তুনা পোকেটতা য়াওরিবা লোডেড পিস্তল অহু লৌথোক্কে হেক তৌবগা অমম্বা মরক্তা ডাঃ সান্যালগী অমেঙবা খোঙ্গেস তারকই, কৈনোসিদি ! খঙমম মমগ্রিবসি করিননো ?

ফুরিৎখাউ মনুংদা পিস্তল লৌথোক্কে হায়না হুমলুবা কিরিটিগী মখুৎ অহু মতোমতা পোথাজখিরমই। অমুক্তা ডাক্তরগী খোঞ্জেল তারক্লমই, সুব্রত বাবু অমুক্তা য়েংবীয়ু, অদোমগী হেক তুং মক্তা ফক্লাংদা নপ্তনা স্যুইচ বোর্ড অসি কৌক্লি। য়েংবীয়ু, স্যুইচ অমনা করেন্ট অমুক্তা থ'নবনি। য়ানি, ঐ হেক্তা য়েংজরগে।

বা ভাংনা ভাংনা ডাক্তর সান্যালনা হায়রিবা ফক্লাংহুদা নপ্লিবা স্যুইচ বোর্ড তম্না চংশিল্লমই। ডাক্তরগী খোংথাং মখোল তারকই অমম্বদা। মীপুম খুদিংমক মাগী মাগী মফমদা মতমত্তুদম্ম উয়ুংগুম্না লেপ্তনা খোঞ্জেল অমত্তা থোক্তনা লৌনরমই।

কিরিটি মতোমদনা অমম্বদা ডাক্তরগী খোংথাং মখোল শেম্নহুনা মহাক্কী থৌরবা মমিৎ অহুনা অমম্বা মরক্তুদা ফাওনা য়েংহুনা ডাক্তরগী শেংকাত্তবা ফিভম অহু উন্নবা হোৎনরমই! ডাক্তরনা চংশিন্দুনা স্যুইচ বোর্ডকি মনাক্তা লেপ্লমই, ময়ামগী মরক্তা টোর্চ য়াওবা য়াওরিব্রা?

কিরিটিগা সুব্রতগা অনিমক্কী মখুৎতা টোর্চ য়াওরমই। ডাক্তরগী রাহংদা সুব্রতনা ইহান হান্না মাগী ফুরিৎখাউদগী লৌথোরক্তুনা হায়রকই, শে —

কদায় য়েংগে।

ডাক্তরগী খোঞ্জেলহু ময়ান্না অমুক তারক্লই।

ডাক্তরগী মখুৎতা পায়রিবা টোর্চ ভাক্লকই অমসি ফক্লাংগী ম্নায়দা কোইরোক কোইনা তারমই মচেৎ খরদা। ডাক্তরগী মখুৎকি টোর্চকি মঙাল অহুদা স্যুইচ অহু থিরমই ময়াম অহু লাংতক্লবা মিৎয়েংদা মদোমদা য়েংহুনা লৌনরমই।

মিনিট খরা হৌরে।

মতম খজিক্তনি কান্নবা।

স্নুইচ বোর্ডকি মনাক্কমক্তদা হাংদোক্লবা থোঙনাওদা অমা লৈরি৹ খঙহৌদনা ডাক্তরনা মখুৎকি টৌর্চ অদু মুখৎলগা খুৎচোং অমুক্তা থোঙনাও লাম্থোক্লুনা চোংথোকখিরমই। মীওয়া মুদা থোকখিবা থৌদোকনি। ময়াম পুন্নমক চঙক মায়ঙক্লরমই। অদুগু মতুদা মিকুপ খরদগি। মখংগী মিকুপ্তা সুব্রতগী থোঙজেল তারমই৹ চক্রৱাজ কুইক !

সুব্রতনা হাংদোক্লবা থোঙনাওরোমদা চেনশিল্লমই৹ মতুদা খঙহৌরেনা মহাকপু থাম্মই কিরিটিনা। কিরিটিগী অকুপ্পা থোঙ্জেল তারমই, কাপ্পদনা হোৎনবদা ওইজবা লৈতে সুব্রত। কাওগনু মহাক কালোভ্রমরনি ! কা অসিদগী মান্না মী ময়াম্ম অম্বির অপঙবা শীরম্নগা মপান্দা থোঙ থাংদোকপা ওয়াখিরস্নিদি মাবু অত্তুক লায়ন্না ফাবা য়ারোই। চৎচশ্রসন্নু মা। বেটর লক নেস্ট তাইম লোইশিল্লকপগী কিরিটিগী বাহৈশিংছু মতোমতা থোয়নশাও-নবগা লোয়ননা শোর হোন্দোক্লুনা ছায়রমই।

সুব্রতনা কিরিটিগী বাহৈদা মশাগী থোংজেল ফাজিল্লরমই।

খঙল্লা সুব্রত৹ মান্না হৈ শিংনা অরোনবা স্নুইচ অমগী মতেংনা অঙকপা ড্রামা অমা তৌনা তৌনা মৈছু মুখৎলগা ঐখোয়গী অসুক য়াম্বা মীসিদা ফাগী তৌরম্মে। পঙহল্লমে। অমুক্ত৬ মান্না ঐখোয় খুদিংমকপু অপঙবা শীরম্মে৹ হুজিক অমুক মাবু অমম্বদা মফম মরাং খঙদনা তাম্নরুবা তারবদি অনিরক হম্না পঙলনি। মতুগী মথক্তা মসি মাগী ময়ুমনি মশাগী মফমনি, মপান্দা অহিংসিস্থ মমই।

মরম অদুনা মদু হোৎনদনা য়ুমদা ওইনা হল্লসি হন্দকী খোংফম-সিমদি।

য়ুমদা হল্লদ্রনে! করি হায়রবা মিঃ রায়? ব্বাহংত্ত হংলকই মিঃ চৌধ্রীমক্লা।

হোয়, লেমহৌরিবা নিংথমথাগী অহিং অসি তুমহৌবনা হেন্না ওইজগনি।

অদুনি হায়দুনস্ত স্কাউণ্ড্রেল ডাক্তরসিবু অসুম হায়না চেপহন-গ্রদরনে মিঃ রায়? অমুক্তা য়ানিংদবা ফোংদোক্লমই বেরিস্টার চৌধ্রীনা।

চেনগ্রে হায়দুনবু তশেংনা কিরিটিরায়না মাবু থাদোক্লগদ্রা মিঃ চৌধ্রী! অদুমকপু ফোর দি ডাইম বাইং মা চেন্নবা হোৎনগ্রে! তৌজসনু।

তৌজসনু হায়বদি?

অতপ্পা মীনোক অমা কিরিটিগী খোঙ্গেলদগী থোকখি। হায়বদি করিবু ওইগদগে মিঃ চৌধ্রী, অদোমনদি খওদে অদুবু কিরিটিনদি খওই মহাক কালোভ্রমরনি, অদুনা কাম্নদবদা চোংফল্লগা ওইজবা পংলে লৈরোই। মদুগী মহুত্তা লেমহৌরিবা অহিং অসি ভাইহাক্তং তুমহৌবা ওম্নবদি থরা ওইজগনি; চৎশি সুব্রত, সিগী অমম্বা কা সিদা য়া কাদুনা লেপ্পগী কাম্নবসি করিনো! চৎলশি

কিরিটিদগী হেন্না শোম্বাংননা পাউথুম পীরকই সুব্রতনা।

॥ অনি ॥

মথং সুমিত্তুগী অহিংনি।

কিরিটি, মহাক্কী লম্নাইগী লাইরিক লাইগু খোমজুনা অমুক ছম্না মহাক্কী পুন্সি য়ারী ইজুনা লৈরমই! অকিবা অমা য়াওনা ওকই ডাঃ সান্যাল ওম্নফে কালোভ্রমরসি। মী অসি ডাকুনি, মী-ছাৎপনি—নত্রগা অঙাওবনি! ডাক্তারী শাস্ত্রদা "হোমিসাইডেল মেনিয়াক" হায়বজুবু মখোয়সিন্না? মী অসি তশেংনা লাইরিক-হৈবনি, হৌন-খঙই, নোল্লুকই, পুকচেল চাওই—অজুমক্তদা য়াম্না তোনগ্রবা, তুক্কচরবা মপুক্লিংগী শাক্তং অমা মী অসিগী মপুক্তা তুমজুনা লৈ। মরক মরক্তা মথুং খুজিল ফন্দোক্তুনা হৌগৎলকই। ঈ পাম্নবা শাহিং চাবা হায়েনাগুম্না তমথিনা অকিবগী মশক ওল্লকই।

কিরিটি থোঙ ময়ারোমদা নমস্কার তৌজুনা চংশিল্লি। ঐ ওসি সুমিদাংবাইরম নত্রগা হয়েং অয়ুক অদোমগা উন্নজগে মিঃ রায়। রায় বাহাছুরনা কেস অসি মপুং ফানা ঐঙোন্দা ইনবেস্টীগেইসন্ তৌনবা শিন্নবীরে। অজুবু ঐনা অদোমগী মতেং পামজৈ। ঐবু নিংবা কায়হনবিরোই হায়না আশা তৌজৈ।

শোয়দনমক্কী কায়হজরোই, ঐ য়াকম অসিদা য়াম্না ইনট্রেষ্টেড ওইজৈ অজুগা অদোমগী মতেংসু ঐঙোন্দা য়াম্না কান্নগনি। অজুগী মথক্তা ঐখোয়গী লমগী চৎনবী, মাঙবা তোংবা ময়ামগী থবক্লি হায়বজুনি।

শচীনগুপ্তনা নোক্না নোক্না খুম্নকই, খঙজৈ অদুগা মসিমসু খঙজৈ, অদোমগা হকথেংনবা শুপ্তনকুরসি ঙসিতমক ওইরবসু, অদোমগী শক্তিগী অমদি অদোমগী মিংয়েং কুপ্পগী বারী—

কিরিটি নোক্না নোক্না হল্লকই, থাজবিরুসু মিঃ গুপ্ত – শুকথা হেক থাজবিরুসু। ঐবু ময়াম্না মুংশিরবীবদুগী হেন্না হায়জিরীবনি। তারীরিবা নত্রগা মতুংদা তারীরবদবশিংং অদু কুরিমদা হেক নত্তে। নৈশি-নৈথোন য়াওরবনি।

অয়োমনবুদি পুংহায় হায়বীরবসু মীয়াম্না হায়নরিবসিদা অচুম্বা খরদি অকুপ্পক লৈ—হায়নরিরনিনা।

নোক্না নোক্না পাউখুম ওইনা হায়রকই শচীনগুপ্তনা। হায়নরবুদি নৈরিবা। লৈরুসসু, অদু মুমিদাংবাইরমদা অমুক্তা চংথোকপীরকউ, থোইদোকপা থবক লৈরবসু বারী বাআই থৌদুনা ঙাইহাক মুঙাইবা য়াই। ফরে, থৌজরগে নমস্কার।

কিরিটি বিদায় লৌদুনা কাদগী মপাল থোরকখি।

॥ অষ্টম ॥

কিরিটিনা গাড়ীদা কাখৎলগা হীরাসিংদা সুব্রতথোরকী 'ময়ুমদা' চংনবা হায়রকই।

লানগী কৈথেলদা য়োংকি কারবারনা কয়ামুক তোংবগে হায়বসিদা রাজুগা মীতীশকা সুব্রতগা কন্না নৈনদুনা লৈরমই।

কিরিটিনা কা মনুংদা চংলকপা উবদা সুব্রতনা হায়রকই,

এ কিরিটি ইবুঙো ল্যাকএরুনা। কন্নীয়, ঙ্গাক্পি কপ্লুবা য়োং ল্যোনবুশিং অশিংগী শ্নারংদগী ঐবু কুন্নীয়ু।

কিরিটিনা চেয়ার অমা চিংশিল্লগা ঙ্গাখল নৈত্তানা হংলক্লই, কৈত্থৌনরবগে ?

সুব্রতনা হায়নিংলিবসি, ল্যানগী কৈথেলদা য়োংকি কারবার তৌবা হায়রদি রেক মার্কেটিংনি—হুরানপ্রোংবোন। নীতীশনা ম্রুগী ওইনা হায়রকই।

এবনোরমেল ওইবা মতমদা শেন্দোং ফংবা কারবার হায়রব-সিমক্তবু নত্তবা উপায় থর শিজিন্নবা হায়রুনি। থর শেমজিন শাজিন্দুনা হায়রগা মতুগী মতাংদুদি সুব্রতগী বা অহু পুমলান ল্যাক্লি হায়বদি য়াদে। হুজিকীদি তর্কসি তোক্লশি। সুব্রত, ঙ্গওগা ঙাওনগদবা বা অরুবা থবা নৈ। চংশি। সুব্রত বা ঙাওনা ঙাওনা হোৌগংলকই অহুগা সুব্রতগা কিরিটিগা কারুগী মপাল থোকখিরমই।

অহুক্কীদি সোমুগী প্লাউ হাব্রুবা ?

কুরিনো ? খঙলিংলো সুব্রতনা কিরিটিদা য়েংই।

বেরিস্টর দীনতারণ চৌধুরী হাংগ্রে।

করি হায়বা ? থংগ্রেক থংই সুব্রত।

অশোংবুমি। অহুগা কালোভ্রমরননি।

কালোভ্রমর ?

হোয়, মাগী ঈহিং ঙ্গাইহিং তৈরবা মথুন্নিংতা কালোভ্রমরগী ফাওরবা খোইমু য়েকপা চিঠি অহু পিননা লেংলমই।

সুব্রত ফক্কচিল্লগ্রে। খোজেল অমত্তা মাগী ঙ্গচিন্দগী থোকখিত্রে।

কিরিটি পোকেটতগী বর্ম। সিগারেট অমা লৌথোক্লগা চমহ্না ৱাওথাংনবা মৈখু খর কামথোক্লমই। মসিনা লোইহ্রি সুব্রত, কৈনা ঈগী মহাও অমুক্তংবু ফংপ্রবদি তমথিবা অসুম হেনগৎলকই অদুগা মাগী হৈনবীদু মুথৎনবা অমত্তা ঙাম্বা উপায়দি — বুলেট নত্রা? ৱাদু লোইশিল্লি সুব্রতনা। মহুমক্তি! অদুগা হন্দক্তি কালোভ্রমর অমুক হম্না মীগী থাক্তা লৈত্রে হুজিক ঈগী মহাও তংখিবদগী কৈগী থাক্তা কাথৎপ্রে; খঙলে মহুদা মাবু করম হায়নদি ফাগদৌরি?

করম হায়না ফাগদগে হায়বদু নত্তে লুরিবদি। ফাগনি হায়বসিনি খ্বায়দগী লুরিবদি। অদুগা মাবু ফাবস্ত ফাগনি তৌবতবু কেসচন ওফ তাইম!

অরোয়বগী ৱাহৈশিংদু হায়না হায়না কিরিটি ৱাথল অমদা লুপখিবগুম তৌরমই অদুগা কা মনুংদা লাংতক্পনা হঙ্গৎ-হন্দা চত্তুনা মতোমতা শোম্বাংননা হায়রকই, মাগী ফত্রবা থবকশিং অসিগী অরোইবা নত্তে মসিনা। মী চাবা কৈগী মতৌগুম্না য়ুমে য়ুমদা তম্লররনি অমুক।

করি হায়বনো কিরিটি! সুব্রতনা হংলকই।

কিরিটি সুব্রতগী ৱাহুদা ওকচানৈ অদুগা শোল্পপ্না হায়রকই, আ, নত্তে, কৈস্তু নত্তে!

কিরিটিনা চিংনবদু অরাম্বা নত্তে হায়বসি উৎসকপদু কুইত্রে! ডাঃ চট্টরাজ।

কলিকাতাগী ময়াইদা ডাঃ রনধীর চট্টরাজ মহাক্কী মপাগী য়ুমদা লৈরমই।

চট্টরাজনা মশাগী ম্নাইরবা অমদি সম্নাজল্লা মতিক মগুন ঙাক্লবা মীশক অমনি।

মহাক্কী শুপ্লগী মমিং চংলবা লায়েংবা মী অমা ওইবতা নত্তে; য়াম্না অঙকপা থেংনবা পামজবা অমদি মীয়াম্নগী মীনি।

সংসারদা মাগীনি হায়না লৈহৌরিবদা মমা-মপা লৈত্রবা মমৌ সুচিতা নত্তনা কনামত্তা লৈত্রে। মহাকী মপীদি লুহোংলুরবা মতুং চহি অনি লৈরগা ক্বোক্তী লায়না অমা নারক্কনা শাংলবা চহি তরা ঙাওহনা লৈত্রমগা শিগ্রে। ডাঃ চট্টরাজ অনিরক শুনা লুহোংখিদে। মাগী অমত্তা ঙায়জবা মচলদুগী অতুবু মহাকী মপানা হিংলিঙৈদা জমিদার শাগেদা লুহোংহনা পীখি। অতুগা মচল অতু লুহোংবা মতুং চহি অনি অমুক শুরকপদা থ্বা তক্কী অঙাং সুচিতাবু হন্দোক্লমহনা শিখি।

সুচিতাগী মপানা অমুক হন্না লুহোংবদা রণধীরনা সুচিতাবু মাগী মনাক্তা পুরকখি।

মতুং ওসিদগী শাংলবা চহি কুনমরি মমাংগী ৱারীনি। মতুদগী হৌনা সুচিতা মাগী মাম্মগী মনাক্তা মচান্নুপীগুম্না লৈরক্লি। সুচিতাবু ডাঃ চট্টরাজনা য়াম্না লুনা তৌকৈ, হজিক্তা সুচিতা বিঃ এঃ পাস তৌরগা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তমে। অতুগা ইচম চম্না আর্টসতা তমহন্ত্রা মেট্রিক মতুংদা আইঃ এসঃ সিঃ বিঃ এসঃ সিঃ পাস তৌরগা কিজিক্তা এমঃ এসঃ সিঃ তমে। ম্যাম্মনা কেথোক্লা য়োকপনা মশাগী নিংতম্বা মওংদা হিংবগী খুদোংচাবা ফংহনা অমদি মমদা মাগী অমত্তা ঙায়বা মরূপ মাম্মগা লোয়নবদা সুচিতাগী মওং অসি চুপী অতৈ শুম্না তৌদহনা মুপাশুম্না মখোঙ য়াঙবা অমা ওইরক্লমই।

মুপী ওইবীশিংগী ইকাই-হঙ্গোইজবা হায়বত্থ মমৈদদি সুচিতাগী মশাদগী পুম্মাং মাওখিরমই। মপান নাইত্রবা থৌনা অমদি মুপা-শিংদা য়াওবা ইরায় লায়থোকপগী মতৌ অত্থ সুচিতাগী লমচৎতা উবা ফংলমই। সুচিতাগী ফিভমস্থ মাগী মপুক্লিংগা চুনরমই। ফুট তরুক অমুক ৱাংবা, চুমত্রিং চুম্বা মথৱায় কম্বা উ পাম্বীগুম্না চাও-খৎলক্লমই। মশাগী কুচুদি মুই; মমায়দা মমিংতা অমকপা লৈতে। মকোক্কী মশম বোব ককই—মরেংজুমদা জ্বাই-জ্বাই তাই। য়াম্না নপ্না শাড়ি শেৎলি। লৈতেং নত্রগা লীক শিবা পাম্বগী মওং লৈতে। মথুক্তেং অনিহুদা সনাগী খুজি মপোপ পীকপ্রবা অনিখক শিরি। মহুস্থ মাগী মাম্মনা হায়মম্বদগী সুচিতানা শিবনি। অমুবনা মপান চৎপা অঙৌবা শাড়ি নত্তনা সুচিতাদি মচুগী শাড়ি শেৎতে।

ময়ুমগী গাড়া লৈনা লৈনা সুচিতা মতম লৈবথিবিক্তা বস ট্রাম তোংহুনা মতোম মতোমদা চৎলি। বস ট্রামদা লেডিজ সিট তাল্লদবতা নত্তনা মী অমগী মনাক্তা করিমত্তা চিংনদনা ফমই। লম্বী লমজাওদা, স্কুল কলেজদা, ট্রাম বসতা, থিয়েটর সিনেমাদা মরম অত্থমক্তা মুপাগী কাংবুনা সুচিতাবু মওং অমগুম্না থমৈ।

কিবস্থ নত্তে, হঙ্গোইবস্থ নত্তে, অত্থগা ইকাই খুম্নবস্থ নত্তে—সুচিতাগা লোয়নবদা অসিগুম্বা ভাব অমা উবা ফংই। ডিবেটিং নত্রগা য়েৎনবদা সুচিতানা খোঞ্জেল হৌনা য়েৎনবদা নিংহল্লদবগুম, কলেজগী সভা সমিতি নত্রগা অতৈ কুম্মৈশিংদা মুপা মচাশিংগা পুল্লগা লাওবদস্থ মপা লৈতে।

মুপা নহাশিংনা সুচিতাবু য়েংলুরগা হায়, সুচিতাদি মুপী নত্তে — মুপানি।

ডাঃ চট্টরাজগী প্রাকটিশ ইকং ফত্তবা নত্তে। বিজ্ঞানগী হিরম কয়া অমদি লায়েংবগী লাইরিক পাহ্নুনা অহ্নগা সুচিতাগা মরৈ য়েৎনহ্নুনা মতম লেল্লি। সুমিদাংদা চানবগী টেবিলদা অমদি তুম্নম-দাইগী মমাংদা মতম খর ব্বারী ব্বাতাই ভৌবা হায়বসি মাম্ম মমৌ অনিগী নোংমগী তৌদ্রবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরমই।

য়েৎনবা নত্রগা খন্ন-নৈনবা মতমদা মখোয় অনি মরুপ ওইনা তৌই। লেংমান্নবগুম। হায়রিবা অহিং অহ্নু পুং তরামাথোই তারে। চাবা-থকপা লোইরগা হুইতলাগী ফম্ফম কাদা মাম্ম-মমৌ গগী মরক্তা শান্নরম্বা ব্বারীহ্নু ডাঃ চট্টরাজনা থেংনখিবা কালোভ্রমরগী মরমদনি!

নডনা হায়নিংবা অমা হায়রবস্থ মাম্মা, নখোয়গী কিরিটি রায়বু থাগৎকেমথৈ থাগৎচরবস্থ ঐদি ভাব তাবা ডমদে। অহ্নুগুম্বা ক্রিমিনেল অমদা চান্স অহ্নু পীরিহ্নবু? ইট ব্বাজ—

সুচিতাগী ব্বা অহ্নু লোইহন্দনা ডাঃ চট্টরাজনা নোক্লহ্নুনা হায়-রকই, থৌদোক অহ্নু অস্কী মতিক খুৎলৈ থুনা থোকখি মহ্নদি, কনামডনা চেকশিন্না লৈবা ডমহৌদে—

করিনোনে হায়রিহ্নবু মাম্মা! অহ্নুগুম্বা কউল্ড ব্লডেড মর্ডর তৌবা ডম্বা মী অহ্নবুদি হান্নরা চেকশিন্না গার্ড তৌফম থোকপনি। নহা অহ্নু ঐগকা থেংনরম্বা থোক্লবদি য়ুয়ৎস্নুগী লৌ অমা তৌহ্নুনা মথিবোং থোকহনগদবনি।

কালোভ্রমরসি করম্বা জাৎনো হায়বহ্ন খডত্রা! কোওলস পর্সোনিফিকেসন দা মীনা মশক খডবা মী অমা শান্নগা অহ্নক য়াম্বা মীয়ামহ্নুগী মমিৎতা উফুল চাইবা ডমগ্রবনি—মহ্নুগী মথক্তা

কিরিটিবাবুগী মচিন্দগী তাবদা মাগুম্না লৌশিং লৈবা, খুৎলৈ থুবা, চালাক লৈবা মীওইদি লিশিং অমগী মস্তুদা অমগুনি। নগুস্থু খন্দনা য়েংউ, শুভঙ্কর মিত্রগুম্বা অফাওবা এথলেট অমবু অদুম হায়না হাত্তোক্লগা লোংশিন্দনা মশামক্লা শুভঙ্কর মিত্রগী বডুল শামহনা লৈখি মসি ফাওবদা কনাগী মমিংতা উফুল চাইরা গুমদ্রবগে? খন্থবা ওমত্রা অমুক্তং ব্রেইন, ম্যোটর কয়ামুক লৈহনা মানা থবক ময়ামসি তৌরম্বিবনো? হোয়, মী অদু মথৌনাদি লৈ, অদুগা মসিদু অচুম্বনি মহাদি নথোয়গী য়াম্না হায়নরিবা অওকপা থবক্তা পাংথৌক্লবা শ্রীযুক্ত কিরিটি রায়দগীদি মানা হেন্না মবুদ্ধি লৈ মকোক্তদা!

নত্তেনে! মবুদ্ধি লৈ মী অদু য়াই, অদুবু কিরিটিবাবুবুসু নওনা খওত্রে! য়েংউ কিরিটি রায়গী মিৎয়েংদগী মহাক নাম্বোকপা ওত্নোই। মানা কালোভ্রমর ওইগে ওইয়ু অমা ওইগে ওইয়ু।

হোয় মদুগী প্রমাণ ফংলে! বেরিষ্টার চৌধুরী ফাওবা হাংপা ওমগ্রে! নত্তে মাম্মা, আই মষ্ট গিব মাই ডেবলস ড্যু, আই টেইক্ মাই হেইট্ ওফ্! ঐগী পুক্নিংদা আই হেইট হিম্—তুকচে অদুগা ঐগী ইথুংতা অমুক্তং তারবদি হায়না খল্লি, অদুবু—সুচিতাগী রাদু থোইশিন্দ্রি। ঘড়িদা দেং দেং হায়না অহিংগী পুং তরানিথোই মৈরক্লে।

ইসঃ অহিং য়াম্না থেওত্রে, মাম্মা নও তুম্মুরো। মাম্মাগা মমৌগা অমনা অমদগী বিদায় লৌনরগা মাগী মাগী তুম্ফম কা তাম্না মথোং থাংনখিরমই। মথোয় অমিগী তুম্ফম কাদু থংনৈ।

তুম্ফম কাদা চংলগা শংবাম্নবা মৈ অদু থানুগংলগা টেবিলদগী

মেডিকেল জর্নেল অমা লৌখৎতুনা চট্টরাজনা আয়াম চৌক্রীদা কমথরগা মমাংদা লৈয়িবা রিডিং লেম্প অহু থানগৎলমই। অহিং থোংজপ্রবস্থ, তুমন্ত্রিঙৈগী মমাংদা পুংথায় অমুক লাইব্রিক পাত্রবদি চট্টরাজ মিং উইশিন্বা য়াদে। চট্টরাজ মেডিকেল জর্নেল অহুদা মপুক্লিং চংলমই। সুচিত্রাস্থ মাগী কাদা চংলগা অহাম্বামক্তদা মমুংদগী থোঙ লোনশিল্লমই। মৈ অমুক থানগৎত্রে, অমস্বসি সুচিত্রা য়াম্না হৈনজে।

য়াম্না চিকপা সুভাইজবা অমা, মহুবু থঙবস্থ ঙমদবা, শোকপস্থ য়াদবা, অহুমক্তদা মহুবু মুংদগী শামিন কংহুনা ইশাগী ওইবা য়াই। অমস্বদা সুচিত্রা কি হোংদোক্লে, অচৌবা শমজেং অমনা মশমহু অমুক্লং হাৎতোক্লমই। অনোম্বী চৌক্রী অহু থোঙনাও ময়াদা চিংশিল্লগা মহুদা ভাথরমই। অনোম্বী চৌক্রীদা কম্লগা মশাহু থর থর নোম্বসি মহাক য়াম্না সুভাইজে। হাংদোক্লবা থোঙনাওগী লম্বীদা অভিয়া মচেং অমা উবা ফংলি।

অহিংগী অভিয়ানি। অমুবা লম্না লম্না লৈবা মরক্তা থাপ্না থোক্লিবা থবানমিচাকশিংনা কুফেং কাফেং ঙাল্লি।

অমম্বা তির্থগী থোঙজাওদা লেপ্না থোঙ শঙবগুম্না অহিং চুপ্না হৌগৎতুনা মখোয়না মীশেল থাঙই। তুমশিং কাদবা মমিৎশিংনা য়েংহুনা লৈ কুপ কুপ্পনা। যুগ যুগ কয়াদগী নিংশিংবা ঙমত্রবা মতম অমদগী মখোয়না থোঙ শঙহুনা লাক্লি। সুমিৎকি জগৎতা কোয়রবা লম্বাংনরবা লম্বী চৎপনা করিগুম্বা লাম্বা ফংত্রবা যুগ অমদা যাত্রা তৌরুরগা, মখোয়গী যাত্রা অহু ঙসি কাওবা লোই-ত্রমাল্লে।

ডাঃ চট্টরাজকী ভুক্কম কাদ্না লাইব্রেরি মখম মরি য়াওবা আলমারি অমা খা থংবা ফল্লাং নুপা থারি। আলমারি অদুগী মনুংগোমদা হাওরিবা শকক অদুগী মমি শামি ওইবা মুতি অমা থোরক্লমই। চাওথোংলবা মুতিনি!

মশাদা অমুবা মচুগী অশাংবা মওক ফুরী কোট অমা য়াইগে। মকোক্তা অমুবা শামতুম্বী মংক্কিকেপ অদুগা মচিন্দা অমুবা রেশমগী রুমাল অমা পুরি। মখুং অনিহু নাকল অনিদা লাকপা পোকেট অনিদা হুমফিরি। মুতি অদু মখোল থোক্লনা চংশিল্লকই য়াম্না তপ্না চট্টরাজগী হেক মতুংমক্তা। মেডিকেল কুনে লম্বা মপুক্কিং লুপ্লিবা চট্টরাজদি অতোপ্পা মী অমা চংলকপগী শামিন থক্কিক্লা ফাওবা ফংখিদ্রে।

শকখণ্ডদবা অদু য়াম্না চেকশিন্না চংশিল্লক্কি মখোল থোক্লনা। নকশিল্লক্কি, য়াম্না নকশিল্লক্কি। চংশিল্লকপনা খগায় অমুক্তা লাপব্রে। মতুংদা লেপ্লিবা মুতি অদুনা তৌগেবু নীংলবদি মখুং চায়গা মমাংদা ফম্লিবা ডাঃ চট্টরাজবু শোকপা ঙম্লে। য়ায়া তপ্না ডাঃ চট্টরাজ থণ্ডদনা মতুংদা লেপ্লিবা মী অদুগী য়েংথংবা মখুং অদু পোকেটতুগী লৌথোরক্লমই। হন্দক্তি শেংনা উবা ফংলে শকখণ্ডদবা অদুগী চেংনা পায়রিবা মখুং অদুদা ছোরি অমা য়াওরি। ইস্পাতনা শাব্রা থোরবা ছোরিতুগী ময়া অদু কা মনুংগী মঙালদা মী হাংনিংবনা ইরুং লুংখংপগুম তৌরমই। নত্রগা ঈ থোরাংবগী মতৌগুম্মমই! শকখণ্ডদবা অদুগী মখুং য়েং অদু থাংগংখিবগা, মখুং ওইদুনু পোকেটতুগী থোক্লকুনা রুমাল অমা পুথোরক্লমই। শকখণ্ডদবা অদুগী মখুং অনিমক্তু অমুক্তদা মীশিং নাশিংলকই। অহিংগী

অক্ষিকপা থুগায়দুনা খঙহৌদবা মীরাওখোল অমা তৃরম্মগা ময়ায়দ্রা তোকখিরমই।

ঙাইহাক্তংগী শেংকাত্তবা নাহেবা থোঙ্গেল। মগোম অহু থংনবা থাদা তুমদনা লৈরিবা সুচিতাগী মনাকোংদা চংশিন্নমই। খংপ্রেক খংনা হৌগৎলি সুচিত্রা। করিগী মখোল্লনো। গুংনবা মাম্মগী কাদগী লাকপা থোঙ্গেল নত্রা ? শেংকাত্তবা নাহেবগী মখোল অমা শোম্মাংননা লাওবগুম্মা তারমই। য়াম্না চিংন্নুনা সুচিত্রা হৌগৎলকই। অহুগা করিমত্তা খম্দনা থোঙ হাংদোক্লগা ময়াংদু লৈরিবা মাম্মগী কাতুগী লোনশিলনবা থোঙ অহু হেক হাংদোক্লপদা উকবা দৃশ্য অহুদা, শুগগী প্রকৎলবা খোঙ্গেল অমুত্তমক থোকখি মাগী মখনাওদগী।

টেবিল লেম্পকি মৈঙালদা সুচিতানা ময়েক শেংনা উবা ফংলমই। মাম্মগী চৌক্রীতুগী মনিংদা লেপ্তুনা চাও শাংলবা শক খঙদবা মপা অমা মখিং হম্না লেপ্তুনা অমুবা রুমাল অমনা ছোগ্নি অমা তৈথোক্নি। সুচিতাগী শেংকাত্তবা খোম্থোক অহুদা শকখঙদবা অহু মমায় ওনশিল্লকমই।

কনানো ? সুচিতাগী খৌনাওদগী মতোমত্তা খোঙ্গেল অমা থোকখি — ময়েক অমগী থাহংদু। শকখঙদবা মহু মতুমগুমদি ছোগ্নি মহু পোকেটতা হাপচিল্লগা চপ লেপ্তুনা লৈরমই।

চৌক্রীগী মখাংংবা শরুক্কা মাম্মগী হকচাং অহু পুমথান থনংক্লিনখিবদা সুচিতানা মাগগী কিতুমদু শেংনা খঙবা ঙমজ্রে।

মিঃ হায়মরবদি শোয়দনা খঙবা ওস্তাগন্নি মিস মোবাল, ময়মুক্তি ঙাইহাকী মমাংদা অদোমগী মাম্মা মমৌ অনিগী বারীদু অটুবর

হিঅর তৌজরে৹ তৌবভবু য়াম্না হায়নিং হায়নিজনা ঐনি কালো-
ভ্রমর ! কালোভ্রমর।

সুচিতাগী মখনাও ফাওদোক্রুনা অনিরকওবা ওকচানবগী
থোক্লেল অমা থোরকই। ' মানি হৌখদগী লোইবা মাইদবা!
মাহৈত্র লোইশিল্লকপদা থোইনা হৌদবা মীনোক অমা ভারমই।

সুচিতাগী হকচাং কায়াৎশিং অমদি লাকশিন্না ওন্নগী শক্তি
পংথরকপগুম তৌখিরমই। করিমত্তা ভাব তাদখদৌনা তৌগ্রে।
অর্থ য়াওদ্রবা অহাওবা অমনা মাওদা তুংদা নাক্তা য়েংতা৹ থক্তা
তমখিনা করেম্নররে।

থউ অনইকস্পেক্‌টিড মিস ঘোষাল, বিলীব মী ওংশংনা
ঐ কালোভ্রমরনি।

কালোভ্রমর!

হোয়। অদুবু করি তৌগ্রবগে৹ পুং থরতগী মমাংদা থংনবা
কাদা ওাংলম্বা রাজাওশিংদু কদায়দা চংগ্রবগে? অদোমগী রাওাং
বাতাদুনা ঐবু ওাইহাক্তী মমাংদা তংশংনা ওমম্বংখি। খনখি বাংলা
লৈবাকতা অসিগুম্বা মুপীস্নু মরৈদনা। য়াম্না কন্না উনিংখি অমুক-
তংদদি অদোম্ব৹ অদুগা রিঅল্‌লি হ্বোট্ এ মীটিং! অদুবু
মিস ঘোষাল৹ আই এম ইন এ হরি য়ারী তৌনিংবগী অপাম্বা
লৈনা লৈনা হজিকিদি ঐ বিদায় লৌজবা তারে। গুড নাইট!
বাই-বাই! অচেৎপা অরুম্বা থোংথাংগা লোয়ননা চাও শাংলবা
ফিভম অদু কপ্পোক্রুনা কালোভ্রমর থোকখিরমই সুচিতাগী মন্না
নক্না। নিংঙ্গিং মাংজিংনবা নত্রগা হঙ্গোইবা অমত্তা মীদুগী মওং
মতৌ অতাং শাওাংদা য়াওদে৹ করিমত্তা খৌশাদে।

কালোভ্রমর চংথ্রে।

মিনিট মরি মঙা তুমিন্না য়ুন্বীমখোংগুন্না লেপ্লুরগা স্থচিতানা মাম্মগী চৌক্রীরোমদা চংশিল্লমই। অদুগা টেবিল লেম্পকি মঙালদা মাম্মরোমদা য়েংলুরগা লাংতক্লবগা অকিংবগা য়াম্লবা খোঞ্জেলদা স্থচিতানা খঙহৌদনা লাওরকই, মাম্মা।

॥ মরি ॥

থাজদবা থৌদোক অদুদা ভাইহাকীদমক্তা জ্ঞান মাঙলুরবস্থ পাইরকী লৌশিং অমদি থৌনা মাঙগদবা অচম্বা মুপী নত্তে স্থচিতাদি।

ঈ তৈরবা জ্ঞান য়াওদনা লেকথত্নুনা লৈরিবা মাম্মদা য়েংলুরগা অহাম্বামক্তদা স্থচিতা চেনশিন্দুনা ফোন থাংগৎলগা মাম্মগী চান্নবা মরুপ ডাঃ বর্ধনবু থুনা লাকনবা হায়রমই। ডাঃ বর্ধননা স্থচিতাগী মচিন্দগী ব্লা অদু শম্লপ্লা তারগা হায়রকই, ডউন্ট, হরি! গুজিকমক ঐ লাকে ইবেম্মা। মরকসিদা মাম্মগী বেগতগী কোরামিন অমা লৌথোক্লগা কোরামিন ইন্‌জেক্টসন, কাপশিল্লমউ, অদুগা কম্বল অমা কুপশিনবীরমউ। ওম্মগনা ১/১০০ গী এট্রোপিনগা কার্টরগ্রেণ মোরফিনস্থ ইন্‌জেক্ট তৌরম্মু! ডাঃ বর্ধনদা ফোন তৌরম্নগা স্থচিতা অমুক হন্না মাম্মগী জ্ঞান য়াওব্রবা হকচাং অদু তম্না চেনশিল্লকই। অহানবদা মনাতোম্দা খুং থমত্নুনা য়েংবদা, য়াম্না তপ্না তপ্না লুংশাশোর হোল্লম্মি মতমদুদস্থ। স্থচিতা

মাম্মদগী পলস্ য়েংবা হৈখি, পলস্ য়েংবদা য়াক্লা কিব্বল অমদি স্লো ওইরে।

ডাঃ বর্ধননা তারুকপা মতুংইন্না সুচিতানা খুদক্লদা মাম্মগী ইমরজেন্সী বেগ অদু হাংদোক্লগা মখুৎনীক্লা কোরামিন এমপুল অমা লৌথোক্লুনা ইন্‌জেক্টসন, কাপ্পমই অদুগা এট্রোপিন মোরফিনসু পীরমই।

মিনিট কুনমঙাগী মতুংদা ডাঃ বর্ধন লাক্লমই মাগী গাড়ীদা। মীনায়শিং কৌশিন্দুনা মতম অদুদদি সুচিতানা ঈশিং অশাবনচিংবসু থোরাং তৌরে।

ডাঃ বর্ধননা কা মতুংদা হেক চংলকপগা অহান্বদা চট্রাজগী মিতুল য়েংলমই, অদুদগী মমঙনগী রুওু অদু য়েংলমই। লাইবক ফবমা, রুওু অদু ডিপ অমসুং গেপিং লৈরবসু, ভাইটেল ওরগান অমফাওবা ইনজিওর তৌদবগুম্না উরে। অদুবু ঈ তাবা হেমমনখিবমা শোকসু তৌরে। অদুমকপু ডাঃ বর্ধননা খিন্দদমা লায়েংবা হৌরমই। পুমলোই লোইশিন্বদা অহিং লোইশিল্লক্লমই। অঙকপগী মরিংজেলনি সুচিতাগী! হৌবদগী লোইবা ফাওবা সুচিতানা ডাঃ বর্ধননা হায়বদু তৌদুনা মতেং পাংবগী থবক্ তৌখিরমই। অহান্বদা খর পাখৎলম্নবসু, মমৈদদি মতুংসু লৈখিদ্রে।

বাথরুমদা ডাঃ বর্ধননা সাবননা মখুৎ হায়্রিঙৈদো, মখুৎতা ঈশিং হৈনা হৈনা সুচিতানা হুজিক্তদা ইহান হাপ্লা হংলকই, বর্ধন কাক্লা!

কৈদৌরে ইবেম্মা?

মাম্মা··· রা মখাতাবা ঙমদনা সুচিতা পি তারক্লুনা চরম

ফুনখি।

নওদি জ্ঞাম তাবী মুশীনি, নওোন্দা লোৎপগী কাম্বা লৈতে। আশা য়াম্না থাংলে। হেবি ব্লীডিং তৌগ্রে ঐ হুজিকমক হোসপিতাল চংকে, "প্লাজমা" পীবা তারে।

আশা শুকলৈমক লৈত্রব্রা বর্ধন কাকা ?

ঐখোয়দি ডাক্তরনি, ঐখোয়নবু আশা থাদোক্পা য়াত্রা ইবেন্মা ? মুংশাশোর হোল্লিবা মতম অহু কাওবদি ঐখোয়না আশা থম্মই। ডাঃ বর্ধন খুদক্তা মাগী গাড়ীদা হোসপিতাল তানা চংখিরমই 'ব্লড প্লাজমা' লৌবা।

সুচিতা চংশিল্লকুম্না মাম্মগী লুখুমদা ফমথরমই। মমিৎ উইশিল্লি।

ভপ্পা য়াম্না জ্ঞা- শোর হোল্লি। হিংলি হৌয়বগী মিরবা নাশোল পীক্লবা খুদম গুম্না। হাংদোক্লবা থোঙনাওগী লম্বীদা অহিং মমৈগী পারবা অময়স্থ তুমিন তুমিন্না শৌদোক্লম্না মাওখিবগুম তৌরে। শেংকাক্লবা অময় অঙানগী শিন্দোক-শিন্দিন্দা অর্কিবা অমদি চিংনবম্বী মমি তারি।

নোংপোক থোঙগী চিদাইদা বিদাক্ষ লৌক্লগদবা লোনথোক্লবা শক্লিক অহু চংকদরা ঙাইরে। কোয়ৌবী শনখোংদা অহিং লোইশিল্লকপগী মচু য়েক্লক্লে মাইকৈপুরীশিংনা।

অভোপ্পা মমিৎ নিনি অমগা হৌগ্রে চঙবাগশিবগী লাম অহ্না- ডাঃ বর্ধনগী চোকথবা নাইত্রবা লায়েং অমদি সুচিতাগী অখবার কথোক্লবা সেবাদা ডাঃ চট্টরাজগী কিভম থর-মথৈ হোংলক্লে।

অকশানী শৌলবা মঙাল অমা উবা ফংবগুম 'তৌরকই'। য়াম্না

হৈ শিংলবী নর্স অনি অমস্থ নেক্লা নেক্লা, সুচিতাস্থ মাম্মগী মনাক্তগী গুকথা থাদোক্তে। ঙাইহাক্তেং ফম্মাংদগী হৌগৎলগা নোংমগী মন্নুংদা মওং অমদা ইক্লমাইথজবা অত্থগা মুমিদাংগী মতমদা খজিক্তং চাবা থকপা তৌরগা সুচিতা অমুক হল্লক্লনা কয়ে। সংসারসিদা মাগীনি হায়বদি অতৈ কনামত্তা লৈত্রবনি। জ্ঞান তারক্লবস্থ মরক মরক্তা ডাঃ চট্টরাজ রা অমা অনি ঙাংবা ঙম্নবস্থ-লায়েংলিবশিংনা রা ঙাংহন্দনবা নত্রগা থকৎহন্দনবা কন্না থিংলমই। অহিং অত্থ পুং অমা মথায় তাথ্রে। য়ুমগী মী থুদিংমক অতূমগী তম্পাক্তা লেকথগ্রে সুচিতাদদি তুম্বা য়াদ্রে। চোকথদে মপুক্লিংদা হুকচাংদা। অহিংদা সুচিতানা মাম্মগী সেবা অসি মীতোপ অমদা থাদোকপা পামদে। য়াম্না থঙলবা নর্স অমনা অহিং চুপ্পা শেন্নত্থনা লৈরবস্থ,, সুচিতাদি অহিং চুপ্পা মাম্মগী মকোক ময়াদা কমত্থনা লেল্লি।

নর্সতি থংনবা কাদা লৈ, দরকার লৈরগা সুচিতানা নর্স কৌই। কা মন্নুংগী কাচিন অমদা ষ্টেণ্ড অমগী মথক্তা অশংবা মিংশেলনা য়োমশিন্না বিজুলী থাউমৈ অমা ঙাল্লি। থোইনা ঙান্দবা মঙাল অত্থদা কা অত্থ তুম্নিংবনা কুপশিল্লবা মঙগী মতৌগুম্না লৈরমই। মৈঙাল অত্থগী মথামক্তদা টাইমপিস অত্থ লেপ্তুনা টিক টিক হায়না চৎলি। উন-রাইমুক চীক্লবা মতম অত্থদা ঘড়িগী টিক টিক হায়বা মথোল অত্থ কুংনা ময়বা অহিং অসিগী অশোনবা মিহুলগুম্না তারমই।

মথোল অমা থোকখিবগুম তৌরমই। অত্থগা ইচম চম্বা মথোল অত্থ মমিৎ মনা শিংত্থনা লৈরিবী সুচিতাগী মনাকোং

হেন্দোক্লুনা চৎপা ঙমখিদে। থংপ্রেক থংনা মমায় লোনখৎতুনা থোঙলোমদা য়েংথোক্লবদা সুচিতাদু নুং ওনবদৌনা তৌখ্রে।

চাও শাংলবা মুতিদুনি। কা মনুংগী থোঙ অদু মখোল থোক্লনা মনুংদগী পুনা পানশিল্লমই। মশাদা অমুবা অচোনবা কোট অদু লিংলি। মকোক্তা মংকিকেপ, অদুবু খেন্নবদি মুমিৎ অদুগুম্না ঙসিদি মচিন্দা রুমাল অমুবা কিদে।

কালোভ্রমর!

কিবা ঙকপা অমদি পাখৎপগা য়ান্নবা সুচিতা খংহৌ হৌগৎলকই মতোমতা খঙজদনা!

কালোভ্রমরনা মখুৎ য়েৎকি শাংলবা খুদোম্বী অদু উমশিল্লবা মচিন্দা থমদুনা রা ঙাংদনা ঁুমিন্না তৌবা ইঙ্গত্তা খঙহল্লি, রা ঙাংগনু!

মিচুল চোংবা হেনমনখিদুনা সুচিতাগী হকচাং পুম্বদু ন্নাকপা হৌরে মতমদুদা ঙাইহাক রা ঙাংনদনা হৌখি! ঘড়িগী লেপ্তবা টিক টিক মখোলতমক তায়।

মখোল ফানা ফানা কালোভ্রমরনা ইহান হান্না রা ঙাংলকই, চিংনগনু মিস ঘোষাল। খুবামসিনা ঐগী অমুক্তং হাইবদা পালহৌত্রবদি অনিরকপুনা কালোভ্রমরনা মীদুগী মফমদা খুৎ থাদে পুন্সিসিদা। নোংমৈ, রিভলভার নত্রগা ছোরিদা কৈদৌঙৌদা কালোভ্রমরগী নিশান শোয়বা লৈখিদ্রি।

হুজিক্তদা খোঞ্জেল ফানা সুচিতা কালোভ্রমররোমদা ঙংদুনা হায়রকই গেট অউট্! আই সেই ওফ্! হুদোইবনা থল্লবা অমদি লমন খুম্নিংবনা তাশিল্লবা খোস্থোক অমা থোকখি সুচিতাগী

মচিন্দগী।

ফিংগৎপিথিনু দেবী। হুজিকমক চৎচরনি। চৎত্রিডৈগী মমাংদা হায়জনিংবা অমত্তং লৈজরি।

তুক্কচ্চবা অমদি লমন খুন্নিংবগী মিৎয়েংনা সুচিতা য়েংহুনা লৈ কালোভ্রমরদা। কয়াদা থোরগ্রবা! কয়াদা কিবা খঙড্রিবা শয়তান্নো!

ঐগী মীহাৎপা, ডাকু হায়বসি নত্তবা মিংথোল অমসু লৈ— ঐ ডাক্তর অমনি। অদোম্নদি খঙবীরমদবস্তু য়াই—লায়েংবগী বিদ্যা অসিদা ঐ পংফং ফত্তবা নত্তে। য়ামদ্রবদা বর্ম। লৈবাক্কী মীশিংনদি ঐসিবু তশেংনা মীপোক মীহিংবা গুপ্ত নি হায়না লৌনৈ। অহুনা; ইফ, য়ু প্লীজ পর্মিট মী—ডাঃ চট্টরাজবু অমুক্তা য়েংজগে!

থোকপ্রো! চংপ্রো হায়রিবসিনি! অমুক্ত খোঙ্গেলকানা ঙংহুনা হায়রকই সুচিতানা।

মতাং অহুমক্তদা ডাঃ চট্টরাজগী তুম্বা কায়প্রে অহুগা কা মন্নুংদা ইরাপ লাপ্তুনা লেপ্তুনা লৈরিবা কালোভ্রমরবু উবদা পাখংখিহুনা ইশেং শেংফাত্তনা লাওরকই কনানো! কনানো! কনানো লেপ্লীবদো?

সুচিতা খুদক্তা লৈশিন্দুনা মাম্নগী ফমুং মনাক্তা চেনশিল্লমই, মাম্মা! মাম্মা!

অফিং অফাই ওইনা চট্টরাজ ফমুংদগী থৌগৎলকই অহুগা সুচিতানা চেনশিল্লক্তুনা মাম্নবু কোনখৎত্রিডৈদা চট্টরাজগী জ্ঞান য়াওদ্রবা মশাহু ফমুংদা অমুক হন্না দোম লাওনা হায়খখি!

মাম্মা ! মাম্মা ! স্থচিতানা কপ্পিং কপ্পিং তৌবা খোঞ্জেলনা কৌহনা মাম্মগী মশাদা উপশিল্লমই ।

চখোকপিয়ু, য়েংগে ! স্থচিতাবু নমহনা ইম্ফোক্লগা কালো-ভ্রমরনা করিমত্তা নাচুংদনা ডাঃ চট্টরাজগী জ্ঞান য়াওদ্রবা হকচাং অহু লায়েংবা হৌরমই । ইস, মফিদি বণ্ড ব্লীডিং তৌরেনা ! মথংগী মিকুপ্তা, মমায় ওনখৎলক্লনা টেবিল মথক্তা লৈরিবা ডাক্তরগী সার্জিকেল বেগ অহু উরবদা হুকুম তৌবগী খোন্দাদা কালোভ্রমরনা স্থচিতাদা হায়রকই, হরি অপ, বেগ অসি অমুক্তা থুনা পুবীরকউ !

অহান্বগী মুমিৎ অহুগুম্না স্থচিতা চমন্নরে । কালোভ্রমরগী য়াথং অহু পাংথোকপদা থোইনা চিংনবা পোক্লে, খোংলৈ থুনা চংশিন্দুনা বেগ অহু পুশিল্লক্লে ।

খুদক্কী ওইবা লায়েং অহু হোৎনা হোৎননা কালোভ্রমরনা অমুক হন্না হায়রকই, ইলেকট্রিক ষ্টোভ অহুদা ঈশিং খর শাহনবিয়ু । বেণ্ডেজ অহু হাংদোকপদা অফোৎপা মকম অমা অনি তৎতুনা ঈ খর খোকপা উরনই । ঈ অহু থিংনবা মওং অমা য়েংলগা বেণ্ডেজ য়েৎনা য়েৎনা কালোভ্রমরনা স্থচিতাদা য়েংহনা হায়রকই, হুজিক্কীদি ঈ খকহল্লরগনি । ঐাদ ফিজিসিয়াননি সার্জেন নত্তে । অদোম্না হুজিকমক ডাক্তর বর্ধন রিং তৌরগা লাকপিনবা হায়বীয়ু । মহাক লাক্লগা বণ্ড অসি নিংথিনা অমুক্তা য়েংহনবা দরকাররনি ।

কালোভ্রমরনা কা অহুদগী থোকখিনবা খোঙ্জাওরোমদা চৎখিরমই । স্থচিতা হুজিক ফাওবদা রা অমত্তা ভাংজি, তুমিল্লা

কালোভ্রমরগী য়াথং ইন্দুনা লাক্লি, মাগী লায়েংদা মতেং পাংলক্লি। অক-ফত্তা, য়াবা-য়াদবা, তৌফম থোকপা-থোক্তবা খন্নবগী মতম ফংখিদে। অদু ওইরবসু খুদক্কী ওইবা খুদোংথিবদা ফিংবা অমদি লাংতক্লবা মীওইদু নত্তে সুচিত্রাদি।

কালোভ্রমর হায়রসি ওইনিংবা অমা ওইজরবসু, য়াম্না তোঙ্বা শয়তান ওইরবসু, পুক্নিং চেৎনা অমদি থম্মোয় শেংনা খুদোংথিবা পুম্বা লাম্থোক্লবা অচৌবা থৌনা অমা সুচিত্রাদা পীখিবা অদুগী তৌবিমল খঙববু ওইরবসু নত্রগা মুপী ওইবীগী মীমুংশি, নিংজিং মাংজিংনবা পুক্নিংগী থৌইনশিন্নবু ওইরবসু কালোভ্রমরনা কা অত্তুদগী থোকখিগে তৌবদু উবদা খঙহৌদনা মমায় লোনখৎতুনা কৌরকই, অমুক্তা ঙাইবিখো।

॥ মঙা ॥

কালোভ্রমর সুচিত্রানা কৌবদুদা খুদক্তা হন্দুনা লেপই, ঐবু কৌবীরা?

অহোয়, হায়বদি—নিংজিং মাংজিংনবা, ইকায়বা, অকিবা য়ানশিন্নরা রাথল অমনা সুচিত্রার খজিক্কুং কুপথিবগুম তৌই।

য়েংবীয়ু, ঐগী মনম চাওরবা "কালোভ্রমর" হায়বা মিং অসি নত্তবা অতোপ্পা মিং অমসু লৈজে; ডাক্তর সান্যাল হায়নসু মীয়াম্না ঐবু খঙই—

অদোম য়ৌবীরগত্রা ডাঃ সান্যাল? চিংনবা অমদি ফকচিন্নবা

পুন্নমক নাকল অমদা থৈদোকপ্রগা ৱাংৈশিংহু হায়দোকখিবগুম তৌরমই স্থচিতানা ।

ডাঃ সান্যাল থরমথে ঙকখিবগুম তৌরমই, হাইফেন্তুং নোক্-তুনা হায়রকই, হোয়, চৎচরগে—

অহুবু মাম্মদি হুজিকফাও জ্ঞান তাদ্রি !

ৱাবাক্লন্থ, মিহুল কজনা হুল্লি – কিনিঙাই লৈতমাল্লে হায়না থল্লি হৌজিক ফাওবগীদি ।

অহু ওইজরবস্থ অদোম—অদোম চৎপীখিন্থ, য়ামন্ত্রবদা ডাঃ বর্ধন য়ৌরক্তি ফাওবদি !

স্থচিতাগী খোঞ্জেলদা য়ান্না নোল্লুকপা অমদি শোম্মজবগী মওং অমা য়াওই ।

হায়ফেৎ নোক্লিংবগুম তৌই ডাঃ সান্যাল । য়াম্না ঙকপা মখোল থোক্তবা মীনোক অমনা মমায় অহু পুমথন থনখিবগুম তৌরমই ।

করিগী ওইরবনো, থুবাম মন্থংদা ফংলবনিনা ফাহনবীরগে সিনিনে ?

ফাহনগে !

চুমই, মহুদি মশানা তাবনি অদোমগী মাম্মবু হাংকে হায়না ঐমক্লা হোৎনখি । অহুনা নত্তে অতোপ্পা মীহাৎ মীফু অনি অহুমগী ৱাকৎস্থ ঐগী ঙকশমসি কোয়না মকালাম্না হাইহুম্মি । লাম্নবা হুইগুম্না কিরিটি রায়না ঐবু কোয়থি থিরি । করিগুম্বা অমুক্তংবু ফক্তবদা ফাওরবা মীহাৎপা কালোত্রমরবু ফাগ্রবদা খঙবীরিবহুনি ইরং ইরং লংবা মোমগা থাওগা তৈবা ফাঁসিগী থৌরাহু ঙকশমদা

শিবীরগনি য়াম্না পেন্না। ডাঃ সান্যালগী মমায় মমিংতা নোকপা ফাবা ঙমদবগী মওং অমা উরকই।

খম্বীরিনে মী অসি কয়াদা ইকায়বা খঙখিদ্রবনো নত্রগা নাইতে চাখিদ্রবনো! তুক্কচ্চরবা ফত্রবা থবক ময়াম অমা তৌনা তৌনা নোক্লি। নত্তে, ৱারী তৌরিঙৈদা থেঙদোকখ্রে। অদোম্মা ডাঃ বর্ধনদা ফোন অমুক্তং থুনা তৌবায়ু। মতুনা খায়দগী মক্ক ওইবনি। কৈদৌরিবগে!

সুচিতা শুনজিনখ্রবা মী অমগুম্না থংনবা কাদা চংতুনা ফোনগী রিসিভরতু কালোভ্রমরগী য়াথং মতুংইন্না থাঙ্গৎলমই।

ফোন তৌরুরগা হল্লকপা মতমদদি ডাঃ সান্যাল তাল্লকতুদা তুমিন্না নান্থোকখিরম্লে। হায়ফম খঙদবা চঙকুবা অমনা সুচিতাগী পুক্লিংবু খংচোক চোকথহল্লমই। ভপ্পা চংশিল্লকুনা সুচিতা অমুক হন্না মাম্মগী লুপুমদা ফমথরমই।

মিনিট খর হৌখ্রে। ডাঃ চট্টরাজ খঙহৌদনা শেংফাত্তবা নাহেবা অনগা লোয়ননা মমিং পাংথোরকই, —আঃ!

সুচিতানা মাম্মগী মমায় ময়াদা লুকথরগা য়াম্না মুংশিনা কৌরকই, মাম্মা?

কনানো?

মাম্মা ঐ সুচিনি।

সুচি! খঙহৌদনা ডাক্তর চট্টরাজনা ঙাইহাক্কী মমাংদা থোকখিবা থৌদোক পুন্নমক নিংশিংলকপগুম তৌরমই। কা মমুংগী মমি মমিবা মরক্তা শেংফাত্তবা চাওশাংবা মমি! থকৎলবা খোঙ্গেলদা হংলকই, মীদো! চংদ্রবা?

কনানো ? কনাবুনো ? কনা চৎখ্রে হায়বনো ?

মহু মানি ! মহুনি—ঐ, ঐ মাবু খঙই !

কনাবুনো খঙলিবো ? কনানো মাম্মা ? কনাসু কাসিদা চংলক্লেন ! ঙসাইমখৈ ঐ নঙগী লুখুমদা ফমহুনা লৈরিসিদি !

কনামক্তা লাক্লে হায়বা ?

হোয় কনাসু লাকপা উদে !

ঐ — ঐদি তশেংনা উখি। মা—মা লাক্লমই স্নুচি ! মা লাক্লমই !

লাক্লে, কনামক্তা লাক্লমদে ! নঙনা ভুম্নিঙৈদা মঙদা উবা ওইরমগনি !

অমেঙবা খোঙ্গেলনা সুচিতানা থেমজিগ্নীরমই ডাঃ চট্টরাজবু।

কনামক্তা লাক্তবা ? মঙ ?

উম, মংনি। অমুক্তা তুম্বা য়াব্রা য়েংবীয় মাম্মা।

হোয় য়েংগে। অতুদগী অমুক্তং লেপ্লরগা চোকথরবা অমেঙবা খোঙ্গেলদা কৌরকই—সুচি ইবেম্মা !

করি হায়বা মাম্মা ?

নঙ চংলো ইবেম্মা, তুমজরুরো ! ঐ হুজিক্তি খর ফগংলে।

নঙ তুম্মো, ঐবুদি চংলগে !

নক্তে, নক্তে—নঙ চংখ্রো ! অহিং মিংশেল খাঙবদা নঙতুম য়াম্না শোকচিল্লনি ইবেম্মা ! নঙনা কনানা অমুক য়েংবা, নঙ চংলো !

ডাঃ বর্ধনগী গাড়ী থাম্বগী মখোল মথাদা ভারকই। সুচিতা ভাইহাক্তং খঞ্জানৈ।

ডাঃ বর্ধন অম্নুক থেঙনা অহিংদা লাকপগী মরম মাম্মনা

করিগুম্বা হংলক্লবদি ? করি খুমগনি মানা ?

সিড়িদা কাখৎলকপগী মখোল তারি, ডাঃ বর্ধন চংশক্লি ।

খুদক্তা থোক্লরগদবত্থ খন্দুনা করি তৌগদগে হায়বত্থ স্থচিতানা লেপখোকচরমই । ফমুং ময়াদগী ফুক হৌগৎতুনা সিড়িগী মচিন্দা লেপ্লমই । খোংথাং থুনা থাংতুনা সিড়ি মথং মথং লাল্লক্লুনা ডাঃ বর্ধন কাখৎলক্লমই । মমায়দা লাংভক্লবগী মমি তারমই ।

সিড়িগী মচিন্দা স্থচিতানা লেপ্তুনা লৈরম্বত্থ উবদা থকৎপা খোঙ্জেলদা হংলকই, ইবেম্মা, নঙগী মাম্মদি কমদোরে ?

খর ফগৎলে—

সিড়ি খরত্থ কাখৎলগা স্থচিতাগী মনাক্তা লেপ্লবগা স্থচিতানা কৌরকই, বর্ধন কাকা ।

করিনো ইবেম্মা ?

চংশিনগে তৌরম্বা ডাঃ বর্ধন হন্দুনা লেপষ্ট স্থচিতানা কৌবদা ।

য়া অমত্তা বর্ধন কাকা ।

হায়য়ু ইবেম্মা ।

মাম্মনা করিগুম্বা অদোমদা হংলক্লবদি, করিমত্তা হায়বিরুদ্র । চুম্না স্বাইদা চখোরকপদা য়েংভমগে তৌবনি হায়না হায়বীয়ু । ঐনা ফোন তৌবত্থ—

নঙগী য়াসিবু ভাব অমত্তা তাবা ভমদ্রে ইবেম্মা !

হয়েং ভাল্লক অমদা ঐ অদোমদা লোয়না তমজগে । লেংশল্লু, মাম্মগী য়ণ্ড অসি অমুক্তা নিংথিনা য়েংবীয়ু, য়ৌডিং তৌথিবনি ভাইহাক্কী মমাংদা ।

চট্টরাজ তুমদনা লৈরমই, চোকথখিবনা মিৎপান অনিত্থ

উইশিন্দুনা লৈরম্বতন্রি। খোংজাং মখোল তাবদা মিৎ পাংখোক্লনা য়েংলুবদা ডাঃ বর্ধন লৈরম্বহুদা অঙকপা খোঙ্গেলনা হংলকই, অবিনাশ! মঙদি অহিং অস্থক খেঙনা?

সোমগী মায়কৈদা লাকপারি। সুচিদি কনায়দা চৎখ্রে।

ঙসাইমখৈ ঐগী লুখুমদা লৈরম্বনি। ঐগীদা মানা হোৎনরিবসিদি করিবু হায়গদবনো! মাগী সেবা যত্নসিদি ঐমক্লা পোকচবা ইচানুপীনা ফাওবা তৌপনি নীংদে!

অহুবুদি তৌদনকো। অদোমদা য়েংলগদি মাদি নচানুপীদগীসু হেল্লবনি।

য়েংবা লোইরহুনা ডাঃ চট্টরাজদগী বিদায় লৌরগা মাঙোল য়ৌনা খোরকপদা ডাঃ বর্ধননা উরমই, শেংফাওবা অমম্বা মরক্তা মাঙোলগী রেলিংগী মচি অমদা সুচিতা লেপ্লুনা লৈরমই। খোংথাংবগী মখোলদা সুচিতা মমায় ওম্বোরকই য়েংবীরত্র' কাকা বাবু?

হোয় ইবেম্মা, করিমতা চিংনানিঙাই লৈতে; অহুগা ইবেম্মা, অংস্থক য়াম্না কজনা ড্রেস, তৌরম্নিবসিদি কমাননো? ঐনা অস্থম উবদা য়াম্না চংখোন্না হৈ-শিংলবা মথুৎনা ড্রেস্‌সং তৌবা মাল্লি।

ঙসিদি হায়জররোই কাকা বাবু, অদোমদা ঐ লোয়না হায়জগে নোংমা। শোল্লম্না হায়রকই সুচিতানা!

চঙক্লরবা ডাক্তর বর্ধননা করিম্নো অমা হায়গে তৌরল্লগা তোকখিরমই! বিদায় লৌরগা সিঁড় মথাদা কুমথখিরমই।

অঙকপনি মীওইবগী পুরিং। সুচিতানা খন্দুনা লৈরমই, ডাঃ সান্যাল কালোত্রমরগী মীহুগী মরমদা নিংশিংলুবদা ওাইহাকী মমাংদা অকিবা, তুকচ্চবনা খাঙবা ওম্বখিলবহু হজিক্তি মীহুমকী

বা নিংশিংলকপদা কি-তুকচ্চবগী রাখল পোক্লে।

মীহাৎপা শয়তান! মাতবু থিবদা পুলিসকি মীওইশিংনা য়োঁদবা মফম লৈত্রবা অত্তুগুম্বা মীওই অমবু খুবাক্তা তারকাওবদা সুচিতানা অওম্বগী মফমদা পাউ পীত্রিবা করিগীনো ? সমাজগী মাওতাকহনবা য়েক্লবনি — করিগীনো মাবু খুবাক্তা তারমক্তদা থাদোকখ্রিবা ?

লাল্লে—সুচিতা লানগ্রে। পাপ তৌববু খওনা-খওনা খওজিন্-নদবা মহাকী পাপ অসিগী ডাকপিফম লৈরিব্র ?

অত্তুগা মঙোন্দগী হেনবা মশাগীনি হায়বা মীওই অমত্তা মাগী লৈজদ্রবা অত্তুগুম্বা মহাক অত্তুবু হাৎকে হায়না হোৎনরম্বা মীত্তুবু করম্বা রাখল অমা লাক্লনা অম্ভুম্না ইরায় লায়না থাদোকখ্রবনো !

নীওমখিদবনা সুচিতাগী মশা মম্লং শীনবা থুংনা চাক্লকপগুম তৌরমই। মুংগী মৈচাক অত্তুদা বৃশ্চিকনা চীকপগুম সুচিতা থাওবা ওম্মদে। করিনো মানা তৌরুরিবসে ? মম্লিৎ অনিদগী খওহৌদনা পীগী ঈরা চেল্লকই। সুচিতা মথরায় শোক্লা কপ্লরুমই।

॥ তরুক ॥

ওসি লেপ্লরিবা মফমসিনা কন্নারদনো ? তুংদা অমদি মাংদা শন্দোক্লি মুশিন মুরবা অমম্ম্রা। অচুম চুমদা, পাপ পুঞ্জ, অফ কত্তা হায়বা খুদিংমক ঐগী ইফমদা ওসিদি লৌনম্নি, চিংনবত্তনা থদনি।

নমথাক, মীনম-শোরিবা, ফুনা-চৈনবা, মীহাৎপা পুন্নমক্তা শোক্তবা অমত্তা লৈত্রে। চাওখৎপগী রাখল অমদি চৎনরোল পুন্না লংশেকখ্রে। খন্থনবা পুক্নিংবু মখোৌরি মেৎতুনা হাৎতোকখ্রে। ইকাই ইকিবু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা থাদোকখ্রে। হিংহৌরি ঙসিদি শুপ্পগী হিংদবা য়াদবগী দরকার অতুতমক।

পুন্সিগী শাংলবা লম্বেল অসি অয়াম্বস্ লোইশিল্লক্রে, অতুদি করিগীনো। খঙহৌদনা ঙসি পুক্নিংদা মরম লৈতনা চিংনবা অমনা নোমহৌরিবা করিগীনো। হৌথ্রবা হায়বা অতুমক্তি চিংনদনা পুন্সিগী লামায়দগী পুংমুৎ মুৎথৎখ্রে হায়না লৈজরবনি, ঙসি মাঙ-থ্রবা নিংশিংনিঙাই ওইদ্রবা হৌথ্রবা অতুনা মাঙদা লাক্নবা লোপ্পলরবা ক'রগীনো হন্না হন্না ?

মসিবু অশোনবরা নত্রগা নিংহন্নরকপরা ? অহিং থেংজিল্লক্রে। মায়কৈ মরিদা অচিকপনা মাগী অমুবা মশা কন্দোক্লতুনা মশাবু কুপশিঙখ্রে ডঃ সান্যাল মতোমতা মাগী মী অচিকপা ভুক্কম কাদা টুল মচা অমদা কমতুনা মমাংদা থিল্লিবা টেবিল মথক্তা থন্না অথাবা খাত্তা অমদা মশাগী মপুন্সি রারী ইতুনা লৈবগুম তৌরমই।

মী হাৎপা—ঙসিদি ঐগী নিশা অমা ওইরে! ঈ উরগা পেনবা পোকই!

অতুবু অঙকপদি নোংমা পুন্সিগী নহা ওইথৎলকপা মতমদা মীওইবগী সেবাদা ইশাসি কথোকে হায়না রাশকথি।

সেবা! মীগী সেবা!

মীবু কদায়দা লৈবগে ? মী কাংবু অমদি চিক্তম কায়রবা অশিবা হকচাং ঙাক্তনি! মশাগী ওইজবা, কল্লকপা, হিংসা—

মরুগা অমগগী মরক্তা চুংদুরি ঈহিং নাইহিং তানবা, য়েংখিনবা। চুপ্লোয়রবা শাথিরবা ঈখৌ লাংবনা কোল্লবা খুজিন ফন্দোক্লনা মীরা মীগী মথবাকী ই তাম্মরি অভাওবগুম্মা ' বাবা — ঐগী রাম্বাদো জিংশিংলকই ! য়াম্না পিক্লিংদো হৈমা কায়নখি, বাবাগী তম্পাক্তা মী ওইরকখি।

বিলাত চংলমদাইদা নোংমা মানা ঐঙোন্দা হায়রখি, মুরো, ঈশ্বরদি মুকম শ্রীনখুংনা লৈবনি। মীপুম খুদিংমকী থম্মোয়দা ঈশ্বরগী কম থারিবনি ! মখোয়গী সেবা নঙনা তৌগদবনি। ঈশ্বরগী থৌদাং পাংথোক্লবা পোকপনি নঙদি। ডাক্তর নত্রগা লায়েংবা মী হায়রবা রাইহেসিগী অর্থদি পাক চাওথে।

তোল্ল-তারবা অশোন-অনাগী মমায়দা হাপ্নীগদবনি নখোয়না য়োমোন মীনোক। আশাগী মঙাল পীগদবনি মখোয়গী মথক্লাইদা, মসিগী রেঁথসি রৈত্রা !

অশেংবনিরে। মসিগা চাংদম্নবা য়াবসি করিনো ? আশা কয়া, মঙলান কয়া লোয়মনা মতম কয়ামুক্তী মতুংদা ঐনা ইউরোপ-তগী হল্লকপা মতমদদি ঐগী বাবা, চুংশিজরবা বাবা অমুক লৈরম-দরে ! মরুপ শাম্রা শয়তানগী কাংবুশিংনা খুদোংচাবা লৌত্নুনা মাবু মচেং মচেং কংহনা শিহনথ্রে। ইম্নোকপা অমদি নমথাক তৌ-রীবগী হনা চাকথেকহনুনা মাবু মাঙহনথ্রে।

চাকখিবা মৈরিদো ঐগী পুরুংরল, লমন খুল্লিংঘগী মৈরি — ঙসি কাওবদসু মুংলুদি য়াদ্রে মহুদি ! মুংলোই খঙই, কৈদৌইঙেদা। মৈ থাদোক্লুনা উং মপে ওইনা লোইশিন্রিবমথে ! পুদেকথ্রে, ঐমা মখোয় খুদিংমক্তা মাও তাক্লা। ঐগী লাইগুরবা ইপাবু

মাঙহন্নবদা শিজিন্নখিবা নমথাক-লৌনম, ম'বু লাক্লখিবা, শিবদগী হেন্না নান্নবা মীহাৎ, মতুগীসু শরুক লিশিং অমা হেন্না কনবা চৈনা পীতুনা অমমম্তা মখোয়বু ঐনা লোইশিনখ্রে। হ'ৎখ্রে।

মাও তাকহনখ্রে মখোয়বু! অশেংবনি, অতুবু করিনো ঐসু মসিদগী নাম্ভোকপা ঙমিত্রিবসিদি! মহৌশানা মাগী হৌনবী লমন খুম্নরে ঐগী ইথক্তা। পাপকি হুনা ঐগী হকচাংদা চংখ্রে, ঐবুসু মচেৎ-মচেৎ হাৎলিখ্রে ক্ত ময়াক কম্লবা হু অতুনা। হকচাংগী শিংলি-পাবন খুদিংদা, ঈগী মরিক খুদিংদা হু অতু ঙসি শান্দাকখ্রে।

ঐসু হিংদ্রে!

তমথিরবা মহৌশানা সুংশি থঙদ্রবা মথলগী লমন খুম্নরে। হৌন লোনচৎ হায়বতু ঙসিদি ঐগী ইফমদা মীনম্বনি। খন্থনবগী শক্তিসে চিংনবনা থান্নে। ঙচুম-ঙরান হায়বতুদি ঙশোনবশিংগী তৌওমজদবা অমনি। মীহাৎপনা ঙসি ঐগী থরায়দা নিশা পোক-হল্লি। ঈনা ঐবু ডাওহল্লকই। শিরমদাইগী গতি লৈজদ্রবা চৈনাখোল খাঙবা খোল্লাও অতুনা ঐগী হকচাং শীম্বা থুংনা ঙসি হরাও তুজুংবা অপেম্বা পোকহল্লরে নিংঙমদবা অমত্তা লৈতে। লাংতক্লবা লৈতে। ম্রা ঙাংদনা চপ লেপ্লবা মুতিনি।

পৃথিবীসিগী কনাগুম্বা অমত্তবু ঙসি ঐনা থাজবা পোক্তে,। ঐগী মুঙাইবগী কল্পনাদা মৈ হৈজিল্লম্বা মীওইশিংদো, মীশিংতুগী সমাজ, সংসার অতুগা মুঙাইবগী পা?ী অতুদা হন্না হন্না ম্লানগনি ঐনা থোরবা শীংজংগী ময়ানা। পরশুরামদোনা ঐগী শক্তি লৈর-মবদি, মী তাক্লবা মফম অমা ওইহনগনি পৃথিবীসিবু ঐনা নমথাক অমদি লোইবা নাইদ্রবা তুহৎপিবসিবু মরুফংনা মাঙহল্লমগদবনি

ঐনা। মীগী ঈনা মীওইবগী ল্লোইবা লৈতনা তুংশিল্লক্লবা পাপ অমদি মুংনাংবা অসিবু চামথোক্লনা কোকহল্লমগদবনি। হে ঈশ্বর, ঐঙোন্দা শক্তি পীয়ু, পীয়ু ঐঙোন্দা পরশুরামগী অত্থগুম্বা কল্লবা শীংজংদো।

অহিং অস্থম অস্থম থেংজিল্লক্লি।

ডাঃ সান্যালগী মমিৎতদি ভূম্বা কৌবদা মরাকত্রে। মহাক্কী মতম শাংলবা ব্রাথলগী পব্লিংদা লৈবাক খণ্ডহৌদনা চেৎথায়বগুম তৌখ্রে। মসিবু চিংনথ্র'র', কিব্লিবরা—নত্রগা অ্শোনবরা? ডাঃ সান্যাল চংশিল্লক্লনা কা মনুংগী ফক্লাংদা থেৎলিবা হুকচাং চম্বা মিংশেলতুগী মমাংদা লেপ্লরমই। কা মনুংগী লংলবা ইলেকট্রিক্কী মঙালনা অহানবা মিংশেলগী মমায়দা য়ৈরগা থক্তোরক্লনা তারি। চাও শাংলবা মমি অমা তারি। মমায়গী নাকল অনিদা লৈব্লিবা মশমতু পোক হৌরে। মমায়দা ময়ি অমা অনিস্থু চোংথোরক্লে। মরায়বক্তা নিংথম-কালেন য়াথেগী মমি তাররে, মিৎপান্দা, চাইরুংদা, চিনবান্দা, থজাইদা। শদোংনা থল্লবা মখুৎ য়েৎ অতু থাঙ্গৎতুনা য়েংলমই ডাঃ সান্যালনা। নিংথিনা শেম্লবা বাইসেপ্স, অমদি ত্রাইসেপ্স, মসলনি। থনবমক্লদা ইস্পাতনা শাবা স্প্রিংগী মতৌগুম্না হুজিকস্থু খুদক্তা মশা খিংলক্কনি। ভুমতুনা লৈরম্বা মচিংসিস্থু হুজিক হৌগৎলক্লে। অতুদি? ঙসিগী অকিবা চিংনবা অমা পুক্লিংগী কাচিন্দা থুপ্লরিবসিদি করিগীনো?

মপালগী থোঙবাদা শোল্লপ্না কোক কোক থিল্লকপা তারমই। শোম্না! য়াম্না শোম্না!

কনানো?

বাবু ঐ রামুনি।

ডাঃ সান্যাল চংশিন্দুনা কাগী লোল্লম্বা থোঙ অদু হাংদোক্লমই।

কৈদোরে ?

অরুণবাবু লাকই।

কনা, অরুণকর ?

অহোয়।

চৎলো, সিদা কৌশিল্লকউ। অদুগা য়েংউ, পোংচৈ থর য়োম্নগা হয়েং মুমিদাং পুং তরানিথোই তাবদা ঐথোয় গাড়ী তোংদুনা চৎকদবনি।

খঙজরে।

হায়বা ইম্বা মীনায় রামুনা য়াথং ইল্লবা মথাদা কুমথখিরমই। ঙাইহাক্কী মতুংদা অরুণকর লাকখ্রনা কা মনুংদা চংলক্লমই। প্রোফেসার শর্মাগী খঙহৌদবা মীশি অদুগী মতুংদগীদি অরুণকরগী রাখলসি মচোই মচাই তৌখ্রে। মুংনাংবগী মম্লবা মমি অমনা মাবু য়োংশিনখিবগুম তৌখ্রে। মতমচুপ্পদা হরাওবা মায়থোং মকা লাম্বা হাম্নগী অরুণকর অদু ঙসিদি অমুক লৈত্রে, মাগী থরায় য়াওত্রবা অশিবা হকচাংনি।

ডাঃ সান্যালনা তরাম্না কৌশিল্লমই, লেংশিল্লকউ অরুণ বাবু !

অদোমনা ঐবু কৌবীবা করিগী ওইরবনো ডাঃ সান্যাল ? অরুণকরনা কা মনুংদা চংলক চংলক্লা হংলমই।

অদোমদি ঐগী অবস্থা খঙবীরিবনি। মীচেম্নি। চেন-চেন্দুনা হুরানবদোনা লোৎতুনা লৈরবনি। খুৎতা পায়রম্বা পৈশা মথেন্দ্র ঙম্না লোইশিল্লক্লে। অমুক্তা ঐগী শেল দরকার লাক্লে। তৌবগীদি

হন্দকস্থ মহৌশাদোনা অদোমদগী শেল লৌবদি পামজদে। মমল য়াম্বা জুয়েল খর পীজগে, মতুগী মহত্তা অদোম্না শেল পীবিয়ু। অতুগা মসিগী মতাংদা অদোম নত্তনা ঐ কনাদস্থ থাজক্কবা ওমজদ্রে। ঐনা প্রোফেসার শর্ম্মবু হাৎতুনা অদোমগী কান্নবা তৌখিবা অতুগী মহুৎ ওইনা ঐগী কান্নবা অসি তৌবীগনি হায়না আশা তৌজে।

কান্নবগী বাতু থমখিশি ডাঃ সান্যাল, ঐ শেলতু পীগে, অতুগা ইন্দক্লা কয়া য়াম্না পাম্বীরিবা অদোম্না? লিশিংতু তরা অমুক ওইরবদি য়ারনি, তৌবতবু তরা চংপী ওইনা। নম্বর পানবা নোটতি য়ারোই। কৈদোউঙে পাম্বীবা?

হয়েং পুং মরি ফাওবগী মনুংদা শেল অতু সিদা লাক্নুনা পীবিরম্মু য়ারবদি? বেক্কতগী লৌত্রবদি উপায় লৈতবনিনে। মতুম্ব লোইনমক তরাচংপী ডাক্তা ফংগনি হায়বা থাজদে ওাই-ছাক্তেন্দা! হোৎনবীয়ু। হোৎনরবদি ওইনি। ফরে, অতুদি হুজিক অদোম য়ৌবিবা য়ারে।

তানবেংই লাকপোই তৌতুনা ডাঃ সান্যালনা অরুণকরবু কাদগী চংইনখিরমই। শোন্দম নাদম্বা কিগনবা মীনি অরুণকরসি। মতম অমদা মহাক প্রোফেসার কালিদাস শর্ম্মগী মখুৎতা লৈখি। কালিদাস শর্ম্মনা মাগী অপাম্বা মতুংইন্না অরুণকরবু কোয়পু পুতুনা শাম্লখি। হুজিক্লা হুমিৎ খরনি শুরে কালোভ্রমরগী খুৎতা তাবা। প্রোফেসার শর্ম্মদগীদি কালোভ্রমরনা তৌবা ওম্বা হেল্লি। শক্তি লৈবা মওোন্দগী য়াম্না হেল্লি। অরুণকরবু মাগী মখুৎনা পায়শিনবা নত্তমস্থ কালোভ্রমরগী উপায় অমা লৈখিদে। কিরিটিগী মমিংতা উকুল চাইতুনা, শেল অতু ফংনবা থেক্ক নত্রগা অতোপ্পা মফম

অমদগী জুয়েল অদু য়োন্দুনা হোৎনবসু ওইথোক্কে। য়াম্না খল্লগা ডাঃ সান্যালনা অরুণকববু কিহন্দুনা মাগী খুবাক্তা তাহনখিবনি।

প্রোফেসার শর্মাগী হাক্তক্তা কালোভ্রমরনা খঙখি, মথরায় থাদোকখিবদি য়াই অদুগা মচিন্দি কাণ্ডথোক্লয়োই অরুণকরনা। ওন্থোকপা মথল অমনি মথোয়সিগুম্বা মীওংসে।

অরুণকরবু থাদোকখ্রগা ডাঃ সান্যাল কা মন্নুংদা হুন্দং-হুন্দা চত্তুনা রাখল তৌতুনা লৈরমই। মতম খরগীদমক্তা কলিকাতা শহর থাদোক্তুনা অরাপ্পা মফম অমদা চৎলগদবনি। য়াম্না শাংবা মতমগী নত্রবসু য়ামদ্রবদা চহি অমুক্তীদমক্তা অরোম্বা মফম অমদা থুপ্তুনা লৈবা তাবনি। মরু ওইনা কিরিটিগী মতমচুপ্পদা চেকশিল্লবা মিৎয়েংদগী লৈথোক্তুনা কলিকাতা শহরদা কোয়চৎ চৎপা হায়বসি অপঙথৌনা ওইবতা নত্তনা রাখল লৈতবগীসু খুদমনি।

ময়ামগী মিৎয়েংদা নমথাক তৌবা ঙম্বসু, কিরিটিগী থৌরবা মিৎয়েংদা ফাগী তৌবদি অরায়বা ওইরোই। থাজদনা খুদোংচাবা অমা ফংলে অদুনা ডাঃ সান্যালসু মপুক্লিংদ' প্লান অমা লেপথোকচরমই। হুজিক্তি শেল খরগী দরকার লাক্লবনিনা অয়ুক ঙন্তা রামু থাতুনা অরুণকরদা পাউ পীহল্লুবনি, মরমদি মসিগী মমাংদা অরুণকরমক্তা অমুকথক শেল পীরকখি।

॥ তরেৎ ॥

শচীনগুপ্তগা কিরিটিগা মাগী ফম্ফম কাদা তুই তলা মথক্কা ফমতুনা কালোভ্রমরগী মরমদা নৈনতুনা লৈরমই। শচীনগুপ্তনা হায়বদগী কিরিটিনা কালোভ্রমরগী শাংলবা হৌঙবা ইতিহাস অতু শক্লপা লীতুনা হায়রকই, হুজিক্তি খঙবা ওস্বীরয়গনি মিঃ গুপ্ত, কালোভ্রমরগী অশেংবা শক্তমদো! লাইরিক লাইশুদা অমদি কলচরদা ডাঃ সান্যালগুম্বা মাশক অসি অতাওবনি। ইচম চম্বা হুরানবা ডাকু নত্রগা মীহাৎপা ওইরগদি অমনি। য়াম্না মরৌ লৈবা, হৈ-শিংবা অমদি লৌশিং চাওবা অমনি মীতু। অদোমগী ওইবা থিগৎনবগী চৎনবা ফোরমুলাতু পাম্লগা মাবু লাকথুবা য়ারোই।

অদোম্না হায়বিরিবশিংতুদদি মিঃ রায় মী অতু ঐদি য়াম্না ওক্না থোক্রে। অতুক য়াম্না লাইরিক হৈরগা, মপামপু ফবা অমা ওইরগা—

মতাংতুদনি অদোম্না লাল্লিবা শচীনবাবু, য়ু থকপা হৌবগা ওাওবা নত্তে। অতুগা ওাওবু ওাওগ্রবদা মা অমুক মী ওইদ্রে। ডাঃ সান্যালগী মতাংদসু মতুমক থোকথিবনি-পা মসিমক্না লৈথা তাগনি খঙলবা লম্বী অতু থৈদোক্তুনা চৎত্রবদি লৈথা তাবতু শোয়-দ্রবা অমা ওইরকই নোংমদি। খন্তবগী শক্তিবু হায়রবসু অবাংবা রাখল নত্রগা লাইরিক লাইশু হৈববু হায়রবসু, অশেংবদি মতু

ময়ামতুদদি মীগী মপুক্লিংদা লৈবনি অতুগা অশেংবদি মপুক্লিং অতুবু করিগুম্বা ফত্তবা লমচৎ নত্রগা হৈনবা অমনা য়োমশিনপ্রবদি ময়াম অতু অমত্তা থাক্তনা মুৎখি ! অতুনি হায়তুনসু ডাঃ সান্যালগুম্বা মতিক মগুণ লৈরবা ইউরোপ চৎলুরবা ডাক্তর অমনা—

অতুননি অরানবগী মতেংনা অরানবা চুমথোকপসি কৈদৌঙ্গুংদা য়াদে, হায়রিবসি মতুদনা অমুক্কা হেন্না অরানবগী মরক্তদা চয়েৎনবা হেঙ্গিল্লকই। মরুওইনা অসিগুম্বা মতাংদনা মতুং তাবসি নীংবা কায়নিঙাইতা ওই। অদোমনা মসি তারগদি ঙকপীবা য়াই, কালোভ্রমরসি ফারগা মীয়ামগী ৱায়েন শঙদা বিচার তৌতুনা চুম্নগী মীহাৎপা অমদৌনা ফাঁসী তৌখিবদি ঐনা থৱায় হকচাং য়াওনা পামদে। মহৌশানা পীবা শাপ ফংতুনা মচেৎ-মচেৎ চাক্তনা মহাক তুমখিসনু, মতুদগী হেন্না চাওবা অমদি মীন্নংশি য়াঙদ্রবা শাস্তি লৈত্রবনি। নীঙমদবগী অকনবা মৈরীনা মাগী সংস্কার তৌসনু হায়না খল্লি ঐদি। ফাঁসি তৌখ্রবদি মিকুপ খরগী মনুংদা পুমলোই লোইখিনি, অতুবু অসুক য়াম্না ফত্রবা থবকশিংসিগীদমক্তদি মতুনা মতিক চাবদি নত্তে। মসিমদি খঙবীয়ু শচীনবাবু প্রকৃতিগী ৱায়েন পাথাপনা অচুম্বা ওইরবদি কালোভ্রমরসু নাম্তোকপা য়ারোই মতুদগী পাপশিং অসিগী অরুম্বা চৈরাক্তি মহাক মকোক নোম্না লৌগদবনি। মানি, লৌবা তাবনি। মসি লেঙদনা লৈরবনি অমদি শোয়ফত্রবনি।

॥ নিপাল ॥

ইডঃ পিঃ গী পিকতক তৌবা শহর অমনি। শহরমক হায়বস্থু লানগনি, হায়গে হায়রগা শহর মন্নুংগী চাওখৎপা মফম অমা নত্রগা শহরগী মচেৎ অথন্নবা অমা হায়বা তাই।

অদুবু লৌমী শিন্মী খর অদুগা য়ুমলোন খরনা কোয়শিন্দুনা লৈবা মফমনি।

অয়াম্বা শরুক্তা ফৌগী লৌবুক লৈ—চনাল, চুজাক অমদি গেহুনা নম্না থানৈ। ময়ায়মক্তদা মিশনারীশিংগী কুইরবা মিশন নত্রগা লোইশঙ অমা লৈ।

অহল ওইরবা ফাদর জোন্সনা খ্বায়গী মকোক্কি অদুগা অতোপ্পা পাদ্রী অনিঃ এব্রাহাম চাটার্জী অমসুং রোবার্ট ঘোষ লৈ। অদুগা ফ্রেঞ্চ সিসটর রিটা কৌবী অমসু লৈ। লৌরাক অমমুক পাক্না শঙ অদু শারি। র্চ মচা অমা, স্কুল অমগা বোর্ডিং অমগা লৈরি।

মপা মমা লৈজদ্রবা হৌরকফম খঙদ্রবা অঙাং মচাশিংবু মফম অসিদা মী ওইনবা হোৎনবিরি। সিসটর রিটানা মখোয় ময়াম্বু য়েংশিল্লি, লাইরিক তম্বীবনা ফাদর জোন্স অমদি ঘোষ অমসুং চাটার্জীনা হোৎনরি। আশ্রমদা খেন্নবা চহি কয়াগী জাত কয়াগী মুপীমচা মুপামচা য়াথে হুফ্ফু অমুক লৈ।

জোন্সকি মমাদি মাদ্রাজী সিভিলিয়ান অমগী মুপীনি। জোন্সকি ধর্ম্মদা মায় ওনশিল্লকপসি মমারোমদগী লৌরকপনি, মমা

অদু পাত্রী অমগী মচান্নপীনি।

থা অনি অমুক শুরে ফাদর জোন্সনা থবোম্বীগী লায়নানা নাতুনা ফমুংদা কুন্দুনা লৈরক্লিবা। মিকুপ খুদিংমক্তা শিবা ভাইতুনা লৈরি। ফাদরগী চহিস্থ ইয়াম য়ামদবা নত্রে হুক্ষ্‌তরাগী ময়ানি।

হন্দকমরক লোইশঙ অসিগী শেল ব্রাৎশিল্লকপা অমদি মশানগা হকচাং ভম্নক্তবনে থবক অমত্তা নিংখিনা পায়খৎপা ভমদ্রে।

পাউচেশিংদা ডোনেশনগী দমক্তা হায়জহুনা ফোংলক্লিবা কুইরে। অদুবু মুমিং তরামভানিমুক্তি শুরক্লে মবুকচেল চাওবা মীশক অমনা থঙহৌদনা পাউচেগী হায়জবা অদুদা য়াবীরকপা। মহাক্তা মিশন অসিগী ভার লৌবা য়াবীবদা নত্তনা মহাক্কী লেমহৌ- রিবা মপুন্সি অদুস্থ মিশনগী সেবাদা কখোক্লগে হায়রকখি। জোন্সনা অসুক য়াম্নদি আশা ভৌরুদবনিনা ভদ্রলোক অদুগী চিঠিতুগী পাউথুমদা য়ান্না হরাওনা মিশন্দা লাকপীনবা হায়খিরমই। ভদ্রলোক অদুনস্থ পাউথুম পীরকখি থুনমক মিশনদা লাক্লগনি হায়না। অদুবু কৈদৌঙৈ লাকদগে হায়বতুদি তাংদাংদা থঙহল্লক্তি। ফাদরতা নত্তে আশ্রমগী অতোপ্পা অতৈশিংতুনস্থ শকথঙদবা মীওই অদুগী লাকদবা মুমিং অদু খুং থেক্তনা পানরি।

ফাদর জোন্সনা মাগী ফমুংদা হিপ্তুনা চাটার্জীগা সিসটর রিটাগা মসিগী মতাংদা বারী শাতুনা লৈরমই। ফাদর জোন্সনা হায়রকই, শকথঙদবা ভদ্রলোক অদুনা মহাক্কী মপান নাইদ্রবা মীদুংশি অমদি চানবীবগী মিৎয়েংনা ঐথোয়রোমদা য়েংলক্লিবসি পরমপিতা ওইবা ঈশ্বরগী ইচ্ছানি! হৌখিবা থা অমা অনিসিদা ঐনা ফমুংসিদা হিপ্তুনা ঐগী আশ্রমসিগী অরাৎপা অমদি

শোকথরকপগী বাখলসি থল্লুবদা কয়ামুক হুডাইখিদবগে হায়বহ্নু পরমপিতা মাদনা খঙই।

চাটার্জীনা হায়রকই, অহুবু ফাদর, শকথঙদবা মীওই অমবু গুপ্নগী শেল থর মতেং পীরকপগীদমক, আশ্রমদা লৈহনবসি চুমগত্রা হায়বসি হৃজিককাও খনফম খঙদে।

নত্তে চাটার্জী, মসি পরমপিতাগী অরোনবা আশীর্ব্বাদনি। মসিদা নিংজিং মাংজি নবা তৌগনু অম্বুক কুইবসি থবরদা হাপ্পকপদা কনামত্তনস্থ হন্না য়েংলক্কুবনি অহুগা ভদ্রলোক অসিনদি মখোংনা থোংনা চংশিল্লকপনি। নত্তে, নত্তে, থরায় হকচাং য়াওনা মাবু লৌশিনগদবনি। ফাদর জোন্সকি বাহুগী পাউথুম পীরকই, সিসটর রিটানা, ফাদর করিমত্তা চিংনবিগনু। পরমপিতানা ঐখোয়দগী কৈদৌঙৈদা মায় লৈথোকখিরোই লাকদৌরিবা মহাক্তো ঐখোয়গী মরুপ নত্তনা কনাস্থ ওইরোই।

ঐস্থ মহুম হায়না খল্লি সিসটর। অহুগা, মহাক্না মফম অসিদা হেক থুংলবগা মাংজোননা মাগী লৈননবা শেম শাহুনা থহীয়ু সিসটর।

হোয় ফাদর, শোয়দনবা তৌজগে।

ফরে অহুদি হৃজিক নখোয় ময়াম চৎলো। ঐস্থ ডাইহাক্তা অস্থম হায়না লৈহৌখিগে। সিসটর রিটাগা চাটার্জীগা বিদায় লৌখিরমই।

অহিংগী পুং মপালগা মিনিট তরামঙা অমুক হায়ব্রে। ডাঃ সান্যাল মতোমতা মাগী কা মঙ্গুংদা অরুণকর ডাইহুনা হঙ্গং হন্দা চৎতুনা লৈরি। হায়নখিবা মতুংইন্না অরুণকরনা শেল হৃজিককাও

পুরক্কে। অহিংগী পুং তরানিথোই তাবদা থোকখিগদবনি। অহিং লেন্দ্রিদৈদা বর্ধমান য়োহৈাগদবনি অদুগা হয়েং অমুক পুং তরাদা বর্ধমানদগী মেলট্রেন ফাগদবনি।

অরুণকরনা বিশ্বাস ঘাতককি থবক তৌরক্লোই হায়বসি ডাঃ সান্যালগী অচেৎপা থাজবা অমনি। শেল পুতুনা শোয়দনা লাকনি মহাক। অদুগা শেলতু ফংবা ইঙম হেক মঙমল্লবদি পাউ অমা শোয়দনা খ'হল্লকনি হায়বসিদা ডাঃ সান্যালগী চিংনবা লৈতে।

কালোভ্রমরনা অরুণকরদা খল্লিবতু অরানবা নত্তে, তৌবত্তবু খঙহৌদনা মুমিং অদুগী মুংথিলদা থোকখিবা খুদোংচাদবা থৌদোক অদুতদি খল্লমগী য়াংমদনি।

মতমচানা অরুণকর বেক্কতা থুংখি, কালোভ্রমরগী য়া মতুংইন্না শেল লৌথোক্লসা। অদুগা অরুণকরগী মহৌশাগী মী-পোং থঙ্গদবগী লৌচৎ অদুনা উথিদবনি — ইরাপ লাপুনা কিরিটিসু লেপ্লি হায়বসে।

কিরিটিসু বেক্কতা লাকখি লন্নাইগী থবক অমগীদমক। খঙহৌ-দনা ইনক নক্লা অরুণকরবু উবদা কিরিটিনা মহাকপু মশক লাকশিনবদা য়ানা থোকখিদে। অহানবদদি অরুণকরনা বেক্কতা লৈরব্বতু উবদা কিরিটি থোইনা খল্লমদে, অতুবু কাউন্টরদা পৈশা পীরিবা মীতুগী য়াহে অমা তারুবদগী কিরিটিগী মনাকোং অদু মত্তোমতা শিঙ্গৎলক্লমই।

মুম্মিং তরানিমুক্তী মমাংদা লুপা লিশিং মঙা অমসু লৌথোক-পিগ্রে অরুণ বাবু, খঙহৌদনা ঙসি অমুক লিশিং তরা কেশ ওইন্না লৌথোকপিরিসিবু অনৌবা কারবার হৌবীগদৌরব্রা মিঃ কর?

চেক্তি চেকশিনবীয়্‌ লান মন্থুংগী কৈথেলসিদা স্পেকুলেশন জাং জাং তৌনত্থনা মী কয়া শেল য়াম্না মাঙনরবনি—

নত্তে, অত্থুগুম্বা অমত্তা লৈতে সুনীলবাবু। হোঙনা লম খরা ফংগদৌরে, লৈশিনসিরা হায়না খনবনি! অরুণকরনা খুম্নকই খর চনৈননা।

ওঃ! অত্থুগা লোয়নমক তরাচৎপীগী নোটতা পাম্বীবা— মসিগী ৱানিকো স্থার!

হোয়, পার্টিথু য়াম্না ৱা পেৎলি, লোইনমক্ত তরাচৎপীদা ওইনা পীয় হায়।

অমুক্তা ঙাইবিরম্মু। লুপা লিশিং তরা শুনবা তরাচৎপীদি লৈরোই, অত্থবু কেশ অমুক্তা য়েংজরুখিগে।

অমুক্তা হোৎনবীয়্‌ সুনীল বাবু অদোম্না হোৎনবিরবদি ফংগনি খল্লি।

য়েংবা হায়ত্থনি! সুনীলবাবুনা হায়ফেক্তং নোক্ত্না কেশিয়ার রোমদা চৎখিরমই। কিরিটিগী মপুক্লিংদা নিংজিং মাংজিংনবা হৌগৎলক্লমই। অরুণকরনা সম্পত্তি লৈগদৌরবা! মতোমতা লৈবনি—কলিকাতা শহরদা মাগী সম্পত্তি য়াম্না লৈ—অমুক্তা মাগী সম্পত্তি লেপশিনবগী কক্সি দরকারনো? মত্থুস্ত অমুক তরাচৎপী ঙাক্তগী দরকার!

ৱাফম অসিদা চিংননিঙাইগী মচাক য়াওবগুম তৌরে। কিরিটি বেঙ্কতগী থোকথ্রগা গেটকি মনাক্তা লৈরিবা লাইট পোষ্ট অত্থুদা লেপ্ত্না অরুণকর ঙাইহুনা লৈরমই। বেঙ্কতা তৌরুগে পাক্লিবা থবক অত্থু তৌত্রে। শেল অশুক য়াম্বসিনা অরুণকর

কৈদৌরুগদৌরিবনো ? অমুক হন্না মঙোন্দা কনানে' অমনা ব্রেক মৈইলিং হৌরবা জাংলা ? প্রোফেসার কালিদাস শর্ম্মদৌনা অতোপ্পা শনি অমনা অমুক মাগী মরেংজুমদা তোংলবরা ?

য়াম্না কুইনা ঙাইনদ্রে, মিনিট কুন-কনমঙাগী মতুংদা অরুণকর শেল লৌথোক্লগা বেঙ্কতগী থোরক্লমই। অরুণকরনা হেক থোরক-পগা টেক্সি অমদা কাথংহুনা টেক্সিরালহুদা অনেপ্পা খোনদা করিগুম্বা খর তাকথিবগুম তৌরমই। টেক্সি চেনবা হৌখিরমই।

কিরিটিসু অমুক থিম্বা তৌদনা মশাগী গাড়ীদা ভোংথহুনা খর লাপ্পনা গাড়ীহু মশামক্লা থৌবা হৌরমই। হীরাসিংসু মনাক্তা ফমহুনা য়াওরমই।

বস ট্রামদা হুজিক ফাওবদা অফিসকি মীওইশিংনা কুক কুক ইন্নরি। শেকপীদৌনা বস ট্রামগী ফুটবোর্ডতা লেপ্লগা য়োংচৈ পায়হুনা নোংমগী পাপ কোক্লবা চংনরি। লম্বী খুদংমক হরা-গাড়ী অমদি মী চথোক চংশিন্না পুননিল নিল্লি। মফম খুদিংমক্তা থবক চিন্নবগী মওং ঙাক্তা উরি। ঈচেল ফাংবা তুরেলগুন্না পুন্সি ঈচেল কয়া মায়কৈ লিশিং ফাংনা চেন্থরি। মথল মথাগী খোঞ্জেল কয়ানা ইনিল অমত্তা ওইনা নিল্লি।

গে স্ট্রিটতা লৈবা য়ুমহুগী মমাংদা লৈবা গলিহুগী মনাক্তা থৌজিল্লগা অরুণকরনা টেক্সিগী ভাড়া পীরম্লগা গলি মনুংদা চংখিরমই। লম্বেলদা গাড়ী থাম্লগা কিরিটিনা ঙাইহাক্তং ঙাইরগা গাড়ীদগী কুমথহুনা গলিদা চংখিরমই। কোম্বোংগী থোঙ লোল্লমই। থোঙ থিনবগা মীনায় অমা চংলকুনা থোঙ হাংদোক্লমই। কনাবু পাম্বীবনো বাবু ? মী অহু অনৌবনি।

অরুণ বাবু লৈব্রা ?

অহোয় ।

মঙোন্দা পাউ অমগুা পীয়ু, হায়য়ু কিরিটি বাবুনা উন্ননিংই হায়না ।

মীনায় অতুনা থোঙ হাংদোক্লুনা থম্মগা মনুংদা চংখিরমই অতুগা ঙাইহাক্কী মনুংদা মীনায় অতু নত্তুনা অরুণ বাবু মশামক হল্লক্লমই, করিনো তৌবিরিবসিদি কিরিটিবাবু ! লেংশিল্লকউ, লেংশিল্লকউ ।

ঐগী কয়াদা লাইবক ফবনো ! লৈতেংলবা মী কন্নবা কাতুদা মখোয় অনিমক চংলক্লমই । অরুণকরনা কিরিটিবু চেয়ার অমদা ফমহল্লমই ।

চা হায়গে কিরিটিবাবু ?

য়ারে, অস্নুক থেঙবদবু চা তৌব্রবসু য়ারনি, অদোমসু ফম্বীয়ু অরুণ বাবু, অদোমগা ৰারী থর তৌজনিংই ।

অরুণকরসু ফমথরমই মমাংগী সোফা অমদা কিরিটিদি হান্নদা অরুণকরগী গাড়ীতু তান্না তান্নদা লাকপদা করি হায়না ৰা হৌগদগে হায়বতু লেপথোকচরমই ।

সিগার অমা চন্নগা হায়ফেত্তুং চিংতুনা কিরিটিনা মাগী ৰা হৌরকই, অরুণবাবু, অদোম্না অমুক্কা মরম ইরৈ লৈতনা সোরোক্কী খুদোংথিবতু ইমুং মনুংদা কৌশিনবীগদোরে !

অঙকপা ৰাহং লোয়নরবা মিৎয়েংনা অরুণকর কিরিটিগী মমায়দা য়েংলকই । অদোম্না হায়নিংলিববু কিরিটি বাবু—

অমুক্না শুভঙ্কর মিত্রগা সঙ্গ তৌরুবদগী নোংমা নিনিগী মমাংদা

নাতৈ চাদনা খুদোংথিবা নংবীরুরবনি, অমুক্তা করিনো তাকপী-
রিবহুবু মিঃ রায় ?

অরুণবাবু ডাঃ সান্যাল কদায়দা লৈবগে অদোম খঙবীব্রা ?
থৌরবা অচম্বা ব্রাহং অমনি। অথিংবা য়াওদবা ব্রাহং অহুনা
অরুণদা চুমদ্রিং চুম্না য়ৈররে। কিরিটিগী থৌরবা মিৎয়েং অহু
নাম্থোকখিদে ব্রাহংহু তাবমক্তদা অরুণকরগী মমায়দা চেল্লম্বা ঈ
মথৈ কংখিবগুম তৌরমই। মমায় শীনবা থুংনা উৎকি মতৌগুম্না
ইরাও ব্রাওশিনখ্রে।

জ্ঞান মাঙলবা মমিৎ অনিগী মরোল থোক্লবা মিৎয়েং—
মচিনবান অনিহুনা খজিক্তং নীকপা অহু ফাওবা কিরিটিগী মিৎয়েং-
দগী চোইথোকখিদ্রে। তেন্না থারবা উচেক অমগুম্না থাঙভমদবা
চৈনাখোল অমা অরুণকরগী মমিৎ মমায়দা ময়েকশেংনা উরে।
কিরিটিনা হায়রকই, তাংলৈদগী হেন্না শাথিরবা ডাঃ সান্যালগী
লীচৎনি। মী মানবা লমচৎ হায়বহুগী মচেৎ অমা ফাওবা ঙসি
মঙোন্দা লেমহৌদ্রবনি। মাগী মখয়াক্তা অমুক্তংবু তাপ্রবদি হিংল-
রোই, অসুম অসুম অদোম্ব মপুংফানা য়োৎশিনগ্রনি, অহুদগী
তপ্পা তপ্পা মপুক মনুংগী মহু চেল্লবা মহী অহুনা হুকচাং পুম্বা
য়াম্ফক তাহল্লকনি। লোইশিল্লকপগী ব্রাহৈদা কিরিটি অশাওবা
মুঙাইতবা য়াম্লনা নীক্লমই।

খঙহৌদনা অরুণকর মমিৎ অনিনা মমায় খুমহুনা হায়দোকফম
খঙদবা চৈনা অমা থাঙবদোনা কপথোরকই।

ঐ খঙলে অরুণ বাবু, অদোম শয়তান অহুগী লাংদা থুরে।
ঐবু কনবীয়ু কিরিটি বাবু, ঐবু কনবীয়ু! গতি লৈজদ্রবা

শোল্লবা খোম্থোক্তা অরুণকরনা লাওরকই। অদোম্না ঐঙোন্দা মরম পুম্নমক চিংখদনা হায়দোকপীয়ু মিঃ কর। অদোম খঙবীব্রা, মাগী মথক্তা মী হাৎপগী চার্জ অহুম-মরি লৈরি? পুলিসকি মীওইশিংনা মায়কৈ থুদিংদা মাবু কোয়ৎথি থিরি? অতুবু ঐনা মাগী থাজবা হাৎলে হায়বসি খজিক্তং শামিন ফংগ্রবদি, মানা ঐবু শোয়দনা হাৎকনি। খৌরি মেৎতুনা হাৎকনি। মতু ঐগী দায়ীনি। ঐঙোন্দা থাজবা থম্বীয়ু ঐ ফনবা শিঙ্গগে। বা পুম্বা লোয়না হায়দোকপীয়ু।

মাদি ঠিকানা অমত্তদা লৈবা নত্তে। ঠিকানা মরি মঙাদনি মানা লৈরিবদি। করম্বা কান্দা করম্বা ঠিকানাদা লৈবগে হায়বহুদি কনামত্তনা তাংদাংবা হায়বা ঙমদে, অতুমকপু হায়না হায়না খঙ হৌদনা অরুণকর তুমিল্লা লৈখি।

হায়বীয়ু!

ঙসি মুমিদাংবাইরম মাগা ঐগা উরশি হায়নখি।

করম হায়ননো? কিরিটি পুক্রিং থিংজিল্লকই।

অরুণকরনা শম্লপ্পা বা পুম্বা কিরিটিদা হায়দোকপা হৌরকই। মুমিৎ কুননি অমুক্তা মমাঙদা খঙহৌদনা নোংমগী মুমিদাংদা, ঐ ফমুংদা হিপ্তুনা লৈরমই কালোভ্রমর লাক্লুনা ঐগী কাদা চংলক্লমই।

॥ মাপল ॥

অহিং অতুগী থৌদোক অদু অরুণকরগী পুক্লিংগী ফিজ্ঞংদা ছজিকখু ইরং লংনা ভারি। পুক্সদা অহিং অতুগী বারীদু মহাক্না অমুক ক্লাওথোকপা ওমগদ্রা ?

কালিদাস শর্ম্মগী তমথিরবা মীশি অতুগী মতুংদগীদি মাগী মপুক্লিং ইরাং লাওখি। থৌদোক অদু অরুণকরগী মফমদা থাজরুদবা অমা ওইবত্রা নত্তনা, মাগী হকচাং শ'নবা থুংনা অস্তকী মত্তিক চৈনা সীখি, মতুদি মপুক্লিংদা পোত্থাবগী বাখল হায়বদু অমত্তা থিবা ফংখিদে। মপুক্লিংগী অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মিক্রুপ খুদিংগী শোকচিল্লকপদমক থংখি, অয়ুক গুংথিলদা নত্তনা অহিংদসু ভুম্বা য়ারমদে, ডাঃ সান্যাল লাক্লুনা কা মন্নুংদা চংলক্লমই।

কমুংদা হিপ্তুনা কা মন্নুংগী মম্নি মম্নিবা মৈওালদা অরুণকর বাখল খম্না অহিং ভূম্বা য়াদনা লৈরমই, কালোভ্রমরনা কা মন্নুংদা চংলকপদু খঙহৌদে।

অরুণবাবু ?

কালোভ্রমরগী শোম্বাংনবা খোঙ্গেসহুদা খংহন্না হৌগৎলগা অরুণকর ফম্নুং মথক্তা কম্লমই।

শেংফাত্তবা মণ্ডাল মরক্তা কা মন্নুং অদু মশেল মরাং ওাক্তা ওইনা উরমই, মপান্দা নিংথম থাগী অহিংগী অমম্বা অমদি অইংবনা নুংদৌনা ফমজিনথ্রে অচিকপগা লোয়ননা। চওক্লরবা পাথৎলবা

অরুণকরনি। মমিং অনিতুদা গতি লৈজদ্রবা চমন্নরবা মওং অমা উরি।

খঙবা ঙমদ্রবরা ঐবু ?

অদোম, হায়বদি—

ডাক্তর সান্যাল ! কালোভ্রমর !

ঙাইহাক্তং রা ঙাংনদে। থোদোক অতুগী খোংলৈতুনা শোর থিংহন্নদোনা তৌরমই।

মিপাইনিঙাই করিমত্তা লৈতে অদোন্না অরুণ বাবু ! মরমদি য়েরুবা অমা ওইনা অদোমগী য়ুমসিদা লাকচবা নত্তে, অদোমগী মতেং নিজবতুম লাকচরিবনি। অতুগী মথক্তা নায়কৈ অমরোমদা য়েংলুরগদি ঐসি অদোমগী মরুপ অমসুনি !

মরুপ ! হৌজিকদা শোন্নবা খেঙ্গেলদা অরুণকরনা হংলকই।

হোয়, মরুপনি। অরোম্বা শক্তমদা লৈরম্বা শুভঙ্কর নত্রগা শুভঙ্কর শাবা শয়তান স্যার দিগেন্দ্রবু হাৎতুনা অমদি ব্রেক মেইলর প্রোফেসার কালিদাস শর্ম্মবু হাত্তোক্লগা অদোমগী পুন্সিদা য়েরু-তিংখং থাংহন্দ্রবনি। অদোমগী মায়কৈদগীসু ঐঙোন্দা তৌবীমল খঙবা উৎফম থোক্লনে ? অতুবু মতুময়ামতু থমগ্রসি। মখোয়তু হাৎপদা ঐগী ওইজবসু মপুংফানা য়াওরি, মরমদি মখোয়না ঐবু মাংহন্নবা হোৎনখি। ঐনা অদোমগী মফমদা লাকচরিবা অসিদি অতুক হন্না পালু লুবা জাং নত্তে। অদোমগী মফমদদি য়ান্না লায়ঞবা অমনি।

অদোন্না পার্থীরিবতু করিনো খঙজবা য়াগদ্রা ?

ইচম চম্বা ওস্তাং-ওনশিন খর তৌনবনি। হৌজিক মতম

থরদি ঐ লোয়া লৈতবা য়াদ্রে। মসিগী মনুংদা শেল চংগনি অদুগা শেল অসি অদোম্না চানবাদুনা থর পীবিদবা য়াদ্রে।

শেল পীগদবা ঐনা ?

হোয়, হায়জগ্রে ওস্তাং-ওনশিন তৌবনি। ঐনা অদোমদা জুয়েল পীজগনি অদুগা মদুগী মতুঙ্গা অদোম্না শেল পীবিগদবনি। য়াবীরব্রা ?

নাত্তে ডঃ সন্যাল, ঋাফম অসি য়াম্না রিসকিনি !

রিসকিদি থর মওই।

মসিগী মতুংদা মায়কৈ অনিদগী ব্রা ববথোক-ববকশিন কয়া তৌনরবা মতুংদ, অরোয়্বদা ডঃ সান্যালনা খোঙ্গেল কল্লপ্পা হায়রকই, য়েংবায়ু অরুণ বাবু ঐবু নিংথিজনা খঙনবগী খুদোংচাবা অদোম্না ফংগ্রবনি। মরুপ অমা ওইনা ঐবু লৌবা ঙমদ্রবদি অদোমগী লাইবক থবা অদুগী ঙমখে লৈররোই খঙবীয়ু। অমুক্তংবু ঐগী য়েক্লবা ওইনা লেপগ্রবদি পৃথিবীগী শক্তি অমত্তুনা ঐগী খুৎ অনিসিদগী কনবা ঙম্লে.ই। অরোয়বা ওইনা হায়জরিবসিনি, ঐগী মনুংদা থুপ্পুনা লৈগ্রবা ময়াই অদুবু হৌদোক্লনা অদোমগী শোয়ফগ্রবা মাঙ-তাকপদু কৌশনবীগনু। হায়বীয়ু, ঐগা য়েক্লবা ওইবীনিংব্রা, নত্রগা মরুপ ওইবীনিংব্রা ? অরোয়বগী ঋাহৈদা কালোভ্রমরগী খোঙ্গেলদুদা ময়েক শেলবা অকিবগী শক্তম অমা চোংথোরকই, খঙজদনা অরুণকরগী মশা মনুংদা থংনীক নীরুকই। হায়বীয়ু কালোভ্রমরবু য়েক্লবা অমা ওইনা পাম্বীব্রা, নত্রগা মরুপ ওইনা পাম্বীব্রা ? ঙসি ঐগী হায়জবসি অদোম্না মপুং ফাহন্বীরবদি অদোমগী পুন্সিদা অসিগুম্বা মীওই অমদি লৈরে, মতুদি মহাক্না

মথৎবায়গা শিন্নরবসু তঙাইফত্রবদি ঙসিগী নমন অসি শিংগনি মতম অমদা।

ঙাইহাক অরুণকরনা খল্লুরগা ওপ্পা হায়রকই, করে অদোমগী রাফম অসি ঐ য়াজরে ডাঃ সান্যাল। কৈদৌঙৈ অদোমনা শেল অসি পাগ্নীবনো ?

হয়েং সিগুম্বা মতমদা লাকচগে লিশিং মঙা অমুক ওইরবদি য়য়ারনি।

লেং ঙকউ।

মুংঙাইজরে, অদুদি ঐ অমুক চৎলগে অরুণ বাবু।

খোঙগী পুনা হাংদোক্লগা মপান্দা খোং থাংদোকে তৌরবা ডাঃ সান্যালনা খঙহৌদনা বৈশিল্লক্লগা হায়রকই, অদুগা রা অমনা অরুণ বাবু ঙসিগী রারেপ্পবা অসি চিন্দা লেপ্পথিবা ওইরবস্ত অদোমগা ঐগগী মরক্তা লৈনগদবনি অদুনা মীতোপ অমগী মনাকোং য়োৎহনবা য়াদে। করিগুম্বা য়োৎত্রবদি, খঙবীয়ু ঐনা অসিগুম্বা মথলগী শাস্তি অমা পীজগনি মদুদি, অদোমগী লেমহৌরিবা পুন্সিদু চঙনা শিংবদা লোইবা নাইররোইদবা। করে, গুড নাইট !

থোকখ্রিবা পুম্নমক অদু অরুণকরগী মচিন্দগী তারগা তুমিন্না য়তোমতা করিগুম্বা থরা খল্লুরগা হায়রকই, ঐগী থবক্তা অদোম্ন চিংশিল্লরোই অরুণ বাবু। মরম্দি কালোভ্রমরবু ঐ য়াম্না মুন্না খঙই। রাজাও ঙাঙবা নত্রগা শীঙনরম্বা অমত্তা লেম্না হায়বা নস্তে। গুপ্পগী ঙসি করম্বা ঠিকানাদা অহিং কালোভ্রমরগা উরগদগে হায়বত্তা হায়বীয়ু !

অদোম্না য়ুমে অদু রেইদ, তৌবীগদৌরিব্রা কিরিটি বাবু ?

অরুণকরগী বাহংদা লাংতক্রবা উবদা হায়কেক্তং নোক্রনা কিরিটিনা য়াম্না অইংবা অমদি হাদবা খোংঙ্গেলদা খুমকই, চিংনবিগনু অরুণ বাবু, অদোমগী থবক অত্থম কায়দনবা তৌবীয়ু ঐগীনা ঐ অত্থম হোৎনজগে । অদোম্না পৈশা খিল্লুগদবা মফমত্থু তাম্না অত্থম য়োৌবীবা কায়দে । ঐ শুপগী ঠিকানা অত্থতা পামজে ।

অরুণকরনা মসিগী মতুংদগীদি খোইনা সংনদনা ঠিকানা অত্থু হায়রমই । কিরিটিনু ঠিকানা অত্থু ফংলত্থনা তুমিন্না মুঙাইবা ফোংদোক্লম্লগা চংখিরমই ।

॥ তরা ॥

অহিংগী পুং তরা ফাওবগী মমুংদা অরুণকরনা শেল অত্থু পুরক্কে হায়রম্বনি । অত্থবু অঙকপদি, মহাক হুজিক ফাওবদা উবা ফংদ্রে, অহিংগী পুং তরামাথোই তাগদবা মিনিট তরামঙাদা ঙায়রম্রে !

অহিংগী পুং তরানিথোই চপচানা খোকখিবা ঙমহৌত্রবদি বর্ধমান য়োৌবা অমদি গাড়ী অমা মম্লিঙৈদা থিবা ওইথোক্লরোই । মপুক্লিংদা নিংজিং মাংজিংনবা অমা ফাওরকপগুম তৌই । খোংথাং অত্থু লাংতক্লনা কুংশিল্লকই । অরুণকরনা অরোয়বদদি বিশ্বাস ঘাতক তৌগদৌরবা জাৎলা ! নত্তে, অমুক য়াম্নদি ইচঙ খৌরোই । কালোত্ত্রমরদা বিশ্বাস ঘাতক তৌনবগী মথৌনা মাগী লৈতে, মহাক অত্থক য়াম্না মরিংজেল লৈবা মী নত্তে ।

অদুদা হুজিকফাওবা য়ৌরক্তি সিবু করিগী.নো ?

সিড়িদা খোংথাং মখোল অমা তারকই। অথুবা খোংথাংদা কনাগুম্বা অমা সিড়ি কাখৎলক্লমই।

কালোভ্রমর মমিৎ মনা শিংগৎলকই। কা মনুংগী লোল্লবা থোঙ অদুদা লাংতক্লনা য়েংদুনা লৈরমই। থোঙদা তপ্না থিল্লকপগী মখোল অমা তারমই।

লেংশিল্লকউ থোঙদু হাংলিবনি।

অরুণকর কা মনুংদা চংলক্লমই। অমুবা লোংকোট অমা লিৎলি, মকোক্তা পাক্তক ভৌবা মোফলার অমা কুপই মখুৎ অনিমক কোটকি পোকেট অনিদা হুমজিল্লি। থৌরবা মনুং ফাওনা উরবা মিৎয়েংদা ডাঃ সান্যালনা কা মনুংদা চংলক্লিবা অরুণকরগী মমায়দা য়েংদুনা লৈ।

অরুণকরগী মমায় মমিৎতা ইফক ফকচিনবা অমগা গতি লৈজদ্রবা কিথিকিক্রম ভৌবা শক্তম অমগা য়ানশিন্নবগুম্না উরমই।

লেংশিল্লকউ অরুণ বাবু, অমুক য়াম্না থেঙবিরক্লিবসিদি!

হোয়, খর থেঙদোকপ্রে। ভাইহাক্তং লেপ্তনা চোকথরবা খোঙ্গেলদা থুম্নকই অরুণকরনা।

শেল পুবীরক্রব্রা ?

হোয়। হায়দুনা মখুৎ য়েং অদু পোকেটতগী শংতোরকই। মখুৎতা আচৌবা নোটকি বণ্ডল অমা য়াওরকই। নোটকি বণ্ডল অদু লাম্থোক লাম্থোক্লা অরুণকরনা হায়রকই, তরাচংপী ভাক্তদি নত্রে। লিশিং মঙা থক্লা তরাচংপীনি, অতৈনা চাম্ম চংপী ভাক্তনি!

অরুণকরগী তিংথোরক্লিবা মখুৎতগী নোটকি বণ্ডল অদু

লৌরতুনা ডাঃ সান্যালনা হায়রকই, ফংদ্রবনিনা, মসিনা স্থম য়াবনা হোৎনবা তারে। নোট বণ্ডল অদু লোংকোটকি মনুংথংবা পোকেটতা হাপচিল্লগা, অতোপ্পা পোকেটত্তগী রুমালনা য়োম্বা ময়োম মচা অমা পুথোরক্লুনা ডাক্তরনা হায়রকই, মসিগী মনুংদা সাইজ অপীকপা হীরা তরানিথোইখক য়াওরি। অশেংবা মমলদি মসি লিশিং কুল কুল্লিথোইদগী তারোই।

মখোম অদু অরুণকররোমদা লানশিল্লমই ডাক্তরনা। ডাক্তরনা নোটশিংদু থাদুনা য়েংবা তৌদনা ফুল্লিংথাউদা হাপচিন-খিবগুম, অরুণকরসু হীরাশিংদু য়েংদনা ময়োম অদুমক ফুল্লিংথাউদা হাপচিনখিরমই। ফরে হুজিক্তি অদোম য়ৌবীবা য়ারে অরুণ বাবু। ডাক্তরগী রাইফেশিংদু অয়াকপা য়াথং অমদৌনা থোরকখি। রা ভাংলমদনা অরুণকর কা অদু থাদোক্লুনা চৎখিরমই। কৈনা মাগী শিকারগী মনম ফংবগুম্না অরুণকরগী ওসিগী মওং মতৌ অমদি রাওাংদা শামিন অমা ফংখিবগুম তৌরমই। মরম লৈতবা নিংজিং মাংজিংনবা অমনা মপুক্লিং রাই চিলহল্লে।

খুদাং ঘড়ি থাংগৎতুনা ডাক্তরনা য়েংবদা অহিং অদু পুং তরামাথোই মথায় তাখিগদোরে। রামু কৌরুগে হায়না ডাক্তরনা হেক খোং থাংগে তৌবমক্তদা খঙহৌদনা য়াম্না চেকশিম্না থাংবা খোংথাং অমগী মখোল তারক্লমই। ডাক্তরনা শেম শাহৌদ্রিঙৈগী মমাং অরোনবা থোঙ অদু খংহাং হাংদোক্লকই অদুগা হাংদোক্লবা থোঙ অদুদা চাও শাংলবা মীওই মুর্তি অমা লেপ্পরমই।

নমস্কার ডাঃ সান্যাল !

লেংশিল্লকউ, লেংশিল্লকউ মিঃ রায়। অঙকপনি,-খুল্লকসিদা

অদোমমক নত্রগস্নু সিগুম্বা অমদি থোকনি হায়না পুক্লিংদা চিংনরমই।

অঙকপনা থল্লবা নোকপগী ময়ি অমা ডাক্তরগী পাক্লবা চিনবানগী অকোয়বদা, লৈচিন থাংবা অতিয়াদা নোংথাং কুপ্পদৌনা শন্দোক্লম্লগা মাঙখিরমই।

কিরিটি থর হেন্না চংশিল্লক্লনা কা মনুংদা লেপ্লরমই অরুণ-করনা অরোয়বদদি অদোমগী মফমদা চংজরক্লে! ফৈনে ফৈ। অরুণকর? মাগা ঐগা খুদক অসিদা মফমসিদা পুনবগী রাফম করিস্নু লৈতে, রাফম অসি থাজবীয়ু ডাক্তর সান্যাল।

কিরিটি বাবু, থৌরবা ইস্পাতকি থাংশাং অনিনা অমগা অমগা শোক্লবদা—থাজবিরোই হায়বসি খঙই অদুবু হায়জরিবসিনি, অরুণকর,

কান্নদবা উপন্যাস শেমজিনবীগস্নু কিরিটিবাবু, কালোভ্রমরগী হিসাব থাতাদা কালিগী দাগ তাশ্লবদি মদু অমুক মুৎলু হায়বা য়ারোই, অদুবু মদু থমথ্রশি, হায়বায় মতমসিদা খঙহৌদনা অদোন্না মফম অসিদা থোংদাবীরকপগী মরম!

মরম?

অহোয়!

ইস্পাতকি থাংশাংনা ইস্পাতনা শাবা থাংশাংদা শোকপা থেংনবীদ্রা?

ডাক্তর সান্যাল তুমিন্না লৈদুনা ভাইহাক থল্লমই, অদুগী খঙহৌদনা মমায় ওনথৎতুনা য়েংলকই কিরিটিরোমদা। অদুগা মখোল হৌদবা অয়াকপা খোঞ্জেলদা হায়রকই, অদুদি অদোম্না ঐ

ফানবা শেমশাহুনা লাকপীরবনিনে ?

হায়বমক য়াদ্রনে ডাক্তর ?

হায়বমক য়াত্রা হায়বছু অশেংবরা খঙদে, অদুদা রাফম অমদি খর ওক্লা থোক্লে মিঃ রায়, হায়শিরা হায়নুশিরা ঐসু খঞ্জানরে। মতাংসিমক্তা কান্নদনা চরাংনবা অমদি চাইখায়নবসি ঐ আশা তৌজদবনি।

বা চমথোক্লবা অমা ঐখোয় অনিতগী মরক্তা লেপ্পরমগদবনি, তৌবতবু মছু অমুক ওইবা য়াবগী তাঞ্জাদি উদ্রে। ডাক্তর, য়ুম অসি পুলিসনা কোয়শিনগ্রবনি অদুগা মখোয় খুদিংমক খুৎলায় পায়দুনা মিকুপ নাঙুম শিংনা লৈরি। অদোমগী শোয়ফম্রবা নিশানগী রারী ঐখোয়না খঙজবদোনা ঐগীদুসু অদোম্না খঙবীদবা নত্তে হায়না আশা তৌজ্রে। অদুগা অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু মমাংগী অদুম হায়না মিংচং খিহল্লরোই ঐনা, মসি শোয়দনা অদোমগুম্বা রাখল লৈবা মীওই অমনা খঙবদা রানা থোক্লোই !

ডাক্তর সান্যালগী চিম্বান অকোয়বদা অমুক্তা অঙকপা মীনোক অদু হায়নগুম্না চোংথোরকই। ডাক্তরগী মচিন্দগী মীনোক অদুগী ময়ি মুংখিদ্রিডগী মমাংদা ডাক্তরগী অরাম্বা খোঞ্জেল থোরক্লমই, অহিং অমুক থেঙনা অরাবা খাঙদুনা লাকপীরবনিনা শেম শাহুনা লাকপনি হায়বছুবুদি মখঙজরে। মসিগী বাফমসি থাদোক্লগা ঐ বা অমত্তা হায়জনিংই মিঃ রায় !

হায়বীয়ু ?

অদোমম্, গ্রহখোংচৎ য়েংবা বিভ্রা হৈবীত্রা ?

গ্রহ খোংচৎ য়েংবা ?

হোয়, জ্যোতিষ বিদ্যাগী মশা অমনি। মত্তুগী মতেংনা অতিয়াদা থরানমিচাক কয়া থোক্লিবগে হায়বসি ইরায় লায়না মশীঙ শুকথা থীদনা হায়বা ঙমই। বিক্রমাদিত্যগী সভাদ লৈরম্বা জ্যোতির্ষী পণ্ডিত বরাহনা মহাক্কী মমৌংগী খোনাদগী তমহৌবা বিদ্যা অত্তুগী মতেংনা থঙবা ঙমখি মশীং থীদনা অতিয়াদা থরান-মিচাক কয়া থোকপগে হায়বত্ত—

কালোভ্রমরগী মচিন্দগী বাত্ত লোইখিদ্রে, থঙহৌদনা শেংফাত্তবা খোঙ্গেল অমা, মত্তুগা লোয়ননা কালোভ্রমরনা লেপ্লম্বা মফম অত্তুগী লৈমায়ত্ত অনিথোক্না চিংখায়রব্রগা মিৎনা কুপ্পদা কালোভ্রমরবু য়োৎশিনখিবগুম তৌরমই। শুপ্পগী শেংফাত্তবা মীনোক অমথক্তমক তাখি। কিরিটিনা তমুক্তং চোংশিন্দুনা মফম অত্তুদা লেপ্লুবা মতম তুদদি মুনা মম্নবা অহোবা অমথক্তং মথা ফাক্তোক্লনা লৈরমই।

হন্দকম্ব কালোভ্রমরনা কিরিটি পঙহল্লম্বগা মাঙখ্রে। তুজুং-নিঙাই ওইরবা থাজত্রবা থৌদোকনি।

কিরিটিনা পোকেটতগী টোর্চ লৌথোক্লগা কাপ্লমই, থৌরবা মঙালগী মশেক অমনা অমম্বা মরক্তা অহোবা মথুল অত্তুমক্তং ঙালহল্লমই।

মথক্লায় পান্দ্রবা অহাঙবা মথুল অমনি। মৈত্ত কাপশিন্নদা কিরিটিনা ক'রমস্তা উবা ফংখিদে। চমন্নরবা কিরিটি বা ঙাংদনা অশাংবা মুংশাশোর অমভ্রমক হোন্দোরকখি।

লেপ্পা লেপ্পা ত্তুপ লাওনা ডাঃ সান্যাল লৈমুংগী কাত্তুগী লৈমায়দা তাশিল্লমই। লৈমায়গী লৈবাক্তু খোপচিন্দুনা লৈরম্বা অমদি তাশিনবা হৈবনা মরম ওইত্তুনা মাগী হকচাংদা থজিক্তা ফাওবা

শোকখিদে। টালিগঞ্জগী মার্বল পেলেসতা কুমার দীপেন্দ্র নারায়ণ শাহনা লৈরম্বা মতাংদা টালিগঞ্জগী চিদাইদা লৈবা অরিবা তুই-তলাগী য়ুম অসিমক ডাঃ সান্যালগী অতোপ্পা লোৎকম অমা ওইরমই।

শেল চঙনা ডাঃ সান্যালনা য়ুম অসি নিংথিজনা শেমজিনখি মঙ্গংথংবা শরুক মথেদা। মপানগী মী অমনা য়ুম অসি মী লৈনবা য়াত্রা নত্রগা য়াদত্র। হায়বসি খঙবা ঙমদে। য়াম্না কুইরবা মমাংঙৈগী অকায়বা য়ুম অমনি হায়না ময়াম্না খঙই, অদুগা কনা কনাগুম্বনা তম্নবা য়ুমনি হায়না হায়নৈ। মার্বল পেলেসতগী চেনথ্রগা অহিংদু ডাঃ সান্যালনা য়ুম অসিদা লোৎখি।

মার্বল পেলেসকি ময়াদনি হায়রবসু য়াই য়ুম অসি। য়ুম অসিগী মনিঙ থংবা শরুক্তা হৈনৌ, জাম, থৈবোংনচিংবগী হৈকোল অমা কুইনা মী চংবাদদুনা শম্বৈগ্রে, উরি-ম্রারী হৌজিন্দুনা মোংশোং ঙাক্তা ঙায়গ্রে। হৈকোল অদুগী হেক মথংদা কঙ অমদি হুপনা কুপশিন্নবা পুম্নবা পুগ্রী অমা লৈরি। অদুদগী খুল তাবা অপীকপা লম্বী মচা অমা লৈগ্রে। হৈকোলদুগী মোংশোং মরক কাওদুনা লোম্না লাক্লগা ডাঃ সান্যাল অথুবা লম্বী অদুদা লাকুনা লেপ্লরমই অদুগা অমুক পন্থবা ভোদনা অমম্বা মরক্তা লম্বেল অদু পাংনা চেনখিরমই। ওইরকদবমথৈ খল্লগা মরম খুদিংমক্তা চেকশিলহৌবা হায়বসি মহাক্কী হৈনবীনি। ঙসিগী অহিংদসু মদু থাদোকখিদে।

য়ুমদগী খর থাপতক্লা উজাও অমগী মথাদা গাড়ী পুরগা লৈরম্মু হায়না রামুদা মাংজোননা শিন্নখি।

সোমদা কিরিটিনা খুৎশু খুৎলায় য়াওবা পুলিস তেজ্জোল

পুশিন্দুনা য়ুম অদু শীনবা থুংনা অমদি মনিঙগী হৈকোলদা নারক মোংশোংদা কোয়থি থিরিঙৈদা সোমদদি ডাঃ সান্যালগী গাড়ী অদু হেডলাইট অনিদু থানগৎতুনা মাইল নিফুগী চাংদা লমজাও তানা থৌখিরমই। অরোয়বা মিকুপ্তা কিরিটিনা চংশিল্লক্তুনা মাগী প্লান থুগায়রগনি হায়বসি ঙাইহাক্কী মমাং ফাওবদা ডাঃ সান্যালনা খনখিদে।

অদুগা য়াফম অমদি ডাঃ সান্যালগী পুক্লিংদা চমম্ভুনা লৈরমই। অরুণকরমক্তা কিরিটিদা পাউ পিরুবনি হায়বসিদি শোয়দ্রে, অদুবু পাউ অসিমক পীবা তারগদি; অসুম্না শেল পুরক্লিবা করিগীনো ?

নত্তে, মসিসু কিরিটি রায়গী লৌ অমনি ! অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু য়ামদ্রবদা কিরিটি রায়গী মখুৎতগীদি মপুং ফানা নাম্বোরক্লে। ঙসি নত্রবসু নোংমদি অরোয়বা ওইনা কিরিটি রায়গা হকথেংনবদি শোয়দ্রবনি। হঙ্গিন হঙ্গিন অহুমলক। অমুক্তা মিয়াংগী অশিগুম্হাদা। অনিশুবনা মার্বল পেলেসতা অদুগা হন্দক্কী অহুমলক গুবসিনা তম্মবা য়ুমসিদা। ডাঃ সান্যালনা একসিলারেটরদা কল্লা নেৎশিল্লকই, গাড়ীদু য়াঙখৎখিরমই—

॥ তরামাথোই ॥

ডিহিরিওনশোন অমদি মোগলসরাইগী মরক্তা লৈবা পিক্তক তৌবা রেলরে ষ্টেশন অমনি। পেসেঞ্জর ট্রেন নত্তনা ডাক পুবা গাড়ী অমত্তা মকম অসিদা অয়ুক্তা শুমিদাংদা থাম্বা লৈতে।

গ্রেনাইট নুংনা শাবা ষ্টেশন কানি। নুং চনবা অঙাংবা কংকুক চাইথোকপা, অঙাংবা প্লেট ফোরম অনি নাকল অনিদা লৈরি। ষ্টেশনগী নাক য়েংতা লৈবা লৈবাক্কী য়ুম অমা অনি নত্তুনা মী ইতা তাদে। অতুমকপু ষ্টেশনদগী থজিক্কুং চথোক্লগা ফজবা দলান থরদি লৈরি। উকুল থাংবা লৈতঙ্গায়গী পিকতক তৌবা লম্বী অমা চেল্লি।

সড়ক্কী খা থংবদা মাইরোংবী অমদি হন্নাই মথল কয়াগী লবুক নিংথম থাগী মহৈ-মরোং থাবা উরি। অতুগা খামেন মচুগী লৈ শাংলিবতুগী নিংথিজবা অতুগী মথক্তা মুমিংকি মঙালনা য়ৈতুনা অয়েংবা খুদিংমক্তা অইংবা রাথল পোকহল্লি। নিংথম থাগী অহিং ময়াই চাল্লে। ঈংখিবনা য়েংতুন্না থিনবগুম ফাওরে।

পুমচিক চিক্লবা মায়কৈ মরি শন্দোক্লিবা নিংথমগী অহিং অতু ইমম মল্লি। মরক মরক্তা অহাঙবা চিদাইদগী উন থাংবা অরাংগী মুংশিং শিংলক্লি। ঙাইহাক্কী মমাংদা মোগলসরাইরোমদা চংখিবা পেসেঞ্জর ট্রেন অতুগী অনিশুবদা থোরকপা যাত্রী অতু ষ্টেশন মাষ্টরনা টিকেট পীরম্লগা, অরাংবা প্লেট ফোর্ম অতু লাম্থোক্তুনা ষ্টেশনগী য়োংকি গেট অতুস্থু লাম্থোক্লগা মপালগী অচম্বা লম্বীতুদা লেপ্পরমই।

যাত্রী অতু অমুবা সার্জগী সুট অন্নম্বা অমা শেংলি - মতুগী মথক্তা নেভি ব্লু মচুগী অথাবা লোংকোট অমা লীংলি। কোটকি কোলার অতু লুখম ময়াদা খেক্তোকই। মকোক্তা অমুবা শামতুগী মংকিকেপ অমা উপ্লিবতু মচিনগী শরুক মখৈদা ফাঙ্তোকই! মখুৎ অনিমক লোংকোটকি ফুরিংখাউ অনিদা হুমজিল্লি। মরেংজুমদা

হেভরসেক অমা য়াল্লি। যাত্রী অহু অচম্বা লম্বী অহুদা অতপ্পা খোংথাংদা অমম্বা মরক্তুদা য়েং য়েংতুনা চৎলম্লই। অরাপ্পদা লৈচিনগী লৈরোন অমা কুংশিল্লকপগুম ভৌরমই। উন থাংলবা অহিংগী অচিকপন্থু থুগায়তুনা তান্না লৈথ্রবা খুল্লক্তগী হুং খোংবা মখোল তারকই। মখোল অহু অমুম তারম্বদগী অমুম অমুম অহাঙবহুগা অমত্তা ওইখিরমই।

যাত্রী অহু মাঙলোমদা অহুম চংখংলমই। শেংফাত্তবা ক্রিং ক্রিং লাওবা শরিক মখোল অমা নুংশিংনা পুতুনা লাল্লমই; অমম্বা অহিংগী অইংবা লৈচিনগী সমুক্ত লাম্থোক্তুনা শোন্থাংনবা খুদম অমা অরাপ্পদগী পিরকপগুম্ম ভৌবমই।

ক্রিং ক্রিং ক্রিং ক্রিং। ... ...

যাত্রী অহু মনাকোং থাঙ্গৎতুনা লম্বী মযাইদা লেপ্পমই। শরিক মখোল অহু ময়েক শেংবা হেনগৎলকই। শগোল গাড়ী অমা মায়কৈ অসোমদা লাক্লি, মহুক্তা শগোলহুগী মঙক্তা শিবা শবিক্লি। অমুম অমুম শরিক মখোলগা লোয়ননা ক্রে ক ক্রাক লাওবা শগোল লোংখুমগী মখোল তারক্লমই। য়াঙনা শগোল চেনশিল্লক্লি। চেন্না চেন্না মঙক্তা শিরিবা শরিক অহু তাল নাইনা ক্রিং ক্রিং লাওবা মখোল থোক্লি। অহুদগী অমম্বা মরক্তা উরক্লমই গাড়ীগী নাকল অনিদা পানবা মঙাল অনিথক।

যাত্রী অহু লম্বেলগী মতাই অমদা চথোকখিরমই। খঙহৌদনা থৌরবা টোর্চকি মঙাল অমা মমাঙদা লৈরম্বা অমম্বহু ফাওদোক্তুনা তারক্লমই অহুগা মঙালগী মশেক অহু মায়কৈ মরিদা কোয়নৈ লৈরুরগা যাত্রী অহুদা তাল্লমই।

শগোল গাড়ী খরগা চংশিল্লকই, মৈত্থু মুংঙ্গে। শগোল গাড়ী অহু যাত্রীহুগী মনাকমক্তদা লেপ্লমই। গাড়ীবালা অহু গাড়ীদগী চোংথরকই।

কিধর যানা সাব? —শগোল গাড়ী থৌবহুনা অশেংবা হিন্দীদা হংলকই।

মিশন কুঠি। —যাত্রী অহুনা খুম্লকই।

আইয়ে সাব। টাঙ্গাপর বৈঠীয়ে।

যাত্রী অহু শগোল গাড়া মথক্তা কাখৎতুনা ফমখিরমই। মনায় চুম্লগা মী অহুনা গাড়ীত থৌখিরমই। শগোল গাড়হু অমম্বা মরক্তা মাগী লমথুং য়েৌনবা চেনখিরমই।

লৈচিন থারবা অমম্বা অহিং অহু ভুমিন্না মতোমতা লৈহৌরি। শগোলগী মঙক্তা শিরিবা শরিক অহুনা অরেঙবা খুদিংগী খোঙ্গেলগী ইপোম অমা হৌহল্লি ক্রিং ক্রিং ক্রিং। ... ... লাম্বা ফংদ্রবা ঙমখৈ নাইদ্রবা অমম্বগী মথবাক্তা চাং নাইনা হুনবা মিহুল অমগুম্না। য়াঙনা চেল্লিবা শগোল গাড়ীগী চাকানা তকপদা অচোইবা উক্কুল চাইথায়রি, লৈঙোয়গী মনম অমা নাতোন্দা লাকই।

ক্যা তুমারা নাম জি?

মিশনমে সবকোই হমে মিশরজী বোলতা হৈ সাব!

আচ্ছা মিশরজী, মিশন-কোঠী কেতনা দুর হোগা?

থোড়া দুর হৈ সাব!

শাংলবা পুং অমা মখায়মুক্তা লম্বেল লেপ্তুনা চেল্লবা মতুংদা শগোল গাড়ী অহু চেকপলনা খাজিল্লবা লৈকোন অমা কাওজিল্ল-ক্লমই। থোইনা পাক্তবা, অঙাংবা সুরকি হৈবা লম্বীনি· নাকল

অনিদা উনা বানা অমদি নিংথম থাগী লৈখল কয়া থারিবত্রু অমম্বা মরক্তুদস্ত খঙবদা বানা থোক্তে।

শগোল গাড়ী অত্রু লম্বেল অত্রুদা লাকপনা রেলিং পানবা মাঙ্গোল অমগী মমাঙদা লেপ্পরমই। অহানবদা মিশরজীনা শগোল গাড়ীদগী কুমথরগা যাত্রী অত্রুদা তপ্লপ্না হায়রকই: উতারিয়ে সাব। এহি কোঠী।

যাত্রী অত্রু মিশরজীনা হায়বদগী গাড়ী মথক্তগী কুমথরকই।

মিশরজীনা মাঙ্গোল অত্রু কাখৎতুনা লোল্লবা থোঙদা য়াল্লম্বা থৌরী অমদা অনিরক চিংলমই। কা মঙ্গুংদা কদায়দনো অমা কংশী মখোল থোকখি। ডাইহাক লৈরগা লোল্লম্বা থোঙ অত্রু হাংদোরক্লমই। লালটেন অমা পায়রত্রুনা হাংদোক্লবা থোঙতদা লেপ্তুনা লৈরমই রেভরেণ্ড চ্যাটার্জী।

মহাক্কী মখুৎতা লালটেন অমা পায়রি। রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীনা যাত্রী অত্রুনা থোঙ অত্রুগী নাকল অমদা লেপ্পা উবদা কৌশিল্লকই, লেংশিনবিরকউ! যাত্রী অত্রু কা মঙ্গুংদা খোং থাংজিনখিরমই।

অদোমগী পোৎচৈ অতৈদি মিঃ সান্যাল?

মিশনদা লেমহৌরিবা পুন্সি অসি লেল্লগে হায়না লাকচরবনি মাঙগী হায়বত্রু অমুক সঙ্গ তৌজন্ত্রে, তুংদা লৈহৌবমথৈ তুংদা অত্রুম থমজরম্মে —

ঐবু মকম অসিদা ময়াম্না রেভরেণ্ড চ্যাটার্জী হায়না কৌই! রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীনা মাঙ থারগা সান্যালনা মাগী মতুংদা ইন্ন-রমই। ফাদর জোন্সকি কাদনি ঐখোয়না চৎলিবসি রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীনা হায়রকই।

ফাদর জোন্স ! অত্তিং অসুক থেঙনা মহাক ঐবু ঙাইহুনা লৈবীরিবা জাংলা ? গুরুবা সান্যাল রাহংতু হংদবা ঙম্মদে।

মহাক শোন্দুনা লৈরক্লিবসি কুইরে। অহিংসি কুইরে নিংথি মুঙাইনা তুম্মক্তবা। মতুগী মথক্তা ঙসিদি অদোমসু থুংলগনি হায়বনিনা। মহাক্না ঙসাই মুমিৎ মুংবগী মমাংদা হায়গ্রবনি ঐঙোন্দা, অদোম্না হেক থুংলবগা ইহান হান্না মহাক্কা উন্নহনগদবনি হায়বসি।

ও, কৈ লেংশি !

অশাংবা মাঙ্গোল অতুগী লোইরকপদা লৈবা পাক্তক তৌবা মাঙ্গোল মচেৎ অমমুক লৈরি। মতু লান্তোক্লগা অতোপ্পা মাঙ্গোল অমদা অমুক লাক্লমই, মাঙ্গোল অতুগী লোইরকপদা লোনশিল্লবা মিংশেলগী থোঙ অমগী মচেক্তগী মঙাল খর মপান্দা তারমই। মখোয় অনিমক লোনশিল্লবা মিংশেলগী থোঙ মমাংদা লেপ্লমই। মিংশেল থোঙগী অসোমথংবদা অরুম্বা পর্দা অমা য়ান্থরি, পর্দাগী কারক্তগী কা মনুংদা থাল্লিবা মৈঙাল অতুগী মশেক খর লিংথোরকপনি।

মিংশেল থোঙতুদা খজিক্তং থীল্লুবদা থোঙ অতু হাংদোকখিরমই। থোঙ অতু সিষ্টর রিতানা হাংদোরকপনি। সান্যালনা রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীগী মতুং ইন্নতুনা চংলক্লমই।

কা অতু পাক চাওই। লৈমায়দা অথাবা কার্পেট অমা থারি। কা মনুংদা হেক চংলকপগা সান্যালনা, খাথংবা কাচিন্দা ফমুং অমগী মথক্তা মোন অনি অহুম লোম্নরগা ঙাথহুনা লৈরিবা অহল অমথক উরমই। মমায়দা খদাং কোই অঙৌবা হৌই। মথবাক

ফাওবা কম্বল অঙাংবা অমনা কুপশিল্লি। ফমুং ময়াম ক্তদা চুথেক অহুম নাইবা টেবিল অমগী মথক্তা নুংঙৌগী যিশু খ্রীষ্ট পাং তিংবগী মুতি অমা উগী ফ্রেম চন্দনা খিল্লি। মতুগী মনাক্তা টাইমপীস ফজরবা অমা অতুগা ফুল গ্লাস অমদা ঙাংশং ঙাংবা অশাংপা গুলাপ থর লৈরি। ঘড়িতুগী মমাংমক্তদা ধুপ থানবা পাত্র অমা লৈরি— পাত্রতুদা মতমতুদস্ত চাক্লি মনম নুংশিরবা ধুপ মচৈ থর। ধুপকি পাত্র অতুগী মনাক্তা শউন্না য়োম্বা লাইরিক মচা অমা লৈরি— মতু বাইবল ওইরম্বস্ত য়াই।

কা অতুগী অতোপ্পা কাচিন্দা উগী আলমীরা অমা লৈরি। আলমীরা অতুগী নাকল অমদা য়োংকি উপু অমা অতুগা অতোপ্পা নাকলদা লাইরিক্কী সেলফ অমা লৈরি। থোঙনাওশিংতু লোন-শিল্লি অতুগা থোঙনাও খুদিংমক্তা ফজরবা অশংবা মচুগী পর্দা ময়াম য়াম্থরি। লুখুমদা অরাংবা ত্রিপয় অমগী মথক্তা ফজরবা মৈথল অমনা খনবা থাউমৈ অমা লৈরি। থাউমৈগী মঙাল মচেৎ থর হিপ্তনা লৈরিবা অহল অতুগী কংলবা মমায়দা শন্দোক্লনা তারি। কা মন্নুংদা হেক চংলকপগা ফাদর জোন্সনা চোকথরবা খোঙ্গেলনা হুংলকই, কনানো ?

পাউখুম খুমকই রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীমক্না, মিঃ সান্যাল লাক্লে। লেংশিনবীরকউ মিঃ সান্যাল! ফাদর জোন্সনা ভরাম্না কৌশিল্লমই।

॥ তরানিথোই ॥

সান্যাল খোংথাং তপ্না থাংলহুনা ময়াংকংলবা ফাদর জোন্সকি কমুং তন্না চংশিল্লমই। সিষ্টর রিতানা চেয়ার অমা ফাদর জোন্সকি কমুং ময়াদা থারগা সান্যালদা ফম্বীয় হায়রমই।

সান্যাল চেয়ারহুদা ফমথরমই।

ঈংলবা ধূপকি মনম অমদি গুলাপকি নুংশিরবা লৈনম্না কা মনুংগী নুংশিৎতা তিনশিন্দুনা শন্দোকখ্রে। কা মনুং অদু শীনবা থুংনা অশেংবা অইংবা অমদি অতপ্পা হায়বহুমথৈগী লৈফম ওইরি।

চ্যাটার্জীগা অদোমগা বারী শান্নরম্লগনি, অতোপ্পা মী অমত্তু লৈরি—মাগদি হয়েং উম্নগনি, অদুগা মানা সিষ্টর রিতানি ......

মিশনগী অয়াম্বনা মহাকপু সিষ্টর হায়না কৌই। মিশনদা লৈরিবা মমা মপা লৈজদ্রবা অঙাং খুদিংমক্কী মমানি, মচেনি। সান্যালনা অমুক্তং মমাঙদা লেপ্লিবা সিষ্টর রিতাদা মমায় লোংখৎতুনা য়েংলকই। ফিঙৌ শেংপী সিষ্টর রিতাদি খজিক্তং লুকথহুনা জোন্সকি মোন অদু শেমজিনবীহুনা লৈরমই মতমহুদা।

নঙগী চাবা থকপদি তৌরমথিরোইনে সন্তোষ!

চায়বীয় ফাদর, সন্তোষ চ্যাটার্জী চংশিল্লকই, অদুবু সান্যালনা খাম্নকই, নত্তে নত্তে, য়াবীকুনু ফাদর। অহিং অস্তুক খেঙলবসিদা ঐ করিমত্তা চাজররোই।

অহুবু য়াব্রনে ? লমশাং লাকপগী চোকথবহুদা সিষ্টর• মিঃ সান্যালগীদমক্তা কোকো নত্রগা কোফি গ্লাস অমত্তা পুরকউ।

সিষ্টর রিতা হায়রিবহু পুরক্লবা চৎখিরমই। কোফি থক্লবা মতুংদা চ্যাটার্জীগা সিষ্টর রিতাগা কাদগী ঙাইহাক্তং থোকহনগ্রগা ফাদর জোন্সনা সান্যালদা হায়রকই, অদোম লাক্লুনা মফম অসিদা য়ৌবীরক্লবনিনা ঐগী চিন্তা করিমত্তা লৈত্রে মিঃ সান্যাল। ঈশ্বরনা থাবীরকপনি অদোমদি। অদোমগী চিঠিহু হেক পাবদা খঙখি অদোমদি মীনুংশি চাওই। অফবা মীনি। অশিবনা দুখুমদা শঙহুনা লৈরবা মতমসিদসু ঐগী পুক্নিংদা শান্তি লৈত্রে। পুন্সিগী ম্বাশক অমা ওইনা শাংলবা চহি কুন্থ্রামঙা চঙনা মিশন অসি লিংখৎলকপনি। ঐনা শোঙ্গিল্লকপসিদা য়েংশিনবীদহুনা অমদি শেল ম্বাংশিল্লক্লুনা মচেৎ মচেৎ থোক্লা কায়রম্নগদবনি অদোমগী থৌজালগী মিংযেং অসি য়েংবিরক্লমদ্রবদি। ঈশ্বরনা অদোমগী য়াইফবা পীনবিসন্থু। পরমপিতা যীশুনা শোয়দনা অদোমগী পুকচেল চাওবা অমদি অফবা থবক অসিগীদমক্তা মনা পীবিরগনি।

অদোন্নদি ঐগী অশেংবা পরিচয়দি শঙবীবা নত্তেদো ফাদর! ঐগী ওইবা গুণ অমত্তা লৈজদে মহুমক্লা থাগৎপিরিবা অসিবু ঙাকপা ঙমজগদবা। শুপ্নগী অদোম্না আশীর্ব্বাদ অহুতা পীনবিয়ু লেমহৌরিবা পুন্সিদা অদোমগী ম্বাংলবা ফিদমগা লোয়নরবা আশা অসি ঐগী লৈজবা শক্তি অমদি পাঙ্গল পুথোক্লুনা মপুং ফাহনবা ঙম্নবা।

ভগবান যীশুমক্লা অদোমগুম্বা পুকচেল চাওবা মীওই অমদা আশীর্ব্বাদ পীবিগদবনি। ঐদি করি ওইহুনা? পিক্লবা সেবক

অমত্তনি মাগী ।

শোন্তরনি, বা হেন্না ভাংবীরম্নু ফাদর ! শোল্লপ্পা হায়জরকই সান্যালনা ।

ঐগীদি কুইরক্লবনি । হায়গদবা পুম্বা হুজিক হায়হৌগে মিঃ সান্যাল । অদোম্না মকম অসিদা থুংলবা ফাওবর্তদি হায়ত্নুনা খাঙজরম্বনি । হুজিক অদোমগী মকমদা লোয়নমক হায়দোকহৌ-দ্রবদি মতম অমুক ফংলরোই । আশ্রম অসিদা লৈরিবা মুপামচা মুপীমচাশিং অসি গতি লৈজদ্রবা, মমা মপা মশক খঙদ্রবা ঙাক্তনি । মরোল অহুম অসিদা মখোয়গীনি হায়বদা কনামত্তা লৈজদ্রবনি । ঐনা লৈত্রবা মতমদা অদোম্না মখোয়শিং অসিগী ভার লৌবিয়ু ।

ঐগুম্বা মীচম অমনা অস্তুক চাওবা থৌদাং অমা লৌবা ? মতুগী মথক্তা, ঐনা মকম অসিদা লাকচবদি, মিশনগী মী অমা ওইনা লৈজগে হায়বনি, মিশনগী থৌদাং পুনবগীদি নচ্চদ ফাদর !

মতু খঙই । অতুবু ঐগী হায়জবা অসিদং ইচিন অসিনা হায়রমগে হায়বগীদমক্তা হিংত্নুনা লৈরম্বসিনি হুজিক ফাওবা মিঃ সান্যাল ।

অতুবু—

মপান্দগী কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা পাই অমা ফাওবা, হুজিক কানদি মতেং পীরগ্রে । ঐগী তুংশিঙ্গবা শেলমখৈ লোইশিনগ্রে । মিশনগী লমদা থাবা মহৈ-মরোং হেণ্ডলুম কি অতুগা অতোপ অতোপ্পা খুৎনা শাবা পোৎচৈ থরা য়োন্দুনা ষানা থা অমা অনিসি মওং অমদা মিশনসি চলাইরকপনি । লানগী কৈথেল ওইবনা পোৎ খুদিংমকসি মমল হাইগৎগ্রে—আয় থর অতুনদি হুজিক

হিংবা যাদ্রে। অদোম্ন' ভার অসি লৌবীদবা যাদবনি মিঃ সান্যাল।

অন্তুবু ঐনা ঙমগদ্রনে? তৌবগীদি ঐগী হুকচাংগী অরোয়বা ঈ মরিক ফাওবা শিজিন্নহুদা মসিবু হিংহন্নবা হোৎনগনি।

ঐ মহু খঙই। অদোমদি ঈশ্বর যীশুনা থারকপনি।

হন্না হন্না মহুগী বাহু পনবীহুনা ঐবু ইকায়বা পীবিরমু ফাদর। য়াম্না পীকথ্রবা মীচম অমত্তনি ঐদি। মহুত্তা নত্তে, ঐগুম্বা পাপী অমদি জগৎ অসিদা য়াম্না তাংনা লৈ—

পাপী অদোম্ব, ডাঃ সান্যাল! পাপনা অদোম্ব শোকপা ফাওবা ঙম্মোই। অদোমগী থম্মোয়দুংদা লৈরিবা মৈ অন্তুবু করিগুম্বা পাপ অমত্তনা শোকপা ঙম্মোই। মহুগী মথক্তা পাপী নত্তবা অমা সংসারসিদা কনা লৈ? পাপ শুকয়াও য়াওদনা শেংলবা মীশক্তু কনানো?

নত্তে—নত্তে, অদোমদি খঙবিরোই ফাদর, ঐ—ঐগী অশেংবা পরিচয়।

মীগী পরিচয়দি মীনিদনা। অতোপ্পা পরিচয় অমা লৈবা হৌনদে। ফিতৌদা উফুল রাইফুল খর পক্রগা ফি অহু পুম্নাঙ মাঙলবনি নত্রগা শিজিন্নবা য়াদ্রবনি হায়বা য়াদে। অমোংপা অহু ভাইহার্কীনি—সাবাননা শুরগা পুমশেং শেংলকই। মহুগী বাহু থমথ্রশি ড্রবার অসিগী মন্নুংদা ঐগী উইলগা মিশনগী হৌরকপগী রারোল পুম্বা ইবা ফাইল অমগা য়াওরি, হয়েং মুংথিলগী মতমদা অশংবা য়েংহুনা পাবীয়ু। মসিদা অস্থম ঐগী হারগদবা পুম্বা য়াওরবনি। হায়হুনা চোকথরবা ফাদর জোন্স ভাইহাকং লেপখি। বা শাংনা ভাংলকপহুদা ফাদর জোন্স ভশেংনা

চোকথরমই। মমিং অনিচু উইশিল্লগা ঙাইহাক্কং বা ঙাংদনা লৈরমই। কা মন্নুংদা অচিকপা অমা শন্দোক্লি, কা মন্নুংগী মুংশিংত্তা গুলাপ অমদি ধূপকি অইংবা মনম অমা তাওজুনা লৈরি। চুথেক অহুম নাইবা টেবিল অতুগী মথক্তা টাইমপিস অত্থু হোংবা নাইদনা টিক টিক হায়না চৎলি শেংফাত্তবা মখোল থোকহন্দুনা।

পুক্লিংদা খঙহৌদনা মফম মরাং খঙদবা অকিবা অমা ফাওরকপগুম তৌই। মুশিন মুশিন মুবা খুৎশাদগী খুজিন ময়াম ফন্দোক্লুনা মায়কৈ মরিদগী য়োমশিল্লকপগুম তৌরমই। শ্রু-শ্রু তৌবা খোঞ্জেলদা মী তাখিনি হায়বগী মঙংদা ৱারী শানবা অমা তারকই।

কনানো? কনা কন্নানো?

কিথি কিরুম তৌনা মায়কৈ মরিদা সান্যালনা লৈজুনা য়েংলকই।

কদায় — কনামত্তসু লৈতে!

টুং টুং! টুং টুং! ... ...

টাইমপিস অতুনা অহিংগী পুং মঙা তারে হায়না তাক্লকই।

ফাদর কোন্সনা মমিং পাংথোক্লুনা য়েংলকই, মিঃ সান্যাল, নোংপোক থংবা থোঙনাও অসি অমুক্তং চাববীজুনা হাংদোকপিয়ু। সান্যাল থুনা হৌগৎতুনা নোংপোকা থোঙনাওজুগী মমাংদা লেপ্লরমই। পর্দাডু নাকল অনি চিংশিল্লগা পুনা হাংদোক্লুনা থোঙনাওগী থোঙবা অনি হাংদোক্লমই! পারবা লিক্লানা চোৎহল্লবা অহিং মনৈগী অমম্বডু প্রকৃতি শীনবা থুংনা ভনিক্ত তনিক্লি। অহিং মঙ্গমগী অইংবা মুংশিংকি ইপোম অমা চংলক্লুনা মায়-মিংতা অইংবা

অমা চাইশিল্লবগুম তৌরমই। অমম অঙান শিন্নরমদাইগী শেংকাত্তবা মঙাল অহুনা মকম খঙদবা ইঙ্গিত অমা তৌবগুম্না খল্লকই। সান্যাল ওনশিল্লক্তুনা ফাদর জোন্সকি ফম্নাংদা লেপ্লগা খোঙ্গেল তপ্না কৌরকই, ফাদর জোন্স!

উইশিন্দুনা লৈরি ফাদর জোন্সকি মমিং অনিহু অমুক খুম্নক্তরে। সান্যাল অমুক্তা হুন্না কৌরকই ফাদর জোন্স?

খুম্নক্তে। মমিং অনিহু অহুম্মক উইশিন্দুনা লৈরমই। চিংনবা অমা ফাওরক্তুনা সান্যাল খরা অমুক্তা চংশিন্দুনা যম্মুদা হিপ্লিবা ফাদর জোন্সকি মমায়দা লুকথরমই – খোঙ্গেল খোরক্তে। মনা-তোন্দা খুং থমহুনা য়েংবদা মুংশাশোর হোনবা ফাওদ্রে। হন্দক্তি মখুংকি মিহুল য়েংবদা সান্যালনা খঙলে — পুম্নমক লোইখ্রে। অশিবনা মরকসিদা চংলক্তুনা মাপী মথো পাঙথোকখ্রে।

মতম খর অঙকপা ইকায়খুম্নবা অমগা লোয়ননা ফাদর জোন্সকি অশিবা লেঙদনা মমিং উইশিন্দুনা লৈরবা শকফম অহুদা সান্যাল ব্রা ঙাংদনা য়েংহুনা লৈরমই। অহুদগী হন্দোরক্তুনা খোঙ হাংদোক্লগা সিষ্টর কৌরুগে হায়না হেক খোং থাংগে তৌবমক্তদা খোঙজিন্দা সিষ্টর তুমিন্না লেপ্লনা লৈরমই, মখুংতা পায়রমই শাংপদা ঙায়রিবা অঙৌবা গুলাপ অমা। ফাদর হৌজিক্তা লৈখিদ্রে। ব্রাহৈ খরহু মওং অমা তৌনা সান্যালনা হায়দোকখি।

সিষ্টরনা সান্যালদা থংয়েং য়েংঙকই। পাউ অহু ইথা থাজদবা নত্রগস্থ সিষ্টরবু পঙথহনবগুম তৌখি। সিষ্টর মরু লুকথরগা তপ্না কা মন্নুংদা চংলকই। সান্যাল ইকক ফকচিন্না খোঙজিন্দা লেপ্লনা লৈরমই। পারবা অমম্বহুগী ময়ায় ফাওহুনা তপ্না তপ্না অয়ুকী

মঙাল শন্দোরবপা ছৌরক্লে। অচিকপা অহিংনা চোকখতুনা পোথাগ্রবদা কোরৌহনবগী মশেক্লা মকালাম্মা শন্দোরক্লে।

অশাংবা মাঙ্গোল্দা মখোং তপ্না-তপ্না থাংলতুনা মপুক্লিং ইতাও তাওম্না সান্যাল চংখিন্নমই। ইহাও হাওবা রাখল অমনা মাবু কোয়শিল্লবা লাক্লয়মই।

খোঙ্জেল ময়াম তিন্নতুনা লাওবগী মখোল অমা মমাকোংদা তারকই, সান্যাল থংলেপ লেপই। মমাংমক্তদগী তংখায় হাওবা খোঙগী অহোবদগী অয়াঙবা খোঙ্জেল অমা তারক্লি— অঙাং মুপী-মচা মুপামচাশিংগী খোঙ্জেলনি।

মিশনগী মুপীমচা মুপামচাশিং হৌগৎনম্নক্লে। মখোয়গী প্রার্থ́না তৌবা মতম য়ৌরক্লে।

য়েংনিংবা অমা য়াওনা সান্যাল খোঙ অতু লাম্থোকুনা কা মনুংদা চংখিরমই। খেন্নবা চহি কয়াগী অঙাং মুপীমচা মুপামচাশিং ফমুংদগী হৌগৎলগা মাগী মাগী মফি ময়োল শেংচিন্নরি। অচৌবা হোল অমগুম্না তৌই কা অতু খেনবা চহি কয়াগী অঙাংমচা য়াম্খে হুম্ফ্ অমুক্লি।

থঙহৌদনা হোলতুগী কাচিন অঙদা য়েংশিল্লুবদা, চহি মাপল তরাগী মুপীমচা অমা ফম্মুংদা ফম্লগা মমায়স্থ মথুৎনা কুপশিল্লগা কপ্তুনা নৈরম্বতু সান্যালনা উরকই। কপ্তুনা ফমুংদা ফম্লিবী মুপীমচা অতুগী মনাক্তা সান্যাল চংশিল্লমই! থুদক অতুদা কা মনুংগী অঙাং অমা অনিনা মশক থঙদবা সান্যালবু হেক উবদা সান্যাল-রোমদা হোৎচিল্লক্লমই। মুপীমচা অতু মশম য়াম্না শাংই। মশাগী কুচু মুরৈটনে। মশম চবুল থন্না মরেংজুমদা মথবাক্তা জওয় জওয়

তারি। মশাদা ফজরবা মচুগী খদ্দর ফুরিৎ খুদাং য়াওদবা অমা লৌৎলি।

সান্যাল চংশিল্লক্লুনা কপ্লিবী মুপীমচা অতুগী মরেংবান্দা পায়রগা মুংশিনা হংলকই, করিগী কপ্লীবনো ইবেম্মা ? কৈদোরে ?

চহি তরানিথোই-হুমদোইগী মুপীমচা অমা চংশিল্লক্লগা হায়রকই, তুম হৌগৎলকপদা সিষ্টর উদবহুদা কপলিবনি। য়াম্না কপচেৎপীনি মাদি।

হৌনদে, কপকন্থ ! কৈদোরগে হায়য়ুনে ? অমুক্তা সান্যালনা মুপীমচাহুদা হংলকই।

মুপীমচা অহু মমায়দগী মখুৎ লৌথোকপ্রে, মখুৎ অনিনা মপী চোৎলবা মমিৎ অনিহু তৈথোক্লে। ইকায়রহুনা হায়রকই, নত্তে, চো, ঐদি কপন্থ কপ্তুনা !

হোয়নে, কৈদোবগী কপ্তোইনোনে ! নঙগী নমিং করি কৌই ইবেম্মা ?

টুকুন ! মুপীমচাহুনা খুম্লকই।

টুকুন ? মিং য়াম্না ফজেনা ! সান্যালনা নোক্লা হায়রকই।

হান্নগী মুপীমচাহুনা অমুক হায়রকই, ফী শেৎচিন্নো টুকুন প্রার্থনা তৌবগী মতম ওইরে।

হোয়।

চহি তরামরি-মঙা শুারবা মুপামচা অমনা মতাংহুদা চংলক্লুনা হংলকই, অদোম্বু কনা ওইবীরবনো ?

ঐবো ? সান্যাল চঙক্লনা মুপামচাহুগী মমায়দা রেংলকই।

মহাক মিঃ সান্যালনি। ওসিদগী হৌনা মহাক্লা মিশন অসিগী

ভার পুরবনি। খঙহৌদনা তারকপা সিষ্টরগী খোঙ্গেলদা ময়াম তুং ওস্থোক্লুনা য়েংলকই।

কাগী ময়াইমক্তদা সিষ্টর লেপ্তুনা লৈরমই। ভৌরোক ভৌবা গাউন অমা শেৎলি, মঙক্তা অমদি মখুৎতা রিবোন অমুবগী অরাবা ফোংদোকপা খুদম কিরি।

হাংদোক্লবা থোঙনাওগী লম্বীদা অহানবা অয়ুক্কী নুমিৎ মঙাল লাক্লুনা চংলক্লমই।

য়াম্না নুঙাইতবা পাউ অমা নখোয়দা তমগে। ঙাইহাক্কী মমাংদা ফাদর জোন্স লাইগী খুয়া তানগ্রে। লাকও ঐখোয় লোয়নমক্লা প্রার্থনা মন্দিরদা চৎতুনা মহাক্কী স্বর্গদা চৎগ্রবা আত্মা-গী শান্তি ওইননবা পরমপিতাগী মফমদা খুরুমজরুশি—

খম্মোয় শোক্লা হায়বা সিষ্টরগী ৱাহৈশিংতুনা মীপুম খুদিংমকপু তুফক তুফাই চলহনগ্রে ঙাইহাক্কংগী ওইনা। সান্যাল তাবদা ঙকখি ইউরোপকি নিঙোল অমনা খোল্লে-খোস্থোক চুম্না বাংলা ঙাংলকপদা।

॥ তরাহুমদোই ॥

নুমিৎ তরানি হৌগ্রে। সান্যালনা তপ্না তপ্না মিশনগী থবক থৌরম কয়া পায়থৎপা হৌরক্লমই। লাইগী খুয়া তানগ্রবা ফাদর জোন্সকি অরোয়বা ৱাহৈশিংতুনা মঙোন্দা থৌনা অমা উৎলরে। অতুবু মপুক্লিংদি সান্যালনা হুজিক ফাওবদা ফাথবা ঙমদ্রি।

মতম কুইনদগী হৈনরক্লবা হৈনবী, লমচৎ অমদি থাজবতুনা

ঙসিগী অনৌবা পুন্সিদা মফম খঙদবা অথিংবা অমা পীরক্লে। শেংলবা মিশন অসিদা মহাক চঙফম থোক্তনা চংলবনি হায়না থল্লক্লে। লৈতে—অধিকার অমত্তা লৈতে মহাকী তীর্থগী লমদম অসিদা। মতম শাংনা তুংশিল্লকপা পাপ অমদি নুংনাংবা অহুনা য়াবু ওংলরে। তুমিন্না মতোমতা সান্যাল লৈকোন মনুংদা হঙ্গৎ-হন্দা চৎলি। মহৌশাগী অরোয়বা মঙাল অহুম্নু মুংশিল্লকক্লে। য়াচঙবগী শোয়ফত্রবা মমি অহু তৎ। তপ্পা কুমথরক্লি অতিয়া অমদি য়ালেমগী লৈমায়দা। কুমথরক্লি নিংথম অহিংগী উন থাংলবা অমম্বা অহিং নুপীমচা নুপামচাশিং অহু শান্ন-খোৎনবা লোইশিল্লহুনা লাইরিক তৌফম কাদা চংনথিরমই। মসিগী মতুংদগীদি মখোয় লাইরিক তৌবা হৌনগ্রগনি।

খঙহৌর্দনা য়ান্না নক্না খোংথাং মখোল অমা তারক্লনা সান্যাল হন্না য়েংথোক্লকই. সিষ্টর রিতা!

ঐবু কৌবীত্রা মিঃ সান্যাল?

হোয় সিষ্টর অদোমদা হায়জগদবা ৱাফম থরা লৈরে; অদোমদা থোইনা কায়ত্রগদি হুজিকসু অহুম হায়জবা য়াই—

করিবু কায়গদগে তাকপিন্নু।

অহুদি আদগী নুংগী বেঙ্ক মথকসিদা ফম্নগা শারুশি।

লৈংশি—

মখোয় অনিমক খোইনা লাপ্লদনা অমুবা নুংনা শাবা বেঙ্ক মথক্তদা ফমথিরমই।

নিংথমগী য়াচঙবগী শিথরবা মঙাল অহুদা মায়কৈ মরিমক ফকচিনবগুম তৌরমই।

ফাদর জোন্সকি ডাইরীবু হায়রবসু নত্রগা উইলবু হায়রবসু, মতুবু পাক্লবদা ওসি নোংমা নিনিসিদা ঐনা খল্লকখি, অদোমগা অমুক্তং বারী শাবসি য়াম্না তঙাই ক্ষদবনি হায়না। ইচম চম্বা চিঠি থরগী থোঙদা খঙনখিবা অতুনা মরম ওইহুনা শুকখঙ খঙত্রিবা ঐগুম্বা মীশক অমদা মহাক্কা অম্তুক য়াম্না থাজবীবা অমদি হুংশিবীবা অসি ঐগী ইকমদদি মঙ অমগুম্না থোক্লে।

ফাদর জোন্সপু কাওবা ঙমদ্রে সান্যালনা।

মহাক্কা অদোমদা শিন্নবিরম্লিবশিং অসি মতিকচানা খল্লম্বনি। মসিদা মী অতৈগী বাদি খঙজদে, অতুগা ঐগী ওইনদি করিমত্তা চিংনবা লৈজদে। মহাক্কী ডাইরী নত্রগা উইলদা করি ইরম্বগে হায়বতু খঙবসু খঙজদে খঙনিংবসু পোকলুদে, মচিনমক্কা হায়বিরম্বা, মিশন অসিগী শীম লাঙবা নত্রগা হিংহন্নবা হোৎনবদা অদোম্বু মতেং পাংউ হায়বতু কাওজদে। ঐগুম্বা চমগ্রবা কৈশু লৈত্রবা মীওই অমদদি মসি তশেংনা চাওরবা পোৎলুমনি, ঐনা মহাক্কী য়াথং অমদি আশীর্ব্বাদ ইকোক থোংনা লৌজহৌরবসু। অতুগা ঐগী হায়জনিংবা অমনা ফাদর জোন্সনা শোন্দুনা লৈরম্বা মতাংদা লৈরম্বা ফিভম অতুম হায়না মিশন অসি লৈখিসনু। রেভরেণ্ড চ্যাটার্জীনা মপানগী ওইবা থবক থোওং য়েংশিনবতু অতুম য়েংখিসনু। অতুগা অদোম্না মনুংগী ওইবা শীল্লাঙবগী দায়ীতু লৌবিখো। ঐদি শুপ্পগী ময়ামগী মনাক নক্লনা অতুম লৈজগে। অঙম্বা শেলগী মতেং অতুম পাংজগে। হকচাংগী পাঙ্গল শিজিন্নতুনসু ঐনা ঙমজবা ইতেং পাংজগনি। মসিদগী হেনবা দায়ী পীবিগনু।

অতুম্না হায়বিরিবা করিগীনো মিঃ সান্যাল? অদোমগী

করম্বা খুদোংচাদবা—

নত্তে - নত্তে, খুদোংচাদবগী রাকমদি শুকনৎ নত্তে - মসিদি ঐগী পুক্নিংদা লৈজবা রাথলনি —

অদোমগী রাকম অদু ঐ খঙবা ঙমজদ্রে মিঃ সান্যাল!

নোংমদি অদোমদা লোয়নমক হায়জগে। অতৈ কনা অমনা খঙজবস্নু ঐদি খঙই, ফাদরনা থাজবা অমদি মুংশিবগা লোয়ননা ঐগী ইরেংজুমদা থোঙ্গৎপিথিবা দায়ীশিং অদু, মতুগী চানবীবা অমদি থাজবা অদু লৌবদা মতিক শুকচা চাবা মাশক অমা নত্তে ঐ। ঐনা পামজরম্বদি, ঐগী লৈজরিবা শেল পুম্নমক অদু ফাদরগী মখুৎতা শিন্নজরগা মিশনগী সেবাদা ঐগী লেমহৌরিবা পুন্সিসি কথোকচগে খঞ্জরম্বনি। মতুদগী হেন্না করিমত্তা পামজখিদে। অদুবু অশাংবা মুংশাশোর অমা সান্যালগী মথবাক নিকহন্দুনা থোকখিরমই।

লাইব্রিক তৌকম কাগী কংশী খিঙলকই —কাং কাং। ক্লাস হৌগদোরে, ঐ হৌগৎচরগে। সিষ্টর রিতা হৌগৎতুনা লেপ্লমই।

য়োৌবীরো।

সিষ্টর রিতা য়াচঙবগী কুঙলবা অমম্বা মরক্তা তপ্না - তপ্না মাঙখিরমই।

॥ তরামরি ॥

মনঙ্গনগী অশোকপন্থ লায়েংবদগী অস্থম অস্থমদি ফগৎলক্লে হায়বৰু চট্ট্রাজগী মশাহু ইফ ফগৎলমদে। শোকখিবহুগী মতুংদা মশা অহু থুনা শোকচিল্লক্লমই। লায়েংবশিংনা সুচিতাদা চট্ট্রাজবু কদায়দনো হকচাং ফবা মফম অমদা মুংশিং মুংশা অশেংবা ফংহন্নবা পুক্লো হায়না পাউতাক পীরমই।

সুচিতানা হায়রকই, মহুমক চৎলশি মাস্মা সুমিৎ খরনি কদায়দনোমা কোয়থোবলুশি।

চট্ট্রাজনা খাম্নমই, মহু য়াদে ইবেম্মা, নঙগী লাইরিক তম্বা কায়গমি।

কায়জসন্তু, পরিক্ষাদি চহি অমা চোম্বনা পীরগা লোইরে। নঙগী হকচাংসিবু মুংশিং মুংশা হোংবনা ফগৎবা ওইরবদি—

মথোয়না হায়বনা হায়বনি, ঐস্থ ডাক্তরনি ; হকচাংগী শোক্‌চিল্লক্লিবসিদি অমুক কুপথংপা য়ারৱোই।

অহুগুম্বা ৱাহু হায়গনু মাস্মা। সুচিতাগী মমিং অনিম্নদা মপি ঈরা চেল্লকই, সংসারসিদা নঙ নত্তনা ঐগী কনাবু লৈরিগে হায়গু?

অঙাওবী! হেক্তা মপি ভাবা। নঙগী মাস্মবু মতমচুম্নদা ছিংহনা লৈগত্রনে চৎলো, মপান্দা খর চৎথোক খোংতোক তৌরুচো! থা সিমা কাসিদা ঐ শঙহনা লৈরিঙৌদা লোইক্লে, মিংশেলদা অমুক্তা য়েংউ নশক্তো!

মাম্মগীদি তৌরদৌনি ! কদায়দা হুকচাং শোকইবা ?

শোক্কেনে ! হুজিক্তি য়ারে মপান্দা, অহাঙবদা নত্রগা সিনেমা য়েংববু চৎকেরা ।

অহুম য়ানি। ঐগীদমক্তা রাবীন্দ্রবস্থ। ঘড়িদা দেং দেং হান্না মমিদাংগী পুং নিপাল য়ৈরে । সুচিতা চেয়াবদগী হৌগৎতুনা লেপথৎলক্লমই, সুপ লৌরুখিগে, নংগী সুপ থকপগী মতম ওইরে । সুচিতা কাদগী মপাল থোকখিরমই । মথৌন্নপীনা চৎখ্রিবা লম্বেল য়েংহুনা লৈহৌই চট্রাজনা ।

অদোম্বা অহিং অহুদা ঐগী ইকমদা উৎপিখিবা থৌজাল, মীহাৎপা মীচেল অমদা উৎপিখিবা মিন্নুংশি অহুদি চাংদম্ননিঙাই লৈতে ! থাগৎ রাহে খরনা অদোমগী অচৌবা গুণ অহুবু শীকথহল্বা তৌজরোই । মতম চুপ্পদা ঐ ডাকু মীহাৎপা অমদি ওইরম্বা নত্তে, ঐতগী লাইবক থিবনা মরম ওইনা ঐগী পুন্সিবু নৈজবদা থোকখিবা মৈরিক অহুনা ঙসি ঐগী ঈ মরিক মরিক্তা চংখিহুনা ঐবু শয়তান, মীহাৎপা অমদি মীন্নুংশি য়াওদবা ওইহনরে । মী ডাকুগী সমাজদা মীগা নক্লবা পীক্লবা য়ুম অমদা হিংবা পামখি ঈংনা, অহুবু মী হায়বসিমক্লা ঐবু সমাজ মরক্তা য়ুম লীংহুনা হিংবা য়াহল্লে । লৌতুনবা অমদি মীহৌবগী মৈরক্তা ঐগী ইশা মন্নুংদা য়াওবা মী হায়বা শরুক মথৈ অহু লংশিনগ্রগা মথোয়না ঐবু সমাজদগী ক্লিংথোকপীরক্লে । মী অহু ভূত ওনরে ! মী অমা হায়বহু মাঙরে ! মীন্নুংশি, থৌজাল মুংশিবা খুদিংমক ওইজবা থিবগী মৈরীনা চাকখিহুনা উৎ ওইরে । করে মহু পুম্বা হৌরবা বারীনি, ঐগী লাইবকথীবগী ইতিহাস অহু ইতোমতগীনি । ঐগী অথিবা মীংচৎ

চন্নদবা, ঐগী মাঙথরকপা; মতু ঐতগী নুংশিখঙত্রবা নিয়তিগী খুজিলনি।

হুজিক ফাওবদদি অদোমগী মাম্মা খর ফগৎলম্লগনি হায়না আশা তৌজে। ঐগী প্রার্থনাগী ঙসিদি মমল অমত্তা লৈত্রে, অদুবু প্রার্থনাদি তৌজরি, থৌজাল পীবা মপুগী খুয়াদা, মহাকপু থুনা ফগৎহনবীবা ওইসনু।

হন্না হন্না অহুমলক সুচিত্তানা ডাঃ সান্যালদগী ঙসিগী ডাকতা লাকপা চিঠি অদু পারমই। ডাঃ সান্যালনা মঙোন্দা চিঠি অদু ইরকপনি। খজিক্তা ঙকখিবা নত্তে সুচিতা ডাঃ সান্যালদগী চিঠিদু ফংবদা। শাংনা চেনা তরানিথোই অমুক ফজবা ইংলিশতা ইরকপা চিঠিনি। ময়েক শেংলবা খুৎই অদু মুক্তা পরেং লেংবদৌনা তৌই। চিঠি অদুগী মশাদা য়াম্না কুপ্পবা পুক্লিংগী ব্রাকৎ অমা য়াওরি মদুনা অনিশুবা অহিংদা ডাঃ সান্যালগা খঙহৌদনা উন্নখিবা অদুগুম্না সুচিতাগী মপুক্লিংদা অকনবা ঈহৌ অমা পীখ্রে। অহিং অদুগী মতুংদগী সুচিতানা ডাঃ সান্যালগী ব্রাখল অদু কাওথোক্কে হায়না কয়ারক হন্না হোৎনবদা মপুক্লিংদগী থৈদোকখিবা নত্রগা পুংমুৎ মুথৎখিবদি ঙম্মদে।

মপুক্লিংদা লৈরম্বা মমাংঙৈগী অশাওবা অমদি তুকচ্চবা অদুবু কুপশিন্নগা মিন্নুংশিগী ব্রাখল অমা থুপকি নুংশিরবা মনমগুম্না মপুক্লিংগী চিংনবা অদুবু নুংশিহন্দুনা থমগ্রে। মসিগী মরম নত্রগা য়ানিংবা অমা সুচিতানা ঙসি ফাওবদা মপুক্লিংগী মচি অমত্তদসু থিবা ফংদ্রি অদুমক্তদা চিংনবা লৈতনা ব্রাখল অসিদগী নাম্থোকপসু ঙমদ্রি। মসিমসু মহাক থনফম খঙদে, মহুদি মহাকী শ্বায়দগী

মুংশিজরবা মীশক অমগী মথব্রায় মাওহনবা ছোরিনা থিল্লবা মী অমবু করম হায়না মহাক্কা ঙাকপীবা (?) ঙমগ্রিবনো!

ঙাকপীবা? ঙাকপীবন্দিনা। তশেংনা মহাকপু অকিবগী কশক ওইরবা ভাকু মীহাৎপা অদুবু ঙাকপীগ্রবরা নত্রগা মসিগু মাগী মপুক্লিংগী নিংজিং মাংজিংনবা অমরা লম্মুক্লবরা? অশাংবা মুংশাশোর অমুক্তং হোন্দোক্লগা মুচিগানা অমুক হন্না চিঠিগী অতোপ্পা শরুক্তা মপুক্লিং থিংজিল্লি।

করি মরুমগীনো অদোমগী মফমদা চিঠি অসি ইরিবা হায়বসি ঐ ইশামকসু খঙদে দেবী। চিঠি অসি ফংবগা অদোম্না পাবীদবা কাওবসু য়াই। তুকচ্ছখিবনা মচেৎ মচেৎ শেগায়দুনা হন্দোকখিবা যাই। অদুবু ঙসি পুন্সিগী অতোপ্পা চিদাই অমদা শেংলবা অইংবা শান্তিগী লমদম অসিদা থাজদনা লেপ্পরবদা থল্লকই, মসিমক্তা করিগুম্বা ঐগী পুন্সিগী শোয়কদ্রবা অহোংবা অমা ওইরবদি বিধাতানা ঐবু করিগী নোংমোকী লম্বীদা ইনশিনবীরুবনো।

থনবীরগা য়াই শয়তান অসিগী শিরমদাই য়োরদনা লথোই-বনি! মতুদি নত্তে। থাজবীয়ু, থাজশেংনা মতম শাংনা নোংমোকা থৈনা থৈননা লাকপদগী খঙহৌদনা মঙালগী লৈবাক অমদা খোঙ-দারুরে। অস্তকী মতিক ঙানখ্রে মতুদি মিৎ অসি থক্লে। মুক্তি ফংগদ্রা ঐ মতুদি খঙদে। অদুবু লেমহৌরিবা পুন্সি অসিদি মুক্তিগী লম্বী থিদুনা লেল্লগনি: রেংগনি লাইবকী অয়োয়বা লামায়শিংদা করি ইরুবগে হায়বসু।

ওসিগী নুঙাইরবা মুম্বিংসিদা ইহান হান্না ঐগী পুক্লিংদা লাকপা মিং নয়ান অহুগী মরক্তা করন্না অদোমগী মিং য়াওরম্রিবনো।

হুজিকস্থ খঙবা ঙমদ্রি। কিরিটি বাবু অমদি সুব্রত বাবু—মখোয়দা হান্না খঙহন্দনা অদোমদা তাক্লিবসি হুজিক ফাওবা ঙকই। মসিমস্থ ওইবা য়াই, চিংনবা অমদি চোকথববু জয় তৌনবা থৌনা ঐগী হুজিক ফাওবা ফংদ্রি। মখোয়দস্থ তাক্কনি নত্রবদি লোইনমক মপুং ফাদনা লৈরনি; অদুগা করম্বা মতমদনো হায়বত্নদি হুজিক হায়বা ঙমদ্রি। খঙহনগনি হায়বসিদি অশেঙবনি, শোয়ত্রবনি। মখোয়গা ঐগা লৈনবা মরীদি মুক্লবনি, অদুবু অদোমগা হেক লৈনরিবদি মপান নাইত্রবা তুকচ্চবনি। অশেংবা নত্রনে?

সুচিত্রা অমুক পাথবা ঙমদ্রে। চিঠিগী ময়েকশিংদু মশেন-মরাং ওইনা উরক্লে। চিঠী অদু থুপচিন্দুনা ড্রাবার মনুংদা হাপচিল্লগা মৈদু মুখৎলগা সুচিত্রা অমম্বদা অহাংবা থোঙনাওগী মমাংদা লেপ্লরমই। শাংনা চহি কয়া লৈরকপসিগী মনুংদা অসুম হায়না পুক্লিংদা মমি তাবা থৌদোক অমত্তা থোকখিদ্রি। অচম্বা হুঙাইবা পুন্সি ঈচেলদা, মতোমতগী হৈনজবী অমদা লুপচরগনি। চরাংনবা নত্রগা নুংনাংবা কয়া ঈশিংগী ইপোমনা ঈশিংদা তিনখি-বগুম্না মমি অমত্তা তাখিদে। অদুবু নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী সুচিতাগী মপুক্লিংদা লৈতাদবা অমা হোৎরক্লমই। অকিবা-চিংনবা অমা মতম চুপ্পদা মাগী মপুক মনুংদা মহুম শাররে। মপুক মনুংগী ফিভম অসিবু মহাক্না নৈনদুনা য়েংনবা শক্তি লৈরমদে, থৌনাস্থ লৈতে।

মহাক্কী মপুক্লিং শীনবা থুংনা কুপত্রবা মমি অদুদগী লৈথোক্রবা হোৎনরবস্থ মহাক লৈথোকপা ঙমখিদে। খঙই মহাক নিংথিনা মমি অদু কনাগীনো হায়বত্ব! শুৎ নাক্লবা পুক্লিংগী-ফিজংদা তাথবা

মমি অহুনা নৈনবগী কান্নবা অমুক লৈহন্দে। হায়নবা লৈ অশেংবা হায়বহুদি কল্লি, থাঙবদা ৱায়।

মিশনদা মশাগী কা অহুদা অহিং তুম্বা য়াদনা লেল্লি সান্যালসু বিলাততগী লাইরিক তম্বা লোইহুনা মৰৈবাক্তা হন্নক্তি ৈঙগী মমাঙ ফাওবদা মপুন্সি অহু মঙলান অমগী আশানা পুনশিন্দুনা লৈরমই। অহুবু মৰৈবাক্কী লমদা হেক খোঙদাবগা থোকখিবা থোদোক কয়াগী খোঙলৈদা মহাক্কী পুন্সিমক্কী ঈচেলবু থৈহন্দুনা তায়োন্নরবা অগুকপা লম্বী অমদা চেলহনখ্রে। ইরৈ অমগী মথং ইরৈ অমা থোকহন্দুনা য়াঙনা চেনখ্রে। নাকল অনিগী তোর্বানবু মচেৎ তানা থুগায়রম্মে অকম্বা ইচেল অহুনা। হকচাংগী কায়াৎ খুদিংমক্তা কারক্লে লমন খুম্লিংবগী নিশা অমা। নমথাক, পাঙ্গল লৌশিং শিজিন্নহুনা লমন খুম্লিংবগী অপাম্বহু মপুং ফাহন্দুনা মশাবু চিংশিনথি করিগুবা ফাওনদ্রবা অমম্বা অমদা।

তুং হন্না য়েংনবা তাঞ্জা অমত্তা ফংখিদে! মীওইবগী শকক হায়বহুদি হান্ননা শিগ্রবনি, গুপ্পগী অশিবা হকচাং পুহুনা অম্নক কুইবসি লুংশি খঙদনা শারাক শান্নবনি। মরক মরক্তা লাক্ল-ফান ঙমদবা ৱাখলহু উইথরকখি মোরফিয়াগী শাফুনা য়েহুনা মাবু অমুক হৌগৎনবা হোৎনখিবা কয়াদা কান্নখিদ্রবা শাজেলনো! ঙসি মী হাৎলুবগী ঈতনা মোৎলবা খুৎ অনিনি। মখুৎ অনিনা সান্যাল মমায় খুমজিল্লি। মুক্তি লৈতে। মুক্তি লৈতে। পাপকি মহু চেল্লবা থৌরীনা ঙসি মহাক্কী অশিবগী লাং থাক্লরে। মতম কয়াগী তুংশিল্লক্লবা পাপকি হুনা ঙসি হকচাং শীনবা থুংনা শন্দোকখ্রে হু কাবদৌনা। থাংঙমদবা আনাবা অমা ফাওরে। থাংঙমদ্রে।

তীর্থ ভূমি অসিদা মহাক অধিকার লৈতনা চৎলুগ্ৰ।

মখোয়গী থাজবা নুংশিবা—মঙ্গিদমক্তা মাগী অধিকার অমত্তা লৈতে। হুরানবনি মহাক! মী হাৎপনি মহাক! ঈ তৈরবনি মহাক্কী মখুৎ! নত্তবা থবক্কী হায়ুক ঙৈত্নুনা মোৎলবনি মাগী হকচাং! শোরবা য়াদবনি মহাক!

সিষ্টর রিতা—হেক মথংদা ফাওগৎলকই অতোপ্পা মায়থোং অমা, ডাঃ চট্টরাজগী মনৌ নুপী সুচিতা দেবী! স্বর্গগী দেবী!

চাংজো লাম্বা ফংদ্রবা পুন্সি মরুভূমিদা করিগনো থাজদ্রবা ওয়েসিস অসিমা উৎলম্বিবা! কোয়চৎ চৎপা বেদুইনগী মতৌগুম্না শাংলবা পুন্সি লম্বী চৎলি, লমশাং অদু চৎপদা লৈকংলাগা ময়াইদা খুদোংথিবা কয়া নিঙাইদনা লাম্তোরক্রবা মহাক্কী পুক্নিংদা করিগনো ঙসিদি চোকথবা অমা ফাওরক্রিবা। মসিবু তশেংনা চোকথবরা, নত্রগা কিত্নুনা চেম্মিংদরা! নত্তে, পাপনা চরম ফাওবা ফুনব্রবদা ঙাইহাক্তংগী ওইবা খন্তরকপা অমনি!

পুক্নিং শীনবা থুংনা তুম্বগী মতৌগুম্না লেঙনিংদবা চোকথবা, হৈনিংদবা অমা ফাওরি। থবাক মনুংদা হায়দোকফম খঙদবা মৈশা অমা ফাওরি।

অসুক কুইবসিদি মহাক সমাজগী মরক্তা মায়থুম উপ্পনা লেনপ্রে—ঙসিনা শুপ্পগী অতোপ্পা মায়থুম অমমুক উপশিনবনি মমায়দা। হুরানবগী মায়থুম লোৌথোক্লগা উপশিনবনি সাধুগী মায়থুম অমা।

অসুক কুইবসিদি করিগুম্বা মুঙাইতবা অমত্তুসু ফাওরক্তে, অদুদি করিগীনো ঙসিগী থাংঙমদ্রবা চৈনা অসিদি? করিনো

বৃশ্চিক্লা চিকপগুম্ববা মৈচাক অসিনা মতম চুপ্পদা মহাকপু কণ্ডাও-নহল্লিবা ! করিগীনো ? করিগীনো ?

মিশন মন্নুংদা মীশিং মাগী মাগী ফম্মুংদা তূম্মা হিপগ্রে। মতোমতা ঙায়হোরে মপাং য়াওদ্রবা উন থাংবা অহিং। অহোপ্পা পায়জমা অমা শেৎলগা, মশাদা গেকরাগী খদ্দরনা তুবা পাঞ্জাবী ফুরিৎ, মখোঙদনা নাপীদা চৎনবা চপ্পল অমা তোংলি। মখোল থোক্কনা মতোমতা পাক্লবা মাঙ্গোন লাম্থোক্লুনা ডাঃ সান্যাল লাই খুরুমফম কাগী মমাংদা লেপ্পরমই।

অঙকপনি ! খংনা লেপই ডাঃ সান্যাল লাই খুরুমফম কাগী খজিক্কুং হাংবা থোঙজাওতুগী মমাঙদা। থোঙবা অনিগী মরক্তা লৈরিবা অহোবা শরুক খরা অতুদগী শোল্লবা মঙাল খর লাক্লি। অহিং অস্নুক থেঙনা লাইখুরুমফম কাদা মঙাল উরিবসি করিগীনো ?

খঙনিংবনা হেনমনশ্নতুনা খজিক্কুং হাংবা থোঙবা অনিতু খরগা হাংদোক্লগা ডাঃ সান্যাল কা মন্নুংদা য়েংশিল্লমই। অৱাংবা ফম্পাক মথক্তা ক্রোশ তা পাং তিংবা যীশুগী মুতি অমগী মথাদা মোমবতি খিন্নবা থাউমৈ ফম্পাক অনিগী নাকল অনিদা মোমবতি অনি থাল্লি। মোমবাত্তিগী মেঙলবা মঙালদা ফম্পাক অতুগী মমাং মক্তদা বেঞ্চ মথক্তা লেঙদনা ফম্লিবসি সিষ্টর রিতা নত্রা ? মানি মহাক্লি ! ধ্যান তৌবগুন্না ফমতুনা লৈরিবী সিষ্টরগী অঙৌবা গাউনগী মতুংলোম থংবা শরুক্তমক উরি।

অস্নুক থেঙনা সিষ্টর রিতা মতোমতা লাইনিংফম মন্দিরসিদা !

খরগা কুপ্পা য়েংশিল্লুবদা ডাঃ সান্যালনা খঙলে ডেক্স মথক্তা লইব্রিক অমা থম্মগা মপুক্লিং চঙনা লাইরিক পারি।

মপালগী ওইবা রাখল চংহন্দনা ধ্যান তৌহুনা লৈরি সিষ্টর রিতা ! তপ্না থোঙ হাংদোক্লগা ডাঃ সান্যাল কা মন্নুংদা চংলমই। সিষ্টরদি খঙদে। ডাঃ সান্যাল খরগা অমুক চংশিল্লমই, অহুমক্তদা সিষ্টর খঙদে। পাবদা পুক্লিং চঙহুনা লৈরমই। খরগা অমুক চংশিল্লমই ডাঃ সান্যাল, হন্দক্তি সিষ্টরগী লাইরিক পাহুনা লৈরিবা মমায়হু উবা ফংলমই। মোমবর্ত্তিগী মেঙলবা মঙালনা সিষ্টরগী অইংবা নিংথিজরবা মমায়হুদা তাবদা শেংলবা রাখল অমগী ইপোম ঈংগৌরি। মমিৎ কপ্তুনা ডাঃ সান্যালনা য়েংহুনা লৈ সিষ্টরগী মমায়দা। অহুদগী ভাইহাক লৈরবা মতুংদা তপ্না মমাঙদা লৈরিবা বেঞ্চতা ফমথরমই। তপ্না তপ্না লৈশিল্লকই যীশুগী মুর্তি রোমদা। ক্রেশতা য়াল্লবা যীশু ! মীওইবগী পাপকি পোৎলুম পুরিবনি নঙদি মহাযোগী ! নকোকথক্তা উপ্লি তিংখংগী লুহুপ !

নাখোঙ নখুংতা থাংলি য়োৎহিলং কোলহৌ। মীওইবগী লঙজবা পুম্বা অমত্তা থাক্তনা ঙাকপীখ্রবনি হে মহা মানব নঙনা। মকোক অহু মথন্তা নোঞ্জরকই ডাঃ সান্যালগী টেবিল শোক্তা।

মমিৎ অনিহুদা মৈ চাকপগুম্না ফাওরকই। অকনবা চৈনাখোল। পি মরিক অমত্তা ফাওবা তারক্তে। পি মরিক অনিদা তারবস্থ শান্তি ফংগদবনি। কয়াম কুইনা ফিভম অহুদা লৈরুরবগে হায়বহু ডাক্তর খঙলমদে। খঙহৌদনা সিষ্টর রিতাগী মুংশিনা কৌরকপা খোঞ্জেলদা জ্ঞান তারক্তনা ডাক্তর মমায় ওনখৎলকই।

মিঃ সান্যাল !

ডাক্তরগী মমিৎ অনিহুদা য়েংলুবদা সিষ্টর চংক্লবদৌনা তৌথি। ঈ মচু গুমই মমিৎ অনিহু। ঈ মচু মানবতা নত্তে, মৈবুন

অনিগুম্না মৈ কাবগুম তৌরমই। কৈদৌবিরবগে মিঃ সান্যাল! অদোম্বু হকচাং ঙমবিদ্রব্রা? কনাবো? সিষ্টর? কৈস্থ লৈতেনা, থাগৎচরি! ঐ—ঐ হকচাং ঙমই।

অতুদা, অসুক ঈংগ্রবা মতমসিদা অদোম্না শুপ্নগী লংজমগী ফুরিৎ অমত্তুং লিৎপিরিবসিদি! খঙহৌদনা ঈংশিল্লক্রবদি—

ডাঃ সান্যাল মচিন্দদি হায়নিংঙমই ঈংগনি। হকচাং শীনবা থুংনা অয়ুক মুংথিল মৈ চাক্লি, মপালগী অইংবসিদি মাগী মফমদা মায়থিগনি। অতুবু করিমগুদি হায়রমদে। ডাঃ সান্যাল হাইফেৎ-তমক নোক্লমই।

অদোমগীস্থ অরুম্বা ফি অমত্তা উজদে, সিষ্টর!

পুন্সিগী দরকার হায়বসি লোইবা নাইদে। অতুগা মতু হেনগৎহল্লিবমখৈ হেনগৎলক্কনি। থাদোক্লিবমখৈ মঙ্গলনি। অতুগী মথক্তা অদোমগী হিন্দু লুখ্রাবীশিংনা মশাগী 'ঐ' হায়বতু মাঙহন-খিনবা মপুক্লিং লোঙদনা সাধন তৌবতু উবদা—

ডাঃ সান্যালনা থাম্লকই, ঐ হিন্দু অমদি বাঙ্গালী অমা ওইজরবস্থ হিন্দু লুখ্রাবীশিং থোইদোক্লা উজদ্রি অমদি উনবগ্রা খুদোংচাবা লৈখিদ্রি। অতুগা অদোমদি হিন্দু মুপী নত্তে! ইউরোপকি মহীলানি—

অরানবনি মতু অদোমগী মিঃ সান্যাল। অশেঙবা মুপী হায়ব-তুদি ওইনিংবা লমদগী, সমাজদগী ওইজসনু মশাবু খঙজবা অমদি আত্মাগী জ্ঞান তানবগী লম্বেলদি খেন্নবা লৈতে পুম্নমক মান্নে। অহিংসি য়াম্না থেঙথ্রে, তূম্বা থেঙথ্রনি। লেংঙশি। লাইখুরুমফম মন্দিরদগী মখোয় অনিমক থোকখিরমই।

॥ তরামণ্ডা ॥

ডিহিরিওনশোনদা চট্টরাজগী মরুপ অমগী ময়ুম লৈ আবোয়নদা ডাঃ চট্টরাজ মফমহুদা থা অমমুক লৈবা হায়না লেপ্পরমই। খোংলোয় ওইনা চৎকদৌরিবনা স্থচিতাগা কুইনা লৈরক্লবা মীনায় বৃন্দাবনগনি। স্থচিতা য়ান্না হৈনিংবা অমা য়াওনা পোৎচৈ য়োম্বা চৌগৎলমই।

মাম্মনা হায়রকই, ত্ৌরিসিবু চুম্মিবরোও স্থচি। কলেজদি কাপ্রবস্থ য়াই আদস্থ লাইরিক পাগনি, অতুবু প্রাকটিকেল ক্লাসতি—

ঐ নিংথি মুণ্ডাইনা পাহৌদ্রবনি মাম্মা। হুমিৎ খরনিগী মমাংদগী খল্লক্লিবনি, চহি অমগী মতুংদা ওইনা পরীক্ষাসি থারগে হায়না। লাইনা থুদোংচাবা অমা পীররে।

নণ্ডগী নাতৈ হুক্তবহু তোকউ য়াররোইদ্রা স্থচি! চট্টরাজনা নোক্লা নোক্লা হংলকই।

হৈনবী হায়বসিদি হোংদেনে মাম্মা! ঙাওহুনা স্থম লাকঅগা হুজিক্তা অইংবী শারগা থাঙ্গশেংনা হেক্তা অইংবী-অতপ্পী ওইগদবা নত্তে! নণ্ড কৈমতা খনুমু মাম্মা। মথং চহিদা পরীক্ষা থাবদা য়েংউ ফাষ্ট ক্লাস লৌগে। ওল্ বেল্ ধোট্ এণ্ড্স বেল্ মসিগী মতুংদগীদি চট্টরাজহু রা মথা অমুক তাবা য়াদ্রে।

মমৌনুপীহুবুদি মহাক ফজনা খঙই, মানা হেক নীংখিবহুদি লেও-লাকপা য়ারোই। নোংমা নিনিগী মতুংদা মাম্মগা মমৌগা তশেং তশেংনা নোংমদি তুফান এক্সপ্রেসতা তোংখৎখিরমই।

॥ তরাতরুক ॥

অসুম অসুম ডাঃ সান্যাল মিশনদা লৈরকপনা অনৌবা সমাজ অমগী মরক্তা অনৌবা পুন্সি অমগা তিনশিন্নখিরমই।

লৌশিং লৈবা অমদি তৌবা ঙম্বতুগী মথক্তা শেল লৈ। ময়ামতুগী মথক্তা মিশনগুম্বা মরা নিংথিনা চেৎলবা সংস্থান অমগী শ্বায়দগী মকোক ওইবা থৌদাং লৌরিবনি।

পামব্রবস্ত মী মঙা তরাদি নাক য়েৎতগী লাক্লনা ডাঃ সান্যালগা ৱারী শারে। মথং মথং অনকপা শহরদগী লাকপনা মোগল সরাই, কাশী ফাওবা মিঃ সান্যালগী মমিং শন্দোরকপা হৌরমই। মহাক্লা চম্বা অমদি ধর্ম্ম চেন্বা মী অমদি ইথেং থেংনদে। অনিশুবা ফাদর জোন্সনি। শক্তি নত্রগা থবক পাঙথোকপা ঙম্বগী মগুণ হায়বসিদি উৎনা কুপ্পনা থম্লবসু, মতমচুপ্পদা উৎনা কুপশিল্লবা মৈতালগুম্না লৈয়ু য়াদে নোংমা নত্রগা নোংমদি মশক ত্রাক্লকই।

শহরগী ম্যুনিসিপালিটি, অতোপ্পা সংস্থান, স্কুলবোর্ড হোসপিতাল, খুদিংমক্তা মিঃ সান্যালবু ইকায় খুম্নমা অমদি মীয়ামগী সেবা তৌগনবা মীশক অমনি হায়না চিংশিন্নবা হোৎনরমই। লৈরীবা ফিভম অমদি মায়কৈ মরিদগী ননশিল্লকপা থবক ময়ামগা মরক্তা তপ্পা তপ্পা করিগুম্বা তাল্লক অমদা মিঃ সান্যালগী মপুক্লিংগী ফিভম হোংলকপা হৌরে হায়বসি মহাকসু খঙজরমদে। ঙাইহাক্তা ফাওবা পোথাবা ফংলমদে। সান্যালনা মতোমতগী ৱাখল তৌজবা

য়াবা, মপুক্লিংগী নত্রগা হকচাংগী ওইবা পোত্থাবগী তাঙ্গা অমত্তা লাক্লমদে ।

অহিং মুংথিল মতম শাংনা মী মাঙনবা নিশা অমদা তাওত্তুনা চেন-চোংত্তুনা লৈরুবদগী মপুক্লিং অত্তু কংখিত্তুনা মরুভূমি ওনখি। মীওইবগী পুক্লিংদা মুংশিবা অমদি মীমুংশি ফংনবা অমদি ফোংদোক্লবগী ৱাখল অত্তু তৌথিদবদগী কংখি। মরম অত্তুমক্তা মিকুপ খুদিংগী নিশা অমা নত্রগা লাংতক্লবা অমা য়াওদ্রগদি, চোকথরকই অৱাবা পোক্লকই সান্যালগী হকচাংদা মপুক্লিংদা। মরুভূমিগী ময়ায়দা ইহান হাম্না ঈশিং খিক্লরে টুকুননা।

মিশন অসিদা হেক খোংদারবগা টুকুনগী মপি থাংলবা, মিমুংশি পামজরবা মমায় অত্তুনা সান্যালগী মপুক্লিংবু নোমহনখি। মিশনগী মমুংদা মহাক্লা খ্বায়দগী অঙাংনি, খ্বায়দগী গতি লৈজদ্র-বিনি। অহানবদদি মতম লেন্নবগীদমক্তা সান্যালনা টুকুনবু মনাক্তা কৌশিনখি অত্তুদগীদি অসুম অসুম লুনা তৌবা অত্তুনা পুনশিল্লক্লমই। পুনশিল্লকপা অত্তুনা পীরক্লমই মিমুংশি, মিমুংশি অত্তুনা পীরকই শান্ত। মিশনগী নিয়মদি নত্তে, অত্তুবু সান্যালনা টুকুনবু মশাগী য়ুমদা পুশিল্লকলমই ।

থম্মোয়গী শরুক অমা সান্যালনা মপালগী থবক্তা লুপশিন-বদৌনা অতোপ্পা শরুক অমদি টুবুনদা লুপশিল্লমই। পুন্সিদা লাকপা অমম্বা অত্তুনা মহাকপু য়োংলগে হায়না, চাইখায়রগে হায়না হোৎচিল্লকপদা টুকুননা পুশিল্লকপগুম তৌরি মখুৎমচাত্তুনা পায়ত্তুনা কিথি কিরুম তৌবা থাউমৈগী মৈরি অমা। টুকুনগীসু সান্যালগা নকশিন্নবদা মশা মমুংদা অহোংবা অমা থোকখ্রে। মখুৎ

অনিনা সান্যালবু মশাগী ওইনা কোনশিনখ্রে।

অমনা অমগী চান্নবা অমদি মুংশিবগী অঙকপা মরী অমা চেৎনা শেমজিন্নখ্রে।

থা মঙা অমুক হৌখ্রে।

সান্যালগী মপুক্লিংস্থ হৌজিক্তি ফন য়াম্না শান্তি লৈরে। থংনবা শহরগী স্কুল বোর্ডকি মিটিং অমা য়াওরুরগা অহিংগী পুং তরানিথোই অমুক তাবা মতমদা সান্যাল মশামক্না শগোল গাড়ী থোত্নুনা হল্লক্লমই। লম্বেলদা লাক্না লাক্না টুকুনগী ৱাখলদা মপুক্লিং লাংতক্লরমই। তুম্নমদাইদা টুকুনগী ফমুংদা লুখুমদা যমতুনা মশম-শিংতু নানবি মানবিনা ৱারী লীবিদ্রবদি টংকুনদি তুম্মু হায়বা য়াদে। হল্লকপদি য়াম্না থেঙদোকখ্রে টংকুন হৌজিক ফাওবা তুম্নমদবস্থ য়াই।

মিশরজী কৌহুনা শগোল গাড়ীহু শিন্নরম্নগা সান্যাল চুমথ্রিং মশাগী কাদা চংখিরমই। ফাদর জোন্সকি য়ুম অহু সান্যালনা লৈফম থোক্লবস্থ মহাক্না য়ুম অতুদা লৈখিদে। ফাদর জোন্সকি লাইব্রেরী ওইরম্বা থংনবা কা অতু ওইনা লৌখি। লোল্লম্বা থোঙ অতু ইন্দোক্লগা পর্দা হাইগৎতুনা খোংথাং মথোল থোক্তনা কা মনুংদা হেক চংলকপদা, তুমতুনা লৈরিবী টংকুনগী লুখুম ওইরম্না চেয়ারদা ফমতুনা লাইরিক পাতুনা লৈরিবী সিষ্টর রিতাগা মিৎ চানরমই।

সিষ্টর রিতা খোংথাং মখোলতু তাবদা লাইরিক্তু থুমজিল্লগা হৌগৎলক্লমই।

অদোমদি!

হোয়। মা মতোমতা কাসিদা লৈরে। অতুগী মথক্তা অদোমদি

থবক চাখোকখিবনিনা করম্বা মতমদা হল্লক্কদগে তম্বা ওম্বা নত্তে৹ অত্থুনা ফমজরম্লিবনি।

য়াম্মা লাল্লে ঐ, অদোল্লা কয়াম কুইনা মফম অসিদা ফমত্থুনা লৈবিরম্লবনোশে! মহাতবপু কাঁসদা থরা লৈরম্মু হায়রবস্থু য়ারম্বনি—

করিবু কায়রবগে! অহল ওইরবনিনা মুমিৎ চুপ্পা থবক ইম্খাং তৌরুরগা চোকথরবনি, কান্নদনা মাবু অমুক য়াহম্বা—

অদোম্ব৲ ইচোক চোকথদ্রবরানে? মুমিৎচুপ্পা অঙাং ময়ামসি লাক্লবদা তপ তারবনি!

ফরে টং৲কুন ভুমথ্রবরা?

উম। অদোমগী লাইব্রিকসি পুজখিবা য়াগদ্রা? পাজরম্বনি। য়ান্না ফজ্জে লাইব্রিকসে।

যানি। করি লাইব্রিক্লো অত্থুরো?

শোগী ইন্টেলিজেন্ট ৱোমেন্স গাইড তু সোসিয়েলিজম।

ফরে৹ অত্থুদি ঐ চৎখ্রগে।

য়ারে, য়োথিরো।

সিষ্টর রিতা মপাললোমদা থোকখিগদবগী থোং হেক থাংদোক্কে তৌবগা অমুক হন্জিন্দুনা লেপ্লমই, বা অমনা অদোমগী চিঠি অমা ওসিগী ডাক তা লাকপনি, আগী টেবিল মথকসিদা থমজরম্বনি।

ঐগী চিঠি!

অহোয়। সিষ্টর রিতা কাদগী থোকখিরমই।

চিঠি! অঙকপনি! কনাগী চিঠি? কনানা অমুক

ইরকসিবনে মতোপ্দা ? কনানন্থ মফমসিগী ঠিকানা খংদে, অত্তুদি !
সান্যাল টেবিলরোমদা চংশিল্লমই। থাউমৈ মখোং অমগী হেক মখাদা পেপর বেটনা ননবা শংবান্নবা মচুগী এনভেলপ অমনি।
ঙক্নবা সান্যালনা মখুৎ লায়গা এনভেলপ অত্তু লৌখৎলমই।

এনভেলপ অত্তু ফন থায়। মথক্তা ময়েক শেংনা ইংলিশতা মিংগা ঠিকানাগা ইরি। মিং অত্তু মপুং ফাবা নত্তে, শুপ্পগী মিং সান্যাল হায়রগা মত্তুগী মতুংদা মিশনগী মিংগা ঠিকানাগা ইরি।

কনানা ইরকপা চিঠিনো ?

খঙহৌদনা তাল্লক অত্তুদা টংকুননা কৌরকপদা সান্যাল খংপ্রেক খংনা য়েংথোক্লকই, বাবা !

তরাতরেৎ

কনানো ? ইঙাও ঙাওশিন্নরদনা তুমত্রিবরোও ! চিঠিন্থ ফুরিৎখাউদা হাপচিল্লগা সান্যাল ফমুংলোমদা চংশিল্লকই।

ফম্মুংদা হিপ্পা হিপ্পা নোকমি নোকমি তৌরত্নুনা ঙাওশিন্নবা মিৎয়েংনা য়েংলকই টংকুননা। মমিৎতা তুম্লিংবগী মমি অমত্তা তাদে।

ইকায়দবী, মঙ তুমত্রিনে ! তুমশিন্নত্নুনা লৈরম্লিবনিনে হুজিকফাও !

হৈরেদা, নঙনা রারীদি লীবিদ্রগা ঐবু হেক্তা তুম্বা য়াগদ্রোও ?

মশাদগী যুরিৎতু লোথোক্নুনা ফিয়ান্দা য়ানশিংগা

সান্যাল ফমুংদা ফমথরমই। অম্বকী মতিক মুংশিনা টকুনগী রেশমদোনা থোৎলবা অচাইবা মশমত্তুদা মথুৎ থম্নত্তুনা সান্যালনা কৌরকই, টকুন।

করি হায়গে বাবা ?

নত্তনে, নোংমত্তা ফাওবা ঐনা ননাক্তা লৈহৌত্রবদি তুম্বা ঙম্লোইদ্রা !

বারী তাদনবু কনানা তুম্বা ঙমদোইনো ?

ঙমদা ঙম্লেই ! ফাগী ভৌরকই সান্যালনা।

ঙমদে হায়মি ! শগোল অপাইবা ভোংত্তুনা নিংথৌগী মচানা নিংথৌ মচাতুপী থিবা হেক থোরক্লিমথৈদি, তুম্লিংবগী মপা মপু লংত্তুনা মিংসিবু উইশিনহনগদ্রোও ! মত্তুদা নত্তুনা ঙরাংগী অচৌবা লাইরেনত্তুনা নিংথৌগী মচাত্তু চাগে হায়না পাইশিল্লকপদো, বারী মথাদি লীদ্রি—

বারীত্তুবু লোইশিনখিদ্রবরোও ?

বাবাদি করিমত্তাফাও নিংশিংদে ! য়াম্না ওইমনা হায়রকই টকুননা। ঐনা থনবদি বারীত্তু ঙরাং লীথনিনা ঙরাং অত্তুম লোইশিনগ্রে—লাইরেনত্তুনা নিংথৌগী মচাত্তুবু চাথোকখ্রে। নিংথৌ মচাত্তুগী মকোক্তু লাইরেম্না শায়খ্রে, ঐগী বারী লোইশিল্লে।

ইস, লাইরেনবু নিংথৌগী মচাত্তু চাবা ঙমগদ্রোও—থাংশাংত্তুনা মত্তুপ অনিথোক্লা কক্লোইদ্রোও ?

হোয়নে, মত্তুদি থলহৌদ্রেনা ! ফরে, অত্তুদি তারো, অত্তুবু নাম্বৎতুদি উইশিনগদৌনি সনা ! নমিৎ উইশিল্লগা বারী তাগববনি। নোক্লা নোক্লা হায়রকই ডাঃ সান্যালনা।

সে য়েংঙো, মিৎ উইশিল্লে৷ লীরো !

অতুদগী অচৌবা লাইরেন্দুনা নিংথৌ লাখ কয়াগী মণি মুক্তা মকোক্তা থোংলতুনা ডাঃ সান্যালনা ঙরাং নুমিদাংগী লোইশিনহৌদবা ফুঙ্গারারীগী মচেৎ অদু লীবা হৌরকই, অদুক য়াম্না চাওবা জঙ্গলদু মায়কৈ মরিমক পুম্নম মমই৷ মী-পোং অমত্তা লৈতে, অচৌ অচৌবা কৈ, শওমশিংনা কোয়চৎ চৎলি, লাইরেনগী মকোক্তা পুরিবা মণিতুগী মঙালনা মায়কৈ মরিদু মুংখিল পোবোপ তৌনা পুমলং লংলমই। অমম্বা জঙ্গল মরক্তুদা মৈ চাক্লকপদৌনা তৌরমই।

বাবা ?

কৈদৌরগে ! নঙবু হুজিককাও তুমত্রিবরাও ? টকুনগী মমায়দা য়েংলকই ডাঃ সান্যালনা।

নঙদি করিমত্তসু চাদ্রে বাবা ! চৎলো নঙ থর চারুরো, আ গী টেবিল মথকসিদা চাকথোংবা ঠাকুরনা নঙগী চাক কুপশিন্দুনা থমইসিনি।

নত্তে-নত্তে, অহিং অসুক থেঙনা অমুক চারুরাই। নঙতুম নমিৎ উইশিল্লগা তাও।

হৈরেদা, চাত্রগবু হকচাং ফগদ্রোও !

লামদ্রিসিদি।

মতুগী মথংদা খাহং অমমুক হংলকই টুকুননা, করে অতুবুদি, বাবা নঙনা ঐগী ইমিং মঞ্জরী থোল্লিবা করিগীনো ? মঞ্জরী হায়সিবু করিনো ?

মঞ্জরী হায়বদি অনৌবা য়েন্নিং হায়বনি ! পুন্সিগী লমশাং মরক্তা নঙদি ঐগী অনৌবা য়েন্নিংনিনে ঐগী মণি ! য়েন্নিং হায়বদি

মনানি৹ অদু অনৌবা হায়বদি ? নৌনা চোংথৎলকপা। বারী অমুক তারো য়ারে। য়াম্না থেঙপ্রে।

হোয় লীরো -

লাইরেনদুনা নিংথৌমচাদু উবদা ময়া লাওনা কাথোক্লনা হোৎচিল্লকই—, অমুক হন্না বারী হৌরকই, য়োৎকে হেক তৌই, অদুবু নিংথৌগী মচানা কৈস্থ নত্তবা লাইরেন অমদি কিবিপোৎ নণ্ডে ! মাস্থ খুদক্তা থাংশাং অমা শত্তোক্লগা মুক্তনা লেপ্লমই। লাইরেনদুস্থ চংশিল্লকই, নিংথৌ মচাস্থ লেঙদনা লৈ। মতাং অদুদা লাইরৈবাক্তগী লাইগী খোল্লাও অমা তারকই—নিংথৌগী মচা, নঙনা লিন অদুবু থাংহাই অমুক্তা মতুপ অনিথোক্লা ককথৎলগা মাগী ঈনা নরাইবক্তা নম্বা ঙম্লবদি নঙগী নপাগী মাঙপ্রবা লৈবাক অদু অমুক হন্না হল্লিনবা ঙমগনি। নঙগী নপাগী লৈবাক মুন্দ্না লৌখিবা ছিংচাবশিংদুগী নিংথৌনি লাইরেন অদো—! তারিব্রা টকুন ! ডাঃ সান্যালনা য়েংথোকখিবদা টকুন তুমথখিরমই। মোনদগী মকোক অদু মথাদা ওহুপ্রে৹ মকোক অদু মোন মথক্তা মফম চানা থগ্নীরমই। টকুন—মঞ্জরী থাঙ্গৈশেংনা মাগী অনৌবা পুন্সি অসিগী অনৌবা য়েম্লিংনি !

পুন্সিগী শোয়ফদ্রবা মাঙ-তাকপগী লম্বীদগী মাতননি কন-খিবা ! থম্মোয় শীনবা কণ্ডাওনবদু মাগী মিত্রংগী খুৎশোক অমদগী তপ্না তপ্না মাঙখিবনি। চাংজো নাইদ্রবা অমম্বা মরক্তা পুরকখি মানা মঙালগী মেঙলবা থাউমৈ অমা। টকুন তুমগ্রবা মতুংদা কা মনুংদা হজ্বৎ হন্দা চৎতুনা ডাঃ সান্যালনা কা মনুংগী থোঙনাও অমা হাংদোক্লগা থোঙনাও মমাঙদা লেপ্লরমই। মপানগী তুমগ্রবা

প্রকৃতি পারবা থাবল মঙালগী ফিজোল অমা মশাদা শেংচিল্লগা ধ্যান তৌহনা ফম্মি। অঙকপা চেকমোক লাওদবা চীকথ্রবা মওং অমনি। খঙহৌদনা অমুক নিংশিংলক্লমই, ঙসি ডাকতা লাকপা চিঠী অহু।

খঙহৌদনা টুকুননা কৌরকপদা পাইরক পাইখুদা এনভেলপ অহুম্ন শেগায়হৌখিদে। লাংঙক্লবহু হৌরকপমক্তদা টকুননা খংকৌ কৌরকপদা কাওথোকখিবনি, চিঠি অহু অমুক হন্না সানাালনা ফুরিৎখাউদগী পুথোরক্লমই। টেবিল মমাঙদা চেয়ারহু চিংশিল্লগা ফমথংমই। নিংজিং মাংজিংননা এনভেলপকি মচিন্দু শেগায়রগা চিঠি অহু হাংদোক্লমই। অথাবা চেদা ইবা, চেনা অনিগী অশাংবা চিঠিনি।

ইকায় খুম্নবা উংচরি,

শাংলবা থা মঙাগী মতুংদা খঙহৌদনা করিগীনো পুক্লিংদা খল্লকই অদোমগী চিঠি অহু হনবা ঐগী তৌফম খোকপনি। ৱাহং অমদি অদোম্না হংবীরকপা য়াই, অম্মুক কুইরবসিগী মতুংদা খঙহৌদনা হৌনবা খঙগৎলক্লিবা করিগীনো তৌফম থোকপগী ৱাফমহুবুদি হৌবদগী খল্লক্রবনি, অহুদা মহু কয়া কম্না খন্থক্লদবনি। অদোমগা অহানবা থেংনখিবা মতুংদগী শাংলবা চহি মঙা অসি ঐগী পুক্লিংগা মায় মায় ওনশিন্নহুনা মহুগী মরমদা খনখি, ঙকচখি ইতোমতা ইশা অসিমক্তা অঙকপা অহোংবা অমা উজরকপদা। তৌশিন্নবা নত্রগা হেন্না হায়জিনবা নত্তে। থাজবা ঙন্থীগন্রা হায়-বহুদি খঙজদে, অনিরকগুনা থেংনখিবা অহিংহুগী থৌদোক অহুগী মতুংদগী করিগীনো খঙদে অদোমগী মফমদা শাওনিংবা নত্রগা তুকচ্চবা

অমক্তা লৈরম্ত্রে। তুকচ্চবদি লৈত্রে হায়বসি খঙই, অদুমক্তদা হৌরিবসিবু করি মওংনো হায়বদি খঙবা ঙমদ্রে। মাস্মদি হুজিক ফনা য়াম্না ফগৎলে। তৌবতদি, মাগী হান্নগী পাঙ্গল অমদি থবক শুবা ঙম্বগী শক্তি অতুদি অমুক হন্না লাক্লরোই হায়বসিমসু অশেংবনি। হৌখিবা থা মঙা অসি ঐখোয় হায়বদি ঐগা মাস্মগা ডিহিরিওনশোনদা লাক্লনা হকচাং ফগৎনবা লৈররে অদুগা মাস্মদি লমসিবু অসুকী মতিক পামজরুরমাগে, মাগী লেমহৌরিবা পুন্সি অদু মসিদা অসুম লেল্লগে হায়বসি মাগী রাখলনি। হুজিকমক্তদি লেপ্লত্রি।

মফম অসিদা ডাক্তর অকবা অমত্তা ক্রোশ নিফু য়াম্থেগী মনুংদা লৈতে। মাস্মগী লাইরিক তম্মিল্লরকপা মরুপ অমদি লৈ কাশীদা, ডাক্তরনি, অদুগা অনকপদনা মা নত্তবদা অদোম লৈরি।

লাক্লিবা জুলাইসিদা ঐ কলিকাতাদা হল্লনি, মাস্মদি বৃন্দাবননা শঙহৌগনি।

ঐনা খঙবা ফাওবদা হুজিক অদোম লোম্না লৈবিরি, অদুবু ময়াম্না খঙনরিবা পরিচয় অসি অশেংবরা শেংদবরা হায়বদু খঙত্রি ফাওবদি, মতুংদা করিগুম্বদা অদোমগী মতেং দরকার লৈরক্লবা মতমদা, অদোম্ন ফংবা ঙমগত্রা খঙদে। শোয়দনা ঐগী বাহৈসিদা অদোম্না য়াম্না ঙকপীরম্লগনি। তশেংনমক মীওইবগী পুক্লিং হায়বসি ওম্বোক্লা মরৌ লৈত্রে। নত্রগবু অসুম্না ঐনা অদোমগী মফমদা করিগুম্বদা চিঠি অমা ইরকনি হায়বসি মঙনি। মরক মরক্তা করি খল্লকই খঙবীত্রা? খল্লকই, ঐসে শোম্ভ্রমাল্লে। হায়দোকপদা চিংনদে, মতুমক নত্রগদি ঐগী খ্বায়দগী লুংশিজরবা ইশাগী মী

অমবু হাংকে হায়না তৌরম্বা মীহাৎপা অমগী মফমদা ঐনা মরম লৈতনা শোন্থবা করিগীনো? চৎনবীগী মিৎয়েংদা মসিবু ভাক-শিকম লৈত্রবা অমা নত্রা? নিঙঙম্মক্তবা হায়বসিগী মরক্তা পাপকি প্রায়শ্চিত্ত ওইবা ম্নারবদি৷ অদোমগীদি মতু খজিক্তদি কংখিবা নত্তে। ম্নাকম অসি অতৈ কনা'মনা খঙদ্রবসু ঐদি তশেংনা খঙবা ঙমজরে অদোমগী চিঠিত্ত ফংবদা। অতুমক্তদা খল্লকই, অসুক ম্নাম্মা সাইন্নিক লাইশু হৈরবা, মথম্মোয় অসুক চাওরবা মীশক অমগী মশাদা শয়তান অমা করম্না চংখিবনো? অদোমগী অশেংবা ইতিহাস তাজরে। ঙকপীগনু। তশেংনা তাজরবনি। ম্নাম্মা খঙনিংমনগ্রভুনা নোংমা কিরিটি বাবু উম্নজরুই অতুগা মরু-ওইনা অদোমগী মরমদা খঙজনিংই হায়রুবদা, মহাকমক্তা অদোমগী ইতিহাস হৌবদগী লোইবা ফাওবা লীবিখি।

মপাগী য়েক্রবশিংনা তৌরম্বা থবক্তীদমক মশাগী মথুৎমক্তা দণ্ডী পীবা হৌরুবদগী পাপনা অদোম্বু কোয়শিনখিবনি। সুমিৎ-তুদগী খঙখি, অদোমগী লৈখিত্রবা বাবাগী মফমদা মহাক্তী মরুপ-শিংনা চৎখিবা অরাম্বা অমদি মতুগী শাস্তি পীনবগী থৌদাং অদোমগী থুৎমক্তা লৌবীরুবদগী অদোম লৈখা তাপ্রে অমদি পাপনা য়োম-শিনপ্রে, অয়ানবা অতুনা অদোমগী মফমদা কয়ামুক থম্মোয় শোকহনপ্রবগে হায়বতুসু তাজরে। কুমার দিগেন্দ্র নারায়ন্না বিশ্বাসঘাতক তৌরবগী ম্নারীসু কিরিটি বাবুগী মচিন্দগী তাজরে। অদোম্নদি খঙবিরম্মোই, কিরিটি বাবুনা অদোম্বু কয়ামুক ইকায় খুম্নবা! মতু ইহান হাম্না, মমি শামখি, মীগী ঈনা অদোম্না ইশাগী থুৎপু মোৎহন্নখিবা সুমিত্তা। মসিবু করিগীদমক্তা তৌবীরুবনো

ডা: সানাল ? মী অমা ওইরগা মীবু অদোম্না করম্না হাংপীরিবনো ? অদোমদি মীহাৎপনি ! ঈশ্বরগী মথৌবু অদোম্না মী অমা ওইরগা নাপলনা নত্রগা শোয়খিবনবু ওইরবস্তু, অমুম্না চেলেঙ্গ তৌদুনা ইশাগী থুৎমক্না, লৌবীরমত্রবদি, ঙসি অদোম্না অসিগুম্বা শাপ ফ'লবা পুন্সি অমদা লেপ্লম্লোইদবনি। মা অমা ওইনা ওইনা মীওইবগী সমাজদা, অমুম্না যুম লৈতনা মী তিন্নবা কংদনা হিংলমলোইদবনি। খনবিগম্মু মসি ঐনা পাউতাক পীজবনি, সারমোন তাহঞ্জবনি নত্রগা অদোমদা চিঠি ইগে লেপ্লবা পুক্নিং অসিনা পীবা বিচার অমনি হায়না।

অদোম্ন ঙসি ঐনা তুকচ্চদ্রে, অদুমক্তদা অদোমদি অমুকী মতিক তুকচ্চনিঙাইনি মদুদি অদোম্ন তুকচ্চবা নত্তনা উপাই লৈতে। রাকম অসি হেক খল্লকপদা খুদক্না অদোমগীদমক্না পুক্নিং অসি মুংনাঙিজ অদুগা মদু তৌফম থোক্রবমু অশেংবনি হায়বসিদি য়াদবা ঙমদবদগী, অরোযবদা রাকম অসি অদোমদা খঙহঞ্জরবনি। অদুগা রা অমনা। অধিকার লৈতনা খঙজনিংবনি, হুজিক্তি অদোম্ন কদোমদা অমদি করম্বা লম্বীদা চৎপীরিবগে ? থরানমিচাক অমা এহৎওলদগী লৈমায়দা কেল্লকপদু চাক্তুনা উৎ ওইত্রবরা নত্রগা হুজিক ফাওবা চাক্রিবরা ? ঐগী নমস্কার লৌবীয়ু ।। —

ইতি

সুচিতা !

অমুকলক, অনিরক, অহুমলক চিঠি অদু মকোক্তগী লোইবা ফাওবা পাই সান্যালনা। অদুদগী করিনো অমা খল্লক্তুনা চিঠি ইনবা চে অমা পুথোক্লগা ইরকই :

শিগ্রবা থগ্রানগী ইভিহাসপু মৈনবগীদমক শরুক খর অমুকম্ভু লেমহৌখিগদ্রা ? মসিমথক্রুংদি খণ্ডহনবা ওমই, কাংলোড্রমরদি শিগ্রবমকনি হায়বা য়াই।

নমস্কার ঙৌজরি,

এস. সান্যাল

॥ তরানিপাল ॥

শুপ্পগী পরেং অনিখক্রুং ইরগা চিঠী অহু এনভেলপ মনুংদা হাপচিল্লগা মখক্তা মিং, ঠীকানা ইবা লোইরহুনা সান্যাল চেয়ারদগী হৌগংখিরমই। অমুক হন্না তুমহুনা লৈরিবী টুকুনগী ফগুং ময়াদা চংশিল্লক্লুবা লেপ্লরমই। নিঙাইদনা টুকুনদি তুমহুনা লৈরি। মসিনা করম্না মায়াগী থোৱাংনো ! মশা নীনথা থুংনা পুনশিনখ্রিবসে ন পুনশিনবদরা ? মখংগোয় থন্না অংগেমবা কয়াগী মতিক অংগেনবা হাপচিল্লখিবা !

অমৃতগী খোইহিনা আশ্বাসিবু মপুং ফানা থলহনখ্রে। অমুক নিংশিংলকই, সুচিত্রানা চিঠি ইয়কই।

সুচিত্রা

ভাইহাক্কী রাখলনা লমজিং ওইহুনা চিঠি অহু মহাক্তা শাংলবা থা মঙাগী মমাংদা ইতুবা থাদখিবনি, মমিং কয়াশি থনখি ক্ষয়িগীনো মানা সুচিত্রদা অহুগুম্বা চিঠি অমা ইখ্রিবদো ! অহুকী মতিক থাজদনা চিঠি অহুগী পাউথুম লাকনি হায়বসি চমন্নবতা

মতুমা খাঁযদগী অঙকপা অমম্বনি।

দেং হায়না মখোল অমা তাখকই।

সান্যালনা য়েংথংলকই কল্লাংদা ব্রেকেট মথক্তা খিল্লিবা ঘড়ি অদুদা অহিংগী পুং মরিমথায় তাখিরমই। অহিং লোই-শিল্লক্লমই। ঙসিগী অহিংদি তুম্বা য়ারয়োই। মসিং উইশিল্লকউ হায়বা য়াদ্রে। মশাদা চাদর অমা ইনশিল্লগা সান্যাল লাই খুরুমনকম মন্দিরদা চংলবা শেম শারমই। হুমিং খুদিংগী পুং মঙা তাপদনা মিনিট তরামঙা য়াংগ্রলিদ্রেদা টংকুন পুম্নগা মন্দির চংতুনা লাইখুরুমই। হুজিকস্তু মিনিট তরামঙাদি য়াংদি অতুবু টংকুনবু তুম্বদগী হৌদোকপদি সান্যাল মপুক্লিংনা য়াম্নিংদ্রে। নৈজরমম্মু। তুমদ্রা খিলম্মু। হরাং অহিং থেংনা তুরখিবনি। মখোল খোক্লনা খোঙথিংজিল্লগা সান্যাল কাদগী থোমক্লমই।

পুং মঙা চপচানা তাবা মতমদা এব্রাহামনা মন্দিরগী শেং হাংদোকই। ড্রিকেট শো অমা কাদর তোত্লনা পায়রমঙ্গ মহাক নৈথিরবা মতুংদিদা শো অদু মিষ্টার ত্রিভানা পায়রে, অদুগা মহু ডাঃ সান্যালনা জৌনিংবা মতমদা লৌই। অরোইবা অহিংগী অমম অংান শিন্নবা মরক্তা মাংখোল অদু লাম্থোক্লগা সান্যালনা এব্রাহাম নৈরিবা মন্দির ময়াগী রুম মচাশিং নৈরিবা অদোমদা চংখিরমই, অদুবু য়াম্না থাপ্না চংলুদ্রে। এব্রাহামনা ইংরাজীগী উপৈশে মগুঙক অমা হুংলা হুংলদুনা মথুংতা শোজৈ অদু পায়দুনা লাক্লমই।

এব্রাহাম! ডাঃ সান্যালনা কৌরকই।

য়েস্ স্যার! এব্রাহামনা খুমকই। এব্রাহাম চংশিল্লকই।

ঐবু ভসি খর থেঙথ্রবরা সার ?

এব্র হাম মতোমতা চিংনজতুনা হংজরকই ।

নত্তে. এব্রাহাম. ঐ ভসিদি খর ভল্লক্লবনি। লাকও. লাই-থুরু ফম কাগী থোঙ হাংদোক্লরো।

নোং ভানফুং ভানফুং তৌরকপগী শেংফাক্লবা মঙাল মরক্তা লৈকোলগী লম্বা লাম্থোক্লগা সান্যালনা মাঙ থাতুনা লাক্লমই। কালেন অহিংগী অরোয়বা পুংজানি, অতুবু অয়ুক্তা মুমিং থোক্তি-লৈগী মমাংদদি অইংবা মুংশিংনা পুক্লিং হকচাংবু তেকখৎহল্লি। মন্দিরগী শো। হাংদোক্লগা ত্রব্রাহাম চৎখিরমই। ডাঃ সান্যাল লাই থুরুমফম মন্দিরদা চংখিরমই । কা অতু মমই । লাই থুরুম্নবা ফম্পাক্তগী মোমবত্তি অতু থানগৎলগা কা মনুংগী থোঙনাও হাংদোক্লমই । মায়কৈ মরিমক অমুক হেন্না ভানথো-রক্লমই। অশোনবা মঙাল অমা হাংদোক্লবা থোঙানাংগী মরক্তগী কা মনুংদা চংলক্লমই। মসিগী মতুংদা ডাঃ সান্যালনা ফম্পাক অতুগী মনাক্তা চংশিন্নুনা মোমবত্তি অতু মুম্খৎলগা মমাংদা থারিবা বেঞ্চ অতুদা ফমথরমই। অহিং চুপ্পা তুমদবনা চোকথরবা মমিৎ অনিতু মতোমতা উইশিল্পরক্লমই।

সেন্ট মেথ্যুগী গোসপেলগী লাইন খর মিৎ মাঙদা ময়েকশেংনা ফাওরক্লমই। য়াম্না শেংনা উরমই। The Blind receive their sight, and the lame walk, the uper are cleansed, and deaf hear the dead are raised up, and the poor have the Gospel preached to them.

খঙ্হৌদনা কনানো অমগী অথোংপা মখুংনা হাইফেজং শোক্লকপদা থংগ্রেক থংনা সান্যাল তুং হন্না য়েংথোরকই। টুকুন! মরকসিদা তুম্বা হৌগংলক্কুনা লাই খুরুমকন তান্না সান্যাল থিবা লাক্লিবনি।

বাবা, নঙনা ঐবু হৌদোকলমদনা নতোমতা চৎখ্রিবা করিগীনো?

লাও ইবেম্মা। নঙদি ওরাং য়াম্না থেঙনা তুমখিবত্নদা নঙবু হৌদোক্লমগ্রবনি। টুকুনবু মনাক্তা চিংশিল্লি য়াম্না নুংশিনা।

॥ তরামাপল ॥

সুচিত্রাদি খঙখি চিঠিগী পাউখুম মহাক শোয়দনা ফংগনি হায়বসি। অদুগা অমুক থুনা চিঠিগী পাউখুম পীরক্কনি হায়বদি থাজরমদে। য়াম্না কুইনা ভাইবা নত্রগম্ মহাক্তা ভাইখিবদুদি য়াম্না লাংতক্লখিবনি। চিঠি অদু হাংদোক্লুবদা সুচিত্রাদি আশা অমা কায়বগুম তৌরমই। য়াম্না তেনবা অমদি শন্না ইবা চিঠিনি। লাইন অনিদনি। অদুবু লাইন অনিদা ওইরবস্ মদু খল্লনা মপুং ফাবগুম তৌই। য়ামগ্রবদা ডাঃ সান্যাল হুজক ফাওবা মিশনদা লৈরি হায়বা ফাওবসিতদি খঙলে। মদুদগী হেন্না থোইদোকপা ইরক্তে।

কালোভ্রমর শিখ্রে। তেল্লবা পাউ অসি তাবদা নিংথমথা লোইগ্রদুনা য়েন্নিং থাগী মেঙলবা নুংশিৎকা ইগোম অমা

শন্দোরকপগুম খল্লকই। হাংদোক্রবা খোঙনাওগী লম্বীদা সুচিতান। মপানলোমদা য়েংথোকখি। অয়ুক্কী মুংশা মঙালদা মাঙদ তারিবা পাক্লা শন্দোকখ্রিবা ইউ, পি, গী লমহাং অহ্ মশাবু অয়েংপা কয়াদগী নাপ্তোকচরবগুম উরকই। মফম অমত্তদস্থ অমকপা মচেৎ অমত্তা উদ্রে. লৈত্রে চোকথবগী রাও থাংলবা মমি। মপুক্লিংদস্থ হায়দোকফম খঙদবা মুঙাইবা অমা ফাওরকই সুচিতাগী। য়াম্না ঙকপা পুক্লিংগী ঈহৌ অমনি। চৈনাখোল অমদি মুঙাইবগী কপ্লিংবা নোক্লিংবা মরক্তা তিনশিন্নখিহনা মশা শীনবা থুংনা খঙহৌদনা ঙসিগী অয়ুক অসিনা ময়াই কাহল্লরে।

চিঠি অহ্ চেকশিন্না ড্রাবার মনুংদা হাপচিল্লগা সুচিতা খোংথাং তপ্পা থাংহনা মমাংগী মাঙ্গোন্দা লেপ্পরমই। কা মনুংদা ফাজিন্দুনা লৈবহ্ খুদক অহুদা পাম্নক্করে। লেঙলি পাল্লিবা পুম্নমক্কী চেৎনা লোল্লম্বা থোঙজাও ঙসিদি খঙহৌদনা কনাগুম্বা অমগী মিত্রং হৈবা মখুৎনা শোকপদা হাংদোকখ্রে। মপান নাইদ্রবা কোরৌগী মঙালনা অতিয়াগী মায়কৈ অমদগী লাপ্পা শন্দোরক্লি। চমোংচনৈনবা উফুল থাংবগী খুদম অমত্তা লেমহৌদনা চাখথোক্কনা মাঙহনখ্রে।

॥ কুন ॥

নোংঙাল্লকই অমুক চৎখি। অহিং লাকই মাম্ব চৎখি। অম্বম তৌনা নোংমা নোংমা হৌখিহনা চয়োল, থা অমম্বং চহি

লান্তোকথি। শাংলবা চহি কয়া অয়ম তৌনা হৌপ্রে। চহি কয়া অংসদা অহোংবা খরম্থ উরে। ডাঃ সান্যালগী মিঃ সান্যাল হায়বা মিং অসি পুস্নিগী লোয়া লৈবা মরকসিদা চহি কয়া হৌখিবগা লোয়না লোয়ননা হকচাংগী অমদি য়াখলগী অহোংবগা লোয়ননা অমুক হন্না ডাঃ সান্যাল ওল্লক্লে। য়ানা হোৎনত্তুনা হৈরুবা লায়েংবগী বিদ্যা অহু ডাঃ সান্যালগী মপুন্সিগী থোদাং অত্নগা অমুক্কী মতিক চুশিন্নখি মতুদি, অয়ানবা শক্তমদা লৈনা লৈনা মতুবু অমুক হন্না লৌশিনবা নত্তনা উপায় লৈখিদে। এলো-পেথি নত্তে, হোমিওপেথিগী মাইথুম উপ্তুনা ডাঃ সান্যালনা মাগী লায়েংবহু হৌগংতুনা মীয়ক্তা তিল্লকপদগী চহি থরগী মন্নুংদা ফিভম অমা তাক্করমই।

অভৌবগা অমুবগা য়াম্নবা অশাংবা খদাংকোই, মকোক্তস্থ পোক হোরে, অত্নবু হকচাংগী ফজরবা শাবান অত্নুনা হুজিক ফাওবা কল্লি হায়বা তাক্লি। ময়ামত্নগী মথক্তা মতম কুইনা ইন্দ্রি খুত্নম চল্লকপা অমদি য়াখলগী সাধনা তৌয়কপনা মমায় মমিৎতা ঈংলবা মঙাল অমা উরি।

য়োকচবী মচান্নুপী মঞ্জরী হুজিক্তি চহি তরানিপাল হায়রক্লে। মথোংকারকপগী মিত্রংনা শোকলুবদা মশক্তা মতৌদা মাধবী লৈরাংগুম্না শাংকায়রক্লে।

॥ কুনমাথোই ॥

ডাঃ সান্যালবু কাওথোক্লমদে মী অনিনদি। কিরিটিগা সুব্রতগা। পুলিশকি মকোক ওইবশিংনা থাজদবগুম্না মথোয়স্তু কাদ ভ্রমরনা অসুম তৌনা খংহৌদনা কাওথোকপগী লৈখা ফংদ্রবা সমুদ্রদা লুপখিগনি হায়বসি থাজরমদে। মরক মরক্তা কালোভ্রমরগী মরমদা মথোয় অনি ৱারী কয়া শানৈ। সুব্রতনা হায়রকই, কিরিটি নঙবু তশেংনা থাজবরা কালোভ্রমরসিবু অথাপ্পা দেশ অমদা চেন্দুনা লোংলমগনি হায়বসিবু ?

থাজদে, শুকথা থাজদে। অমুক্তা হেন্না মতমহৌদি লানগী মতমনি। য়াম্না চরাঙনবা তাঞ্জানি। মহুগী মতমহুদা কনাগুম্বা অমনা ভারতবর্ষদগী সমুদ্র লান্থোক্তুনা অতোপ্পা লম অমদা চেন্দুনা লোংখিবা হায়বসি ওইররোইদবতা নত্তুনা থাজনিঙাই লৈত্রবনি !

অদু ওইরবদি ? মহাক শিত্রে হায়বহুস্তু নঙ শোয়দনা থাজরম্লোই ?

মহুদি থাজদে।

অদুবু ৱা অমদি ফল ইতা তাদ্রে, মাগুম্বা হুরান-চিন্থি মী-হাংপা তোদ্রবদি লৈবা ঙমদবা মী অমনা অসুক কুহবা মতম অসি করিমতা তৌজদবা সাধু শাহুনা লৈবা ঙম্মিবসিনা করম হায়নবো ? নত্রগা মাবু থাঙ্গেশেংনা সাধুদা সাধু ওনখ্রবা জাংলনে ?

অঙকপা নত্তে, ডাঃ সান্যালগুম্বা মী অমগী মফমদদি।

ঙ্গাইমগদি মাগা পোক্লকপদা লোয়নরকপা মরী লৈবা নত্রে। মরাইবক্কা য়াদত্তুনা মা অত্তু পাপনা কোয়শিনখিবনি হায়বদা হায়-মনবা "খোক্লোই। হায়রিবা ফিভমত্তুদা তারবদসু পাপ অত্তুনা চীকপা থাঙনবা চাং নাইনা 'মোরফিয়া' ইঞ্জেকশন কাপখি। মহাক্না তৌখিবা, তৌরিবা পুন্নমক চুম্নগী টেমপ্ররি ইনসেইনিটি (মতম খরগী ওইবা অঙাওবা) অমদগী হৌরকপনি। মাগী রাখলগী ওইরিবা ফিভম অত্তুবু কান্নমগা কালোন্ত্রমরবু সিনি হায়না লেপথোক্ক হায়রবদি নঙ অতুনা কংলরোই সুব্রত।

অঙকপগী মিন্নুংশিনি কিরিটি নঙগী, মঁহাংপা ডাকু অত্তুগী মফমদা!

রাহুলাল। মসি ঐনা মঙোন্দা লৈবা মিন্নুংশি অত্তু নত্তে সুব্রত, অশেংবা হায়বত্তু ঐনা য়াজবত্তনি। করিগী কাওরিবনো মাগী হৌরকপা, সমাজ, শিক্ষ অমাদময়ামত্তুগী মথক্তা কলচর অত্তুগা পোকপদা লোয়নবক্রবা মাগী মগুণ? ডাকু নত্রগা মঁহাংপা অমদি মহাক কৈদোইঙদা ওইখিদে। পাপকি ঈদি মহাক্কী হকচাংদা চেনখিদে মপা মপুগী হাক্তক্কগী। মহাক্না তৌগ্রবশিং অত্তু ভাইহাক্কী নিশা অমদা লমন থুম্নিংবনা থাওত্তুনা তৌখিবান—কারি হায়বা! দীনতারণ চৌধুরীগুপ্তা শোগ্রগ্রবা ভদ্রলোক অমবু মরম লৈতনা হাংখিবা, ডাঃ চট্টরাজগুপ্তা মী অমবু হাংকে হায়না হোংনরম্বা মীওইবগী মরমচৎ নৈনবগী শক্তি অমা ঐগী লৈজ-রিবসিনা অরানবা ওইদ্রগদি, নঙগী তাসগী রাহং অসিগী পাউথুম মহাক্কা শিত্রিবৈগী মমাংদা শোয়দনা পীরমগনি, ঐনা অমুক পীবগী দরকার লৈদ্রোই। কিরিটি নঙনা হায়গেমথৈ হায়জো, মাবু

করিগুম্বদা অমুকুং খুবামসিনা পায়শিনবা ফংলবদি, ক'াসিগী থোৱীদা য়ালহল্লবা ঐনা শোয়দনা শানগনি ।

কিরিটিনা নোক্লা নোক্লা হায়রকই সুব্রতনী রাল্ল ভাবদা, তাঙ্গাহৌবু ঐনা নাং‍োকহনগন্নবে! অরানবু মিল্লুংশিগী বুদ্ধিনা নৈনহুনা য়েংবা হায়বর্সিদি ভাকপীবা নত্তে ।

॥ কুম্মিথোই ॥

শা'লবা চহী কয়াগী মতুংদা নোংলৈ ন্নুংশিংকি মমি অমুক তম্নরে ইমম মন্না অতিয়াগী চিদাই অমদা থঙহৌদনা থুংলৈ থুনা । পুং অনি তাপ্রবসু অহিং মনৈদগী তারককখিবা নোং অহুদি লেপ্পা লৈরমদে । জন জম লাওনা অতুম্মক চুথরি । মবক মরক্তা খামলু-রবসু অমুক হল্লা চুরকই । মায়কৈ মরিদা ইফক ফকটিনবা মমি অননা লৈরিবা খুদিংমকপু য়োৎশিনখিবগুম ভোরমই । লম্বী লমজাওদা ঈশিং তুংহুবা লৈখোম্না থ্রোক থ্রোক লাওরে ।

শহরগী মত্তাইদা লৈবা ইপাক পাক্লবা লম্বীমচা অমনি । লৈখোম অমদি ঈশিংনা চংপা য়াংত্র । লম্বীগী নাকল অনিদা । লৈরিবা কোৗগা লবুকশিং অহু ঈশিংনা নাক নীক লাওরে । অথাপ্পা শহর অমদা অরুবা অনাবা অমা য়ে'লুমগা ডাঃ সান্যাল শগোল গাড়ী তোংহুনা মিশনদা হল্লক্লই । শগোল গাড়ী অহু মিশরজীনা থোরকই । লম্বলগী মচি অমদা হুরা গাড়ী অমা লৈখোম থাংলবা সোরোক্তা চাকা ফুমশিন্নুনা চংপা য়াদনা লৈরমই । গাড়ীগী মনাক্তা অমদি, মতুংদা মী অহুমথক লৈরমই । অমদি রেনকোট

লৈংলি, ভদ্রলোক মশিং. অত্তোপ্পা অমিত্তুন' মকম অসিগী মীপুংবিং
গাড়ী অদু লেখোম মরক্তগী কুপ্পংনবা কন্না হোংনহনা লৈরমই।

লবেল অদুদা ডাঃ সান্যালগী গাড়ীদুমা থেক্নুনা চৎপা য়াবা মকম অমত্তা লৈরমদে। মরম অদুনা ভড়াইকদনা মিশরজীনা শগোল গাড়ীদু খাম্বা ভারমই।

ডাঃ সান্যালনা মিশরজাদা য়েংলগা হায়রকই, চৎলো মিশরজী ঐখোয়শু য়াওশিন্দুনা মখোয়গী মতেং পাংশি! মখোয় অনিমক শগোল গাড়ীদগী কুমথরক্লমই। লোংস্থু ভাইহাক্তংগী শুরুনা হাংখ্রে। ডা. সান্যালনা রেনকোট লৈংপা ভদ্রলোক অদুগী মনাক চংশিন্দুনা হায়রকই. ঐখোয় অশি শুরি, য়াওজো হাযব্রা?

য়াওবিগে হায়বা! য়াম্না নুঙাইজরে। রেনকোট লৈংপা ভদ্রলোক অদুনা ডাঃ সান্যাল লোমনা য়েংখোরকই। খুদক্তুমক্তদা ডাক্তরগী লিংথৌ-পাবন পুন্নমক্তা জিং লাওনা ভুজুংবগী ইপোম অমা হৌরকখি। মতম শাংলক্লবসু নিংশিংবগী চেনাশিংদুদি মথি। লোংখাং কুপ্পকপগুম্না নিংশিংবগী চেনাশিংদু অমম্বা মপক্তা থঙহৌদনা লংথংলকই। অদুবু থোঙ্গদোক হেন্দোক্না পাইরক পাইথুদা হৈশিংলবা ডাঃ সান্যালনা মপাব্ লাকশিল্লগা হায়কেঙং লোক্তুনা হায়রকই, অদুম হায়না লিশিংলক ঈল্লবসু গাড়ীগী চাকাসিনা চংখ্রিবা ফিভম অনিদদি থজিক্তা ফাওবা লেঙলরোই। হায়দুনা মপাদগী মফি অদু লৌখোক্তুনা মিশরজীদা পীরগা ভাক্তরনা ময়ামদা য়েংলগা হায়রকই, ঐ চাকাসি থাংগৎচগে, ময়াম্না মমিক লোমদগী ইনবীরকউ।

ময়াম পুম্নমক অদু ডাঃ সান্যালকোমদা ওকা য়েংখোরকই।

মপোক হৌরবা পিশুম ওৌরবা অহল অসিনা হায়ববু চাকা মখুৎনা থাঙ্গৎকে হায়বা? মসিবু অঙাওব্রনে? অহল ওইরবা মিশরক্তীসু চময়ক্তুনা মহাক্কী মবুংঙোগী মমায়দা য়েংতুনা লৈরমই।

অতুবু ডাঃ সান্যালদি করিগুম্বা অমম্ভদা মপুক্লিং চংদে। গাড়ীগী মনিঙ থংবা ওইগী চাকা অতু শরুক মরি থোকপগী শরুক অমদি লৈথোমদা ফুমজুনা লৈরি। ফুরিংকি খুদাংতু থেক্কৎলগা মশাতু লুকথদনা চাকাগী রিম অদ্ কল্লবা মথুৎ অনিদনা চেংনা পায়রমই, মখোয়রোমদা অমুক য়েংদনা থোদাবগী মওংদা হায়রকই, য়েংবীয়ু, ময়াম্না ঐনা 'রেডি' হেক হায়বগা গাড়ীসি মাঙলোমদা থংইন ইনবীরকউ! রেনকোট লীৎপা ভদ্রলোক অদনা ডাঃ সান্যালদা চাগদবমথৈ য়েংতুনা লৈরমই। অমম্বনা কুপগ্রবা নিংশিং-বগী ফিজক্তদা শেংকাক্তবা ময়েক থয়। মপাঙ্গল কল্লবা মপ্পাম্বোম অনিং-গী ঈ, তোং, শিংলিশিং প্রিংদৌনা তেকথৎলক্লনি হৌজিকমক। শোরথিংলগা হকচাংগী লৈজবা পাঙ্গল ফুদাক্তনা লৈথোম মহুৎদা চংগ্রবা গাড়ীগী চাকাতু ডাঃ সান্যালনা তপ্না তপ্না মুকপা হৌরকহ। তপ্না য়াম্না তপ্না শক্তি অমদি অঙম শানবগী মচিং অতুগী মরক্তা ভূমতুনা লৈবা নোংশা অমা হৌগৎলকপগুম উরকই।

থায়ন মমাংঙৈদা, বারীম্না হায়বদি কনাসু থংদে, মহাবীর কর্ণগী দোলাই চাকাবু লুরবা তাল্লক্তা চরাম্নবী মালেম্না য়োংখি! নোংদমথীবনি! ওসিনা কনাগুম্বা অমগী মালেম্না য়োংশিনগ্রবা দোলাই ফুকৎনবা হোৎনবদা ডাঃ সান্যালগী মরাইবক্তী অভিযাদা শোয়কক্তবা নোংদমথীবগী মিৎয়েং অমা তারগদৌরে হায়বসি কনা-মক্তনা থংগ্রবসু মীশক অমনদি করিগীনো থংদে মপুক্লিংদা খজিক্তং

ফাওখিবগুম তৌই।

খণ্ডহৌদনা মখোল হৌদবা য়াথং অমা তারকই, রেডি ! অঙকপনি ! চাম্লনা ভকত ! লৈবাক্তা ফুমগ্রবা গাড়ীগী চাকা অমুং অয়াম্বা শরুক মখৈ মথক্তা কাথংলক্লমই। ময়াম চঙহুনা গাড়ী অদু লৈখোমদগী চিংখংলক্লমই। ডাক্তরদি মতমদুদা লৈখোম লৈনাং তৈরবা মখুং অদু রুমাংলনা তৈথোক তৈথোক্লা মুংশাংশোয় ফুইনা ফুইনা হোল্লমই।

রেনকোট লীংপা ভদ্রলোক অদু মনাক্তা চংশিল্লকই, তশেংনা মিরাকল অমা উৎপীগ্রে অদোম্না ! হায়না হায়না খণ্ড-হৌদনা ডাঃ সান্যালগী মপানম্বাম অদু উরুবদা বা ঙাংলিবা মী অদু খংপ্রেক খংবগুম তৌরমই, অঙকপনি ! অঙকপনি ! ডাঃ সান্যালদি ভদ্রলোক অদুনা রেংলিবদুদা নাচুংদনা মকুরিংকি খুদাং থেকখত্তুনা লৈরমই। কদায়দগী, মসিদা মিরাকলগী বা লৈতেদা ! হোংনরবদি অদোমসু হেক্তা ঙম্বীগনি। হেন্না হায়-জিনবীরগা অড়ম্বা খক উইবা হাই নত্তে। মতম অমদি ঐসু চাং নাইনা বারবেল থাম্লংখি, অদুবু মদু অতোম্বা রাফন অমনি। মসিদি ঈশ্বরনা পীবা শক্তিনি !

জন-জম হায়না অমুক হন্না নোং তাথরক্লমই মতাং অদুদা ডাঃ সান্যালনা বাম্না থুনা হায়রকই ; চোংলদো, থুনা গাড়ীদা চেনখংপীত্তুনা ষ্টার্ট তৌবিরো ! ডাঃ সান্যালসু শগোল গাড়ী-রোমদা চংশিনখিরমই। অদুগা অদোমগী মিং লৈকম্নচিংবদি ? খোইদোকপা লৈজদে, ইচম চমজবা মীনি, মিশনদা লৈজে।

নোংমা ফাওবা মপুংফানা লেনখিদ্রি। মথং-তুমিংকি পুং

তরামাথোই তাবদনি। থোঙশঙবা চংলক্লুনা ডাঃ সান্যালগী কাদা পাউ পীরৈ, ভদ্রলোক অমনা মহাক্কা অমুক্তা উম্নবা পামই। য়াম্না লুবা বারী অমা শাগদবনি হায়না। মতুগা লোয়ননা মাগী কার্ড অমসু পিশিল্লমই সান্যালগী মথুংতা।

ডাঃ সান্যাল মাগী কাদা ফমদুনা টেবিল লেম্প থাঙৎতুনা লাইব্রিক অমা পাদুনা লৈরমই। বেদান্তগী লাইব্রিক্লি। মঞ্জরীনা চাওখংলক্লবদা চহী অনি অমুক শুরক্লে ডাঃ সান্যালনা মাগী কাদুগী মচি অমদা পার্টিশন তোদুনা হিল্লগা অংতাপ্পা নাকন্দা. মঞ্জরীনা তুম্না হিপ্লবা অমদি লৈনবা কা শেমদোকখিবা। মঞ্জরীদি হকচাং ঙমদবদগী মুমিদাংগী পুং মাপল তাবগা তুমখিরমই। থোঙশঙবগী মথুংতগী কার্ড অদু লৌদুনা অমুক্তুং য়েংলগা হায়রকই, চংলো, ভদ্রলোক অদুবু ভিজিটর্স রুমদা ফমহল্লম্মু। হায়রম্মু ঐ থোক্লক্লগে হায়না। অঙকপা মীনোক অমা ডাঃ সান্যালগী মচিন্দা উরকই। থোঙশঙবদু য়াথং ইন্দুনা চৎখিরমই।

অহিং লোইশিল্লকপগী মতমনি। শাংলবা চহি কয়া লোয়না লৈরকপগী অংৱায়বা অ ইংনি ঙসি! পুংকম অসি ডাঃ সান্যালনা অমুক কুইবসি ঙাইদুনা লৈরকপনি। তুংশিন্দুনা লৈরম্বা চরাংনবা অরাবা অদুগী অরান খুভমনি ঙসিদি। মপান্দা জমজম লাওনা নোং তাথরক্লমই। নোংলিক চেনবা অঙাওবা মুংশিংনা থোয়ত্রিং খোইদ্রাং তৌনা থোঙগী অহোবা মরক মরক্তা ছুই থোংজিল্লক্লি। কনামত্তা তুমদনা লৈবা য়াওনদ্রে। মশাদা চাদর অমা কুপশিল্লগা থোঙ হাংদোকলা তুমিল্লা ডাঃ সান্যাল কাদগী থোকখিদুনা অমম্বা মাঙ্গোন্দা লেপ্লরমই।

॥ কুনথুমদোই ॥

মিশনগী য়ুম অতুগী মপান থংবা শকক্তা ভিজিটর্স রুম লৈ। অশাংবা মাঙ্গোলথু লাম্থোক্লগা ডাঃ সান্যালনা ভিজিটর্স রুমগী লোনশিল্লম্বা থোঙ অথু হাংথোক্তুনা কা মনুংদা চংলকই। কা মনুংদা চৌক্রিদা ফম্লম্বা ভদ্রলোক অথু হৌগংলক্লমই। থরগা চংশিল্লগা ডাক্তরনা হায়রকই, নমস্কার লেংশিনবীয়ু, লেংশিনবীয়ু সুব্রত বাবু ফম্বীয়ু। ঐ থংজৈ অদোম থুনমক মফম অসিদা লেংঙকনি হায়বসি, অহুব অসুক থুনদি! অদোমনা ঐবু চিংনগ্রে হাযবসি ঙরাং নুমিৎ য়ুংবা মতমদা গাড়ীগী চাকা ফুক্কৎপা হেক লোইবগা থঙাখ। হায়না হায়না ডাঃ সান্যালসু মনাক্তগী চৌক্রী অমা চিংশিন্দুনা ফমথরমই।

অঙকপনি, অদোমনা ঐবু লাকশিনবা ঙমথিব্রা ডাঃ সান্যাল!

অমুক হকায়বা পীবিরনু। কাওথোকপিরিবা কম্নিগানো, ঐ কালোভ্রমর, ডাঃ সান্যালনি। য়ামদ্রবদা মত্ত ফাওবদি ঐ অদোমদগী আশা তৌজদবনি সুব্রত বাবু! অতুগা ঐনা করি খঞ্জখি থঙবীব্রা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী? থঙনিংবগী মীৎয়েংনা সুব্রতনা য়েংলকই কালোভ্রমরগী মমায়দা। অমেঙবা মকালাম্বা মীনোক অমা মমায়থুদা শন্দোরকই। কয়াদা ঙকপ্রবা অমদি অঙকপা তাঞ্জানো! মসিবু ওইরমগনি মথম্মোয় য়াওদবা নিয়তি হায়নরিবদো। অদোম্না অরাপ্পা কলিকাতাদা লৈবনি, অতুগা ঐনা

ইউ, পি, গী মশক খঙবীদ্রবা শহর মচা অমদা লোম্না লৈরিবনি, অত্তুমক্তদা উম্নরে ঙসিদি ঐখোয় অনি। মসিবু ওইরম্বা ডাই ফাগী তৌড়ুনা হায়নবা পুন্সি কবিতা হায়বত্তু।

মত্তুমকতি নত্তে ডাঃ সান্যাল!

করম্না ?

অশেংবনি। থা অমগী মমাঙদা তৌখিবা বেনারসকি মিউনিসিপাল কনফরেন্সতা নমখিবা গ্রুপ ফোটো অমগী মমুংদা অদোমগী হৌজিক্কী শকফম অসি হেক উবগা কিরিটিনা ঐঙোন্দা ফোটো অত্তু উৎলগা হায়রকই —

মরক থৎতুনা ডাঃ সান্যালনা হায়রকই, মত্তুবু ওইরবস্তু অমুক য়াম্না কনবা নিংশিংবগী শক্তি অসিবু কনাগী ওইগদগে ? অত্তুনাদ কিরিটিরগয় মক্কি ! কোক নোঞ্জরি ঐগী মরুপ অত্তুগী মফমদা। অত্তুগা অত্তুমদি হায়বা তারে নোংদমথীবনি ! নত্রগবু অমুক কুইবসি ঐগী ফোটো অমত্তা লৌহন্দবনি, থঙহৌদনা থা অমুকী মমাঙদা বেনারসকি কনফারেন্সতদি মত্তুবু কাওথোক্লুরিবা কার গীনো ? মসিবুনি নিয়তি হায়নরিবা। মালেম্না অদোমগী দোলাই কাংথোংসে য়োৎথ্রে, অরোয়বা পূজা নকশিল্লক্লে ঐগী ! মসি লায়রি, কিরিটি বাবুনা ঐগী ফোটোত্তু উবগা করি হায়খিবগে — য়াম্না থঙনীংলে !

হেক য়েংবগা মহাক্না ঐঙোন্দা হায়খি, সুব্রত, অমুক কুইরবসিগী মত্তুংদা ঙসিদি নঙগী বৃহন্নলা শাবা সব্যসাচীগীদর্শন ফংলমাল্লে। ঐদি তাবদা ঙকখি। ফোটো অত্তু য়েংবদা করিমত্তা থঙবা ঙমখিদে। থবর অত্তুগী প্রিন্ট অত্তু য়াম্না ময়েক শেংলমদে।

মসিবুনি মহুং ফাওনা উবা হায়বত্ন। অত্নদগীদি ? হায়রকই, বেনারসতা চৎলু, অত্নগা মসিগা মিঃ সান্যাল অ.স থিয়ু। অত্নবু ঐদি খনববু ঙমদে, অদোমনা অদোমগা অশেংবা পদবী ফাওবা য়ান্দুনা চৎলি হায়বসে !

কালোত্রমরনা নোক্লগা হায়রকই অদোমগী মরুপ্তা হুংবিরগদি খঙবিগদববনি, অরোনবা ফিজেংত। লৈরিবৈদা অরোনবা মিং শিজিন্নদবা হায়বসিনা হেন্না অশিংবগী থবক্নি। মসিগী মতুংদা ঙাইহাক্তং মখোয় অনিমক তুমিন্না লৈনখিরমই। মপান্দা নোং চুন্নি অতং-অথম লৈতনা। নোংজুগী অহিং অত্ন জগোয়দা লুপ্নি।

মখোয় অনিমক না ঙাংনদনা মমায় ওনশিন্নত্নুনা লৈনরমই। অচৌকপত্ন থুগায়রিবনা নোংগা লেপ্তুবা না-না. লাওবা খোঞ্জেল অত্নতনি। সুত্রতনা অমুক হন্না অচৌকপত্ন থুগায়রকই, য়ান্না লুঙাইতবগা লোয়ননা খঙহন্নরি ডাঃ সান্যাল পুলিসকি কর্তৃপক্ষগী স্পেশিয়েল পাবার অত্ন ঐত্তোন্দা পীরি অদোমগী মতাংদা, বেনারসকি পুলিশ সুপর সত্যশিব পান্দেসু গেটকি মপান্দা খুৎশু খুৎলায় লোয়ননা জীপতা ঙাংত্নুনা লৈরি।

শেম শাত্নুনা লাকপীরবনিনে অসুক থেঙলবা অহিংসিদা !

হোয় অত্নগা চরাংনবদি ঐখোয়না থোকহনবা পামদে। অদোমগী হুজিক লৈরিবা সোসিয়েল পোজিশন অত্নগা ষ্টেটস অসিবু মাংহন্দুনা কান্নদবদা —

খঙজরে, থাগৎচরি মহুগীদমক্তসু। ঐসু মঙং অমদদি শেম শাজরবনি। অহুমকপু ঐগী অরোয়বা হায়জবা অমত্তং য়াবিন্নগদি—

তঙাইফদনা য়াজগনি, হায়বিয়ু।

মঞ্জরী ইচানুপীসিগী মফমদগী অরোয়বা বিদায় লৌনবা মতমতুদা পীখিরবদি'। ভৌবগীদি অদোমন্ত ঐগা লোয়ননা লাকপীবা য়াগনি; অদুগা খোঙগী মপান্দা লৈবিরম্বা তাই।

নত্তে নত্তে, অদুগীদমক্তব; য়ানি, অদোমগী ইচানুপী হায়বদী —

শোল্লবা লুংনাংবা মীনোক অমা চোংথললকই কালোভ্রমরগী মচিনবান্দা, হোয় ঐগী ইচানুপী টুকুন। মঞ্জরী মহাক ঐগী শাংলবা চহি, কয়া অসদা তানশিঙ্গবা লাইনা খৌজানবিরকপা লননি।

ফরে, ঐ সিদা ভাইজরমগে, অদোম চৎপীরো। অদুবু পুংখায় অমদগী হেম্না —

থাগংচরি, মতুনা অহুম য়ারনি।

ডাঃ সান্যাল অতপ্পা খোংথাংদা লাওনা থাংহুনা কাদগী থোকখিরবই। ডাঃ সান্যালনা কৌবদা তুম্বা কায়হুনা ফমুং মথক্তা হৌগৎতুনা ফমই মঞ্জরী, বাব!

ইবেম্মা। অদুদগী ভাইহাক্তং লেপ্লগা হায়রকই, টুকুন ইবেম্মা, নঙ নিংশিংলিব্রা, নোংমা নঙোন্দা হায়খিবদা, মমাংগী পুক্তিগী থোদোক অমগা মরী লৈননা ভসি ফাওবদা পুলিশনা ঐবু থিরি — অকিবা লাংভক্কবা য়ান্নবা মথুং অনিহুনা মঞ্জরী ডাঃ সান্যালদা থংকোন কোনশিল্লকই, বাবা!

মুংশিনা মচানুপীগী মনঙন্দা নানবীহুনা ডাঃ সান্যালনা হায়রকই পুলিশনা ঐবু পুগদকগী মপান্দা ভাইহুনা লৈরি ইবেম্মা —

মত্তে নত্তে নঙবু ঐনা থাদোক্লোই!

ঐগী মরমওকপী ইচানি—

নত্তে বাবা, নত্তে, পুলিশনা নঙবু শুককা কাহল্লোই।

নত্তে! অথিংবা লৈতনা মপী তারকই মঙ্গরীগী মমীৎ অনিদগী।

মতম লোইশিল্লক্লে ইবেম্মা। ঐবু থাদোক্লো। মখোয়না ঐবু ভাইহুনা লৈরি। নঙনা নমীৎতগী নপি তারবদি ঐগী পুল্সিগী অরোয়বা মরুওইরবা থৌদাংসি করম্না পাংথোকনি ইবেম্মা! নত্তে-নত্তে, চৎলো বাবা, চৎশি, অহিংসিদা ঐখোয়নি চেনথ্রশি লৈকোলগী থোঙজাওহ্ ফাওরগা। মখোয়গী মথুৎতদি ঐনা থরার থার, ফাওবদস্থ নঙবু তাহল্লম্লোই।

অহুবু য়াব্রনে ইবেম্মা! পাপকি প্রায়শ্চিত্ততি ঐগী তঙাই-ফদবনি।

থাজবা ঙমদে বাবা, নঙশুম্বা মী অমনা পাপ তৌরমগনি হায়বদো। অহুগা মমাংঙৈদা চাওবদগী চাওরবা পাপ তৌরম্লবস্থ ঙসিদি করিমত্তা লৈরম্লরোই। ঙসি নঙদি পাপ মরামগী মথক্তা লৈরবনি। মৈ ঈরুবা পাপ য়াওদ্রবা মীনি নঙদি।

নত্তে ইবেম্মা, নত্তে-নঙদি ঐনা পোকচবা নত্রবস্থ অপোকপা ইচাদগী হেল্লবনি। নঙগী নপা ঐঙোন্বগী হেম্না মরাইবকথীরবা মীওই অমবু সংসারসিদা অমুক লৈরমথিগদ্রা?

মহু ওইজসমু, অহুবু—অহুবু নঙবুদি ক্লাহল্লোই। মায়থীবা অসি নঙনা লৌবহু ঐ য়ারোই, য়াব্রোই! মায়থীবা নত্তে।

করিনোনে ইবেম্মা নঙনা হায়রিসিবো!

মায়থীবা নত্তে? নঙগী মী অমা ওইবগী নত্তিক নঙাল অমা

মীনা খঙনরিবহুগী মায়থীবনি। ত:শংনা মসিবু মায়থীবা ওইবা তোরবা?

মানি, মায়থীবনি! মহুগী মথক্তা মঞ্জরীগীদমক্তসু হুজিক ফাওবা কন্নিমত্তা হোৎনজ্রি! মপা মমা কায়নরবা অং।ংমচা অমবু নোংমা মিন্নংশি উৎতুনা মথাদা কোনখৎলগা অসুক চাওবা ফাওবসি য়োকখৎলক্লগা মাগী হিংনববদি করি তৌব্বিরে? মশ বু অসুম্না ফাহঞ্জগ্রগা নোংমদি মঞ্জরীনা লোইনমক ময়েকশেংনা খঙলকপহুগী চৈনাখোল অহু মহাক্তা করম্না খাওগনি? নত্তে। হান্না মঞ্জরীগী মকম অমা চানবা শীনবীবা, অহুগী মতুংদনা অ:তোপ্পা মখোওনা থোংনা নোংমা লৌরুবা দায়ীত্ত অহু মপুং ফাহনবগী দার্যী মহাক মতোমতগীনি। চুমই। ফাহনবা যাদ্রে।

বাবা?

মানি ইবেম্মা, নঙনা হায়রিবহু অচুম্বনি—থুনা শেম শারো, হুজিকমক ঐখোয়নি চেন্নশি।

অহুবু বাবা মখোয়দি—

চিংনগন্নু ইবেম্মা, চিংনগন্নু। নঙদি ঐবু খঙদে, অহুবু ঐবু কাবা লাক্লিবা মখোয়নদি ঐবু খঙই। ঐনা ইখোঙনা থোংনা ফাহন্ত্রিমখৈদি ঐবু কাবা য়ারোই হায়বসি মখোয় খঙদবা নত্তে। অহুবু ইবেম্মা, হরি অপ কিক্!

তুমলুরবা নোংশা অমা খঙহৌদনা হৌগৎলক্লে। লোৎতুনা লৈরুবা শক্তি অহু খঙহৌদনা শাফু কংবদা মশা খীঙদোক্লগা ঙবা হৌরকই। অপীকপা সুটকেশ অমগী মখুংদা মরুওইবা পোৎ-চৈ খর অমদি য়োংকি উপু অহু হাংদোক্লগা য়াওরম্না শেল কুং খর

মনাক্তা লৈবা থোঙ অদু ফাওদুনা শগোলদু চিংলক্লগা মঙ্গরীদা মতুং ইন্নহল্লক্লমই। মতম অমদা ডাঃ সান্যাল শগোল তোংবা অহৈবা অমা ওইরমই। মঙ্গরীবু হাম্না শগোল মথক্তা থাঙ্গৎলগা মনাক্তা মশামক চোংথৎতুনা ফমখিরমই। শগোল অদু য়াঙনা চেনখ্রে অমম্বা নোংজুগী অহিংতুদা ফৎখিদ্রবা লম্বী অদুদা।

॥ কুনমরি ॥

পুংথায় অমুক হৌখিদুনা পুং অমা হায়জিল্লক্লে, ডাঃ সান্যালনা চায়রম্বা মতুংইন্না মহাক হল্লক্লে, সুব্রত মপুক্কিংদা ভাইওমদবা অমা ফাওবত্তা নগুনা চিংনবা অমসু পোক্লক্লে। অমুক মথাতানা ভাইবা ওয়্নক্তুনা মশামক্তা থোঙ অদু হাংদোক্লুনা কা মমুংদা চংখিরমই। অশাংবা মাঙ্গোলনি। অমম্বদা করিমত্তা উবা ফংদে। নোং হাই-জিল্লক্লদা মাঙ্গোল অদু ঈশিংনা পিক থনখ্রে। চমম্নরবা তৌফম থওদ্রবা সুব্রত অমম্বা ঈশিং চোৎলবা মাঙ্গোল অদুদা অপঙবদৌনা লেপ্লুনা লৈরমই। অহিং লোইরমদাইদা লোকেল ট্রেন অমা গয়া-রোমদা চৎলি। ট্রেন অদুদা ডাঃ সান্যালগা মঙ্গরীগা সেকেণ্ড ক্লাসকি অহাঙবা কা অমদা কাথৎতুনা ফমখিরমই। ট্রেন থাখ্রে। অচেনবা ট্রেনগী থোঙনাওশিংদু খিংজিল্লগা মিংশেল অমদি মতম কুইনা শিজিন্নদ্রবা সেপটিক রেজর অমা পুথোক্লুদা ডাঃ সান্যাল ফমথরমই। অমুক হন্না মশক ওম্বোকপগী দরকার লাক্লে।

অমদি খবর পাত্নুনা লেপ্লি। সন্ধ্যা মতুংদা অমম্বনা মায়কৈ মরি শন্দোকপ্রবদা গাড়ী থোদোক্লগা নোংমনা মী উদ্রবা গঙ্গাগী তোর্ব্বান্দা, নোংমনা গড়গী চম্পাক্তা, নোংমনা কার্জন পার্কতা কোয়থোকই। কৈরোয় লৈকায়গী মীশিংগা য়ারী শান্নবগী থুদোংচাবা অমত্তা মহাক্না লৌদবগুম, মহাক্নস্তু মথোয়দা পীদ্রি। লৈকায়গী মীয়াম্না শেঙ্গাও পায়বা জামিদার অমা লাক্নুনা ভাড়াদা লৈরিবনি অত্নুগা মহাক অসি য়াম্না চাওথোকপা, মী তিন্ননিংদবা মীওই অমনি হায়না লৌনৈ। মরক মরক্তা ডাঃ সান্যালনা মিশনগী য়া নিংশিংলকই অত্নুগা হুজিকস্তু চাং নাইনা মহাক্না থা খুদিংগী লুপা ৪০০ রামুগী মিংদা অতোপ্পা ঠিকানাদগী মিশন য়ৌনবা সিষ্টর রিতাদা থারি। ফাদর জোন্সতা য়াশকপ্রবনি মহাক। পুন্সিগী অয়োয়বা মিকুপ ফাওবা য়াশক অসি ভাক্কদবনি।

সিষ্টরদা ডাঃ সান্যালনা চিঠি অমা ইত্নুনা খওহনখি কয়িগুম্বা অখন্নবা অরুবা থবক অমগীদমক্তা মহাক মঞ্জরী পুরগা অয়াপ্পদা চৎপা তারে মতুংদা ময়োল শুগায়না তাক্লকনি।

সিষ্টর রিতানা মহাক্কী চিঠি অত্নুগী পাউথুম অমত্তা ওসি ফাওবদা হল্লক্লি।

॥ কুনতরুক ॥

কলেজগী মমান্নবী মন্দিরাগা মঞ্জরীগা য়াম্না লুনা তিন্নৈ। মন্নাই ওইরম্না থাক্কী ইমুংদা লৈবা অত্তাংনি মন্দিরাসি। ইমুং-মন্নুংগী

মীশিংনা অমদি লূনা তিন্নবা মশাগী মীশিংনা মীবু কৃষ্ণা হায়নসু কৌই। মপা সতীনাথ মণ্ডল অমদ। কলিকাতাগী মশামক্তম খাদক পুরন্দা ময়িং চংশনবক লৈরাকগী মশাগী ফিভম অমা থাদক্লা লায়রেবা মীশক অমনি। শুদ্ধগী মশাগী চহী খুদমজাতমক শুরকপদা খুদোংথীব। অমা খোক্ত্রনা শিখি! মহাক্না নৈথিন্দবা মতমদা মন্দিরাগী চহী নিপাদ্রক্তমক শুরমই অতুগা মাগী মবুং আশীষকি চহীন। ভব্যমগিনি! সতীনাথকি মুপী মখোয়গী মমা সরোজিনিনা য়াম্না রাম্না মচা অনিবু মী ওইনবা হোৎনক্লকখি। মমাংগী চহীদা আশীষ ইকোনোমিক্সতা এম, এ, ডিগ্রী পাস তৌরমই অতুগা পরীক্ষা থুদিংমক্তা নিংথিমা হোৎনক্লুনা এম, এ, অঙ্কু ফার্স্ট ক্লাসতা পাস তৌখি। অদুমক্তদা সরকারগী থবক অমত্তা তৌমগদু হোৎনদে, পামদ্রে পামদে। টিউশন মঙ্গি মতা স্তৌরগা অহিং সুংথিলচুপ্পা মপাক্না লৈ।

মন্দিরাদি মবুংগা হেক ওম্ন তৈনবনি। লাইরিক তৌবা মতম নত্তবদা মখুমদা মমাগী মনাক্তদা নক্লুনা লৈ। আশীষ.ক মরমদা মাগী মমানা করিমত্রা থওদ্রবনু মন্দিরাদি য়াম্না থওই। মমানা খওবা হায়রমক্তদু, আশীষনা মাগী মরূপ-মপাং থরগা লোয়ননা ক্লব নত্রগা সংস্থানগুম্বা অমা লিংথংকদোরি হায়রসিনি। সংস্থান-চুগী পান্দমনা অমগা অমগা মামহনবা সাম্যবাদনি।

আশীষকি মমায়দা অহেনবা অমা য়াওরমই, কনাগুম্বা অমনা ইহান-হান্না মাকু উবমক্তদা মভোনলোমদা চিংশিনবা ওমই। ময়াং কওই মশা পায়, গোয়াদোনা কুচু ওোই। মবেপতি ফুট মঙা ইকি তরেংকুম্বা ওইগনি। মমায়দু শাংতক তৌই। মনাতোম্না তুমত্রিক

তুমই। ঋম্নিং অনিদু তরু তরুই, অমুবা সেলুলোইড ফ্রেমগী অমুবা আনোক অমা উপই। মরাইবক তেল্লি। মচিন্নবান অচৌবহু উমশিন্দুনা লৈ। থাও তৈদবা মশমহু চবুন চবুন ভারি। শেংপা চাবদা মতম লৈবা খিবিক্তা মুংশা থাওবা মিলগী ফৈজোম অপোৌবা, মশাদা লোংক্রোথকি অংভৌবা পঞ্জাবী ফুরিৎ অহুগা মহুগী মথক্তনা জহর কোট! মখোংদনা সেণ্ডল তোংই। মতম চুপ্পদা রাখল অমা ইভাও ভাওই। মচল মন্দিরাগী শকক্ষমসু মবুংগদি মান্নৈ হায়ববু রাখল ভাওবহুদি য়াওদে। থর হেন্না য়ুম্বানলোনদা থরাই য়াওই। মচলমুপীনা মবুংবু লাইদৌনা নীংই অমদি মথরায় হকচাং য়াওনা মুংশিজৈ। মন্দিরাখোয়গী ময়ুমদা অসুম চংপদগী আশীবকা শক থঙনরক্লমই। শক থঙনবা অহু মকশিন্নবগী থাক্তা য়োৌরক্লে হৌখিবা থা অহুম অমুক্তগী। মঞ্জরীগী মমীংতা আশীবনা উংলরে ফিদমগী মশক ওইরবা মুভাইবগী মঙলান।

ডাঃ সান্যাল অমদি মঞ্জরী মপা·মচাগী ময়ক্তা মিন্নুংশি অমদি মুংশিবগী ঈচেল অমনা অসুক কুইবসি অমনা অমবু নকশিন্নহন্দুনা, মমীং তাঙহন্দুনা লাক্লবনি। মরক অহুদা থঙহৌদনা লেপ্লরে আশীবনা। মপাগা মচানুপীগগী মরক্তা অসুক কুইবসি অকিবা নত্রগা চিংনবা হঙ্গোইনবা করিমক্তা লৈরমদবনি, অহুবু হৌখিবা থা অমসি ডাঃ সান্যালনা উরক্লি মঞ্জরীগা মহাকগী মরক্তা মশক উদবা াহং অমা মমি তল্লরে হায়বহু। করম্বা বাহংগী মমিনো?

হন্দক মরক অয়াম্বা মতমদা মঞ্জরীনা ময়ুমদা হল্লকপসি থেঙই। হান্নদি কলেজদগী হল্লকগা মঞ্জরীদি ডাঃ সান্যালগা মুমিদাংবাইরম কোয়থোকপনি, মহু হুজিক্তি তৌদ্রে। ময়মদি

ডাঃ সান্যালনা সন্ধ্যাগী কোয়থোকপা হেক থোকখিবগা মঞ্জরী ময়ুমদা হল্লকই ।

হংলুরগা হায়রকই, মন্দিরাথোয়গীদা চংলুবনি, মথোয় অনি লাইরিক পামিন্নতুনা, রারী শাতুনা লৈথোরকপনি । অহানবদদি ডাঃ সান্যালনা থিংগে খনখি অতুবু কোয়দি করি খল্লবনো খঙদে, হায়গে তৌনা তৌনা হায়বা ঙমখিদ্রে । নিংজিং মাংজিংনবা অমনা মহাকী চরম ফুলহনগ্রে । মতুগী মথক্তা ডাঃ সান্যালনা মঞ্জরীগী ভৌথোরকপদা, খাঙাং শাঙাংদা করিগুম্বা অহোংবা খর উবা ফংলে, অতুমক্তদা ময়েকশেংনদি খঙবা ঙম্মদে ।

ডাঃ সান্যালনা মপুক্লিংদা মতোমতা শেম শাজরমই, মরম পীতুনা ওইগদবা তাক্নুনা বা অম্না লেপথোক্লনবা ভাবনা মশাবু মঞ্জরীগী মমাঙদা লেপহঞ্জরমই । মতুক্তা নত্তে, পুন্সিগী শরুক অসিমদি মহাক মঞ্জরীবু কোয়শিন্দুনা শেমগৎচরকপনি । অমত্তা ঙায়বা আশাগী মঙলান নত্রগা পাঙ্গল মঞ্জরীতনি । মঞ্জরী মহাকীনি, মহাক মতোমতগীনি । মঞ্জরী য়াওদনা ডাঃ সান্যাল নোংমা ফাওবা হিংলোই । হিংবা ঙম্লোই ।

কাম্নদ্রবা পুন্সিগী মুংশিবা, প্রেম ঙসিদি মশাবু অপাম্বা অমত্তনা কোয়শিঞ্জতুনা থমজরে । মপা ওইবগী মুংশিবা ! মপুক লামলবা মিন্নুংশি অতুনা ঙসি মঞ্জরীবু মশাগী খুরবা কাচিন্দা থমজতুনা মথুং অনিনা চেংনা পায়বা পাম্লে । হায়রিবা মঞ্জরীহুবু থাপভোকপা হৌরক্লবা ! করিগীনো ? করিনা চিংলিবনো ? খঙনিংবগী য়াখল অতুগা লোয়ননা কুপ্পা য়েংশিনবা হৌরক্লে ডাঃ সান্যাল ।

অমখদা খণ্ডহৌদুনা মতাম অমা উমক্কে ডাক্তর সান্যালনা খুমিং অহুগী সন্ধ্যাদা। খুংভিগী চৎপদৌনা ডাঃ সান্যালনা কাঙ্গ্লা পার্ক তা চত্তনা খুমিং অহুদি সাহেব পাড়াগী সিনেমা হোল অমদা খুম্বিদাংঙ্গাইরমগী শোদা। রাশিয়াগী ফিলম অমা য়েংবা চৎলমই। লোক্কান মথংদা বেলাকোলীগী সিট অমদা ডাঃ সান্যালনা ফামখিরমই।

হোল অহু মমই। শোঃ হৌখিরমই জাইহাক্কী মমাংদা। খল্লহৌদনা রুসী শারবা অমগী মখোল তারকপদা মহাক্কী মনাকোং শিংগৎলকই। ঐখোয়না পাম্বদি মী খুদিংমক্কী চপমান্নবা অধিকার অহুনি। চুমগী শক্তি-মুনবা নাক্তং নত্রগা শাসন পুরিরশিংগী মরক্তা শিন্দোক্ত শিল্লিক ত্তৌরা নত্তে। ঙসিংউ ঐখোয়গী অাশা ঐখোয়গা মতম্ রাশিয়ানশিংগী মপুংফাদা মশি অমিসে! অহুক্তু ওইখোক্কে রাজে আশীষ বাবু!ঃ মীরু নমথবা, মীগী ঈ চুপ্পাদি মতম শাংনা লৈমাক অসিদা চংসমন্না লাক্কে। য়োয়নেং মহুগী চৎনবী সংস্কার শুক্তু 'মরু কংনা' শুরুংপসিং ঐখোয়না তাগ্নিরসি। মখোয়না হায়গদ্ধ ঐখোয়বু কম্যুনিষ্ট হায়না। অশেংবদি কমিউনিষ্ট খণ্ডত্রা সোশিয়েলিজম! মতম শাংনা ওসম চাংক্ললা ওসিগী সমাজ অসিগী অথুবা অাহাংবা অমা।

ডাঃ সান্যালনা খুবা বাখিবে মঙ্গলমী শেংবা তথা খোঙ্গেল অহু। পর্দাদা তাক্লিবা মফিলিংঙ্গুবা মতমত্তু দদি মহাকপু অমুক হনা মপুক্কি চিংলিনবা ভালন্ত্রে মপুক্কিং বাখল অমদি মনাকোং অমুত্তা হৌনা মহাক্কী মখাংদা অমমা মরক্তা ফমিবা শেংবান্তনা উরা ত্রাংবাক অনিঃ অহু কোম্বশিন্দুনা মথুম মখাং হৌবা হৌরক্কে।

কনানো মঙ্গলীগা ফম্মিরিবা আশীষ হায়বা পাখং অসে?

মাগীদমক্তা শুইবা ভাৰে হুন্দৰ্ক মৰক মঞ্জৰীদা অঁহোংবা অঁমা উৰিবসে ! মসিবু অশাওবা—হাংনীংবা নত্রগা গতি লৈজদত্রা, আশা কায়ত্রবা ইঁায়বছু ডাঃ সান্যাল থনফম থণ্ডদ্রে। আশীষ মঞ্জৰী ! মঞ্জৰী আশীষ ! মম্নিং অঁনি অঁসিনা মংপুক্লিং শীনবা থুংনা মথৰ্ক মথা ওলহনত্রে। ইন্টৰভেল থাৰক্লে। হৌর্দ মন্নুংদা মৈ থানগৎলক্লে। মভাৰ্ল অতুদা ইহান হান্না উৰে ডাঃ সান্যালনা, মঞ্জৰীগা শকথঙদবা পাথং অমগা মহাক্কী মমাংমক্তদা য়াম্না নকশিন্নৰা ফমতুনা লৈৰম্বা। ইন্টৰভেলগী মৈ থানগৎলবস্থ মখোয়দি ৱাৰীদা লুপ্নি। নাক-য়েংকি থোইনা থনবা উদে। হৌর মন্নুংদা লৈৰম্বা হুপী হুপা ময়ামহুগী মথা পোন্সে, মৰামদগী পুৰ্মতোপ তোপত্রে।

॥ কুনত্তৰেৎ ॥

মখোৰ্ল থোক্তৰা থোংথাংগা লৌয়ননা ডাঃ সান্যাল হৌগৎতুনা লৈপই। ইন্টৰভেল মতুংদা অমুক্ক হৌৰকপা শো অতু মইকি থারে হৈনদৱে, পাক চাওৰনা অহাওৰা অমনা ডাঃ সান্যালবু লাংতক্লহনত্রে। থোরক্লে ডাঃ সান্যাল হৌর্ল মন্নুংদগী মপান তানা। সিনেমাগী গেট মমাংদা গাড়ী অচু পাৰ্ক তৌৰম্বনি, ড্রাইভৰ মতম্লালনা মাগী মপু লৈভবদা গাড়ীগী ক্রাঙ্কসিটতা কুমহুনা লৈৰম্বই। গাড়ীদা ফম্লগা ডাঃ সান্যালনা ৱাহৈ অমত্তমক হাম্লকই, য়ুমদা ! গাড়ী চংপা হৌৰকই। লম্বী ওম্মাৰ চম্লকপদা ডাঃ সান্যালনা অমুক্কা হায়ৰকই: পৰা মৰ্পান্দা ষ্ট্রেও স্নোভস্য চংলু

রতনলাল রতনলাল ঙক্না য়েংলকই মহাকী মপুদা।

উম, ষ্টেপ্ত রোডতা চংলু।

রতনলাল গাড়ী মমায় লৈরম্ই। হায় কোর্টকি মনাক্তা গাড়া খায়গা ডাঃ সান্যাল গাড়ীদগী কুমথরকই।

সিদা ঙাইরম্মু রতনলাল।

ডাঃ সান্যাল মখোংনা চৎপা হৌরক্লমই। অহিংদি ওইদ্রি, অহুমক্তদা লগী অহু মী ইচিক চিকথ্রে। মী শুকলৈ লৈত্রবা লম্বেলগী নাকন অনিদা ইলেকট্রিকী মৈঙালশিংহু মমিৎ অমগী মঙালনা লেঙ লেঙ চংলি। জুড়া ওইনা লৈরিবা ট্রাম লাইনগী মথক্তা মঙাল অহুনা তাবদা শৃৎ নাল্লবা ইস্পাত অহু ইরং লংখৎলি। মরক মরক্তা হুজিক ফাওবদা প্রাইভেট গাড়ী অমা অনিখক য়াঙনা য়াঙনা থৌখ্রি নিঙঙাইদনা।

মপুক্লিং ইতাও তাওরবা ডাঃ সান্যাল মী লৈতবা ফুটপাথতা চংলি। গঙ্গাগী মথক্তা হাওড়াগী মৈ পরেংশিং অহু অহিংগী অতিয়া মকোয়দা লৈগী পরেংগুম্না নোমহৌরি। সমুদ্র চংকদবা জাহাজ অমা থাংহুনা লৈরি, মাগী মাস্তলদা থাল্লিবা অঙাংবা শংবাম্লবা মঙাঙশিংহু অমম্বা অতিয়াগী ফিজথা লৈ অনিগুম্না উরি। হু হু লাওনা হুমক্লি গঙ্গাগী মশাদগী অইংবা নুংশিৎকি ইপোম অমা। ফুটপাথ থাদোক্লুনা অঙম্বা তোর্বান লাম্থোক্লগা ডাঃ সান্যাল ঈশিং ময়াদা লেপ্লরমই। জোয়ার কারক্লে, গঙ্গাদা তথক্পা ঈশিংগী ঈথক অমম্বা জোম জোম লাওনা লৈবাক্তা হুরি। মঙ্গরীগা আশীবকা!

অহু ওইরবদি কন্নাগীদমক্তনো মহাক্না খুদোংথিরবা অক্লিং

অদুদা পুলিশময়াম্বদ্ নমথাক তৌরম্মগা চেল্লকখিবদো ! কদায়-দনো মহাক্লা ঙসি লেপ্পরিবসে ? লৈবাক্তী মশাদা লৈশৌ চারম্মে খঙহৌদনা, মরাইবকথিরবা গতি লৈজদ্রবা মহাকসু খঙহোদে।

মঞ্জরী চৎখ্রনি।

মরুভূমিগী ময়াইদা শাৎলম্বী পোমশাৎনবী লৈরাং অমা, মতুসু মিনুংশি খঙদ্রবা ভাগ্যবিধাতানা মচেৎ মচেৎ শেগায়গদবগী মখুৎ তিংথোরক্লি। মুনখ্রনি শোয়দনা।

অহল ওইরবা কেম্নবা শক্তি য়াওদ্রবনি মহাক্তি ঙসি, মথোৎ কারকপগী শাফু কল্লবা ঈচেল অদুবু থিংননবা মহাক্কী শক্তি কদায়দনো ? অদুবু করিনো। মতু শোল্লবা অমগুম্না পিরোইনবা করিগীনো, করিগীনো গতি লৈজদ্রবা ফকচিল্লবা অমা ওইরিবা ! মহাক কালোভ্রমরনি !

মকোক মনুংগী শিংলি পাবন পুম্নমক্তা অমুক হন্না মৈ চাক-খৎলকই। কল্লবা মৈচাক অমা হকচাংগী মচি মচি খুদিংদা লম্মেগুম্না য়াঙনা শন্দোক্লক্লে। পোথাদবা থিংবা য়াদবা শক্তি অমা মপান্দা থোরকদবগী থাদোকপিয়ু হায়না ফ্রৎ-ফ্রৎ ওনবা হৌরক্লে। খুৎথোকপা য়াদবা অশাওবদু লাক্লবদা মকোক মনুংদা চিকপা হৌরকই।

কালোভ্রমর।

ঈ পাম্নবা কালোভ্রমর খঙহৌদনা অম্মক কুইখসি শারং মনুংদা লৈরকপগী থাওঙমদদুনা মশা খিঙলগা তিঙলি য়াঙজিল্লুনা তুম্নবা নোংশাগুম হৌগৎলকই। মযুমদা হল্লক্লগা ডাঃ সান্যাল মতম কুইনগী মতুংদা ঙসি অমুক সিরিঞ্জ পুথোক্লুনা হকচাংদা

হাঁফগ্রৈন মৌরফিয়া ইনজেক্ট তৌশিল্লমই। অঙুদগী মতম কুইনা শিজিন্নরক্ত্রবা হাঁরাইন গীটার অহু আলমারিদগী লৌথোক্লগা; উকুল কপ্পোক্লেনা মৈ মুংথংলপা হাংদোক্লগা থোঙনাওগী মমাংদা চেয়ার অমা চিংশিন্দুনা ডাঃ সান্যাল ফমথরনই।

টিং ...... টিং ...... টুং ...

মেঙলবা মথোলগী ঈথক অমনা অমম্বা কা মলুং অহু সুরনা পুমনিল নিলহল্লমই। অহিং পুং তারামুক তারকপদা মঞ্জরীবু আশীবনা টৌক্লি অমদা মরুমগী গলি মচিন য়ৌনা থিনজিনবিরমই। ময়ুম হল্লকপদা মঞ্জরী অমুক্তা অহিংদা অশুম্না থেঙথিদ্রি। কিথিবনা মিহুল তিং তিং চোংলমই। বাবাদি হুজিক ফাওবা মাবু ওাইথুনা তুমদনা লৈরমগনি। হুম্মিদাং মথোরনি চামিম্নবা হায়বসি ঘাম্না কুইনা হৈনরক্লবনি।

আশীবতা মঞ্জরীনা য়াম্না হায়জবনি, অহুবু মহাক্না মাগী রাহু ওকতা অবিথিদ্রে, সিনেমা হেক লোইবগা লেক তানা চিংহুম্না পুথিরে। থঙহৌদনা তাল্লক অহুদা মনাকোংদা য়ৈরকই, তার যন্ত্রগী থোরথুম্নরবা থোঞ্জেলগী সুর। কয়াদা ওকক্রবা! কয়াদা থোরথুম্নরবা! মক্লনা শুম্নবদৌনা মঞ্জরী মতোমতা লেপচখি। কদায়দগী লাকপা তারযন্ত্রগী অমেঙবা থোঞ্জেলনো? করম কুইনা লেম্লরবগে হায়বহু মহাক নিংশিংদ্রে, খঙহৌদনা জ্ঞান ওায়কই মামুনা কৌবদা, করি মতৌনো ইচে হৈবেম্মা! থোঙ-শঙবৌনা লেপ্পুনা লৈম্নিবসিথো? ত্রৌদি মপান্দা থোকখুরবসি শো দোম্লুগে হায়রহুনা।

হুজিক্তদা মঞ্জরীনা কোম্বোংগী থোঙ অহুদা শো য়ানিবা

উরকই। কদায়দা চৎলুবনো তা রামু ?

গলিগী মচিন্দা লৈরমই ঐ। নঙবুদি উদেনা! কয়াম কুইরগে লাকপা ?

য়াম্মা কুইরে লেপ্লিবা, থোঙ হাংঙো।

রামুনা থোঙ অদু হাংলগা হন্দোক্‌না লেপ্লমই। মঞ্জরী কা মমুংদা চংখিরমই। অহিং খুদিংগী মতম অসিরাইদা ডাঃ সান্যালনা শিন্নবা মতুংইন্না মথোয়না মফম অসিদা লাকপা মুমিংতগী রামুনা গলিগী চুথেক্তা লেপ্লগা লোন্না মায়কৈ মরি য়েংহনা লৈ।

দোলান মথক্তা কাথৎ কাথৎনা মঞ্জরীনা হংলকই বাবা চাক চাগ্রব্রা তা রামু ?

চাদ্রি। তাদ্রা মাগী কাদা গীটার খোংলিবসে!

গীটার খোংলিবা! বাবানা ?

উম, বাবুদি বরাবর খোংই। হন্দক্তা সিদা লাকপদগীদি খোংবা তাদ্রি।

বাবানা গীটার খোংলিবা! ঙক্লবী মঞ্জরী সিড়ি অদু কাথৎ কাথৎনা হায়রকই, টেবিলদা চান-থরুবদু শন্দোকও তা রামু, ঐ ফি হোংদোক্লগা বাবা কৌরুরগে।

মশাগী কাদা চংগ্রগা কলেজ চৎপদা শেৎপা শারি অদু হোংদোক্লগা মঞ্জরী মথুৎ হায়দোক্‌না মপাগী লোল্লম্বা থোঙজুগী মমাংদা লেপ্লরমই। হায়েক্তুং থেংবদা লোল্লম্বা থোঙ অদু হাংদোকখিরমই অমম্বা কানি। অমম্বগী মরক্‌দা মুরগী ঈপোম অমা হৈজিনবগুম তৌরমই। অমম্বা কা মমুংদা চংবদা মুরগী মম্নাইনা মঞ্জরী মশা মতোমতা ফাজ্জিঞ্জরকপগুম তৌরমই লেঙদনা চপ

লেপই। মপাবু কৌবা ঙমদ্রে।

ঙাইহাক লৈরবা মতুংদা ডাক্তর খোংবা লেপখি, লেপ্লুনা খোংলুরবা মতুংদা যন্ত্র অদু নাকল অমদা থম্নগা হোৌগৎতুনা সুইচ মেৎলগা লাইট হেক থানগৎপদা অঙানবা মঙালদা কা মনুং অদুদা মঞ্জরীনা লেপ্লুনা লৈরম্বা উবদা। ডাক্তরনা হায়রকই হৈমা টুকুন!

গীটার অসুক য়াম্না ফজনা খোংবা হৈবা বাবা নঙদি! নঙদি নহানমথৈ অমুক্তম্ব খোংদেনা?

করম কান্দা ইল্লকই টুকুন?

হুজিক্তা হল্লকই! থর মিংজিং মাংজিংননা হায়রকই মঞ্জরীনা।

অসুক থেঙনা ইবেম্মা?

তাঞ্জা অমা চাদ্রহুনা বাবা।

হুঁ।

ঙাইহাকি তুমিন্না লৈনৈ। য়াম্না হৈনদ্রবা অচিকপা অমা থাঙবদা বারবা। মঞ্জরী য়াম্না হৈনদ্রে, অতপ্পা খোঞ্জেলনা হায়রকই, চাক চাকুরশি বাবা!

উম চৎলশি অদুগা রা অমনা —

করি হায়গে বাবা?

হায়েংমক ঐখোয় মফম অসিদগী চৎপা ঙাম্মে টুকুন। ডাক্তরগী রাহৈশিংতুনা অথিংবা লৈতনা মঞ্জরীগী মপুক্কিং অমদি হকচাং শীনবা থুংনা নোংথাং মৈরিনা থাখিবগুম কাওরকই। মপা খঙজদনা লৈথোরকই অদুগা মরোল শুদনা হংলকই, চৎলনি হায়বা! কদায়দা?

লপ্লৌদনি লুজিকিদি, অদুদগী —

অহুবু বাবা ঐগী লাইরিক তম্বা, কলেজ ?

ম্যেট্রিক তৌনা হন্দকম্মু নঙ প্রাইভেট ওইনা থাবা তারে।

অঙুবু বাবা, খঙহৌদনা ঐখোয় কলিকাতা থাদোক্নুনা চৎকদৌরিবসিবু করিগীনো ?

দরকার লৈরতুনা চৎকদৌরিবনি।

দরকার! করম্বা অথুবা দরকারনো ? নঙনা —

চৎশি ইবেম্মা চারুরশি। অহিং য়াম্না খেঙঙ্গে। চৎপগী তঙাইফদবা লৈতুনবু চৎকদৌরিবনি নত্রবদি কলিকাতাগী যুম অসি চুঞ্জেরুমদ্রবস্তু য়াবনি। খর কল্লপ্পা মশাগী হায়গদবমখে হায়দোক্লগা মঞ্জরীদা অনিরক হংলক্নবর্গা খুদোংচাবা অমুক পীদনা হাংদোক্লবা থোঙনাও মথাদা চংশিন্দনা ডাঃ সান্যাল লেপখিরমই।

ঐখোয় অনিমক ডাইনিং টেবিলদা ফমথরমই। রামুনা চাক হাপ্পা হৌই। রা ভাংনদনা চাক চাবগী মতমদু রাচোই অমা অনিনা লোইশিন্নরমই। অতৈ নুমিৎতদি মতম অসিদা হুরাওবগী রারী রাতায়দা মতম হৌখিবা খঙদবনি। ঙসিদি থুনা লোইশিনগ্রে। কনামত্তা রারী হৌদোক্নরক্লে। মঞ্জরীনা খন্দুনা লৈরমই হয়েংমক চৎপা তারবা। অহিংগীনা পুংজা খর অসি অহুগা নুংথিলগী মতমদনা হয়েং—পুং খরসিতা মঙায়রে।

চাবা থকপা লোইরতুনা মখুৎ-মশা নেপকিন্না তৈথোক তৈথোক্লা ডাঃ সান্যালনা রামু কৌরগা হায়রকই, হয়েং পুং অরানিথোই মথায় তাবদা তুফান এক্সপ্রেসতা ঐখোয় লক্ষ্ণৌ চৎলনি রামু অয়ুক্তা অঙম্বা পোৎচৈ য়োমশিল্লগা পুং তারা তাবদা সিটি বুকিং অফিসতা চৎতুনা টিকেট রিজার্ভ খর তৌরুচো। রাহে খরদু

অমুক্তদা হায়দোক্লম্লগা ডাঃ সান্যাল কাদগী মপাল থোকখিরমই।

রামুনা মঞ্জরীদা য়েংলগা হায়রকই, ইচে ইবেম্মা করি তৌনরবা জাৎনো! হয়েংমক বাবুনা খঙহৌদনা লক্কো চৎকদৌরিবসে?

খঙদে তা রামু।

রামু চঙক্লনা যেংই মঞ্জরীদা। কপ্পিং কপ্পিং তৌরে মমায় অহু ইঙাগী অহানবা নোংহৌগুন্না।

মঞ্জরীস্থু বা ঙাংদনা তুমিন্না কা থাদোক্ত্রনা চৎখিরমই। রামু তৌকম খঙদনা লেপ্তুনা লৈরমই।

॥ কুম্নিপান ॥

মশাগী তুষ্কম কাদা হাংদোক্লবা থোঙনাওগী মমাংদা লেপ্তুনা মঞ্জরীনা খল্লি, করম্বা তঙাইফদবা অমমুক লাক্তুনা হয়েংমক খঙহৌদনা তুফান এক্সপ্রেসতা লক্কো চৎকদৌরিবনো মখোয়।

মপাগী অসিগুম্বা মরম চাদবা অনম কনবসি মঞ্জরীনা অমুক্তা উপ্পিদ্রি। ঙসি অমুক কলেজ চৎত্রিঙৈগী মমাং ফাওবদি করিমত্তা হায়নবা লৈখিদে পুৎশীং খরসিগী মমুংদা করম্না লক্কো চৎপগী দরকার লৈরক্লিবনো। খুদক্তা মপুক্লিংগী ক্লিজংদা ওইথোকপা য়াবা মরম অমা হাইফেৎ উরকই, পুলিশতি নক্কেকো? পুলিশ!

মপাগী হৌখিবা পুক্সিগী লামায় থরদা চবৈনবা অমা ফুমত্থুনা লৈরি হায়। লাংতক্লবা অমা। মপাগী মতম চুপ্পদা চিংনগনবা

খোংথাং, মতম চুপ্পদা পাঙত্থনা লৈরবা মমিং অনিগী কিথি কিক্কম তৌব। মিংয়েং অত্থনা করিগুম্বা অমা ঙাইত্থনা লৈবগুম্ব খল্লকই।

করম্বা নিংজিং মাংজিংনবনো ? কম্বিগী চিংনবনো ? করিবু ঙাইবনো ? মুমিং কয়ানি থনথি মঙ্গৱীনা মপাদা মত্থগী মক্কম হংগে হায়না, ঙমখিদে। মরম লৈতবা শোম্বা অমনা মহাকপু তুংলোম্নদগী চিংত্থনা থমখি। মাগী মপূক্লিংগা ৱাহং অত্থগী লম্বী খিংজিনখি। মপাগী হৌখিবা পুন্সিদবু করি থোক্লম্বা য়াবগে, করম্বা পাপনো, কম্বিদা লাল্লুবনো, মত্থগীদমক্তা পুলিশনা মহাকপু মফম অমদগী মফম অমদা কোয়তান তান্নরিবসে ! শোয়দনদি লৈবা তারে অমকপা নত্রগা কোকপা য়াত্রবা মমি অমা মত্থনা ঙসিস্থ মহাকী হুজিক অমদি মতুংগী পুন্সিবু মতম লৈবা খিক্তা য়োংকদবগী তান্নরিবা। অকিবনা থল্লবা মঙ অমগুম্না ! চহী তরাগী মমাংগী হৌখিবা পুন্সিগী ৱারীদি মঙ্গৱাগীস্থ অৱাবা অনং-বতনা থল্লি। মমা মপা কায়নরত্থনা মহাক শিষ্টর ৱিতানা য়োক্লকখি। মমা মপা অমদি মশাগী মম্বি মখোঙ ঙসি মহাক নিংশিংত্রে। বাবাসিনা মহাকপু খঙহৌদনা নোংমা হুংশিনা মখুং অনিনা কোনখংপিখি—চহী তরেৎ থোজান অত্থগী ঈপাক্তা তাশত্থনা লেনখি। মাগী হায়ববু বাবাতনি। বাবানা মাগী লোয়নমক্লি। অত্থবু ঙসিদি মহাকী মুংশিজরবা বাবাদুস্থ মৈথুগুম্না মশেন মরাং ওইনা উরকই। বাবাদা মাগী আশা মঙলান পুম্নমক শিম্নত্থনা লাকখি অমুক কুইখসি। খঙহৌদনা লাকখি নোং মুংশিংকি অহিং অত্থ। মিশম থাদোক্লগা চেল্লকখি মখোয় অনি। মৌনা য়ুম লিংবা হৌরবে কলিকাতা শহরদা। চহী অমা

লানথ্রিভৈদা অমুকা খুদোংথিবা লাক্লে।

অহুগা আশীষতি ?

আশীষনা গুসি মাগী লম্বেল থৎতুনা লৈরে। অমরোমদা মপা, নাকল অমদনা আশীষ। মায়কৈ অনিমক্তা অঙকপা ফংনা চিংনরি। হয়েংমক মুমিং ঝুংবা মতমদা লক্ষৌ চৎলনি অহুমক্তদা আশীষতগী বিদায় লৌনবা মতম্দ ফংলরোই। আশীষতা তাক্লমদনা কলিকাতা থাদোক্ন্না চৎপা তারবা! হয়েং মুমিদাং-বাইরমমক্তা বাই, এম, সি, এ, দা মাগা এপোইন্টমেন্ট লৈনরি।

আশীষতি মফমহুদা লেপ্তুনা মহাকপু ঙাইগনি। লাংতক্লবনা হেক্তিল্লক্নুনা হন্না হন্না আশীষনা লম্বীদা য়েংহুনা লৈগনি। সুইচ মেৎলগা লাইট থানগৎতুনা রাইটিংপেড অহু লৌথোক্লগা ফমথ-রমই মঞ্জরী।

ইরকই!

আশীষ,

খঙহৌদনা বাবাগা লোয়ননা হয়েংমক তুফান এক্সপ্রেসতা লক্ষৌ চৎপা তারে। কৈদৌঙৈ হল্লকদগে, কুইগদৌরিব্রা কুইরোই-দৌরিব্রা হায়বস্থ খঙদ্রি। লক্ষৌ হেক থুংবগা চিঠি ইরকে। চৎকদৌরিবসি খুদক্তা হেক্তা হৌরকপনি, অহুনা পাউ হান্না তাকপা ঙমদবনি। মতুংদা চিঠি ওইনা অকুপ্পা মরোল ইরক্লগে।

মঞ্জরী।

চিঠি অহু লোইশিল্লগা এনভেলপ অমদা হাপচিন্দুনা মথক্তা ঠীকানা ইরগা, টেবিল মথক্তা থম্মই মঞ্জরীনা। হয়েং অয়ুক তাল্লক্তা রামুনা চিঠি অসি ডাকঘরদা থাদহনবা তাই। মৈ অহু

মুথংলগা মঞ্জরী ফমুংদা তুম্‌থরমই।

মকোক অহু য়োংতৌনা লুমখ্রে। তূম্বা য়াররোই। ফমুংদা হিপ্লবস্থ ডাঃ সান্যাল তূম্বা য়ারমদে। চয়েংনবা কয়া অসি অমুক্তদা অস্তক লায়না কোকহনবা য়াগনি হায়বসি মহাক থাজরমদে। হুজিক্কিদি মখোয় অনি লক্ষ্ণৌ চংলনি। রামুদি সিদা স্থম লৈহৌগনি। কলিকাতাগী য়ুম অসি থাদাক্লোই। মতুংদা হোংলকপা ফিভম য়েংলগা মখা তৌগদবা তৌগনি। টুকুনদস্থু খঙহল্লোই; মাবু চিংনহুনা মহুগীদমক্তা লম হোংহুনা চংকদৌরিবনি হায়বসি! শাপ ফংলবা পুন্সি অসিগী অরোয়বা মঙালগী মরিকনি মঞ্জরী, টুকুন!

মাবু অস্থুম্না মাঙখিবদি য়ানিংদে সান্যালনা। মতম শাংনা আশাগী উপাল অমদা ঈশিং চাইজরকপদগী মশা মরেং ফন্দোক-তুনা লৈশাং তম্লক্লবা কানসিদা, থম্মোয়গী নুংশিবমথৈনা পাম্মুজনা শেমজরক্লিবা মহাকপু: অতোপ্পা কনা অমনা মৃন্দুনা পুখিগদবা! নত্তে-নত্তে, থরায়না হিংলি'মথৈদি মহু ওইবা য়ারোই। অহল ওইরে কালোভ্রমর অতবু মহাক ঙসিস্থু শিদ্রি। মাগী মপাঙ্গোম অনিদা মপান নাইদ্রবা শক্তি য়াওরি হৌজিকস্থু। অশাওবা অমদি খোয়রাংখিবনা মশা পূম্বা নীক্লে। ঈদা খোয়শাওনবগী মৈরি চেনখ্রে। লাকঙম ফাঙমদ্রবা ঈহৌ অমনা হকচাংগী তোংশা খুদিংমক লেঙ লেঙ চংলক্লে! অহুবু কনাগী মথক্তনো খোয়শাও নরিবা? টুকুনদরা? নত্তে। আশীষকি মথক্তা? নত্তে, অহুস্থু নত্তেনা। অহু ওইরবদি মশাগী ফত্রবা মরাইবক অহুদরা?

মহু ওইবদি—ওইবদি তাই।

মহাকপু মপুন্সিচুপ্পা খুদোংথিবা মরক্তা চিংহুনা শাল্লরিবা ঈহিং নাইহিং শাহল্লিবা তমখিরবা মরাইবক মিন্নুংশি খঙদ্রবা নিয়তি অহুন্নী মথক্তরা! নিয়তি। মথম্মোয় য়াওদ্রবা নিয়তি। পুন্সিগী মুংঙাইবা আশা অমদি মঙলানবু উৎ ওলহনবা লোইরগা মরুম্নু থাদোকত্রে।

তমথিরবা নিয়তিনি।

মানি—মতুমক ওইবা ভাই, নত্রগবু পুন্সিগী হৌরকফদগী লোইবা ফাওবা করিগীনো—করিগীনো শাপসিদি? করিগীনো অন্নুক কন্না ভাথিরিবা? মকোক্তৌ শিংলি ময়োম্দা অশৌবা লাভাগী ঈচেল চেনবা হৌরক্লে।

নত্তে, হয়েংদি মতম ফংদবন্নু য়াই।

করিগুম্বা আশীবনা মাগী চিঠিসি ফংথিদ্রবদি? করিগুম্বা লামথাংদা চিঠি অসি মাঙখ্রবদি? হৌগৎতুনা ফমই মঞ্জরী অমম্বা কাহুদা ফমুং মথক্তা! অহিং পুং কয়া তাখ্রে? থুদাং ঘড়ি অমু টেবিলদা লৈ। লামহুনা স্নইচ মেৎলগা মঞ্জরীনা লাইট থানগৎলমই। অহিংগী পুং তরানিথোয় মথায় তারে। তাজসন্নু, অহিং থেঙগেমথৈ থেঙজসন্নু, মহাক চৎকন্নি। মান্নি, ঙসি অহিং হুজ্জিকমক মহাক আশীবকিদা চৎকনি।

চিঠিদা নত্তে, মচিনমক্তা মহাক বিদায় লৌরুগনি। মহুগী মথক্তা হুজ্জিক্তদা নিংশিংলকই, আশীবকি পেকেট অমা মঙোম্দা থম্লি, পেকেট মমুংদা করি য়াওরিবগে হায়বদি মঞ্জরী খঙদে, অহুগা খঙনিংলুবন্নু লৈতে। নুমিৎ থরমিগী মমাংদা পুলিশনা আশীবকি ময়ুম সার্চ তৌখি। নুমিৎতুগী মমাংদা মুংমিদাংবাইরমদা

লমহাং অমদা লাকলা মৈ মখোঙদগী পুংখারক্লবা পেকেট অছু মংভোন্দা পীরগ্যা হায়খিবনি, পেকেটসি নংভোন্দা থমনিংই মঞ্জু !

বা অমতা হংদনা মঞ্জরীনা পেকেট অছু লৌখি ।

মঞ্জু নঙদি পেকেট তা করি য়াওরিবগে ফাও' হংত্রে ?
হায়রকই আশীষনা ।

কৈনো'মদি য়াঙ্গেমগনি পোয়রদনা । নঙনা করি য়াওরিবগে হায়দবত্না থঙলে ঐনা থঙবগী দরকার লৈত্রে হায়বসি ।

অঙকপা ফুপীনি হৈ মঞ্জুসে'মঞ্জু ফুপী ওইবিগী থঙনিংগনবছু ফাওবা লৈতবা !

মঞ্জরী আশীষকি বাত্না খুম্বা ভোদনা হাইকেত্তং নোকখি । অমদ্বা মরক্তা মিনোক অছু আশীষনা উখিদে ।

আশীষনা হায়খি; নঙগী নওংসি থঙই হায়ত্নবু মসি নং নতোমতদা শিন্নবা ওগ্নিবনি ।

য়াবে, হন্নপি ।

মঞ্জরীনা মিংশিংলকই, পেকেট অছু চৎত্রিদ্রৈগী মমাঙদা আশীষতা পীরম্বা তাই । য়াম্না থুনা মঞ্জরী মফি শেৎচিল্লমই । মখোঙদা ক্রিপসোলগী চপ্পল অমা তোংশিল্লমই । মশাদনা অঙোবা চাদর অমা ইনশিল্লমই । উপু মত্থুংদগী আশীষনা পীখিবা পেকেট অছু লৌখোক্লগা মৈ মুখৎতুনা কাদগী থোরক্লমই ।

দোলাল্দা উতোং অমদা য়াল্লুনা থমই মরমগী অমদি গেরেজগী শো অছু । মঞ্জরী ডা: সান্যালদগী ড্রাইভিং তৌবা হৈখি, গেরেজদগী গাড়ী লৌখোক্লগা, চৎলগে হায়না থনখ্রে । অমম্রোমদা অহিং অসুক থেঙবদদি আশীবকি মমুম অছুক থাম্না চৎনবা গাড়ী অমত্তা

কদলোই। শো অহু মকমদগী' লৌথোক্লগা মখোল থোক্লনা সিড়িদা মথং মথং কুমথরকই মঞ্জরী' মা মাহুনা। পৌরোল হাংদোক্লগা কোম্বোংহুগী মপান্দা থোরক্লমই। হান্নদগী হৌনা থনখি, মপামগী থোঙ অসি মপানলোমদগী লোনশিল্লক্লগে হায়না। গেরেজদগী গাড়ী থৌদোরক্লগা লম্বেল অচৌবা হেক তাবগা মঞ্জরীনা গাড়ীদা স্পীড হাপকংলকই। মী অচিকপা অহিংগী অহাঙবা লম্বীনি। ইহাঙ হাঙই। মুংশিংকি মাঙ থানা গাড়ী চেল্লি।. মঞ্জরীগী মপুক মমুংদসু রাথলগী নোংলৈ মুংশিং কন্না শীংলি।

॥ কুনমাপন ॥

য়াম্না চাঙবা লম্বীদি নত্তে, অহুগা লম্বী অহু পাক্লবদি নত্তে। আশীবথোয়গী ময়ুম মমাংদা থাম্নগা গাড়ীদগী মঞ্জরী কুমথরকই। তুইতলাগী য়ুমনি। য়ুমদুগী মথাগী কা অমদা আশীব লৈ হায়বসি মঞ্জরীনা খঙই। অঙকপনি! অসুক থেঙবা অহিংদসু আশীবকি কাদা লাইট থাল্লি। অহুদি আশীষ তুমজ্রিবা জাংলা? মশা মমুংদা নোংলৈ মুংশিং শীংলি। মথোঙ অনি অহু য়োং কুম্না লূম্নবোই থম্নকই। চিং চিংহুনা মঞ্জরী চংশিল্লি।. থোঙনাও মথাগী থোঙবা অনিহু থিংজিল্লি মথকী অনিদু হাংই।, কা মমুংদা থাল্লিবা মৈস্তালহু সংরাক্লগী উবা ফংই। কিথি কিরুম তোনা মঞ্জরীনা লম্বীগী নাক য়েংতা অমুক্তং চেকশিন্না-লৈহুনা য়েংলকই। কনামত্তা

লৈ়তে। ইহাঙ হাঙই মিৎনা উবা কংবা লম ফাওবা। চিক চিক লাওগ্রে অহিংগ্রয়াইগী উন থাংলবা অচিকপন্থু। মী-পোং অমক্তা উথিত্রে। শুপ্লগী লম্বেল নাকন অনিগী গ্যাস থাউমৈশিং অত্থুনা মমিং লাওথোক্লুনা অহিংগী নুংশি ঈখৌলাংবীদা য়েংবগুম তৌরি।

মরাইবক মচিদা হুমাং মরিক মরিক কারকই। থর অমুক্তা চংশিন্দুনা নিংজিং মাংজিংমরবী মঞ্জরী থোঙনাওগী মথাহুদা লেপ্লরমই। কৌরকই খোঞ্জেল পীক্লা আশীষ বাবু! আশীষ!

অমুক অনিরক অহুমলক শুনা কৌরকপদা ক্রোক হায়না মথাগী থোঙনাও অত্থুগী থোঙবা অনিত্থু হাংদোরকই, উরকই আশীষকি মখুাং ফাওবা হুকচাংগী মথক থংবা শরুক্তুগী।

মকোকী মশমন্থু ইফা ফাই, মশাদা মোজাফুরিং অমক্তমক লীংলি।

কনানো?

ঐনে, মঞ্জরী। থোঙ হাংঙো।

মঞ্জু! ভকথিবনা বাহে অত্থু হায়দোকপা লোইদনা তোকথি।

মানিনে ঐনি, থুনা থোঙ হাংদোকও।

চমন্নরবা আশীষনা থোঙ অত্থু হেক হাংদোকপগা মঞ্জরী থুনা কা মন্নুংদা চেনশিল্লক্লুনা। ন্নুংশাখর থবেৎ থবেৎ হোল্লি। মিহুল চোংথিবনা হৌজিক ফাওবা থর চনিঙ তাগ্রি। নঙগী কাদা চংশি—

মথোয় অনিমক আশীষকি কাদা চংমিন্নথিয়মই। আশীষ মরোল থোক্তবদোনা তৌগ্রে। মঞ্জরী অত্থুক থেঙনা অহিংদা মাগী কাদা? মমায় মমিংতা লাংতক্লবা য়াওরকই।

য়ানি, ঐ উপায় নৈত্তবনি অহিং বোংয়াইশিন্না লাকপা নত্তনা। হয়েং মুমিং য়ুংবদা ঐখোয় লক্নৌ চৎলনি। অমুক্তদা হায়জোসখিরগই মঙ্গমীনা।

হয়েং লক্নৌ চৎলনি হায়বা! খঙ্গহোদনা ?

খঙ্গহোদনা হায়ববু শুকখঙ খঙ্গহোদননি। মুমিদাং য়ুমদা হেক হনখিরগা খঙবনি। বাবানা লক্নৌ চৎলনি হায়না লেপ্লয়ে। ঙাইহাক্তং ফকচিন্দুনা লেপ্তুনা লৈ আশীষ। মপান্দা অচিকপা অহিং অহু হেন্না চিক্লবা ঈপাক্তা লুপথখিবগুম তৌরমই।

অতুমগী তাক্লক অমদা আশীষনা হংলকই, কৈদৌঙৈ অমুক হল্লকনি ?

খঙদে।

অমুক হন্না মথোয় অনিমক তুমিন্না লৈখিরমই। সে, নঙগী পেকেট অহু, ঐঙোন্দা লৈরম্বা ময়ামত্তু পুরক্লবনি। পেকেট অহু পীরকই মঙ্গমীনা। মখুৎ লামহন্না আশীষনা লৌরমই। মতাং অসিমক্তদা মপান্দা সাইকলগী মখোল অমা তারকই—ক্রিং ক্রিং। থংপ্রেক থংনা আশীষ থোঙনাও ময়াদা চংশিল্লমই, মপান্দা হেক য়েংথোকলুরগা হায়রকই, সুকান্ত! অমুক থেঙ্গনা ? কৈদৌরে ?

য়াম্না লুবা মেসেজ অমা পুরক্লিবনি তা আশীষ। থোঙ অমুক্তা হাংদোকপীয়ু।

থুনা চংশিন্দুনা আশীষনা থোঙ হেক হাংদোকপগা চহী কুম-কুমিথোইগী অঙাং অমা কা মনুংদা চংলক্লমই, তা ভুপতিনা ঐবু সিদা থাক্লকপনি। ভগি লোয়ন্নমদাইদা ঐশোয়গী

নকিখোঙবগী মকিতিগী মুম অদু পুকিশবা মাচ খৌতিন্থারা। পুং অনিমুক্কী মথক্তা গীতানা পাঙ্খি শীরকথনি।

গীতাবু মতামদু শাগনই। সাঙ্গৈ শকিতাতাবী ত্রি, সিংগী মচাসুপীনি গীতা হায়বিসি।

ভা মুপতিনা অদোমদু, তমিনবক থাপুত্তা লাকপিনবা হায়বকই। মিথংইবা ঙমদি আংভলবগী খোংখাংতা থাগমনই তুকানুনা। অদুবু কণ্ডকপাজি শীশীবগি মমাংগদি অহোংবা কব্রিউ উদে। মায়া ঈংবা অতপ্পা খোঙ্কেননা অপীবমা হাকুবই, নত্তবু মউক থেঙবা অহিংসিনা, ঐগনীদা থারকপুবা তু পন্তিনা মখা খোক-পা শীজবা থাবনি। মত হনদ্রো মুকান্ত। লৈখোলগী থগা ককা কাচিনা কৈবা খোক্কুল পাম্বী অকগী অবাদা আম'স প্রবুবিগদা মরাম মাম অমগী মায়ুমদা মুমদুনা লৈরমি। মহু থাঙা খোরাঙবা মকম অমবা লৈরাক্তুং লাকখিরবই। শ্রী খাজেদা। মুকান্ত মরাং অহু তাবগা চংলিজবই। আশীবা খুমিং লিংখিন থিংলিরা মঙ্গরী-খোঙনা থেংনগা হাঁয়রকই। মত মকথানিদা কদিদা লাকই মবু?

থাজেদা লাকই।

কপ্পে অতমুবনা হনগ্রা! চংত্রিখেগী মথাদা মতগা অকুক উমগনি থাজত্রে। হায়না হায়না আশীবা খোংতিনা থৌইদু পানশিরদা লোনাবগীবই। থ্রাঙ্গাবগী লোন অহু খোথোকমা উপু হাংফোক্কুনা নোট থর ফুম্বিংথাউদা হাপচিল্লমই। কাগী মচি থাবদা খোংউবাকি অমনবা উপু থর তাকুনা লৈরমই মচুগী অবক অবদগী পিস্তোল অমা লোথোরক্লগা মখুাংদা যানশিল্লমই। মখুদাং থৌজিল্লা য়েংবদা মতমদু অহিং পুং অনি চারমবা মিথিট তরামনদা থাহুরে।

মখোল হৌদনা আশীষ মতোমতা শোঙ্গবদৌনা হায়রকই, ঐ খঙই মসি কনাগী খুজিলনো হায়বসি। ভুপতিদা নিরঞ্জনবু পার্টিদা য়াওহনগদ্ৰু হায়না খিংনা খিংনা ঐগী বা তা খিদবনি।

খংগ্রেক খংই মঞ্জরী।

নিরঞ্জন চৌধুরী— লাই মচাদৌনা মশা মউ কবা মশক মতৌ কঙ্গবা নহানি! নোকপা নত্তনা বা ঙাঙ্গদবা, ঈপৈ শকপা হৈবা, শৈরেং ফজনা খিবা অদুগুম্বা মীশক্তনা অসুম হায়না তৌবা ঙম্বা! মঞ্জরীগী মপুক্লিংগী বাহু খোঙেল ওইনা থোরকই, করি হায়খিবনো নঙনা নিরঞ্জন বাবু— য়াম্না ঙক্লব্রা? অদুবু ঐদি শুকঙক ঙক্লে মঞ্জরী। করিগী? বাহং অদু মঞ্জরীগী মচিন্দগী থোকখি মতোমতা। করিগুম্বা ভাঙ্গা চাবদা নঙনা হৌখিবা চহী চাম্ম য়াঙথৈ অসিগী জাতিগী অন্দোলনগী ইতিহাসকি লামায়শিংদু ফারুবদি, নঙগী বাহং অদুগী পাউথুম ফংগমি মঞ্জ। ফরে চংলো—

কাচিন অমদা আশীষকি সাইকলদু ঙাহনা লৈরমই। সাইকল অদু ইম্বোক ইম্বোক্না আশীষনা হায়রকই, নিরঞ্জনবু থেংনরোইদি খঙই, অদুবু দক্ষিনেশ্বরগী সমিতিদা চংত্রিঙৈদা শ্যামবাজারদা মাগীময়ুমদা হান্না খিরুবা তাই। সাইকল পায়দুনা অহানবদা আশীষ মতুংদা মঞ্জরী লম্বৈলদা লেপ্পরমই।

নঙবু দক্ষিনেশ্বর তান্না সাইকলদুনা চংকদৌরিব্রাও? মঞ্জরীনা হংলকই।

উম। ফরে, অদুদি চংলে—

ঙাইথো।

মঞ্জরীগী বাহুদা, আশীষ সাইকলগী পেন্ডলদা লেংদুনা

তোংখংলখত্তু, কুমথরক্তনা লৈবাক্তা মখোঙনা নেংলি, করিনো ?

ঐ গাড়ীনা থিল্লমগে—

দরকার লৈতে। নঙ চংখো।

চংলোই। মঙ্গরীগী থোঁনা য়াওবা খোঙ্গোক অদুনা আশীষপু চংরুহল্লমই।

চংলোই হায়রবা ?

ঐসু য়াওগে নঙনা সম্মিতিদা চংপদু।

নঙবু পাখংলত্রাও ?

হয়, হৌজিক কাওদি পাখংত্রি। ঐ চংকে।

চিংনগন্নু মঙ্গু। আশীষকি মথুত্তা পিস্তোল য়াওরিঙৈদা মাবু হিংনা ফাবা কনামত্তগী মতিক নত্তে। অদুগী মথক্তা নঙনা খঙলি-বদুনি, ফাহনবা হায়রবসি ঐগী শাজংতা য়াংদে। নাম্নোক্তনা অপুম লৈরিমখৈদি, ঙসিগী সংস্থান অসি ফায়রবন্নু অমুক্তা অনোবা অমা শেমগংপা য়াই। অদুবু ফাগ্রবদি ওইখোকপা য়াবশিং অদুগী মরুদা থাঙনা য়ানগ্রবনি। মহুমক ওইবা ভাবরদি মৈরক্তা চোংশিন্নগে হোংমরিবা করিগীনো ? ঐ চংভবা য়াদবনি। য়াম্না লুবা প্লান, পোংচৈ লৈহৌরি, অরোয়বা ওইনা অমুক্তং হোংনরুগে, মহু ময়ামহু মখোয়গী মথুংতগী কনবা ঙমত্রা হায়না। মাঙগ্রগা মাঙজগ্রসন্নু ময়ামহুবুদি।

মহুতা নত্তে মঙ্গরী ভূপতি, মাধেশ, শৈবাল অদুগা সুকান্তমে মখোয়বুদি মাঙহনখিবা য়াদে। কৈনোমা তোঙ্গুনা মখোয়বু কনবা ভাবনি। ঐ চংভবা য়াদে। আশীষ মথা অমুক ভারমদনা পেডলদা নেংলগা সাইকলহুদা কাখংতুনা থৌখিরমই। অচেনবা

সাইক্লনগী [illegible] [illegible] [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] মরক্তা অমুম অমুম মাওথিরমই। [illegible] [illegible] [illegible] মঙ্গৗ শো মুক্তনা ইঞ্জিন ষ্টার্ট তৌরমই।'

'[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাড়াংদা [illegible] [illegible] গলি লম্বী কাওজিল্লক্তনা মমুম য়োরগা থোঙগী শো [illegible] মনুংদা চংখিরমই। চুমত্রিং মশাগী তুম্ফম [illegible] [illegible] কমুং মথক্তা কমথরমই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লোই-শিল্লক্লে। আশীবকি মরমদা হন্না হন্না [illegible] [illegible] দক্ষিনেশ্বরগী লম্বীদা আশীবনা [illegible] [illegible] [illegible]গনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অতুম্বা [illegible] [illegible] ঙংই, [illegible] [illegible] মাসু অওবা [illegible] [illegible] লৈতে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থাজবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাকথেকথিগনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]রোই।

বির[illegible] আশীবনা [illegible]রোই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শোংলমই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] আশীবনা কৈদৌঙৈদা তুমিন্না থাওহনা [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]হৌদনা [illegible] [illegible] [illegible] তৌরমই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] লোইগদবা [illegible] [illegible]। ।

॥ কুহ্লা ॥

শ্যামপুকুর স্ট্রিটকি ব্লাইণ্ডলেন অমগী লোইরকপদা গেট পানবা য়ুমজাও অমা লৈরিবদু রায় বাহাদুর সুকান্ত মাল্লিকর্কিনি। রায়-বাহাদুরগী মচানুপা অহলমক্কি নিরঞ্জন মাল্লিক হায়রিবসি।

মপান্দগী গলিগী লম্বীদা লেপ্পুনা য়েংবদা য়ুম অদু কয়াম চাওবগে হায়বদু খঙবা ঙমদে। শঙম তরামরিরোম চাওবা ইখোল অমদা শাবা য়ুমজাওনি, মনিংলোমদা মশা থুপ্পুনা লোমা কম্বগুম্বা খিল্লি। সাইকল অদু গেটকি নাকন অমদা ঙাশিল্লগা থোঙশঙবা হুকুমশিং কৌরকই আশীষনা। গেটকা হেক শম্মনা থোঙশঙবগী তুম্ফম লৈ। অহিং অদু লোইশিল্লক্লে। অনিরক কৌবগা হুকুমশিং মমিং নোইর নোইরদুনা হৌগৎলকই, কৌন হো?

হুকুম, গেট থোরা খোলো। ঐ আশীষ বাবুনি।

আশীষপু য়ুমসিদা য়াম্না খংনৈ অদুগা আশীষনা য়ুমসিদা লাকথোক লাকশিন তৌবগীসু অকক্লবা মতম লৈ'ত। থোঙশঙবনা খঙই, আশীষ বাবুদি দাদা বাবুগী য়াম্না চান্নবা মরুপ্নি হায়না। হুকুমনা গেট হাংদোক্লমই। সাইকল অদু থোঙশঙবগী মনাক্তা লেপহল্লগা কংকুত থাবা লম্বেল অদুগী মতুংইন্না আশীষ চংখিরমই। আশীষনা খঙই নিরঞ্জনদি অয়াম্বা মতমদা মখাগী কা অমদা তুমই। খা রোম থংবা কা অদুদনি। কা অদুমকী থোঙনাও ময়াদা আশীষ লেপ্লরমই। চোংখৎলগা থোঙনাওগী ফ্রেমদু পায়দুনা বেলেন্স তৌরগা থোংবা য়াওদবা থোঙনাওদুদা চোংশিন-খিরমই। কা অসিগী মচি থুদ্দিংমক আশীষনা খঙই। সুইচ মেৎলগা লাইট হাম্না থানগৎলমই। অদুনদি নিরঞ্জন মাগী কাদা

লৈরিবা ! কমুং মথক্তা অঙৌবা মোমপাক্তা অকুপ্পা নেটকি কাংখল অমা খল্লদুনা কম্না তুম্মি নিরঞ্জন !

কাংখল হাইগংলগা তুম্লিবা নিরঞ্জনগী মশাদু নোমদুনা আশীষনা কৌরকই, নিরঞ্জন! নিরঞ্জন !

কনানো ?

মমিং পাঙবোই পাঙদবোই য়েংখংলকই নিরঞ্জননা।

ঐ আশীষনে। হৌগংলকও।

আশীষ! আহুং অম্বুক থেঙনা! কৈদৌরগে ?

থুরো! হুজিকমক ঐগা নঙ অমুক্তা চংভবা য়াদ্রে।

কদায়দা ?

অমুক হংদুনা লৈরম্মুনে— চংলগা মরাইনা খঙজনি। শে হৌগংলো'

অপঙবদৌনা তিঙক তিঙক য়েংলকই নিরঞ্জননা আশীষকি কিভম হোংদবা মমায়দুদা। তুম্মবগী অতনবদু হুজিকসু লৈরি। মশা পুম্বদু ইহৈ হৈনিংলমদে। ফিয়ান্দগী সার্ট অমা চিংথরগা মশাদা লিংশিল্লগা খোংউপ উপশিন উপশিম্না নিরঞ্জন্না অমুক্তা হংলকই কৈদৌনরগে অমুক্তা হায়য়ু আশীষ ? অম্বুক থেঙবা অহিংসিদা কদায়দা চংতোইনো ?

চংতা চংশিবা। মকমদু য়োরগা লোইনা খঙগনি। কুইথরগম্মু, য়াম্না লুবা থবল্লি।

মখোয় অনিমক খোঙ হা দোক্লগা মপান্দা থোরক্লমই। মাঙোন হেক য়োবগা আশীষনা হংলকই, নঙগী গাড়ী গেরেজদা লৈরিকো !

উম।

চৎলো, গাড়ীদু পুথোরকও।

নিরঞ্জন মত্রনা শুমবা মীগুম্না য়াথংশিংদু মথং মথং ইল্লমই। গেরেজদগী গাড়ীদু নিরঞ্জননা পুথোরকপগা আশীষনা মাবু থংনবা সীটতা কম্মু হায়দুনা মশামক্লা ড্রাইভিং সীটতা ফমথিরমই। আশীষকি সাইকল অদু গাড়ীগী বেকতা হাপকৎলমই। আশীষনা গাড়ীদু থোরক্লুনা গলিগী লম্বী লাম্থোক্লগা অহান্বদা শ্যামপুকর স্ট্রিট তারমই, অদুদগী চুমথ্রিং লাক্লুনা লম্পেল অনৌবদা থোরক্লমই। নিরঞ্জন বা ঙাংদে। গাড়ী অদু শ্যাম বাজারগী লমলোং মরি ফাংবদু লাম্থোক্লুনা টালা ব্রীজ লাল্লগা বি, টি, রোড অমুক তাদুনা মুংশিংকি মমাং থানা চেল্লক্লমই। হুজিক্লুদা নিরঞ্জন বা ঙাংনবগী তাঙ্গা ফংলকপগুম তৌই। কদায়দা চৎলিবনো?

খঙদ্রিব্রা! অঙকপা ফংনা ঈংই আশীষকি খোঞ্জেল অদু।

খঙদে। অপঙবদোনা খুম্নকই নিরঞ্জন।

নিরঞ্জনগী বাদুগী পাওখুম পীরবম্মু আশীষকি থোরবা মিংয়েং অদুদি মমাংদা শন্দোকখ্রিবা মী-পোং লৈত্রবা লমশাং অদুদা মিৎকম হোংদনা য়েংলি। মৈ থাল্লবা স্পীডো মিটরগী কাটা অদু ৫০ - ৫৫ গী মরক্তা ফর ফর হাইদুনা থাঙলি।

শোয়রনি! অস্থক কল্লা থোরিবা করিগীনো আশীষ? কাটাদু অমুক্তা হাংগৎলকই—৬০। অদুদগীসু হেন্দোকে হেন্দোকে তৌরকই।

ঙাওরবরা নংবু আশীষ! করিনো তৌরিজবো! খুংলৈ থুনা, ষ্টিয়ারিং পায়রিবা আশীষকি মখুৎ ওই অদু পায়রদুনা

নিরঞ্জননা পাখৎনা হায়রকই, কৈদোরিনো তৌরিসিবো ? অস্থক কম্না থৌরদি এক্সিডেন্ট থোকঅনি ?

কিরবরা ! নঙগী গাড়ীসিদি অহনবনি ! অদুগী মথক্তা নঙনা খঙইহুনি ঐগী খুৎতগীদি এক্সিডেন্টসি থোক্তে । আশীষকি হাঙাংদা করিমত্তা পাখৎপা য়াওদে, চীং লেমই অমদি ঈংই । আশীষকি অসিগুম্বা মওংসি নিরঞ্জননা অমুক্তা উখিদ্রি । করিগুম্বা চরাংনবা অমনা আশীষ মথক্তা লাম্বা মৈরিগুন্না চাক্লি ।

আশীষ নঙবু ঙাওরব্রাও ?

গোলাই লৈবদা খরা কম্না গাড়ী অহু শীংখ্রে । কোইদাস থাবা লম্বী মথক্তা রবরনা কম্না তকশিনবগী শ্ …ই …ইৎ লাওবা মখোল অমা থোক্লমই । ষ্টীয়ারিং লৈথোক লৈথোক্না আশীষনা হায়রকই, ঙাওনিঙাইগী মচাক্লি ! হুজিক্তি খঙলম্বা য়ারে ঐখোয়না য়োৗগদৌরিবদো !

দক্ষিনেশ্বর !

হোয়, দক্ষিনেশ্বরগী সমিতিদা । অহিংদি লোইশিল্লক্লে, সিদগী পুং অমা অনিগী মতুংদগীদি পুলিশ লাক্লনি ঐখোয়গী সমিতি রেইড তৌবা ।

রেইড তৌবা ! করি হায়রবা আশীষ ?

ঐস্থু নঙোন্দা হংলিসিনি য়াহংতুমক নিরঞ্জন !

খঙহৌদনা মখোয়না রেইড তৌবা লাক্লিবসিদি করিগীনো ? খঙহৌদনা মকোক্তা শাফু অমা ফংবগুম্না তৌরমই নিরঞ্জনহু । মশা পুম্বহু খঙহৌদনা বরফতৌনা ঈংশিল্লক্লমই । গাড়ী অহু হায়রিবা মফম অহু য়োৗরক্লে । কুইরবা লমহাংগী য়ুম অমনি,

ছাংদোক্লবা গেট অহ্ম ফাওদুনা আশীষনা মচু ফাওবা চুমথ্রিং থৌজিল্লমই।

খরদং চংলগা য়ুমগী কোম্পোং লৈরমই। থোঙ্গ অহু ইহাং ছাংদোক্না লৈরমই, কোম্পোংগী হেক মমাংদা সুকান্ত লেপ্লুনা লৈরমই। গাড়ী চংলকপদু উবদা সুকান্ত খরা চংশিল্লকই। গাড়ী খাম্লগা মশানা হাম্না গাড়ীদগী কুমথরগা থংননা ফম্লম্বা নিরঞ্জনদা আশীষনা য়াথংদৌমা হায়রকই কুমথরকও নিরঞ্জন!

কনানো? তা আশীষমা?

মানি। নিরঞ্জন লাকও!

নিরঞ্জনদি গাড়ীদগী কুমথরক্কে। অহুম ফমদুনা লৈগ্রে। নিরঞ্জনগী চরম ক'থ্রে। মরাইবক্তা হুমাং মরিক মরিক কারক্লে।

আশীষ অমুক অয়াকপা খোঙ্গেননা য়াথং তৌরকই, নিরঞ্জন কুমথরকউ!

সুকান্তমু মরকসিদা আশীষকি মনাক্তা লেপ্লরমই।

নিরঞ্জন।

আশীষ হন্নক্তি নিরঞ্জনগী মথুং অহু কয়া পায়হনা মপান্দা চিংখোল্লকই, লাও কুমথরকউ! নিরঞ্জন কুমথরক্লমই।

থংননা আশীষকা নিরঞ্জনগা মতুংদা সুকান্তনা ইমদুনা লাক্লমই। মখোম লোয়নমক য়ুম মনুংদা চংথিরমই। মথাগী কা-শিংদু য়াম্না মরাই অহুম মখোয়দি চংপদা থোইনা বাদে। সিজিন্দা কাথংপা হৌরক্লমই। অশাংবা মাঙ্গোল অহু লাহোক্লগা অবোয়বা শরুক্তা লৈবা কা অদুদা মখোয় খুদিংমক চংখিরমই। কা অহু পাকই। ফজ্রাং নদা থাবা বার্নিশ তৈবা আলমারী মরী মঙাথক্তা

ফিরেপ্তু, হিংজরেৌই। অরেপ্পা অমা থঙনবগী মতমতু লাক্লে, মখোয় থিংহুমা থম্বা ওম্লরোই। থোক্লগদবা হায়বদুদি কনাগুম্বা অমত্তনা কৈদৌঙৈদসু থিংবা ঙমখিদ্রি, নখোয়সু ওৎলোই। মোহোৗনা ওলি অমুক লম্বাজ অমদি ব্রায়েন পথাপ থুগায়রগা শেম-গৎপগী তঙাইফদবা অসিবু থিংহুমা থম্বা কনাগীনু মতিক নত্তে মী হায়বদুগী ইচম চম্বা পুন্সিগী দাবী অমদি হিংনবগী অধিকার অদুবু মতম অমুক কুইনা নমশিল্লুনা থম্মীররবস্ত ওসিদি মদুবু কুক্তি লীবা তাবনি। ঐখোয়গী অপূবা অসি হায়রিবদুগী পুমশুপ শুপ্পা নত্তে, লৈবাক মসুংদা থাওা মম্বা শন্দোক্লবনি ওসিদি। অদুনদি নখোয় অবদি নখোয়গী পুলিশ জেঙ্গালনা অদুমক থঙবা ওম্লবনি, পিক্লবা সমিতি অসিবু মখোয়রি মেৎথুনা হাত্তোক্লবস্থ মদুদি শিবা নাইদে!

থঙহোৗদনা তাঙ্গা অদুদা মফম মরাং থঙদনা যতীন কা মন্নুংদা চেনশিল্লকই, ভুপতি!

কৈদোৗরে যতীন? মখোয় লাক্লবরা? ভুপতিগী মহুত্তা আশীবনা যতীনদা হংলকই।

লাক্লে!

লাকল্লু।

অদুদা—

কিগন্নু, ফাহল্বা ঐখোয় কনামত্তা তৌদ্বোই। লান শোক্লরগা মখোয়মু তাল্লোকখিবা ওমলবসু থবায় থাবদি থবগন্নিদনা! ভুপতি be ready quick! কদানতবগী মাথং লাওয়কই।

লান শোক্লদনা থীখোক্লোই য়েৎথুমদা পকপা লৈবাক কাওবা।

॥ কুহু মাথোই ॥

অহুনদি নঙনা হায়রিবসি কিরিটি, হৌখিবা চহি অমমুক্কসি বিহায়দা কাদর জোলকি মিশনদগী হিংহুনা ঐগী মিংতা উফুল চাইরমহুনা চেনখ্রগা ঐখোয়গী নাঙোন শুমাংদা ময়ুম শারিরিবনিনে! মানি মরুপ অহুগা কালোক্রমর ওইহুনবু মহু শুমিবনি। নক্রবদি অসুক য়াম্না কন্নাশ্রকুনা থোনা ফবা ঙম্মোই! কিরিটিনা থুম্লকই।

·ঙুমিদাংবাইরমদা কিরিটিগী টালিগঞ্জদা লৈবা ময়ুমহুদা ফম্লগা কিরিটিগা সুব্রতগা বারী শানহুনা লৈরমই। তৌবদি পাও অসি নঙনা হাম্না কংকম থোক্লবনি সুব্রত নঙমা করিগুম্বা অচুম্বা লম্বী অহু থাদোক্লগা কোইনা চংতুনা লৈরমগ্রবদি।

কোইনা চংপা হায়বদি ?

ডাঃ সান্যালসি ময়াল লৈরবা শয়তান অমা ওইজরবসু মঙোন্দা করিগুম্বা অহেম্বা খম্না মাগী তৌথোরকপনা উৎলি, মহুনা ঐগুম্বা মীশক অমদসু ফত্তনা শুক্কৎলি। বাকমসিদি নঙ ঐগী ইচিন্দগীসু কয়াবক হম্না ঙাগ্রবনি! কয়াবক হম্না হায়গ্রবনি, কালোক্রমর—ডাঃ সান্যালদি ময়ামগা মারবা Criminal নত্তে। অকবা ফত্তবা অনিনা রোমহুনা শাবনি। হুজিক কাওবদা তৌখিবা কালোক্রমরগী ফত্তবা থবকশিংহু নৈনরবদি ঐখোয়না উবা ফংগনি, Circumstance না মাবু লম্বল অসিদা চিংশিল্লকপনি। তৌববুদি মহুং তারকপা থোথোকশিংদা সান্যালগী বাখলগী ওইবা অহোংবা, তৌনিংবতা তৌবা অহুগা মশা বারকচবগী থুদম উবা ফংই। মহুনা মহাকপু মী হায়বশিংহুগী খ্বায়দগী লেম্বা থাক্তা

চিংথখি। মহাকপু মীনা তুকচ্চবা, শোক্লবা য়াদবা অমদি সমাজগী য়েক্লবা ওইহনখি। অদুনা মরম অসিদগী সমাজ অমদি মীয়ামবু কন্না তারবদি মহাকপু পুথোকখিগদবনি। অদুমক্তদা টালিগঞ্জগী তম্লবা য়ুমদুদগী চেনখিবা অমদি বিহারগী মিশনদা লৈদুনা চহি তরুক অমুক লেনখিবা, মদোমগী মাইকৈদা য়েংবা তারগদি মসি-মম্ন হায়রবা য়াই মদুদি কালোত্রমরদি মতাং অদুমক্তদা শিগ্রবনি। অদুদগী য়েংউ, মহাক মফমদুদগী চেনপ্রে, মদুগী চেনখিবদুসু মাগী মরম অমা অদুম লৈজে। মশামকী মচাগুন্না য়োকখৎচরকপা মুপীমচা অদুগী খঙজদবা অপুম্বা অদুনা মহাকপু অমুকা থাপ্পা ইম্মোকপিরে। অনিরকশুনা লোৎতুনা লৈখিব মতমদুদস্ন মহাকী করিগুম্বা ফত্তবা থবক থৌওং অমত্তগী পাও ফংখিদে হায়বসিম্ন অদুগুম্না চুম্বা নত্রনে!

মদু নঙনা ফন হায়দুনসু কিরিটি, কালোত্রমরনা মাগী তৌজ-রুবা থবকী মতিকচাবা শাস্তি ফংত্রিমথৈদি, ঐগী পূক্লিংদা পোত্থাবা কৌবদা মরৈত্রে। ফরে, মদু থম্নশি নঙনা ভাইহাকী মমাংদা হায়খিবদা ঐনা লম্বেল কোইনা চৎজি হায়বদুবু করম্বা মতাংদনো?

লম্বেল কোই হায়বা নত্তে! কালোত্রমরগী হৌখিবা চহি তরুক তরেৎকি ইতিহাস কুপ্পা য়েংলবদি উগনি, মিশনদগী চেন-প্রবসু মিশনগা পুমথা থাদোক্লবদি মহাক ভমখিদে। মহাক্লম্বা মী অমনদি ফাদর জোনকি মফমদা শকখিবা খাশক অদু শোয়দনম্রক ভাকনি। রেভরেণ্ড চাটার্জীদা হংবদা খঙথি, মহাক হুজিক ফাওবা মিশনদা চাং নাইনা শেলগী মতেং পীরি।

অওইবরা!

মানি। মহুদগীনি ফংলক্লিবা পাও অসি। অহুদগীদি কালোভ্রমরবু থিবদা ঐ কুইনা চঙত্রে।

অহুবু মিশনদা চৎতুনা সিষ্টর রিতাদা হয়া হয়া হংবদদি অহু-গুম্বা পাও অমত্তা তারক্লেনা ! কিরিটি হাইফেত্তং নোক্লহুনা হায়রকই, মহুগী মরমদি নং অমুক্তা অরানবা লগীদা চঙলুবননি।

করি হায়রবা ?

উম, নমিৎতুনা য়েংলমুবদি উরমগদবনি, মুপী ওইবী সিষ্টর রিতাগী শোন্থবা মতাং কদায় থাইদনো হায়বহু অহুগা ডাঃ সান্যাল-গুম্বা মীওই অমগী মফমদা সিষ্টর রিতাগী অহুগুম্বা মখলগী শোন্থজবা অহু ওইথোক্তবদি নত্তে, অমরোমদা য়াম্না হেন্নহুম ওইনিংঙাইনি।

॥ কুন্থু ানিথোক ॥

অশেংবমক সুব্রত লানথিবনি। অহিং অহুদা ডাঃ সান্যালনা অমুক হয়া মহাকপু অপঙবা শীরমগা লোৎথ্রে হায়বহু মহাক্না হেক থঙলকপগা মিশনগী মীওই খুদিংমক্তা অমত্তা চিথদনা নৈহুনা হংথি। মিশনগী মীপুম খুদিংমক্না মানা মানা থঙজবা ডাঃ সান্যালগী মরম কয়া সুব্রতদা চায়দোক্লখি। ডাঃ সান্যালগী মরমদা মশাগী মোত পিথিদবদি সিষ্টর রিতাদনি। মহাক্তি গুপ্তনা হাইফেত্তং নোক্তনা হায়খি, য়েংবিয়ু মিঃ রায় ঐদি ভারতকি মী অমা নৎচদে - ইংরেজগী ঈনা ঐগী শিংলিদা চেল্লি, অরানবকু পাপপু ঐদি থরায়, হকচাং য়াওনা হঙোইজে। ডাঃ সান্যালগী মরমদা

মরাম্না হায়নিংবা হায়জরবস্থ, অদোমগী খিচার অমদি মিৎয়েংদা মহাক অসি ওইনিংবা শক্তম অমা ওইজরবস্থ শাংলবা চহি তরুক লোয়নরক্কনা থঙলক্লবা মী অতুবুদি মশক মুম্না থঙনবগী খুদোংচাবা কংজগ্রে। ঐগী মিৎতদি মহাক মীচম অমা নত্তে মীথোই মীহেল্লবা মীনি। মথা তাবদি ঐঙোন্দা অমুক মহক্কী মরমদা অদোম্না করিগুম্বা অমত্তা হংবিরক্লরোই হায়না আশা তৌজে। হায়খিবা থৌদোক অসিগী মতুংদা সুব্রতনা অনিরক হম্না সিষ্টর রিতাদা চিঠি ইখি অদুবু পাউখুম অমত্তা ফংখিদে। সুব্রতগী মচিন্দগী কালোভ্রমরগী মরমদা অরোয়বা পাও অদু তাবদা কিরিচিগী রাখলদা লাকপা রাহং অদুনা মহাকপু হম্না হম্না লৎখি, অদুবু মদুগী ওইবা য়াবা মওং অমদি ভাবনা শাজিনবা ঙমখি। সুব্রতগী মচিন্দগী মুমিং তারামণ্ডানিগী মমাংদদা থঙহৌদনা রারী তৌনরকপদা মানা সিষ্টর রিতাদা চিঠি হম্না হম্না থাবা অদুগা সিষ্টরনা ঙসি ফাওবদা চিঠি হল্লক্তবগী রাতু তাবদা! কিরিটি অমুক থিরকবা তৌদনা মুমিং নিনিগী মতুংদা মিশমদা চৎখি। অদুগা তাঞ্জা হায়বহনি, ট্রেনদা অতোপ্পা পাও অমগা তারক্কনা সুচিতাগী মনাক্তা চৎলুই—চট্টরাজগী মমৌ সুচিতা ঘোষাল। সুচিতাসু ট্রেন অদুমক্তদা মহাকী থবক্কীদমক পাটনা চৎলমই। এম, এস, সি পাস-তৌরবা মতুংদা সুচিতা পাটনাগী গার্লস স্কুল অমদা মকোক ওইবী ওজা ওইরকখি হৌখিবা চহি অনিদগী। ডাঃ চট্টরাজ ডিহিরিঙমশোনদগী অমুক হনবা তৌদনা রুম মচা অমা লৌরগা প্রাকটিস হৌগৎখি। সুচিতাদি ছুটিগী মতমদা মাম্মগী মনাক্তা চৎতুনা ছুটি লোইহ্রিকাওবা লেল্লি। স্কুলগী থবক থর লোইশিনবা

কলিকাতাদা চৎলুবনি পাটনাদগী ট্রেন অতুদা হল্লকপ্নি। মতম কুইনগী মতুংদ সুচিতাবু উবদসু কিরিটিনা ইরা রাদনা মশক লাকশিনবা ভমখি। রারী অসুম তৌরকপদা কালোভ্রমরগী মতাং য়ৌরকই অতুগা কিরিটিনা হৈ শিংনা সুচিতাগা কালোভ্রমরগা চিঠি চৎনবগী রাকম অহু খঙদোকখি সুচিতানা কালোভ্রমরনা মিশনদা লৈখবগী মতাংহু হায়দোকখু। কিরিটি খঙলবসু রা অমত্তা ভাংলমদে।

মিশনদা হেক থুংবগা কিরিটিনা রেভরেণ্ড চাটার্জীগা ইহান হান্না উন্নরমই অতুগা রেভরেণ্ড চাটার্জীগী রাহৈ খরদা কিরিটি থোইদোক্লা মথরাই শোকখি। তৌবগীদি রেভরেণ্ড চাটার্জীগী অশাওবা অতুগী মরমহু খঙবদা কিরিটিনা লুমা থোক্লমদে। মিশনগী থবক্তা মপূন্সি কখোক্লগা হেক্তা মিশনগী নিতিবু মপুংফামা ভাক্তুনা চৎপসি মী থুদিংমক্তা ভমদে হায়বসি রেভরেণ্ড চাটার্জীনা মহুগী খুদমনি। হৌবদগী হৌনা রেভরেণ্ড চাটার্জীনা মিশনগী থবক পুতুনা লাকখিবনি। অতুমক্তদা ডাঃ সান্যালবু কৌশিল্লগা রেভরেণ্ড চাটার্জীবু কান্দুনা মিশনগী থবক পূম্না মভোন্দা শিন্নবদা রেভরেণ্ড চাটার্জীনা কল্লক্লোইদবগী মরম লৈতে অতুগা মহুমকসু থোকখি। মরম অতুনা রেভরেণ্ড চাটার্জীনা ডাঃ সান্যালবু ইহৈ হৈনখিদে অতুগা কৈদৌঙদা ফনা উবা ভমখিদে। ডাঃ সান্যালগা ফজরবা লমচৎ অমদি চিকখোন-নাওখোনবা অতুনা নোংমা নোংমগী নক্তবা মীশিংগী মরক্তা অমদি অতোপ্পা সংস্থান কয়াদা মহাক্কী মমিং শন্দোরকপগা লোয়ন লোয়ননা রেভরেণ্ড চাটার্জীগী কল্লকপসু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকখি। অতুগা অরোয়রবদা

ডাক্তরগী অশেংবা মরিমখোঙ অহু হাযদোক্লবস্থু সিষ্টর রিতাগীদমক্তা অমদি মিশনগী খর য়েংহুনা রা মথা অমুক তানখিদে। মহুগী মতাংদা ইরাঙ লাঙনখিদবগী মরমস্থ লৈ। ডাঃ সান্যালনা চৎগ্রবস্থু চাং নাইনা মিশনদা শেলগী মতেংদি পীরকখি অহুগা মহুমক্তু রাৎতুনা মিশন অ সি শিবা তারগ্নদগী ঙসি ফাওবা হিংল ক্লবনি ! স্থব্রতনা সিষ্টর রিতাগী মফমদা কালোভ্রমর (ডাঃ সান্যাল) গী মরমদা হায়খিবহুদি মিৎয়েং অমত্তদগী ওইনা য়েংবগুম তৌই। অতুবু কিরিটিগা মচিন্দগী (কালোভ্রমর, ডাঃ সান্যালগী মরমদা) খল্লম্বহু অচুম্বনি হায়বসি হেক খঙবা খুদক্তা সিষ্টর রিতাগী মপুক্লিংদা নুংঙাইবগী ঈথক অমা হৌখিরমই। নিংজিং মাংজিংনবগী মশক উদবা তিংখং অহুনা মপুক মনুংদা অহিং নুংথিল নাইদনা য়ুহুনা লৈরম্বনি, কিরিটিগী রাহু তাবদা মহুস্থ মাৎশ্রে সিষ্টরগী মশাদগী।

রিতানা অতপ্পা খোঞ্জেলনা হায়রকই, ঐদি খঙখি মিঃ রায়, মিঃ সান্যালনা তৌনিংবা কয়া তৌজরম্লবস্থু হৌখিবা মপুন্সিদা, শয়তানদি মহাক নত্তে। পুক্লিংদা লেপথোকচবা অসিমক লৈজ-রমদ্রবদি, ফাদরজোন্সকি মিশন অসিগীদমক্তা মানা থারকপা শেল ঐনা লৌবা ঙম্মোইদবনি। য়েংবিয়ু মিঃ রায় মী হায়বসিমক্তবু অরাম্বা তৌনিঙাইদনি মরমদি মী হায়বসি মীনি; অতুবু কৈদৌঙৈ করম্বা মতমদা অরাম্বা তৌখিবগে হায়বহু য়েংলগা মপুং ওইবা মীহুবু লেপথোক্কে হায়রবদি অমুক্তা হেম্না লাল্লনি। ফাদরনা মীপুম খুদিংমক্তী ওইনা রাকম অসি মতমচুপ্পদা হায়বিখি। ঙাইহাক্তং লেপ্তুনা মপুক্লিংগী ঈহৌ অহু ফাজিঞ্জরগা সিষ্টর

রিতানা অমুক হায়রকই, রা অমখক্তুংদি ঐনা ঙসি ফাওবদা কনামঙদা হায়দোকখিদ্রি অ:দা-দা হায়দোকচগে, মিঃ সান্যালনা মিশনদা শেলগী মতেং পীগে হায়না চিঠি ইরকখিবা মতমদা ফাদরনা নোংমা মুমিদাং ঐঙোন্দা হায়খি, সিষ্টর, সান্যালগী চিঠিসি পাবদা করিগুম্বা অমা ময়েক শেংনা উরক্লে, মহাক্না হৌখিবা মপুন্সিদা তৌখিবা পাপ অদু মৈ ঈকপা হৌরক্লে নিঙঙমদবগী মরক্তা। লাকদবা পুন্সিদা করিগুম্বা অরোনবা রাফম অমা মিঃ সান্যালগী মরমদা তারক্লবদি খঙউ মতুতনা মাগী লোয়নমকতি নত্তে অতুগা মতুবু লান্থোক্লবা শক্তিসু খোমজিঙ্গরবনি। সিষ্টর রিতাগী রারী অদুনা কিরিটিবু শুমগ্রবগুম তৌই। ডাঃ সান্যালনা মিশনদা চাং নাইনা থারকপা শেল রামুগী মমিংদা লাকই হায়ব-দুসু কিরিটিনা সিষ্টর রিতাদগী খঙখিরমই অদুগা এনভেলপকি ঠীকানা অদুদগী মহাক্না শাজিনবদা ডাঃ সান্যাল হুজিকমক কলিকাতামক্তদা লোৎতুনা লৈরি হায়না খল্লকখি! কলিকাতাদা হল্লক্লগা রামুগী লৈফম থিবদা কিরিটি অদুক য়াম্না রাখিদে। মরমদি মথং থাগী তারিখ অমা লাক্লে। রামু মহৌশাগুম্না আম-হার্ষ্ট স্ট্রিটকি পোষ্ট অফিসতা রেজিষ্টার তৌরগা মিশনদা শেল থানবা লাক্লমই। রামুবু ইম্নদুনা মমাংগী মুমিত্তুদা কিরিটিনা কালোভ্রমরগী আমহার্ষ্ট স্ট্রিটকি ঠীকানা অদু ফংখি। রারী অদুমক কিরিটিনা সুব্রতগা শচীনগুপ্তগদা মুমিদাংরাইরম লীরম্লিবনি। কালোভ্রমরগী মতাংদা ঐগী ওইবা সমাজগী মফমদা লৈরম্বা দারী পুম্নমক অদু মতাং অসিরাইদা লোইশিঙ্গরে। ঐগী ইপুক্লিংগী মফমদসু অমুক হৈরাল লৈবা অমা ওইজরে।

কিরিটিগী লোইশিল্লকপা বাহৈশিংহুদা সুব্রতনা চঙরুনা য়েংলকই কিরিটিগী মরায়দা ।

শচীনগুপ্তনা হায়রকই, অদোমগী বাহৈশিংসিগী অর্থ করিনো মিঃ রায় ?

অর্থ য়ামশ্রে শচীনবাবু ! কালোভ্রমরবু ঐনা তুকচ্চে ; অদুবু ডাঃ সান্যালবুদি ঙসি ঐনা ইকায় খুম্নে ! আইনগী বা থমখিশি, মতাংসিদদি আইনগী বা পুশিল্লক্ত্রনা নৈনব নত্রগা অচুম অরান হায়না থিদুনা লৈরবদি অঙাং মচা শামবা ভাদুনা তোকনি । মতম শাংনা লমজেন তাম্নরকপনা ডাক্তরগা ঐগগী মরক্তা থদংনবা য়াদবা খঙজদবা মরী অমা মপুংফানা শেমশ্রে, আইনদা তাই-রগা ডাক্তরবু ফাঁসিগী থৌরাদা য়ান্দুনা ইশাগী আত্মাবুদি ঐনা ইকায়বা পীবা ঙমদে ।

ইকায়বা পীবা ঙাকস্নু নত্তে, মদুদগী হেন্না অমুক মাবু তুহৎ-পিবসিবু লৈরিব্রা !

মসি তৌবগীদি নঙগীসি বা চাওথোকখিদৌরে কিরিটি । মহু, হোয়, চাওরবা য়াই । অদুবু সিমদি খঙউ, পুক্নিংগী মফমদদি খঙদবা উদবা হায়বসিদি করিমত্তা লৈত্তেনে ! ঙাইহাক্তং লেপ্লরগা কিরিটিনা অমুক হায়রকই, ডাঃ সান্যালবু (কালোভ্রমর) নথোয়না সমাজগী য়েক্লবা, ডাকু অমদি মীহাৎপা অমনি হায়নদমক খঙই, মহুমক্তা নথোয়না মশানা ওইকম থোকপা তুকচ্চবা অদুবু নপুক্নিংদা য়োক্তনা লাকপনি । মীহুবু ফাঁসিগী থৌরাদা য়াম্নবা নথোয় অমদি নথোয়গী আইননা নখুৎ তিংথোক্তনা লৈরি, অদুবু কাও-থোক্লিবা করিগীনো মরুপ, ফাঁসিগী থৌরাদা অমদি কৈশুমশঙগী

চেকপল মতুংদা কনাগুম্বা অমবু য়াম্বা ওয়েগা নত্রগা ফাজিন্দুনা থম্বা ওয়াগা পাপ চেম্না অমগী দণ্ডী মপুং ফাবরে হায়বা য়াদে। অদুগী মথক্তা ওসি নখোয়না কোয়থি থিম্লিবা কালোভ্রমরদু—ওসিগী কালোভ্রমরসিদি মমাংঙৈগী মীহাৎপা কালোভ্রমরদু নত্তে। মাগী পুন্সিগী হৌখিবা চহি তরুক তরেৎকি ইতিহাস অমদি শাংলবা মতম অদুগী মঙ্গংদা অহিং লুংথিল মৈ ঈকপগী পাও অদু নঙ অমদি নখোয়গা আইনবা কাওথোক্লবসু ঐদি কাওথোকখিবা ওয়োই।

অদুনি হায়দুনসু কিরিটি, মানা তৌখিবা পাপ অদুগা মীহাৎ-শিংদুগীদি মাবু শাস্তি অমত্তা ফংলরোইদ্রনে ?

শাস্তি! হোয় ফংগনি অদুগা কাংসু ফংলে। মদুমক ফংথি-দবা ওইরবদি, য়ামত্রবদা অরুপকরসি ওসি ফাওবা হিংদুনা লৈরম্লরোইদবনি! ফরে, ওইরোইদবা ব্রাশিংসি তোক্লশি! ঐগী হায়গদবসু লোইরে হুজিক্তি নখোয় নখোয়না তৌগদবদু তৌরো।

অদুদা — কিরিটিনা মরক থৎলি, "কান্নদনা মসিদা মরৈ য়েৎনরগা ফল তাররোই সুব্রত।" ঐদোনা জগৎসিদা মী অমা অনিদি লৈরি, মখোয়দুসু ঐদোনা, কালোভ্রমরনা ফাঁসিগী থৌরী-দা য়াম্বদু ঊনিংদবা।

মসিগী মতুংদা সুব্রতগী হায়নিঙাই বা অমত্তা লৈরমদে। উপাই লৈত্রবা শচীনগুপ্তগা লোয়ননা হৌগৎতুনা লেপথৎলমই।

॥ কুন্থ্রাহুমদোই ॥

কিরিটিনা শাজিনবদু লাক্রে। কিরিটিগা বাখী শানথ্রবা মতুংদা অমদি মহাক্না মিশনদগী চৎত্রবা মতুংদা থঙজদনা সিষ্টর

রিত্তা নিংজিং-মাংজিংনবা অমা তৌরক্লমই। কিরিটিগা সিষ্টর রিতাগা ডাঃ সান্যালগী মরমদা শাথিবা ৱারী অদু অরোয়বদা করি ওইরকপা য়াবগে হায়বদু মহাক্না লৌশিং চাওবী অমনদি থম্ববদা লুনা থোকখিদে। অম্মক য়াম্না মমল য়াম্নবা থরায় অমা আইনগী থলদা ওন্দুনা ফাঁসিগী থৌরী নত্রগা কৈশুমশঙগী মুংশিং মুংশা চঙত্রবা কাদা লোইশিনখিবা হাযবসি সিষ্টর রিতানা শুকথাঙ থাঙবা ঙমজরমদে। অদু ওইরবদি মথোং কারকপা মতমদা মহাক্না ধর্ম্মগী লাইমিং কান্নদবদা লৌরুবনি।

অদুবু উপায়বু অমুক লৈরিব্রা? করম হায়নবু করিসু লৈত্রবা মুপীমচা অমনা ডাঃ সান্যালগী মতেং পাংবা ঙমগদৌরিবা? মুংথিল অনি অহিং অনি মতম চুপ্পদা সিষ্টর রিতা ৱাথল অসিত্তমক থল্লগা লেনখিরমই। মমৈদা পোথাবা ঙম্লক্ত্রদুনা ডাঃ সান্যালগা উন্ননবা কলিকাতাদা লাক্লমই। সিষ্টর রিতা ডাঃ সান্যালগী ঠীকানা থঙই। মুমিং অদুগী অয়ুক্কনি।

ডাঃ সান্যাল য়ামুগা লোয়ননা পোৎ-চৈ কয়া য়োমদুনা লৈরমই। মঞ্জরীসু মপাগা য়ামুগনা য়োম্নিবদু য়াওশিল্লমই। মতম অদুমক্তদা মপানগী থোঙদা থৌল্লকপগী মখোল অমা তারক্লমই।

কনানো য়েংউ, হুজিক অমুক লাকইসিনা! ডাঃ সান্যালনা হায়রকই। য়ামু মথাদা কুমথখিরমই অদুগা ঙাইহাক লৈরগা হল্লক্ত্রনা হায়ররমই, মেম সাহেব অমা অংদামগা অমুক্তা উন্নজগে হায় বাবু। মেম সাহেব! করিনোনে হায়রিসিবো?

হোয়, মিশনদগী লাকপনি হায়খিবু হায়না হায়রকই।

মিশনদগী লাকপা! কনানো? চংলো য়েংঙুশি! মথাদা

কুমথরক্লগা থোঙময়াদ, সিষ্টর রিতাবু হেক উবদা ডাঃ সান্যাল ঙকপনা থম থেংখিরমই। অহান্বদদি ডাঃ সান্যালগী মচিন্দগী বা অমত্তা থোকখিদে। সিষ্টর রিতা! সিদা? সিষ্টর, ঐ—ঐ মঙ নত্তেকো!

নত্তে মিঃ সান্যাল, ঐ থাঙ্গৈশেংবা রিতানি।

লেঙশিল্লকউ, লেঙশিনবীরকউ মথক্তা কাখৎপিরকউ, কয়াদা লাইবক ফরবনো!

মনুংদা চংলক চংলক্লা সিষ্টরনা হায়রকই, য়াম্না লুবা অরোম্বা বা থরা অদোমগা তাম্নগদবা লৈ মিঃ সান্যাল। সিষ্টর রিতাগা লোয়ননা ডাঃ সান্যাল মহাক্না কাদা চংলক্লমই। মঞ্জরীনা সিষ্টরবু উবদা হরাওখিবনা চেনশিল্লক্তুনা মখুৎ অনিনা সিষ্টরবু কোন-শিল্লমই।

মঞ্জু! মঞ্জু! নুংঙাইরিকো? My pretty child!

নুংঙাইরি সিষ্টর।

নঙ থংনবা কাদা অমুক্তা লৈরুচো ইবেম্মা। সিষ্টরগা বা অমা অনিদা ঙাংনগে। মঞ্জরী মাগী কাদা চৎখিরমই।

ফম্বীয়ু সিষ্টর।

সিষ্টর চেয়ার অমা চিংশিন্দুনা ফমথরমই। অফিং অফাই ওইনা লমশাঙ অসি লাক্লগা শঙাহৌদনা হুজিক্তদা সিষ্টর তৌকম থঙদবা অমা ফাওরকই। কদায়দগী হৌগদৌরিবনো হায়বহু ভাব তারমদে। মহাক্ত্বা করিমত্তা মরী থোক্লদবা নুপী অমনা চাহি থরদং থঙনখিবা নুপা অমগী য়াইফনবা অসুক থাগা চেল্লকপসি মীগী মিৎয়েংদা কদায় ফাওবা কায়রবগে হায়বহু সিষ্টরনা অমুক্তা

ফাওবা থন্থরুদে ।

সিষ্টর করিনা অমা হায়গনি হায়বিথিবদো ! ডাঃ সান্যালনা হায়া হংলকই ।

হোয়, কিরিটিবাবু মুমিৎ মঙানিমূক্কা মমাংদা ঐগীদা লাকখি ।

কনা হায়বা, কিরিটি রায় ?

আহোয় ।

খঙহৌদনা ডাঃ সান্যাল ইফক ফকচিন্নখি । রাথলগী অমুবা মমি অমা মমায়দা তপ্না তপ্না শন্দোরকই, অদুবু মহু কুইনা লৈখিদে । হাঙ্কেত্তং নোকপগুম তৌরকই । ঐ খঙই সুব্রতবাকুনা ঐবু অমুক্তং উথ্রবনিনা কিরিটিগী মমিংতা উহন্দনা লৈবদু ঐ য়াররোই । অদুবু চহি অমদি চোইছে হায়বা তাই ! অরোইবগী রাহৈশিংহু মতোমতা শোঙ্গরন্থদগী সিষ্টরদা য়েংখৎতুনা ডাক্তরনা হায়রকই, ঐগী ইতিহাস পুম্বা খঙবিরেকো সিষ্টর । ফরে, মফমদু থাদোক্তুনা ঐদা হায়া ইচিনমক্কা ঐগী শাংলবা ইতিহাস লৌথোকচগে খল্লগনি অদুবু হাথু হাথু তৌবদা মতাং চাখিদ্রে । সিদা লাক্লগনু কয়ারক থনখি চিঠি ইহুনা খঙহনগে হায়না । ফাদর জোন্সকি মফমদা ইশাগী অশেংবা পরিচয় তাকথোক্তুনা লঙশিঞ্জখিবা পাপ অদুগী প্রায়শ্চিত অদোমগী মফমদা মপুং ফাহল্লগে হায়না । অদুবু মীওইবা আত্মাগা 'ঐ' হায়বা হৈনবীচ চৎনবীগী অকিবা অদুগা অদোমগী ময়াম পুম্নমক্তগী ফংখিবা ইকায়খুম্নবা অদুবু মখোয়গী মেৎতুনা হাং-তোকপা ঙমজদবগী শুঙাইফদবা অদুবুদি জয় তৌবা ঙমখিদে । অশেংবনি হুজিক্কুদা খল্লুরগা ঙকই, মী হায়বসি কয়াদা শোনগ্রবা,

কয়াদা গতি লৈজখিগ্রবা !

ঐনা লোইনমক খঙত্রবস্থু অহুগুম্বা অমদি অদোমগী মরমদা খনখি। অহুগী মথক্তা ফাদর জোন্সনস্থু খনখিবগুম তৌই অহুগা নোংমা অদোম্না মফমহুদা থুংলজিন্নৈগী মমাংদা বাগী বাপাং ওইনা হৌদোরকখি ! ভশেংনা ভকই ! অহুমক্তদা অদোমগী ময়াম পুম্নমক্না ঐবু তুকচ্চখিদে, থাদোকপিখিদে !

করি মরমগী তুকচ্চগাদোরিবা ? যীশুনা তাকপীরমই পাপপু তুকচ্চনবা য়াই, পাপীবু দি নত্তে ! অহুগী মথক্তা পাপকি প্রায়শ্চিত খজিক্তংদদি ফংখিবা নত্তে ! প্রায়শ্চিত ! নত্তে-নত্তে করিস্থু, ভৌখিদ্রি। মীহাৎপগী ঈনা খুৎ অসি মচু শঙলবনি —নত্তে, নত্তে ঐ প্রায়শ্চিত তৌদ্রি ! ঐ কাওবা ভমদে, কাওবা ভমদে ঐনা ওইরম্বহু, ঐনা ভৌখিবশিংহু ! শাদগীস্থু হেন্না তোল্লবনি। হুজোইরবা তীলদগীস্থু হেন্না তুকচ্চরবা — কান্নত্রবা মীনি ঐ ! মথুৎ অমিনা ডাঃ সান্যাল মমায় খুমজিল্লমই। ফাহল্লমগদবনি সুমিৎ অহু, ফাহল্লমগদবনি ঐবু সুমিৎ অহুদা মিশনহুদা। পুকন্নুংদা শাংলবা চহি ত্রেৎ চুপ্পা চাক্লক্লিবা মৈরি অসি মুংলরোই। খাঙতম-স্রবা মৈশানা অহিং মুংখিল কর কর হাইহনখি। অহুবু ভমখিত্রে, অরোয়বদদি ভমখিত্রে ! মঞ্জু—টুকুননা ঐগী বাশক পুম্নমক্তগী লম্বী থৎতুনা লেপত্রে। মঞ্জুবু থাদোক্লগা ঐ হিংবা ভাম্লাই, বাখল অসি খল্লুবতদা — আত্মাগা লোইননা মসিদি কয়াদা কন্না পুনশিনগ্রবনো সিষ্টর, কনাদস্থু মসি খঙহন্না ভম্মোই ! অমরোমদা ঐগী পুন্সিচুপ্পা তৌরকপা ফত্তবা থবকশিংগী প্রায়শ্চিত অতোপ্পদনা টুকুন। শুপ্পগী অশিবা—অশিবনা নত্তনদি মাবু কনামত্তনা ঐগী

ইথাদগী মুনখিবা ওয়োই। মুনহনখিরোই। মচু থওজবনা অংঙামপু ম্যাংক্লোনবা চেকশিংচুহল্লিংহন্না ঐ মাকচবনি মিঃ সান্যাল। অদোমবু ফাহনখিবা য়াদে। সিষ্টর। চঙকুনা ডাক্তরনা য়েংলকই সিষ্টরগী মমায়দা অল্লানবনি থওনা থওনা ডাঃ সান্যালন্না মরম ছাত্রবা মহাকী অপাম্বা অদুবু মশাপুম্বা হুপচিন্দুনা কোনখি অদুগা মশাগী মথন্মোয়দু নত্তনা কনামত্তদগী খজিক্তফাওবা মতুদা মীচঙ চঙবিরক্কনি হায়না থল্লুদে, সিষ্টর রিতাগী অয়োয়বগী মাহৈশিংহুদা মতগী মমি খর উরকপদা ডাক্তরদি ওকপদা নত্তনা বা ওাংবা থোকখিদ্রে। অশেংবনি, ঐনা হায়জরিবসি মিঃ সান্যাল, য়ারিবমথৈ থুনা অদোম চেনবিগ্রে।

অদোম— সিষ্টর রিতা অদোমা হুম হায়না হায়রিবা। হায়রিবগী মরমদি, ওসি থম্মোয় মম্নুংদগী থোক্লকপা অচুম্ববু আইননা মমিং পাম্রবা বিচারনা বায়েন্নবদি চংনবীনা অচুম্বা ওইরনি, থম্মোয় মম্নুংগী অচুম্বা অসিনা অবাম্বা ওনথরবনি! ডাঃ সান্যালগা সিষ্টর রিতাগা বারী শানরিঙৈগী মরক্তা মঙঙীদি মশাগী কান্না মতোমতা ফরপা আশীমকি মরমমমক থন্দুনা লৈরমই। নোংলৈ নুংশিংকি মতোগুম্না আশীমকি মচন কৃষ্ণা কা মপুংদা চঙলকই, মমা!

কনানো? কৃষ্ণা! কৈদোরে?

জামমনি মামা —

কৈদোরবা! মামা কৈদৌরগে?

অয়ুক অওবদা পুলিশনা মথোয়গী মকিচেনথরগনি হুম অহু কোয়শিনরো অদুগা মথোয়নদি পুলিশতা চঙলক্লে — অদুরগী হৌনা

মাষ্টৈক অনিমকুগী Open firing হৌরে। মায়াদি রাশকপ্পয়নি, মথাক্কায় থাদোকনি অদুবু ফাদি ক্যাব্লোই হায়না অদুগা য়ুমদুদগীদ্মু চেল্লোই হায়। মাদাগা ভুপতিগা নত্তনা কনানত্তা কৈহৌদ্রে মকমদুদা শুরুং ফাওদুনা লোইনা চেম্মোরক্লে। নঙ — নুঙনে, য়েংদো, মাদাবু অমুক্তা হলহল্লকপা ঙম্মা য়েংবিয়ু!

ঐনা।

হোয়, ঙক্তা ভারবদি নঙ নত্তোমদননি, থুরো চৎলসি সিদগী হেন্না কুইথপ্পবদি পুম্মাও মাঙল্লনি, মথোয়গী মথুংতা থরা লৈরম্বা এমুনিশন অদুসু লোইশিল্লক্লবনি। খুদঙ্গদা মঞ্জরী মাগী তোঁগদুবা লেপথোকচরকই, ফুক হৌগৎলগা হায়রকই, ঙাইহাক ভাইরম্মু অদুদি, ঐ অমুক্তা লোইশিল্লকখিগে।

মঞ্জরীনা টেবিলদগী চিঠি ইন্নবা পেড় চিংথোক্লগা য়াম্না থুনা, শম্না ডাঃ সান্যালগী মমিংদা চিঠি অমা ইরম্লগা মমাম্নবিগা থোরক্লমই। কনামত্তনা খঙহৌদে।

সোমদনা ডাঃ সান্যালনা থংনবা কাদা চংলুবদা মঞ্জরীবু উদবদগী মঞ্জরী কোগে হায়না হেক তোরকপদা খঙহৌদনা মাগী মমিংদা ইরম্বা চিঠি অদু উরক্লমই— মঙোন্দা ইরম্বনি।

চিঠি অদু লোখৎলগা ফিংনা মথুং নিক্তা চিঠি অদু হাংদোক্লগা ডাঃ সান্যালনা খুদক্তা পাবা হৌরকই। মাঙলেদনা টুকুননা তৌরিবসিদি করিনো। ডাঃ সান্যালনা নেৎলিবা লৈমায় অদু শংতোক্লখিবগুম্ব তৌই। করি মত্তোনো টুকুননা তৌরিবসিদি! মকিয়া কুংনা থুদোংথিবা মরক অদুদা চেননিশিনখ্রিব্রা! টুকুননা সরোয়বদদি মাবু থাদোক্লমবা! মাগী ইমায় চোৎলবা লুংশিন্না

অতুগী মমল অমত্তা পীরমদনা চুন্না নোংমা নিনিখক্তং খঙনরুবা আশীবকিদমক্তা মাগী মুংশিজবগী মরী অহুবু থদংলম্নগা নিঙাইদনা অশিবগী থায়াত্তা চেনশিনগ্রবা ! কনাবুনো অতুদি, মামা মথুং অনি চঙহনা কোনশিনগে হোংনরুবদো ?

কনাবুনো মানা মথাদা কোন্দুনা মিশনদগী চেল্লকখিবদো ? কনাগী মুংশিবনা মমিং তাঙহন্দুনা মানা মতম কুইনা তুংশিল্লরুবা পাপ অমদি ফত্তবা থবকশিং অতু ফাওবা কাওথোকপা পামলুবনো ? কনাবু, অতুদি মানা অসুক্কী মতিক মুংশিজনা পান্মুনা মথাদা কোন্দুনা মীওইনবা য়োকখংলকখিবনো ? ওস্থোকপনি লৈঙোহনা দলান শাগংলুবা ! ঈপোম অমত্তনা থেংবদা কায়হুনা মচেং মচেং তাগ্রে। হাঙলে ! মাইকৈ মরি হাঙলে ! মশক উদ্রবা অহাঙবনা মাবু লরুরগ্রে। কয়াদা থম্মোয় পান্দনা মিমুংশি য়াওদনা নোক্লবনো ! শাংলবা চহি তরেংকি অয়ুক মুংথিল অমমমতুগী মশাং নাইদ্রবা নিংশিংবা ময়াম অতুনা তপ্পা তপ্পা পান্মুজবা, মিমুংশিগী মশক ওইনা শেমগংচরকপা অহুবু, কনানা থঙগনি অসুক লায়না নাস্থোক-খিনি হায়বা ! মহাক অহুবু থাদোক্তুনা লেনগদবা কৈশুমশঙগী জুমিংশিং অতু থল্লুবদা কিগ্রবা, ফাঁসিগী থৌরীবু মিপাইহুনা লৈথোক্লবা লাক্লরিবা, মহাক অতুগীদমক্তা অসুক য়াম্না লাঙজরুবা অমুক ফাওবা চংত্রিভৈগী মমাংদা মহাক অতুনদি হন্না য়েংলমদরে ! বাহৈ অমত্তং মচিন্দগী হায়রমতুনা অরোয়বা বিদায় অতুতসু লৌ-খিদ্রে ! আশীব ! আশীব ! কনানো আশীব ? অসুক কুইবসি মহাক কদায়দা লৈরুই ? মপাগা মচামুপীগগী শাংলবা চহি কয়া অসির্গী অহিং মুংথিল ময়াম অতুগী মরক্তা কদায়দগী লাকখিবনো আশীব

অদো ? পল্লেপফম খণ্ডম্রবা অশাওবা মরক্তা শিংলী শিংলাং পুন্নমক্তা য়াক্লবা মৈগী ঈচেল অমা চেন্বা হৌরকই। খল্লকই, মাগী মুংশিজরবা লনহুবু মথাদগী শংতুনা পুখ্রিবা শয়তান অহুবু ভান্নরগা মখৌন্নি মেংতুনা হাংলবদি ! খুদক্তুদা অমুক মপুক্লিংদা খল্লকই হাংক- দৌরিবহুবু কনাবুনো ? আশীষপুন্না ? আশীষপু মুংশিজৈ টুকুননা ! অহুগা আশীষতি ! আশীষনম্ভ মুংশিজরম্বা তাই টুকুনবু !

ডাঃ সান্যাল ঙসাইমখৈ নিংশিংলুদে, সিষ্টর রিতাবু থংনবা কাদা নৈহল্লম্নগা কাসিদা টুকুনবু থিবা চঙলকপনি। খঙহৌদনা সিষ্টর রিতানা কৌরকপদা খংপ্রেক খংহুনা ডাঃ সান্যাল মমায় ওনখংলকই। ডাঃ সান্যাল ? সিষ্টরনা ডাক্তরগী মমায়দা য়েংলুবদা ইঙক ঙকই। ঈ য়াওম্রবগুম তাইফেং তাইরে মমায় পুম্বহু। মাগীনি হায়বমখৈ পুম্মাঙ মাঙপ্রবদা ফাওরকপা চৈনাখোল অমা ডাক্তরগী মমায়দা চোংথোক্তুনা তান্নি। মমিংকি মিংয়েংহু গতি লৈজম্রবা মুঙাইখিদবনা শোক্লবা অমগুম্না উরকই।

কৈদৌরবগে ডাঃ সান্যাল ?

টুকুন - টুকুন ঐবু থাদোক্লম্নগা চংগ্রে সিষ্টর ! লোইশিল্লকপগী অহুবাইদা অঙাংমচাগুম্না ডাক্তরগী মচিনবান অনিহু কাপ্পং কপ্লিং তৌনা চিংলমই। থাদোক্লম্নগা চংগ্রে কদায়দা ? কদায়দা ? ঐঙোন্দগী হেন্না মুংশিবা অহুগী মনাক্তা ! ঐ- ঐ হুজিক করি তৌগনি সিষ্টর ?

ঈশ্বরনা তন্নুনি, লোইনা হায়দোকপিয়ু ডাক্তর ! মানা মুপামচা অমবু মুংশিজৈ, মমিংনা আশীষ কৌই। দক্ষিনেশ্বরগী য়ুমদোমপোক অমদা পুলিশনা মখোয়বু কোয়শিনপ্রে, Open firing তৌরে, মহুগী মরক্তা টুকুন চেনশিনপ্রে। হায়না হায়না

থঙহৌদ্রা ছৌগংলকই ডাঃ সান্যাল, উম, উম, চুমই, ঐস্থ চং-কনি ! ঐ চংলে ! কদায়দনো ? কদায়দা চংপিগদৌরিবনো ডাক্তর ? দক্ষিনেশ্বরদা। মখোয়বু কন্দবা য়াদে। মানি ওইনিংবা অমা ওইজরমসনু কৈনোমদি ভৌত্নুনা মখোয়বু কব্বা ভাবনি। হায়ত্নুনা চেনশিনখ্রগা থংনবা কাদগী গেরেজগী শো লৌথোরক্লগা নোং মুংশিং শিংপগুম্না ডাঃ সান্যাল কাদগী চেম্মোকথিরমই। চঙক্লত্নুনা লোন থোক্ত্রবা সিষ্টর মতোমতা কাত্নুদা লেপ্পুনা লৈরমই।

॥ কুন্থ্রামরি ॥

নোংলৈ মুংশিংকী মতৌগুম্না গাড়ী থৌরি ডাঃ সান্যাল। টুকুন— টুকুনবু কনগনি ! দক্ষিনেশ্বরদা ডাক্তরনা থুংলবগা, লম্বীগী চিথেক্তা পুলিশ ময়াম লৈবা উরমই। গাড়ীত্নু ব্রেক ফাত্নুনা থাম্লগা ডাক্তরনা পুলিশ অমদা হংলমই, স্বাইদা লমহাংগী যুম অমদা Police না raid তৌরিবত্নু কদায় স্বাইদনো হায়বা ওন্দ্রা ? মতম অত্নুমক্তদা থংন-থংননা রাইফলগী মখোল তারকই—দুং ! দুং ! করিগীনো, মফমত্নুদা অদোম্না কৈদৌবিগদৌরিবনো ? দরকার লৈ। মদোমদা চংপা থিংলে। খুদক অত্নুদা ডাক্তরগী মকোক্তা অচেংপা রাথল অমা লাকই, করিমক্তা লংওনা হায়রকই, ঐ সি আই ডিগী মীনি। হন্দক্তি পুলিশত্নুনা থিংদ্রে, ইকাইখুম্না হায়রকই, য়াম্না থাপ্পদি চংসিনবিখিন্নু স্যর। মাংদা লৈরিবা য়েংথংবা লম্বী মচাসিদা চংলগা ওই হেক থংবদনি যুম অত্নু—খোংলৈ থুনা গাড়ীদা কাখৎলগা ডাক্তরনা গাড়ীত্নু অমুক ষ্টার্ট তৌরকই। ইঞ্জিন ভুং ভুং ভংলকই। অথুবা লম্বী অত্নু য়াম্না থেক-থোয় অত্নুগা পুলিশনা

চাকপনা মরম ওইদুনা মী ইহাঙ হাঙলমই। তোয়না তোয়না রাইফলগা মখোল মায়েক শেংনা তাবা হৌরক্লে। অদুবু ডাক্তরনা রা অমমুক খঙহৌদনা নিংশিংলকই, য়ুম অদুদা চুমথ্রিং হেক্তা চঙবদি পুলিশনা থিংলকনি। করি উপায় তৌনি? গাড়ীগী ইঞ্জিনদু মুথৎলমই ডাক্তরনা। লম্বেল ময়াদুমক্তদা টৌটি-কোঞ্জিল অমা লৈ মদুগী মমাংদা মল্লবা চেকী চুইতলা অমা লৈরি। লম্বেলগী নাকন অনিদা অতোপ্পা য়ুম কয়ামুকসু লৈরি। য়ুম অমত্তা থোঙ হাংদে-লোইনা লোনশিন্দুনা লৈরি। পুশিল কিদুনা মায়কৈ মবিমক মোংফমদোনা চিকথ্রে। গাড়ী থৌজিন্বা য়ারোই। ডাক্তর গাড়ীদগী কুমথরমই, মী লৈত্রবা লম্বেলদুগী নাক য়েংতা অমুক্তং য়েংথোকই, অহিংবা জিবা অমফাওবা লৈত্রে! অচিকপদু থুগায়রি শুপ্পগী লেপ্তুবা রাইফলগী মখোলদুতনা। খঙহৌদনা টৌটি ময়াগী চুইতলা অদুগী মখাদা লৈবা কা অমগী লোনশিল্লম্বা থোঙনাওদু খজিক্তং হাংদোরকপা উই অদুগা হাইফেত্তং উখি শকফম অমা। যেংদুনা লৈ ডাক্তরনা থোঙবা অনিগী কারক্তা লৈরিবা শকফম অদুদা। সনাগী খুজি শিবা ফজরবা মখুৎ অমা তিংথোরকই থোঙগী অহোবদুদা মখুৎ হংতুনা কৌরকই খুৎ অদুনা। মখুৎ হংতুনা কৌরক্লি নত্রা? মানি কৌরিনে! চঙক্ররবা ডাক্তর মশানা খংজদনা মখোঙ তপ্পা তপ্পা থাংদুনা চুইতলাদুগী মায়কৈদা চংশিনখিরমই। থোঙনাও ময়ামক্তা লাক্তনা লেপলরমই। থোঙবা অনিদু খর অমুক্তা হেন্না লাওনা হাংদোরক্লমই— ময়েক শেংনা উরে মুপীমচা অমগী মমায় অমথক। মুপীমচা অদু ডাক্তরনা মশক খঙদবা নত্তে মঞ্জরীগী মমাম্নবী কৃষ্ণানি।

কৃষ্ণা ?

মানি, অদোমদি সিদা কৈদৌবিবা ?

মঞ্জুদি ?

পুলিশকি গাড়ী স্বাইদা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি মাঙদা থরা চৎখৎ-লগা Blind lane অমা লৈবনি মহুদা গাড়ীহু অমুক্তা হাম্না থম্বীরুচো, ঐ খোঙ হাংদোকচরকে। কৃষ্ণানা তাকপা মতুং ইম্না গলি মঙ্গুংদা গাড়ীহু লোৎতুনা থনমলগা ডাক্তর হুইৎলা মঙ্গুংদা চংলক্লমই। মথাগী কা অমদা কৃষ্ণানা ডাঃ সান্যালবু পুশিল্লক্লমই। খোঙনাওদা অদোম্বু হেক উবগা কৌশিঞ্জবনি। হুজিকিহু পুলিশ উরম্লবদি শোয়্নরবনি !

মঞ্জু — মঞ্জুদি কদায় কৃষ্ণা ?

লম্নহাঙগী য়ুম অমদা।

ঐ মহুদা চৎকে।

অদোম চৎপিগে হায়বা ?

হোয় ঐ চৎকে !

অহুবু, অহুদা চৎলগা করিবু তৌবিগদৌরিবনে ? মঞ্জুদি দাদাবু হল্লকহনবা ওম্বা য়েংগে হায়হুনা ঙাইহাক ওইরে।

ঙাইহাক ওইরে ? কদায় য়োরম্মনি ? কদোমদা ? য়ুম অসিগী লৈথাদা শুরুং লৈ !

॥ কুহু্মেঙা ॥

য়ুমদোমপোক অহুদা মতম অহুমক্তা। ভুপতি শিন্ত্রে। আশীষ মতোমতনা মেচিনগন কাপ্লি। মনাকমঙদা মখোঙ মখুৎ

লেঙবা ঙমক্রবা গুলিনা পাল্লবা নিরঞ্জন তুহ্লনা লৈরি।

তর র... র র - রৎ!

হুজিক ফাওবদা লৈরিবা এমুনিশন সিনদি মুংথিল পূং অনি ফাওবদি থাঙবা য়াগনি, অহ্নগী মতুংদদি? মহ্নগী মতুং হায়বা অসি ঙসি ফাওবদা আশীষনা অমুক্তা থনখিদ্রি, হৌজিকসু থন্দে। অসিগুম্বা মায়োক্লবা লানফমসিদা মুংঙাইবা, পেনজবা অমা লৈ, মহ্নগী নিশাহ্নুনা আশীষপু য়োমহ্নুনা লৈরি। ভূপতি শিগ্রে।

অ:তোপ্পা মায়কৈ অহ্ন ম্লারমাল্লে ঙাইহাক্তং রাইফলদগী নো:মৈ গুলি কাপ্লকপা তোকখিরমই। আশীষ মেচিনগনগী বেরেলদা মখুৎ থম্লহুনা হুমাংনা চোৎলবা মমায় অহ্ন মখুৎ ওইগী খুনমনা তৈথোকই। মতুংলোমদা খোঙথাং অথুবগী মথোল অমা তারক্লমই। কা মন্নুংদা ফিংনা চেনশিল্লকই মঞ্জরী! মঞ্জরী! আশীষ মঞ্জরীগী মমায়দা য়েংখৎলকই। মঞ্জরী আশীষকি মমাং-তানা পরপ পরপ চঙশিল্লগা মাগী মখুৎ য়েৎ অহ্ন তাপ পায়শিল্লগা হায়রকই, মানি ঐনি।

করিগীনো খুদোংথিবা মরকসিদা চঙলক্লিবা মঞ্জরী?

চঙলক্লগা কৈদোরগে?

মথংগী মিকুপ্তা নিংশিংলকই পূং অমা মথায়মুকী মমাংদা লৈরম্বা মী অতৈশিংহু আশীষনা নমহুনা গুরুং ফাওহুনা চেলহন-খ্রবনি। মখোয়দগী ওইবা তাই মঞ্জরীনা পাউ ফংলিবসে।

হল্লকও আশীষ!

হল্লকও হায়বা?

হোয় নঙ নম্রা কয়ারক ঐত্তোন্দা হায়খিবদো, ফাহল্লগা

কাম্নদনা শিখিবত্থু পামদে হায়না। হুজিক সুম হায়না তম্বা ঙমদবা অশিবগী মায়োক্তা লেপ্লগা লান শোক্লবদি— মসিস্থু অন্নানি। খঙহৌদনা মতাং অত্থুমক্তদা অতোপ্পা মায়কৈদগী রাইফল ঙংবা হৌরকই। মেচিনগনগী ট্রিগর খপ্তুনা নোংমৈ কাপ্পা কাপ্পা শোর থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা আশীবনা হায়রকই, সিদা লেপ্তুনা লৈরম্থু মঞ্জু, চেনশ্রো! করমকান্দা কদোমদগী গুলি পাইশিল্লক্তুনা পাল্লগদগে হায়বত্থু তম্বা ঙমদে। চৎলো, চৎলো!

চৎলোই। নঙবু পুদনদি ঐ চৎলোই। মঞ্জরীগী খোম্থোক অত্থু ইস্পাততৌনা থৌরকই অত্থুগা, মিৎনা কপ্পদা ভুপতিগী অশিবা মশাহুদগী লোডেড, রিভোলভর শৎতোক্লগা চপ লেপথৎলকই!

মঞ্জরী— মঞ্জু! নঙবু ফিংগম্নুনে!

মঞ্জরী আশীষকি বাত্থুদা পাউথুম পীবা তৌদনা চেকশিন্বা খোঙ-থাং থাংলত্থুনা খোঙনাওরোমদা রিভোলভর পায়ত্থুনা চংশিনখিরমই।

মঞ্জরী ঙাইখো,— তাখো! করিগীনো নঙনা শোয়ত্রবা অশিবগী খায়াৎসিদা চোংশিল্লরিবসে?

নঙনা শোয়ত্রবা অশিবগী খায়াত্তা চোংশিন্বা ঙমই দেশ'অসিগী মুপামচা অমা ওইনা, দেশ'সিগী মুপীমচা ঐনদি ঙম্মোইদবা!

তাখো মঞ্জু, ভাব তাদবা তৌম্থু। ঐগীদি শিবগী তঙাই-ফদবা লৈ, য়ামত্রবদা নিরঞ্জনগুম্বা মীওইশিংগীদমক্তস্থু। মতাং খুদিংমক্তা মখোয়সিবু হাৎপতনা শাস্তি পীনৈ অত্থুবু ঐদি ইশাগী থবায় থাদোক্লগা মাবু খঙহনগনি মানা তৌরম্নিবত্থু করি ওইরগে হায়না! মপুম্নিচুপ্পা মা নিঙঙমদনা লেম্নবগী মতম ফংজরনি অত্থু ওইরবদি।

মচু ওইবা য়ারোই আশীষ, মখোয়গী জাং অসিদি মচুনা খঙহন্বা ঙম্লোই !

অহুমশুবা খোঞ্জেল অমা তারক্লনা আশীষ লৈখোক্লনা য়েংলকই। ডাঃ সান্যাল খোঙজিন্দা লেপ্লনা লৈরি । মঞ্জরী মপাবু উবদা খংলাও লাওরকই, বাবা !

অদোম ! অদোম মফমসিদা !

মানি ঐনি, দেশকি তঙাইফদবা অচুগীদমক্তা নঙ ঙসি হিংগদবনি আশীব। নঙগী লোইশিনহোদবা থবক অচু কদায় ঐগী খুৎতা শিন্নরম্মু।

নত্তে— নত্তে, মচু। অদোম্না করিগীদমক ঐগী ইচুৎ শিন্দুনা থবায় থাবিগদৌরিবনো ? আশীষনা কম্না য়ানিংদবা ফোংদোকই। মরমদি শিবনা ঙসি তঙাইফদবা অমা ওইরবদি, হৌখ্রবা মস্থরক্লবশিংচুগী শিবা ওইসমু— লাক্লিব্রা অমদি অনৌবশিংগীদমক নত্তে। নঙগী থম্মোয় মমুংগী পোত্থদা ঙায়রিবা কল্পনা অচুদি ঙসি ফাওদসু লৈশাৎ তমদ্রি । মচুগী ওইখোকপা ম্লাবশিং অচুবু ঐখোয়না করিগী মাঙহনগদৌরিবনো !

অতোপ্পা মায়কৈদগী মতম অচুদা লেপ্তুনা রাইফলগী গুলি কাপশিল্লক্লি। ডাঃ সান্যাল অরূপ্পা খোঙথাংগা লোয়ননা চংশিললক্লনা আশীষকি মখুৎতগী মেচিনগন অচু মুমখিরমই, চৎপ্রো, নখোয় শিবা য়াদ্রি ! মঞ্জরীবু ঙসিদগী নঙতগী নখুৎতা শিন্নরবনি আশীষ। নঙনা মাগী ভার পুম্বা লৌরবনি, মাবু নঙনা য়েংবিয়ু। মঞ্জরী চেনশিল্লক্লনা মখুৎ অনিনা মপাবু কোনশিল্লগা কপ্লকই, বাবা !

হৌনদে ইবেম্মা, নমিৎতগী নপি তাগদবা নত্তে মুংডাইরবা পুংফমসিদা।

নঙ— নঙস্থু হল্লক্লো বাবা!

নত্তে ইবেম্মা, আশীষকি অরোয়বা মথৌদাং অসি ঐনা পাংথোকদবনি। চৎলো, অমুক থিস্থরম্মু, নখোয় চৎলো।

ৱাহৈশিং অদু য়ানবা ঙাংনবা, অমদি হায়জবা নত্তে, যাক্লবা য়াথং অমগুম্না তৌরমই। ডাঃ সান্যালদি মতমতুদা মেচিনগন অদু থোঙনাও ময়াদা হেন্না নক্না পুশিল্লগা থোঙবা অনিদু খংহাং হাংদোক্লগা মেচিনগন কাপ্পা হৌখিরমই।

তর ... র ... র ... র তত্।

আশীষ অমুক্তং তুংহন্না য়েংথোক্লম্মগা কপ্পুনা লৈরিবী মঞ্জরীবু মখুৎ অনিনা কোন্দুনা হাংদোক্লবা থোঙগী লম্বীদা মখোঙ থাংবা হৌখিরমই। মতম হৌখ্রিবগী মতিক এমুনিশনস্থু লোইশিল্লক্লি। পুল্সিগী পাপ, অরাম্বা, লাংতক্লবা, নিঙঙমদবা পুম্নমক ঙসিদি মত্রনা শেংদোক্প্রবগুম ডাঃ স্যান্যালগী মথম্মোয়দগী মাংখ্রে। মুংনাংবা অমত্তা লৈত্রে। তুংগী হায়বদুমখে তুংদা তাদুনা লৈজহৌরসম্মু, থাশিনা মম্নবা অতিয়া মকোইদা ঙসি অয়ুক অঙম্বগী মশেক্লা য়ৈররে। মঞ্জরীগী ঙসি চংজফম ফংলে। তৌগদবা মথৌদাং লোইশিল্লে।

খঙহৌদনা গুলি লমা পাইশিল্লক্কনা ওইথংবা মথবাক্তা ক্লাওখ্রে। অঙাংবা ঈতনা মশাদা লীৎলিবা ফুরিৎ অদু চোৎলক্লে। হেন্না পেম্বা অমগা লোয়ননা ডাক্তরনা মেচিনগনদু চেৎনা পায়শিল্লকই। হেন্না ইচঙথৌনা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকই। অতোপ্পা


গুলি অমমূক লাক্তুনা হন্দক্লা য়েৎথংবা পাম্বোম মরুদা পাল্লরমই। পঙথরকই সোম্বদদি মশা পুম্বক্থু। অস্তুক চোকথবা ! কয়াদা কল্লা য়াম্ফক তারবা ! পাম্বোমগী লোইবা নাইদ্রবা শক্তি অদু শিথরক্লবা। মথবায় য়াওশিল্লক্লে, শক্তি পূম্বা ! করিগীনো ! করিগীনো ? করিগীনো ?

মঙাল মৃৎথরকই অস্তুম অস্তুম মমি ওই শামি ওই। করিগীনো অস্তুক কৃঙনা মমশিল্লক্লিবসিদি ! মাঙদা, নোংথক্তা, লৈখাদা, তুংদা নাক-য়েৎতা অমম্বতগী লৈরোন লৈরোম্না খাজিল্লক্লিবা ! পৃথিবীগী মুংশিংসিবু লোইশিল্লক্রবনে ?

মঙাল ! মঙাল ! মঙাল খজিক্তগা !

Light ! Light ! More light !

— লোইর



মীওইবগী সম্নাজদা ওসি ক্রিমিনেল ওইবশিং অসি মী ওইনা পোক্লকপা ঙাক্তনি। অদুবু ক্রিমিনেল অমনা মী ওইজরগে হায়না অমুক হোৎনজরক্নপা মতমদা সমাজ অসিনা মদুবু মখুৎ খোক্লা থিংই। ডাঃ নীহাররঞ্জনগুপ্তগী কালোভ্রমর ৩ব ১স্নং ৪ব শরুক অসিদা অইবনা খৌনা ফনা লাওরি — পাপ হায়বদুবু তুকচ্চ-রবসু পাপ ভৌবা মী অদুবুদি তুকচ্চগদবা নত্তে।

★ ★ ★ ★ ★

কালোভ্রমরগী অতোপ্পা মমিং ডাঃ সান্যালনি। অদুমক্তদা কালোভ্রমরগা ডাঃ সান্যালগা পুমথেন খেন্নবা মীওই অনিনি কালোভ্রমরনা মী হাৎপা পামই; মী হাৎলগদা পেঙ্গে। ডাঃ সান্যালনা মীওইবগী হুংশিবা ফংলিংই; হুংশিবীবা পামই। মপুঙ্গি চুপ্পগী ব্রহ্মচারী কালোভ্রমরনা মচানুপী হুংশিবা মশক থঙলক্তে। মদুগী মথংদদি ?? ... ...

★ ★ ★ ★ ★

কালোভ্রমরগী রারী অসি বাংলা লোনদা পারুবদা ইশাদা অমুক্কী মতিক হুংঙাইবা পোকখি। হুংঙাইবা অদুগী শরুক মচেৎ থরদং ওইরবসু ময়ামগী মফমদা য়েঙ্গনিংলুবনা "কালোভ্রমর ১ব অমসুং ২ব শরুক" হায়বা লাইরিক অমা ফোংজখি। ওসিনা কুইনা পোখাক্লা লৈজক্করবা ঐঙোন্দা হুংশিবিবদগী ময়াল্লা অমুক্কম্লা কলম পাইনবগী খৌনা হাপ্পীরে। "কালোভ্রমর ৩ব ৪ব শরুক" অসি ময়ামগী হুংশিবিবা অদুমক্কী অনৌবা শক্তম অমত্তনি।

রাজেন তোংখাম